মহাত্মা
অশ্বিনীদত্ত

মহারাজ

গরীবনিবাজ

Wading through blood he came to the throne,
Shedding blood at Ninthi he met his rueful end
A prince—a Patricide ? Not he
But the hand of Destiny—or of a Curse

অইবা :—

শ্রীশঞ্জেবম নদীয়াচাঁদ সিংহ, বি, এ, সাহিত্যভূষণ—

এক্স মেম্বর মণিপুর ষ্টেট দরবার, এক্স-মিনিষ্টার মণিপুর ষ্টেট

কাউন্সিল, এক্স-মেম্বর এডুকে[illegible]

এক্স-পেপার সেটার এণ্ড একজামি[illegible]

ভার্ণাকুলার, কলিকাতা ইউনিভার্সিটি, এক্স—

পেপার সেটার এণ্ড একজামিনার

মণিপুরী ভার্ণাকুলার, প্রিন্স

মেয়ো কলেজ, আজমীর,

এক্স-মেম্বর রাব ফণ্ড

কমিটি মণিপুর


এক্স-প্রেসিডেণ্ট মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ

অসিনচিংবা।

ভু পূম্নমক অহৈবগীনি মমল

অক্ষোঙবা

গ্রন্থকাব



অহানবা ফোংবা —নবেম্বব ১৯৭১
কোপী মশীং—১০০০

ছাপা নম্ফম —

The Manipur Stationery & Printing Industri
(P) LTD Imphal Manipur

কচ্ছবা :—

ঐগী চানবিহৈবা খগুবদেব ৺রাজকুমার কান্ত সিংহজী কবকমলদা লাইবিক মচাসি হাপচরি।

হৈজবা [illegible]

নদীয়াচাঁদ

রা অমঅনীদ

শ্রীযুক্ত শঞ্জেনবম নদীয়াচান্দ সিংহ বি, এ, গি "মযাম্বা গ ীবনিবাঙ্গ" মুনন পাবে। লাইবিক অসী নিংথৌ অমগি মমদ বি ববসন মপূঙ ওইন ইবা ঐতিহাসিক উপন্যাসনি। লেখক অসী শিক্ষিনব কব, লাইবিক ন ন পাবগী ফজব খুদম্ ফ ই। মাসী ঐতিহাসিক উপন্যাস অমগি মতিক চাব থৌ[illegible] মপূঙ ওইবগ বসন মফেল ওইন ইবন অপাব মীগি [illegible] মথং মথ, পাথনিঙবগী বাখল পেংকহন্লি। বীববসগি [illegible] চা। খুদম কযান লাইবিক অসীগী মতিক চাব মগুণ [illegible] অতে প্প বস মপূঙ ফাহল্লি। ইক্ল, লাইবিক অমি পুন্নমক য়াওবি। কবিগুবব নাম অমণি মও মতৌ [illegible] যামন ফজব বাঞ্চযন মতিক চান উৎপ ওমঙ্ঈ। শৃঙ্গাব [illegible] বাদ মপা মচা ফমমিনহুন পাবব কবিগুবব হ গোইবগি [illegible] পেশক্ল। সাহিত্যগি মফ ওইবদি অলঙ্কাবনি। লাইবিক [illegible] অনুপ্রাস, যমক, শ্লেষ চিবা মতিক চান লৈ। উপমা উপমেয় পীবকপন য়াংনা চম্ ফজ ফজন শীনি। অসীগি মথক্ত বক্রোক্তি নচিবনা শব্দ অলঙ্কাবনচি ব মফম মফমদ য়ামন [illegible] ক অসিন নায়ক নংকি মফমদ পনিব খুনথোক, চকথ ঙ ভুংসী অনী ওইন লৈবা।

শ্রীমাইবাংখেম চন্দ্র সিংহ
খোংমন
১৪।১১।৭১ ইং

হুবা লৈমানবী তনৌবি লৈশাবি খরা হিজাউ অমা তোংহুনা থবো থম্বাল হেক্কুনা (১) থমজেং চাহুনা, ঈশৈ শক্কুনা, নোকখে হবাও-তযামহুনা সুঙাইবগী ঈথক হৌহল্লম্মী, হবাওবগী ঈপোম কাহল্লম্মী। কা-হেন্না মখে লাংলবদি খেনম নম্বা হৌনশানি হাযবা ইনখংলক্লিবা নহা ওইবিশিংনা খঙলমদবা য়ায, খঙলবসু সুঙাইবগী মযাহনা লুত্তোন কাখিহুনা কাউববা ওইবা যায়। নোংমা হুমিং চুম্বা শান্নবগা হুমিংনা চীংযা খেনদৌ লাংবা মতম, তময়া কোবী চেনবা কাল, পোম্বী চেকলাশিংনা অরাংবা উত্তোন্দা শাবা মহুম তম্না হঞ্জিন্নথবা পুক্কোব মতম য়ৌরবদা, শানবনা মশা চোকথরবী হুন্নাশিং অহু ময়ুম মাযকৈ শাংলগে খন্দুনা পাংকী খোঙবান তম্না তপ্না তপ্না হি হোনজিল্লম্মী। শাং মপান য়ৌবহুনা লৈশাবিশি অহু কংফম্দা কাথংনবরুপা মতমদা ইথঙ খঙহৌদনা মযা যাপনবা লাংদান শম্বা (২) ওক্লেন লাবা অমা মখোয তম্না নোমহৌ নোমহৌ চঙশিল্লক্লে। অহু উবদা নুব্রা অপুম্বা কিবনা থক থক নীক্কুনা "ইমা ইমা" "শিরে শিরে" হাযনা লাউহুনা কপ্ন লাউনহুনা চেন্নখরে।

মখোযবু ঙাক-শেনবা, হি হোন্নবা লাকপা, মখোযনা থমজেংকী মহাউ বস লৌবদা শক্লক যাম্না হেন্না য়ারম্বা, নিপাসু নত্তবা, হুপীসু নত্তবা, নিপাসু ওইবা, হুপীসু ওইবা—অনীমক্তা পুনশিনবা, মপাঙন্দা নিপ গী শকক্লা হেনবা থমোয়দদি হুপীগী

(১) থাইনা মমাংঙৈদা থমজেং চাবা হায়বসি হৌজিক কালগী Picnic চাবগুম্বনি (২) ওকলাবা।

শক্তাক্তগী হেন্দবা, ফম মমা সু অনী থোনবা—নিংথৌ কলুপ্তা নাইজহনবা (১) সনা বাপিহন কলুপ্তা তম্পাকয়ুম হনজবা কৌবা নিপা দুপীনা হবচ চঅাত ওংবত্থ লৈশাবাশিগী মমাঙ থাহুনা কম্না চেনখরে।

হনা লৈশাবা অমতংদি ময়াম্না চেম্নখিবা অহুদা য়াওদনা নৌ পাযম্ভনা হিনাউদা লেপ্তুনা লৈহৌরে। লমজাউনী ওক্রেন লাবা ওগ্নরলা বিম্ভনা চেরবা হায়রনি মপা মপুগী ফজবা মিংচৎ মপ ভাবনি থনত্রা নত্রগা চেনত্রিবা লৈশাবীশিং অহুগী মমাঙদা হৌকাযবা থবক্লি হনবা এইনমন্দরা? অত্তবু ওক্লাবনা মা অম্না চঙশিহুন্তুনা মনাক নকাংহুকপা উবদা মপা-মপুগী মঙুল ওাকপগী বাথপ হায়বত্থ মুংশিংগ হৌখরে, চেঙ থৈবগুম মশা থোঙদগী ভোন ফাওবা থক থক নীত্তুনা লৈশাবহুনা হংনাউ লাউরকই,

—বনা কনা লৈরা? ঐগী থম য কনবিয়ু, ওক্রেন লাবা লক্লে হংকানৌর্না [illegible] লৈ

লপুক্না পাংথ অনা হকাহি অমা ভোংদুনা (২) লেমলৈ ঙা তাম্পনা চংকম্মি। হুপীগী অবাদা থোঙ্গেল ভাবদা নিপাহু মনা থ অস্তুনা কাদাংনগী লাকপা থোঙ্গেলনো হাযনা ভারম্মী। অহুদগী মুংশিংকী মমাঙ পানা হি হোনজিনখর, কংকালদা জন চো থংলি ওক্রাবা অমা লৈশানী অমা তম্না চঙশিল্লিবহু উবে। ওক অহু নপাঙ্গল শোনবী হুপীদা মাগী ভোবা ওম্বা মপাজল উংপা চুমদমাংলে থনত্রা কনি না থগাদ লৈশাবীহু ভুংওইনরমহুনা

---

(১) যুবরাজ (১) ঙা ফাহুনা।

পাখং তম্মা পাইশিল্লম্ব্রে। অতু ... নমদৈ হোয়না থ ...
পাখ, অতু ওন্না ...নাক নকশিল্লকপদা ... ...ুক যাউনা নাব...
অমদা চো থোকখনে। মথুত্তা পাৱবা ... অতুনা ওক। মম ...
মশাগী মপাঙ্গল পূম্নমক মপান্থোম ...দা হাপ্পুনা কম্মী ...
ফুথবে। ওক্লাবগী কৈ ওম্বা মযা অত ...্রো প্রে ক লাউবা অকনবা
মখোল অমগা লে য...। লৈপা...া তেক্‌...া ...।

কৈ ওক্লবগা লমওন্না ...গী ...তু...বা ...ক মখৈ ম ...
থুত্থংনা লৈপাক হোত্তো...না ... ...দা চৎতুনা ...বাক্কী ...ক
মথৈদা থাঙ্গত্তুনা ...দা ... ক চৎ... ... ...। চৎ...
ওক্কী মযাগা শোৱ... ...গী ...ক ... ...
খিগনি হাযবা (১) ... ...গী
ওইবা থৌইনশিল্লা খ... কৈনা ওক ... ... ক
ইবক্তা চৎপা মতমদা ম...গী ... ... লা ... ...
কেন্দুনা তাই হাযদুনা ক্লোদগী লা... ... কৌবা ...
খোল পীবা মযা অতুনা তেক... ... ...
থুদেকপা নৌ অতনা মৱা ... ...গী ...
শিবগী লাল অসিদা মপ... ... অত... ... ...
তারে। মী শা অনীমক ... পু ... ...
লৈরুরগা ওক্লাবনা জান ত... ... অত ... ...
অমুক্তং কোত্তুনা ... বদা পাখ অত ...প্রারনা ... ক্র ...। ...
তারে।

(১) Instinct

গুরুনা অহুনা নিপা অহৌ মনঙ্গদা মাগী মখোডগী অখোব থৃ জল অহুনা হাত্তুনা হাংকে চেনশিনখিদদা। নিপা অহুনা লোংন ঙমুক্তং ছনবদা ওক অহু লোংনা তাথরে। মীগা শাগা হকথেং-নবে। ওক্না মপক থ, মীনা অমুক মপক থ, পন্নোংরো ওনমিন্নরে। ওয়, মী অহুবু মখুক্তিন্না মযাংনা হাংকে হোংনৈ। মীনা শাহু থেবি চদম মেত্তুনা, খুদনা মমীটা থাহুনা হাংকে খোরাঙ তৌই। মতম খনা লাক্কনবা মতুংদা শাগী মশাদা লৈতবা, মীওগী মশাদা লেবা ( ) অফ-ফত্তে, অচুম-চুমদগী বিচার তৌবা ঙম্বা পাকপনগী হন্নেক্কপ। মরৌশি, অহুগী মপান্না পাখং অহুগী নপুর খুথনন। বাখল অমগী নমি নোংপা কুপ্সমুক থুনা পাইখরে,—নতম কুইনা লান্নবদা মশিং মপক্ষম করবা হেনবা ময়া অরাংবা দশা ফংদা তারে।

অমি মঙ্গলী নহা মতম তৌবা তাবা লৌ আতকপা মখোক অহু পাক লাক্তুনা লৌনা নাহুনা ওক্রাংগী মমীং যেং খংবদ কম্না শিনবনা মমাং হাং যং চা থাক্রে। মসং শোকপগী অন্নাবা খাডগনা চাইহাক ডানা মাডলিডেদা নিপা অহুন মাগী ওইংবা মমীং অহুসু যেংবগী দশা অহু ফ হল্লে।

মসং অনিমক তাংলবা ওক তহু থাদোক্রমহুনা পাখ অহু লৈ-শাবী তম্না চেংশিনখরে। চেংশিনখিদকি লৈশাবী অহুনা পাযরিবা নৌ অহু লৌগ তৌবা ওইবমালে। অহুবু লেংদি লে এদনা শানৌ লৈশাবা অহুবু অডকপা মীংযেংনা থে হুনা চপ লেপই।

(২) Rational or reasoning power

অসিগুম্বা মীৎযেং অসিবু লৈবাক মচা তাবা লোন্দা অহানবা উবমক্তদা হৃংশিবনা শুমহৎলবা পুক্লীং খোয়বাংহনবা মীৎযেং কৌই। পাখংগী মমাযদা মচীন্দা নোকফেৎ তৌবগী কুংশিনবা ফাওবক্লে। মাগী মমাযদা ফাওবক্লিবা মওঙ অহুগী মমি হূরাবীগী ফজবা মাযথোংদস্তু ফুদোবক্লে। ভৌবোক ভৌবা মমাযদা ঈ চবুল অমা চেনশিল্লক্লে, মমীৎ অনী উইশিনখবে।

মীগা ওক্কা শিবা-চঙবগী লাল কন্না শোক্লবিদৈদা হূরাবী অহু কবম তৌবম্মী? পাখ, অহুগী নুং চৎপা অপাকপা মতাকবা থবাক, তা-চৎপা অকনবা অশাংবা পাম্বোম অনী, নোংশাওম্না চেংশিনবা মখ্বা, লমজেল যাঙবা ফৈগল, হৈ-শিংবা (১) ভাস্কবনা শাবা নুংগী মূর্ত্তি মান্না ফজবা শাওঙ শাদা—পুম্নমক্কী মথক্তা লৈগী লীবা-তেল পাযবা তূশেম-বাশেম হৈবা কাম কৌবা মান্ননা ফজবা মাযওঙ, শকওঙ উবদা হূবা অহু মীৎফম হোংবা ঙমদনা, মী শাগী শিবা-চঙবগী লানফম অহু মথব্রায মঙামক মমীৎ অনীহুদা থোবক্তুনা মীৎফম হোংদনা যেংহুনা লৈবম্মী। পাখংনা শাবু খবদং লাবচনা তৌবা উবদা শবাগী মমাযদা মোমোন নোকপা মীৎযেং ফাওবকই, মানা খুদোংথীবা অব্রাবা তাগদবা ফীবম উবদা খলাউ লাউহুনা মনঙ্গন্দা ইল্লিবা লমথাং থুলক অপাবা অহুনা অচেংবা মখ্বাদা কন্না খাঙজেৎ শেৎচিন্দুনা অশাংবা মশম অহু থুনা পুনশিন্দুনা হীহুদগী কংফান্দা চেনখৎলক্লে, মৌ পাযহুনা লেপ্তুনা লৈবম্মী।

(১) খাতু হৃংনচিংবনা মীগী মূর্ত্তি শাবা হৈবা মী

পাখংনা রা ঙাঙদনা মথুং ভিংথোকপদা লৈশাবীনা নৌ অহু মাপী মথুক্তা পীরে। হোৎচিনখিহুনা নৌ অহুনা ওক্তী মমায়দা মকোক্তা, মমীত্তা কয়া কয়। ফু-থিনবদা ওক অহু ফরা ফরা ওন্দুনা ঙাইহাক থাঙলম্লগা—লৈতরে।

ওক হাৎলগা পাখং অহু লৈশাবীগী মনাক্তা চঙশিনখরে হায়রকই,

—হূবা ইবেম্মা। কবিনো তৌরম্লিবা মওংসে? কদায়দা করি তৌবা চৎলুবদগী হিজাউ অসিদা নথস্তা লেপ্ত না লৈবম্লিবনো?

লৈশাবীহু পাউথুম পীবা হেক ঙমদে। মমায় ঈচপম্বুক ঙাঙহুনা মক লূকথহুনা মীৎচিনা পাউ পীবা ওইহুনা ঙাইহাক পুংগোয় লৈরগা পাউথুম্লকই,

—ঐগী মৰূপ মপিজা, শামান লেংমাম্লবী ইভাবোয়শিংগা পাং অসিদা থম্বাশ থবো হেবপা, থমজেং চাবা হয়াও ভয়াম্বা লাকচবনি। ওক্সাবা উবদা মখোয পূম্নমক চেম্লখরে।

পাখংনা লৈশাবীবু চিংনা য়েংলগা হাযবকই,

—অহুদি কমদোবা তাবে? ইবেম্মাবু করি থুন্দা লৈবনো?

—ঐ ইম্ফালদা লৈজে। YUMPHAL

—অনকপা থুন অসিরাইদা থঙনা চাম্লবা কনাগুম্বা লৈবম্লা? লৈববদি ঐ থিনজবমগে।

—লমদম অসিদা ঐগা থঙনবা মী থোইদোকপা লৈজদে।

—অহু ওইববদি ঐ ইবেম্মাবু ইম্ফাল তানা থিনজগে। করি হায়বগে?

শৈশাবীত্থ হোয মায হাযবা পাউখুম পীবা তৌদনা মক্ষ লূকথত্থনা লেপ্তুনা লৈবে। অত্থ উবদা পাখংনা মপূন্নীংদা লাঙ-তক্লবা খোঞ্জেলনা হাযবকই,

—হূন্না ইবেম্মা' যেংউ, হুমিং তাগদৌবে। হুমিং তাপ্রবদি মফম অসি যাম্না খুদোংথীবা লমনি। শজ্জি, শঙাই, ওক কৈগী মকোন্নি। মফম অসিদা পনথনা লৈবা চুমদে। কবি কমদৌসি হাযবগে ?

—ঐ খঙজদে। ফগদবা মওঙ শিনবিয়ু।

—অত্থ ওইববদি ঐগী যূমদা চৎলসি। ঐগী যূম যৌবগা ইবেম্মাগী যুম যৌনবা থিনজগে।

—ঙসি অহীংমক থিনবিদ্রবসু যাগনি। হযে অযূক

মখোয অনী লূকা হিদা কাখৎলে। পাখংগী মপা মাহকৈ পাংলক্লে। লৈশাবী অত্থনা হংলকই,

—যুম কযা লাপা লৈবিবনো ?

পাখং অত্থনা মখূৎ থূদোনবী থিদুনা হাযবকই,

—আদা মীৎযেং তান্না লাপপ্রবা লমদমদা থুল অমা উবিরসি মীৎযেং শানথৌবিয়ু (যেংবিয়ু)। থুল অসিগী মযাদা ঐগী মরেপমুক ব্রানা থিনগত্তুনা লৈবিবা উ অসি চাউপ্রবা বা ঙা। খোংনাং পাম্বীনি, ঐগী কোম্বো মযাদা লক্ষ্মা দা হোবনি। ইমা অশোনবী অনাবীগা ঐগা ইমা ইচাদনি লৈঙ্খবিবা যুমদা।

—করি ওইনা নাবা ওইববনো ?

—ইনাক কৈবাক থুনবা ইমু্দা নাওয়োক্লকপা, পোকপদগী হুংঙাই য়াইফ পুন্সীদা চাউবকপা, অমদি য়ুমবাল্লকপা ওইবনা, লন্নায় লমদমগী অৱা-অনা, অনা-অযেকনচি্বা থুদোংচাদবা চাম মায়োক যাবদা মহৌশা হৈনদবা য়ুম্বাল ওইবনা ইমাদি কুমলায়নাগুম্না ইশোন শোন্দুনা লৈ। তোপত্তুনা নাবদি নত্তে।

—থুল অসিদা মহৌশা লৈবিবকপা নত্তবরা ?

-নত্তে, ঐখোয়না থুল অসিদা লৈরকপা চহী তবা ফারমখিৱোই।

—অহুগী মমাঙদা কদাযদা লৈবিরম্মী ?

-ইম্ফালদা হাওবম লৈকাইদা। পাবু, ইধৌশিংনা থম্বিরম্বা লৌবী ই খোল হৌজ্জিকসু কায়দনা লৈবি। মী লৈত্তবগী হৌনবা অঙা্শি্গী কাজৈ শানফম ওইদুনা লৈরি।

-অদুদি ঐখোযগী লৈকাইনি। অদুপ হুংঙাইবা যুম ইংখোল থাদোক্কুনা লৱাযদা লৈবিবম্বা করি মৱমদগীনো ?

-ইবেম্মা! খোইয়ুম লাইগী নো্দম থীবনা অৱাবা দশা তাদুনা মফম অসিদা কুমলকপনি। ঐবু পোকপা পাবুং অদু লাইবেল্ল মৈতেংঙ্ তুবি পাইখোম্বগী লাম্নী তেঙ্গোলগী লুচিংবা ওইবম্মী। অৱা লান্দা পাবু বু অৱানা তমথিনা হু্শিবা খঙদনা ওৎ-নৈদুনা হাৎখি। পাবু্না নোংগাপ্রবদা নোংমা নোংমগী ইমুংগী ফীবম ফংলক্তুনা ঐনগা নহা ওইবনা ইমানা ঐবু পুদুনা তাংজফম ফবা থুল অসিদা হোংলকপনি।

-অপোকপা পম্বৌগী মিং করি কৌবগে ?

-হাওৱম কোইৱেম্বা অহন্নুপ লাকপা কৌই।

—ইঃ! মিং অহুদি অঙাঙ হুবী ফাওবা খঙনবা মিংনি। পম্মোগী কলোয মিংচৎ ফজবা ফৌগু ঈশৈ, নাউগুম-ঈশৈ ওইহুনা হৌজিকসু শরুবি।

১ কোকিলনা তমজনিঙাই ওইবা, খোইমুগী গুণ্ গুণ শকপা শৈশক মানবা খোঞ্জেলনা নূবা লৈশাবী অহুনা শৈশক্লকই—

হযুম যানবা তমথীবা,
(১) থাম্রননিদি শাথীবা,
(২) অথৌ লিচা হেপ্প-ও!
হাওবমচাদি কোইবেম্বা-ও!
(৩) ইংথি তুবেল মপান্দা
মীশী থীনা যাইবী থরায মংঙখিবা ও
মালেম লৈদা (৪) হনরাইবিরক ও। দে।

হুংশিববা সুবদা মিববা খোঞ্জেলনা শৈশরুকপা শৈশক তাবদা মায়কৈ অপূম্বা উলব্রাওমুক চীকখরে। লিবি শিংপা মলযা হুংশিংনা শৈশক অহুগী সুর মাযকৈ অপুম্বা যেনখরে। ঈশৈগী খোন্থাং যৈখবে। অবাপ্পদা ঙাহু থংগোং অমনা শৈশক অহুগী শৈশক তম্লকই।

—ইবেম্মা! ঈশৈ অহু ঐ খঙই। খুল অসিদসু শক্লে। ঈশৈ অসি তারগা ইমানা তেংথাহুনা কপ্পা উরগা ঐগী থমোয কায়গদোই।

(১) বর্ম্মীজ (২) লান্দা থোবা (৩) কাবাদা চেনবা নিংথি তুরেল (৪) হনবিরকলো।

পাখংগী মরাইবক্তা অৱাবা (১) ৱাখল ইরৈ চনবগী মমি তারে। মহাক্কী থমোয়গী পোমথুনা লৈবা মরী (তাব) অমা শোক্ল্লমখ্রে। অদু উবদা লোমশিং শিংবী হূবানা অতোপ্পা বাকম অমা হোৌদংক্রে।

—ফাওনক্কো পাং অসে! কপাম্বুক পাক চাউবা ওইরিদ্রে?

—অসিদি য়াম্না পাক চাউবা পাংনি। কবাম্বুক পাকপগ থঙ-নৌংলবদি মথা মায়্কাবামদা (২) মীৎয়েং শানথেৎলু। অরাপ্পদা মশেল মরাং ওইনা উখ্রিবা পুল অসি পাং মপান্দা তাবা খুল্লি। উ রাশিং থুকইমুক্তা রাংনা উৎরিবা অসিনি।

হুমিৎ ময়ুম চঙবা পুংগোয় মতম ওইরক্রে। নোংপোক পাংবা অন্তিয়াদা থৱাল থাগী ফা'ননগী মকোয় ফারবা থাজ তরং তরং হুম্মোৱাক্রে। (৩) হ্রা-কৈশায়কমদা পাংকী পনথৈ ইশিং ইমায়দা (৪) শিয়ামিজ তুইনথুম মথোং অনী শন্নবা থানিনগী দা ফাইবোক অনী ফা'ওনরক্রে। থাবলগী নডাম্পা অগুক হুংথিলগী শকখম হোংখিদুনা পোং পুন্নমক অনৌবা শকখম, ফীজোল লোপ্ল। মাঙনা উরিবা চম্পু থাংবোকশঙ অসি ত্রেতা যুগতা গোদাবরী তুরেলগী মপান্দা পঞ্চবটী বন্দা শ্রীরামচন্দ্র লক্ষ্মণ অমসুং

---

(১) চিন্তা তৌবগী (২) যে থৌ (৩) Horizon (৪) মমাং-কৈডা শ্যামদেশ (হৌজিক্কা Thailand) দা হুপী মচা ফ ইবোক অনী মনঙন ওনশিন্নদুনা নীংজোনগী শক শন্নদুনা পোকখি। চাউ-রক্তুনা লৈশাবী ওইরবদা মথোয় অনীমক ময়ুম পানখি। অঙকপনি।

সীতা দেবীনা লৈবম্বা উ-নাগী খা,বোক শঙ অচু মাল্লমগদ্রা ? নোংচুপ পাংবা মাযকৈদা লোযাবাকপগী মকমদা কুমথখববা হুমিৎকী অশাং অশা,বা মঙাল মশেক্না অতিযাগী মচা মযা অপূম্বা কোবী চেল্লে। মী শা উচেক, উ-বা উবি-ব্রাবী, অচৎ-চক্তা জীব পূম্নমক অঙাঙবা মচু শঙলে। মথাদা ঈশি,গী ঈমাযদা থাজ মকোযগী অশাং অশা,বা মঙান্না থৈবদা অমদি অতিযাগী মখল যাম্বা মচুগী মমি তাবদা লমলৈমগী লৈবাক হাযবচু অসুম্না যজবা ওইবমগদ্রা পূক্নীংদা ফাওবকই। অবাপ্পা অনকপদা ভাম্ন থঙ্গো, শি,না হবাউ তযাম্না খোংবগী খোঞ্জেল ঈশি, ঈমাযথক্তা হুংশিত্তা তাউহুনা লাক্লি।

মথোল কাবকপা, পুন্সীগী লমদা দা নৌনা খো দাবস্লিবা যুম্বানবা পুন্সীগী থোংঙজিন্দা লেপ্লরবা, শাবী শানৌ অনীগী শাদা মমাংঙৈদ্না-খক ফাওখিদ্রিবা অনৌবা ঈহুল অমা ফাওবক্লে। পূক্নীং থকহনবা, নিদোন পী, পী, চো,হনবা ঈবাঙ অমা মশা মশাদা ফাওবকপদা শাবী শানৌ অনীমক তুজই, থক থক নীকই। শুমহৎলবা খোঞ্জেলদা অনৌবা খোম্বা হাপ্পুনা হুবা শকহেনবীনা হাযবকই

—ইবুংসি! ঙসি নো ঙানবদগী হি লোতুনা লৈ ব না ঐ যাম্না রাবে হীপনী ই।

—হীমুংদা হীপ্পদি মওঙ চাবোই। কনম্না হীপকদগে ? ঙগ য়োগদবসু ঙাইহাক্তা ঙাইবে, নল্লে। খাঙলো শানৌ হাবম্মা !

—হুম, ঐ ঙমদ্রে।

অসি হায়য়ুনা হীকপাক্তা মথোঙ য়াম্বহুনা কমহুনা হি হোল্লিবা পাথং অহুগী মনাক্তা চঙশিল্লক্লু না নৈশাবীহু পাথংগী মতম্বাক্তা মোন থাঙহুনা লোংনা ঙাথহুনা মশা তংখাই অমা হীপথথরে। শাবী শানৌ অনীগী মশাদা নোংথাঙলৈমা চেল্লে। শানৌ ইবেম্মনা অতিয়াদা থোক্লিবা থবানমীচাক মপৈ অহু য়েংহুনা মপুক্লিংদা তগুপ তবাংনা থল্লকই,

—মতৌ অসুম্না মপোক থুদিংদা পাথংগী মতম্বাক্তা মকোক থমহুনা হীপ্পা ক লবদি

মহাক্না হায়বকই,

—তাদ ইবুঙো। পাং অসিগী ফজবা শকফম অসি উবদা ঐগী পুক্লিং অসি মহী চেল্লে, য়ুমদা হন্দনা অসিরাইদা অসুম লৈনীংলে।

—শক-চু ফজবগী হায়রবদি নূরা ইবেম্মা নহাক্তি লমলৈমা হেল্লোয় শাবা য়াম্না পকচগনি।

শাবী শানৌ অনীমক নোকই।

পাথংগী য়ুম যৌবদা হুমিং যাচংবা মতুং ওইখরে। ইমুংদা মথোয অনী চঙখিহুনা পাথং অহুনা ফুঙ্গা মনাক্তা হিপ্তুনা লৈবম্বা মমা যেংহুনা হায়রকই,

—ইমা। ইবেম্মসি ঐনা পাক্তা খেংনকহুনা পুবকপনি। ওক্লাবগা ওক্করুরে।

ঙাইখোংঙখীনা হোগত্তুনা ফম্নগা নৈশাবীবু চিংনা য়েংলগা হায়রকই,

—লমওক্ত থেংনরুববা! পাস্তা কৈদোবা চংলুবনো?

—থমজেং চাবা লাকচবনি।

পলিবা লমথোক্লা পাস্তা থোকখিবা থৌদোক অপুম্বা লীহ্ননা মমাদা খঙহল্লে।

রা পুন্নমক তাববদা মমা ঙাইখো ঙম্বীনা হাযবকই,

—ইবেম্মা! লাউ, ঐগী ইনাক্তা ফমলোয়াও।

লৈশাবীহু মনাক্তা ফম্লরবদা মহাক্লা নূরাগী মকোক্তা মথুং ওইনা নানবিহ্না রা মখা তাথরকই,

—ইম্ফালদা কবি লৈকাযদা লৈবগে?

—নিংথৌকোম্দা লৈজে।

—কোহ্নংদদি কমদৌনা?

—ঐ অশেংবা রা হাযজগে। ঐ অসি ঐবু পোকপিবা পাবুং মৈতেংঙু গী অমত্তা পোকপা মচাহ্নপীনি। ঐগী ইমীং চকপা মথাউ ঙম্বী কৌজে।

জ্ঞান মাঙবা মথৈ ঙকপ্রবা ঙাইখো ঙম্বীনা ফুক হৌগত্তুনা মথবাক মথুংনা যৈহ্ননা হাযবকই,

—পলিবা! তাবেদনসে? (১) তম্ফা রাংঙম্লোল ইবেম্মনা ঐগী লায়র থাংবোকশঙ অসিদা লেংশিল্লকপা অসি মতৌ করম্ব ওক্লনি?

মমাদগী হেম্না ঙকপ্রবা পলিবা লমথোক্লা থুমদ্রিবৈদা নিংথৌ মজা ইবেম্মনা হায়রকই,

(১) মহারাজকুমারী তম্ফাসনা

—(১) পলেম পীথাং শিনবী ! ফমথবিয়ু, ফিংগৎপিগনু, ঐগী দমক য়াবা ভৌবিগনু । ইবুংনা ঙসি ঐগী থরাই কনবিবনি । মতীকচাবা লম্মন শিংজখিগনি,

—পলিবা । ইমা য়া হায়গে তাও । ঐ ঙসিসি হকচাং কয়া মুংঙাইতে । নীংথম চল্লি । মজা ইবেম্মানা হা-নবা লূক নও হৌরুরো । ইবেম্মাদি চাক লাম

চকপা মথাউ ঙম্বীনা য়া থদত্নুনা হায়রকই,

—পলেম শকপী ! ঐ য়া অমত্তা হায়জগে । যাবিগন্রা ?

—মজাইবেম্মা ! করি য়ানো ? ভাকপীয়ু ।

—চাকসি ঐনা পোংজবা য়াগদরা ?

ঙাইখোংঙম্বীনা মথবাক বৈয়ত্নুনা হায়রকই,

—হিঃ করি য়ানো ? হৌনদে মজা ইবেম্মা !

—য়াবিয়ু । ঐ য়াম্না থোংজনী ই । ঐনা য়াম্না পামজবনি । ঙসি অহৌংসি (২) ইনু শোরা তৈভনা ঙাল্লবদি ঐবু থিবা পাবু গী মনাইশিং লাক্লগনি । মখোয লাকত্রিঙদা ইথূংনা চাক চয়া অমত্তং থোংত্নুনা পলেমগা ইবুংগা পীজরমগে । ঐনা হাযজবা য়াবিয়ু । ইবুংদি ওক্লাবা হাৎনবা হোৎনবদা য়াম্না য়ায়বনি ।

নিংথৌ মজা ইবেম্মানা চাক থোংত্নুনা মখোয় অহুম চামীম্নরগা চকপা মথাউ ঙম্বী ঙাইখোংঙম্বীগী ফমুংদা কাত্নুনা অহল ওইরবী অশোনবী ‑ অদুগা হীপমীম্নথবে ।

অহৌং নোংয়ায় য়ুত্নু য়োবা কাপ্পা পূং-শেল কোর্ত্তাল বৈত্নুনা অঙকপা ফ না নিজখোংবা তাবদা ঙাখোংঙম্বী মীকপলে ।

---

(১) ইমা শকপী (২) নোংঙাল্লবদি

মকোক থাঙ্গত্তুনা ঙাইহাক তাবগা মহাক্না পলিবা হোদোক্লে।

—পলিবা! খুল অসিদা নিনখোংলিবসি তাববরা? কবি তৌববনো?

পলিবা লমথোক হৌগত্তুনা মপান থোকখবে। নিলখোংবা খোঞ্জেল অতূ অসুম অসুম নকশিল্লক্লে। নিপা অমনা য়াকথ্রবা অকনবা খোঞ্জেলনা লাউবকই,

-হায, হায, খুল অসিদা নৈবা তনবা নিপা পূন্নমক তাও, তাও। তম্ফা ৱাংঙম্লোন ইবেম্মা চকপা মথাউ ঙম্বী ঙসিগী নোংলেন নো‌ঃজাদা পাত্তা থমজেৎ চাবা লেঃলকপদা লমজাউগী ওক্লাবা ওক্লকত্থনা মফম থঙদনা মাঙখবে। থিবা ফংদবে। কনাগুম্বনা তম্ফা ৱাংঙম্লোনবু মযুমদা ফাত্থনা লোক্তুনা থনমন্নবদি নখাঃদা নূঃজাও পুল্লগা শুগ্নুদা ইম্ফাল তুরেন্দা থাদগনি। নচা নশু গর্ভগী অঙাঙ ফাওবা য়েম্দেম থবাক শোযগনি। (১) খোইযুম লাইনিঃথৌগী সনা যাথঃনি।

পলিবনা নিপা অতূগী মনাক্তা চঙশিন্দুনা হায়বকই।

·য়াম্মা নিঃখৌনাই অঙম্বা। তম্ফা বাংঙম্লোন ইবেম্মা ঐগী লাযব খাংবোকশঃদা খোঙদাবি, লেঃথোবক্লগনি।

ঙাইহাক নৈবগা চকপা মথাউ ঙম্বী থোবকপা উবদা মীয়াম অতূ খুক খুদক নৈ-তানা মজা ইবেম্মাদা (২) পুকমলে নিংথৌগী ফম্নাইবা দোলাইবোই হঙবা চঙশিল্লক্তুনা হাযবকই,

—তম্ফাসনা ইবেম্মা! কবি কবম তৌনা যুম অসিদা নৈবিরম্বনো?

(১) নিংথৌগী (২) খুকস্লে

নিংশী মজা ইবেম্মানা য়াহংগী পাউথুম্রকই,

—(১) ইদাইরেমশা ! নাথায় পুম্নমক তাও ঐনা হায়বা রা। য়ুম অসিগী য়ুম্বু ওইবিবা ইবুং অসিনা ওক্লাবা হাত্তুনা ঐগী যাইবি থবায কনবিবনি। ঐবু সুংশিবিত্তনা য়ুমদা পুবিরক্তুনা থম্বিরি। ইবুংনা কনবিবমদ্রবদি ঐগী য়াইবি থরায় মঙাসি হৌজিকসিংদি পোঙাক লাইবেম্বীগী (২) কোবেক্লগী ঈশিং থক্লমগনি।

- যাম্না সুংঙাইজবে। সনাকোম্বুং তম্না লে খংলসি। ইবেম্মগী দমক বাবনা নিথৌ সা পূক্লি তপথবা যাদনা লৈহৌই। নমা ইবেম্মা (৩) যোইবৃ যোইহ মৈতেলৈমা থযোষবোল ঙাইথাম্বীনা থুদাঙপিক্কম তৈত্তনা 'ইচাগী (৪) চেংলৌ শক উদ্রিবমখৈ (৫) তবা চাক চাখিবাই' হায়না চবা হেন্দুনা লৈহৌই। মবম অসিদগী থুনা যাঙনা লৈমকোল য়োনবা লেংখৎপনা চুমগদ্রা মজা ইবেম্মা ?

—য়াম্না চুম্মী ইপু ! অত্তম ৎসি ওক থেংনকবদা য়াখিবা মিপাই-খিবনা ঐগী হকচাং অসি তনীক তনীক্লি, ইথীং থীংলে। হযেং ইসুংশোয়া তৈনা ঙাম্লগা তনা চাক চাবগা ঐ কাগে।

—সনা হকচাঙ ঈবথনিনা লেংখৎপা যাদবা তাবে। ননাই ঐ শগোলপাউ থুনা যাঙনা হৌজিকমক থাজখিগে নিংথৌসনা থূযা থাদা হঙৎলুনবা। হায়ংসি অম্বুক সুমিৎ উখোকতেন

---

(১) ইনাইশা (২) ঈশিং হাপ্পনা তুম্বা (৩) নিংথৌগী মনাও ইবেম্মা (৪) মশক (৬) চাক চবা হেন্দুনা

যৌবা মতমদা মজা ইবেম্মানা লেংখৎনবা দোলাই লেংজাউ পুহনা লাকচগে।

অহুগা ব্রা অমনা—পাত্তা লে৲বদা সনা থৌগল কংঙখিবা ননাই নাইজহনবহু লাইনি থৌনা শাউহনা (১) অঙাঙ ওলহল্লো সনাযাথং পীববদা মৈতৈলৈমাকোন্দা চেনশিনখিহনা নমা ইবেম্মা ইপি ঙাইখোম্বীগী থুযাদা তুজকরে। নমা ইবেম্মানা মাবু ফনেক্লা কুপ্তুনা থমখবে—"ইচাগী মবমদা মী হাৎপা তৌবিহু" হাযনা নি৲থৌ সনা খুযা থাদা হঙ্গৎপদা লাইনি থৌনা (২) কুবিরে।

—য়াম্না ফবে। মাগী মথব্লায ইমানা কনবিবে তাবদা হুংঙাইবে

দোলাইবোই হঞ্জবনা থুল অহুগী পাথংলাকপা অমদি কৈরাকপা যে৲হুনা থৌদাবকই,

—খুনজা পুবা অঙম্বা নখোয় অনীনা হযেং অয়ুক য়েনখো অহানবদা মজা ইবেম্মানা হা৲নবা চেঙহরাই চেংরাই ঙানচি৲বা পুবক্তুনা কৎলু। তনবা নিপা মঙা সনা থৌগল চঙহন্নু হৌজিক্তগী হৌনা।

—নিংথৌঙম্বা অঙম্বগী যাথং কোকথক্তা হাপচরি।

মথংগী হুমিত্তা পলিব্রা মমা মচাগা পূকমেন পাউমেন্নরমহুনা মজা ইবেম্মা সনা কোহুং তম্না লেংখৎখরে।

---

(১) হাৎলো (২) থৌজানবিরে—মথব্রায় কনবিরে।

॥ অনী ॥

পাৎ মপান্দা হাইথখিবা ফাজঙ অহু অমুক চিংখংলকপদা ক'লৈবু ইম্ফাল, হাওবম লৈকায়দা তুম্মোনা কুপ্পা, লৈমুনা য়াই নাম্না ফজনা লৈবা, তরু তরুবা পিওক তৌবা যুম অমা থোরক্লে। শূমাঙ, মাঙ্গোল, এনখা-লুখা তরু তরুই, নাপী মকা অমা তাদে লৈবাক থোনগংপা তুলসীবু‌দা নৌনা থাবা তুলসী পাম্বাগী অকোয়-বদা তনাল তনাল য়াই লৈবা।

নুমিৎ তর, তরং হুন্দোরকপদা, অমুক নুমিৎ ফক্লাং কুম্বা মতমদা নুপী অমা মাঙশোক্তা ফক থাহুনা নুংশা য়াইহুনা হীগুনা লৈরম্মী। কুমলাযনানা চৎনা নাবি অশোনবা নুপীনি। নুপী অহুনা হায়রকই

— পলিবা! ইমা য় হায়'গ, মপান থোরকউ।

পলিবা লমথোক মপান থোরক্লবদা মমানা হায়রকই,

— নপাবুংগী দিন তাবা নুমিৎ হয়েংসি শ্রীকৃষ্ণদা লুক অমনীদং কংকনি হায়রবহুবু চেঙ হরাইনচিংবা থোং-থাক্লবা পোৎ অমতা লৈবা উত্রি। করম তৌবা তারিবগে?

— ইমা। য়াবিগনু। ঐনা শোয়দনবা কম্না হোৎনজরি।

— নপাবুংবু তমথীনা অরানা মীহাৎ থীনা হাংখিবগী · ··

তাইথোংতবী য় মথা তাবা ওমখিদ্রে। খজিদ্দগী ফুনগং-লক্লনা য় তাওবগী লম্বী থিংখরে। পাথং কাংদোন কারক্লবা অমতা

পোকচবা মচানিপা শিখিবগী অৱা মৈশা লাংছনা অহীং ভুংথিল তেংথা—নাওইবনা নো দামদ্রবী মমাগী মীৎকী পি তৈথোকপিছনা অমুক হন্না নোকপগী ঈফুৎ ফাওহনবা ভম্বী তৌবা ভম্বা পাজল লৈবী মহৌশা কৌবী লাইরেম্বীনা তাইশিন মেনশিনবীবা ভমদ্রবা চহী কুমজা মতম কুইনা পাম তংছনা লৈববা মহাক্কী থম্মোয় লকাম্নু দগী পি চত্থম অনী মমীৎ অনীগী লম্বীদা থোরকু্না মহাক্না খাঙলিবা মোন চোৎলে। হিক্না হিক্না কপ্পুনা মহাক্না হায়রকই,

—ইগাগী ইবুংঙো! নপাবুংবু নিংথি তুরেল মপান্দা অৱা সেনাপতিনা (১) শূল তোংহন্দুনা মীহাৎ থীনা যাম্না অৱাবা পীছনা হাৎখিবগী বাখলনা ইমাগী হকচাঙ অসি নোংমা মোংমগী বামৈ চাকপগুম চাক্কুনা ইমা কেম্বা তাবে। বাখল অসিনা ইমাগী চৰম ফুল্লে। শিনবস্থ ফবে। নপাবুগী হৈনা মতু ইনগ্রগে। অতুবু নঙনা নযূপ পানবা উবগা শিবগদি ইমা খূয়া তুশিংনা

—ইমা! ঐনা মমা হৈদা অমুক অনীবকস্থ হায়জথরে। অমুকস্থ হন্না হায়জগে। পাবু ন মীহাৎ থীনা হাৎখিবগী লিক্কোল থুজিং

---

(১) শূল তোংবা—মী অমগী মবেপ অনীরোম হেম্না শা না তা অমা মী অমগী লবাই কেম্ফু্দগী থিনথবক্কুনা মথাদোমদা থিনথগ্রগা তা মতোন ফাওদোকহন্দনা কৈথেম্না নত্রগা মী যাম্না চৎপা লম্বী মযাদা তা অত্ত য়ু ছুনা থম্বৰু তা—তোংবা শূল—তোংবা, শূলচড়া কৌই মমা হৈগী হৌগ্রবা যুগ অৱাং ভাবত অমস্থ বর্ম্মা দেশদা শূল—তোংবা চৎনবন্দ ভুংশি হৈতবা মীহাৎনি।

লাকখত্তুনা শীদুম অমত্তং য়াত্তনা লম্মন থুমজগে। অহু ওবা ইমানা বর পীনবিয়ু।

—লাউ, চওশিন্নকউ, লাউ। ইমা বর পীগে।

পলিবনা থুক্ক থূদক শললানা মমাগী মমাঙদা কন্নবদা, চাইথোংতম্বী হৌগত্তুনা কন্নগা মথুং য়েং থাজত্তুনা হায়রকই,

—নপাবুং হাৎখিবী লম্মন থুম্বা ওম্বা ওইয়ুকো ইমাগী ইবুংঙো। লম্মন থুম্বদা নপাগী নত্তু অমা ফাওবা তেক্তবা ওইয়ু। শ্রীকৃষ্ণনা কৃপা তৌবিবা ওইসনু।

মথুং য়েংলা মচাগী মকোক্তা নানবি। মমা মচা মত্তো অমুমনা বা চাওনরিবদা মৌ শরি চুপী অমা থুমোক শওবাই অমা মকোক্তা থোংহনা লাক্লে। মাঙোন দাড়ীবান মনাক্তা লেপ্তুনা চুপী অহনা, পলিবা য়েংহনা হায়রকই,

—ইবুংঙো শেলুংবা! ননাই (১) লোয়িন নিপা পাথং অহবু অমুক্তা কৌথোকপিয়ু। ননাই ঐগী কোকথোং অসি অমুক্তা থাহনগে। য়াম্না নুমথরে।

—ঐনা বার্ত্তন অমত্তং তৌবা চংহনথরে ইচে। ঐ থাজগে।

পলিবনা পোৎলুম অহু থাম্বা মতুংদা চুপী অহু মাঙোন্দা কাথংলক্তুনা চেও হয়াই, থাউ থুম্নচিংবা থম্না হাম্না শওবাই অহু মথুম হাংদোক্তনা য়েংহল্লগা পোম্বাংননা হায়রকই,

(১) লোয়িন থবয়িন—কমগা কোম্না নিংথৌনা পীবা থবক তৌবা মী। চাপ্রাসীওর্দলি।

—তক্ষ ব্ৰাহ্মণ্ৰোন ইবেম্মনা হৌবা লাইপা কৎনবা শীরুকপনি। ইমুদা পুম্নি-[illegible]।

পলিবগ [illegible] [illegible] শৎবাই অদু ইমুংদা পুম্নি-দুনা চাকথুম মাংদা [illegible] [illegible] অ নম্বা খোঙ্গেগন, হায়রকই,

—ইবুংঙো শেলুংবা! [illegible] মনায়াশং অমা ডাকপিরকই, হয়েং হুমিদাং (১) [illegible] কৈকেল [illegible] কালদা (২) কৈবা-বুংদা ইবুংঙো শেলুংবা [illegible] [illegible] হাইদুনা লৈবিরম্মু। ইবেম্মা লেংখোবকনি। ওক অবিবম লৈকাপ্দা শ্ৰীকৃষ্ণজীগী (৩) কিয়েংদা ইবুংঙো ইবেম্ম [illegible] [illegible] [illegible] হায়রোই। হায়না হাইদুনা [illegible] [illegible]? [illegible] লোইবা মতুদা ইবেম্ম ইবুং [illegible] [illegible] [illegible]। শ্ৰীকৃষ্ণনা কৎপা প্ৰেম [illegible] [illegible] [illegible]।

—ঐ [illegible] [illegible]। ঐ [illegible] [illegible] [illegible]।

[illegible] অদু চৎখ্ৰে।

পলিবা মপ [illegible] [illegible] [illegible] হায়রকই

—পলিবা! [illegible] [illegible] [illegible] যাত্ৰা [illegible]।

(১) ইংলোক ১৮৯. [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কৈকেল অমী লৈরম্মী —(ক) [illegible] অদুক কৈকেল ( ) [illegible] কৈথেল। [illegible] [illegible] Public library অমসুং Gandhi Memorial Hall [illegible] [illegible] [illegible] অহাং [illegible] [illegible] লৈরম্মী। (২) [illegible] বীর টিকেন্দ্ৰজিৎ পার্ক (৩) [illegible] [illegible]।

“নিংথৌগী মনাদি ফজ্রাংলা থেংলি” হায়রকা নৈ। নিংথৌগী ফংঙী ফীনা নেংগা হায়বা থবকসি মায়া পুবনিকো। কচ নপা অচাং নত্তবে। মাথল পত্রে চেৎনা তৌহনা চথু। নিংথৌনা শাজনবাদি নখোয় মাংবা য়াম্ম।

—য়ায়া চুপ্পি ইমানা হায়রবা। য়াকম অসি ঐহ য়ায়া মুয়া থগুনা রে জরে। লাইনিংথৌনা শাউকা মচা ইবেমনা শাইদবা অনীংক ঐবোদদি চপমায়না পুই। ইমানা ফজ-নিংবনি থবক অদি ঐনা হৌক্লগা নত্তে। লাইগী পুংশিগি হায়রদম মাবনি। মচা ইবেম্মানা অম্পা থোয় য়াওবা ত্রৌরিবা অনিদা ঐনা থোক্কে ডুশিত্তনা তৌবা মতৌ কয়া ফংবুব দে কপদে ইমা? পৌওই ইশিত্তনা তৌরবগা মচা ইবেম্মানা শাউরবদি ঐখোয়গী অমাংবা ওইবা য়ারে।

—মহারাজ ঐনশ্রো। লাইনিংথৌনা ঙয়াং ঙয়াং তৌনা য়াবিরবদি ঐমা। অচ নত্তুন মনা পুক্রিন্দ খঙবা পোক্রবদি নখোয় মাথৌদিবো। “ঐনায়ক ঐশঙ্গু লাং, নহুশু খাত্তানবা” হায়রবা অসৈ ঐমা হাবে। থকুনা চুম্মাগু সেংহনা চংদু। পনহা হায়বা য়াম।

—ঐ হইজরে ইমা।

—খ্বাহান কনানা চত্তেংজুক চেংশনোরি? কনা হানজুরে!

—শুধ অবিহর বসন্ত প্রচাকীনা থোং শনি। বর্তমান তৌবা চংগে।

ফংনা নুংনী মুংমিত্তা (১) ঐপ্সা খুঁগিনীদমক লুক বংহনা। কুমিং ও ওছন আহীং ঐবশোন জয়ের মাগম শুইবগা পানবা

(১) ঞ'কুমনা পেনাংনবা।

লমখোক ফীশেঙ শেৎজুনা মমায় মমীৎ ফীনা খুমজিন্দুনা শক খঙহন্দনা কৈদাবূংদা লেপ্তুনা লৈরে। তম্ফা য়াংঙয়োন চকপা মথাউ ঙম্বী মনাই হুপী অমগা লোয়ননা খোয়ক্তুনা পলিবগা উনরে। মনাই হুপীনা লৈ-য়েন্দায় অমদা লৈ অচোইবা মথক্তা লৈ পরেং অনী হাপ্তুনা পুয়কই। মনাই হুপীগী মখূত্তগী লৈ-য়েন্দায় লৌত্থনা মজা ইবেম্মা পলিবগা লোয়ননা চৎখরে। মনাই হুপী লৈমকোন্দা হজিনখিত্থনা মবেম্মাগী ফমুংদা হাপ্তুনা মবেম্মা শাত্থনা লৈখরে।

পলিবা, চকপা মথাউ ঙম্বী মখোয় অনী শজেংখোং লান্দুনা (১) মোংবা হনবা উমং লান্দুনা গুরু অরিবম লৈকায়দা শ্রীকৃষ্ণগী কিয়োংদা চৎখ্রে। মখোয় অনী শ্রীকৃষ্ণগী মাঙদা খুরু খুদক লৈত্তানা খুরুমজুনা পলিবনা শ্রীকৃষ্ণগী চরণদা (২) স্তুতি তৌত্থনা হায়জরকই, —ইবুংঙো! জগৎ সংসারগী মপু ওইবিরিবা কৃষ্ণচন্দ্র! মীয়মলেন্দা

কোংদোকচবা ঙমদবা মরমনা ইবুংঙোগী শ্রীচরণদা হজচ্ছনা ইবুংঙোগী মাঙদা মজা ইবেম্মাগা ননাই ঐগা নূহোংজনা পুন্সিগী লৈপুন ওইজরগে। ইবুংঙোনা কৃপা তৌবিয়ু, কুবিয়ু।

হোৌগত্তুনা পলিবা লমখোক মমায় নোংপোক ওয়া ফত্রে। নূহোংবগী হোৌনবা কায়দনা চকপনা অয়েৎলক কোয়থনা পলিবগী কোক্তা লৈ চাইত্থনা অয়োক্পদা লৈ পরেং অনী হত্রে। অহুপূ অয়োকপনি! লৈ পরেং অনীমক তত্তুনা লৈপাক্তা তাখরে।

(১) মহাবনা উমং (২) লৈশিলৈখোনথনা

লং শমচিল্দুনা অমুক চয়া পলিবগী মচক্তো চক্কুনা চকপনা থুকাংচুনা চ'য়জ্বরকই,

—(১) থ লেন মানক্ত ইবু' ঙা! থুযা-থাগী ননাই চুপীবু থাদোকপি থাকা প'মুরা। পুন্সি অসিমগী ননাই চুপী ওইবা ফংজরে।

অচুগী মতু ম। ওইদা ফম্ববদা পলিবনা লৈ পরে' অমা চকপগী মতক্ত' চকপিরে। পুন্সি অসিমগী ভংন-থানবা য়ারয়োইদবা য়ুম্বানবা পুন্সিগী লৌরিনা শাবা-শানৌ অনৌমক পুনথরে।

মথোয় অনৌ মন্দির (২) পরিক্রমনা অমুক্ত ভোঠুনা থুরুম্মুগা চৎথরে।

মথোয় অনৌ পলিবগী য়ু বা লাক্তবদা মাচে'ন্দা মিচন পিংলি চেচুনা খোঁরা বা মিপ ইরণ। লোয়ননা তাইচুনা লৈরন্বা তাইখে' তৌ তুনাতুদা লোনক্তুনা মমৌ ইবেম্মা ওকলরে। মতন তৌনা তুচসী থুক্যইন্দুনা ইমু ম পুন্সিনখিচুনা (৩) তাইবংখাইবগী মাতনা পুন্সিন্দুনা থুকমচাদ্র। মতু দা হন্দোক্তুনা নৌনা য়ুম্বানবা পুন্সিদা থোতদাবকপা শাবৌ শানৌ অনৌ মমা-মনেমগী থুয়া থাদা থুরমথরে। তাইখে তম্বীনা মচা মমৌ অনৌবু মথুংনা নানখিচুনা 'পুন্সিয়ু, চুংতাইনা পমু'' হায়না (৪) আশীর্বাদ ভোথরে। অচুগী মতুংদা শ্রীকৃষ্ণদা কৎপা লুক অহম থাদোক্তুনা মখোয় অহম চারে। চাবা লোইববা মতুংদা নৌনা লুহোংলবা বরকন্যা অনৌ লুথুম কাদা চংচুনা হীপথরে। নোংতাঙ্গমদাই

(১) ইপুরোইবা (২) মন্দির কোয়বা (৩) সনামহী (৪) মঙ্গল-ওইযু হায়বা।

মতম য়োরবদা পলিবনা মথাউ ভম্বীবু কোন্নুং মন্নুংদা থিল্লগে হায়বদা মথাউ ভম্বী শিথাঙ থাংহ্নুনা য়াথিদরে। মনেম ভাইথোংভম্বীনা পুকমেল পাউমেন্দুনা য়াম্না থেমহ্নুনা হায়রকই,

—মজা ইবেম্মা! ইবেম্মনা কোন্নুংদা হনজিনখিত্রবদি পলিবদি অরাবা দশা তাবা তারে। লাইনিংথৌনা মা পুন্নীং থুংদবা ওইহ্নুনা শাউববদি পলিবদি অকনবা দণ্ডি কংলগনি। অহ্নুনা ইবেম্মা! ইনেম্না হায়বা য়াউ। কোন্নুং মন্নুংদা চংখরো।

মমৈথংদা য়ারহ্নুনা মনেমগী চরণদা খুরুম্নমহ্নুনা চকপা মথাউ ভম্বী পলিবগী মাঙ থাহ্নুনা চৎখরে। নোংপোক ইংথোলগী মপাদা তুরেল অচৌবগী নোংচুপ থংবা মপাম্দা লৈবা (১) অরোনবা লম্বী সুড়ং মনাক্তা লাক্লে। সুড়ং ভাকপা নিপা অহ্নু মজা ইবেম্মানা হায়জবা যাহ্নুনা চকপা মথাউ ভম্বী নিপা অহ্নুনা লম-জিংহ্নুনা সুড়ং কাওহ্নুনা লৈমকোম্দা চঙখরে। পলিবা মমুমে হল্লক্লে।

মুমিৎ অসিগী অহীং নোংয়ায় মতুংদা (২) কালরাত্রিগী য়াম্না কত্তবা ক্লেনফমদা তম্ফা রাংভম্নোন চকপা মথাউ ভম্বীগী গর্ভদা (৩) হৈরাঙ মচা য়ানবা, ভাউজিং মরা পানবা থোকখিবা অহ্নুদগী লম পাক চাউনা অমসুং মতম শাংনা ওইখিবা কলদি :—

(১) মমাংভৈদা পাল্লবা নিংথৌশিংনা কোন্নুং মন্নুংদগী থুংদা, থীরবা কাম্দা লোম্না চেম্নবা অসিগুম্বা হুরান—লম্বী অমা লৈপাক মন্নুংদা হত্ত না চেক চম্দুনা থনম্মী। কংলা মন্নুংদা খিরবদি হৌক্তিকমু লৈরম্বা য়াই। (২) মী শিবা অকিবা মশক ফংবা অহী, (৩) মীবাংদা।

(ক) ইতিহাসগী তুৱেল চাংজো চোম্না চেনবা ঈগী ঈচেন্দা তাউথ য়ে মশীং লাকপা ওমদবা মিপা, সুপী, অওাঙ, হন্ হনথী অহানবদা বর্মাদা, মথংদা মণিপুরদা।

(খ) — (১) শতাব্দী অনী মথায়গী রাংমদগী হৌজিকস্ ৱাপুর যুগকী খাণ্ডব বন মৈথাবদগী শরুক চামা হেনবা, সত্যযুগকী লঙ্কা মৈথাবগুম্বা — আকাশগী লম্বী ফুনবা, আকাশ পক্লা রাংবা মৈখু, মৈখি অমসুং মৈজাও বর্মাদা অমসুং মণিপুরদা পুক্ষীংগী মীৎনা উবা ফংলি। লম্মন থুম্বা, হন্দুনা লম্মন থুম্নকপগী লান-জ ওদা তাঙ্গোয় ওইখার, উঙ্কুল ওইখরে, মতম অমদা পাথং লৈশাবীগী নোক খেবা, মখে লা বা, হরাও ওয়াম্বগী ইনিলনা মায়কৈ থুদোং নিম্নম্বা, মী থম্না লৈরম্বা মশীং থীবা ওমদনা য়ামপ্রবা যুমকৈ, মন্দির, পেগোডা, থুজং অমসুং সহর। শা-কৈ, শজি, শওাই, শামু লমশাগী য়াকাবুং ওইখরে মতম অমদা চাউথংলবা, সুংওাই য়াইফনা যুম্বাল্লম্বা মীনা থম্না লৈরম্বা লমদমশিং। থুত্তাক ইত্তাকখরে।

(গ) অবা নিংথৌ (২) টানিনগানউইনা চকপা মখাউ ওয়ীবু মহারাণী পদবীদগী হন্হনখিবগী দমক গরীবনিৱাজনা মপাবুং চয়াইরোংবগী মফমদা মতীক চানা লম্মন থুমগনি হায়না রাশকখি। রাশকখি অসিগী মতুং ইয়া গরীবনিৱাজনা ইং শক ১৭১৮ দগী ১৭৪০ ফাওবগী মতুংদা বর্মাদেশদা চহী তরেৎ লান্দাবদা শমশোক

(১) চহী চামবু শতাব্দী অমা কৌই। (২) Tanıaganwe

(Thaungdut), বিম্পাত, বান্দবা সিনগিন এলোন, খেবো অমসুং সাগাংনচিংবা লান্দম খুন্নাক ইতকখরে, উক্তাব মেলা শানা চাইথাযখবে। মৈ থাদুনা খুঙ কযা উৎ ওইখবে। মী কযা হাৎখবে। মবোল মবাল ও ক্লপা বর্ম্মীজাশং অরাপ অনাপ্পা লমদা মগুম হুম্দাক্লমদুনা চাখব। (১) নিঙথি অমসু ইরাবতী তুরেল অনীগী মরক্তা লৈবা বর্মা লৈবাকগী অহৌবী লৈঙাক্লাবগুরা তক্নাবা দশা ফংখি।

বাগিদৌ (Bagyidaw) না বর্ম্মগী নিংথৌ ওইদুনা পানবা মতমদা মহাক্না মহ কৌনা চৎপা সেনাপতি মহা বান্দুলা (Maha Bandula) পান্থু। মীজ লান্মী তক্লোলনা মণিপুর ছারখার শান চাইথাযখবে। অমুক হন্না লমা খুন্নকপগী লানফমদা মণিপুর ইং শক ১৮১৯ নঙি ১৮২৬ ফাওবা চহী তরেৎ খুন্নাবলে। মতম অসি অমসুং বোদোপাংলোলপান। তম বর্ম্মীজ তাওগী মতম পূম্নমক্কগী হেন্না থুকচংবা নংনবা মতমনি। ১৮১৯গী মমাঙদা স্কোযাব মাইল অনদা মী ৫০০ দগী ...০০০ রোম কৈরম্বা মৈতৈগী লমদম চহীতরেৎ খুন্নাকপদা মী লৈতবা জঙ্গল অমসুং পাংথো কোমথী ওইখবে। মৈতৈ মী অযাম্বা লান্দা হাৎখরে, খরনা ফাদুনা পুখরে, খরনা কাছাড়নচিংবা মফমদা চেন্নশিদুনা থুন্দাখরে। মহারাজ গম্ভীরসিংহনা ইং শক ১৮২৫ দা মণিপুরগী নিংথৌ ওইবা মতমদা মৈতৈগী মীশীং লীশীং তরা রোমদনি হায়নরা লৈ।

১৮২৪—মেরা থা। মরোল মরাল তাক্লবা মৈতৈ লানজেনবা মী কাঙবু অমা কাছাড় চম্বী, লাইমতোন ফোরুংবগী

(১) Chindwin River

চী দোম্দা মমায় মমায় মণিপুর তম্পাকলোমদা ওন্দুনা তেংথা নাওইহুনা লেপ্তুনা লৈবম্মী।

ইমাগী ইবুংঙো তঙেনখোম্বা। ফোরুংবগী য়ুমজাও কা মঙা শুবদা নাম্না ওইরিবা হেচাবু মোরোক মৈ থাহুনা অঙাঙ ময়াম হাংপদা যাওহোদে। ইমাগী অমৃত নঙথরক্রে। ইবুঙো! নবুব লাম্রবদা? ইমা লাব-লে।

তুপী গো নহা অমা মরাবা কনিনা নিপা পাখং অমনা মথূৎ বম্ন পাগহুনা ফাহুনা চী কারকপদগী পাম্বগী মথূত্তুগী নাম্থোক-খিহুনা তুপীহু মথূৎ থুদুম্না মথবাক শুহুনা চৌংথা তম্না চেম্বখরে। নিপা অহুনা ত ময়হুনা তুপীহু কাবে। চিহুনা অমুক পুখৎলক্রে।

লৈশবী অমা চী কানক্নুনা তেংথারকই,

—ইমা অশোনবী! নথূত্তা য়াইরিনা লে হোৎবদো ঐগী মীৎ অসিনা উবক্রে। অরানা লমদম কদায় য়ৌনা পুবম্নগদনো? ইমা তুংশিবী! হন্দকী মপোক অসিদা চেংলৌ নশক অমুক হম্না উবা ফংলরোই।

নিপা অনীনা শোল্লবা মখোঙনা চৎপা ঙমত্রবা মপা হম্বা ঙৌবোংথাঙ অমদা হাপ্লগা রা অকনবা অমদা পুন্দুনা শাজম নাহুনা রানা চীং কারকই।

মৈতৈ তম্পাক্তী মফম মকমদা মৈথু, মৈরিনা মাইকৈ অপুম্বা মমথরে। অমম্বা মরক্তুগী মরক মরক্তা অঙাঙবা মৈরি আকাশগী লম্বীদা কাখৎলকই। তুংশিরবা, তুংশিবগী থুদম্না থম্না লৈবা পোক্নফম লমদম থাদোক্নুনা অরাপ অরাম্বা পোকপদগী য়োকত্রিবা লৈপাক্তা

লানজেন্নখবে, থুম্লিংখবে মবাইবক থীবা ময়োল ময়াল তাক্লবা মীওইবশিং।

(ঘ) টাৱাব অফ ব্যাব্যল (Tower of Babel) গী যুমথক্তা অকীবা মশক ফংবা,[(১) সভ্যজগৎনাহৌজিক কাওবা হায়নৱা ওইনা ভাংনবিবা] নিলখো৲বা অকনবা অয়াকপা খোঙ্গেল অহুদগী শব্দক চামা হেনবা মযেক শে৲দবা মীকপ মীবাওখোল, তে৲থা-নাওইবগী আকাশ পাতাল নীকহনবা খোঙ্গেল অমদি খোম্থাং বর্ম্মা অমসু৲ মণিপুবদা হৌজিকসু পুক্সী৲গী নাকোংনা তাবা ফংলি।

(ঙ) অহানবদা বর্ম্মাদগী লানগী বন্দী ওইনা কাহুনা পুৱকপা বর্ম্মীজ, কচীননচিংবা (২) অপোং ইংখোল (৩) ক্যাং ই খোল

(৪) কবো লৈকাযনচি৲বা লমদমদা খুন্দাখৱে, চহী কুমজা কয়ামুক্কী মতুংদা মৈতৈগী সমাজদা লুপশিন — তিনশিনখিহুনা মৈতৈ ওইখৱে। অবা জাতিগী মীনি হায়বা অৱা মশামক কাউখৱে, থঙখিদবে। বর্ম্মাদা হন্দুনা চৎপ্রো হায়না তাক্লবা কাওবা শিখাঙ খাঙহুনা লৈপ্রগনি।

অহুগুমহুনা মথংদা বর্ম্মীজশিংনা মণিপুর জয় তৌনবা মতুংদা মখোয়না শা-ঙাদা চৎকদবা লমচৎ চত্তু৲না ওৎ-নৈবদা পিকপ্রবা মীশীং য়ামদবা মৈতৈ জাতি যমগী লৈপাক্তা নরক্তা লাক্লবগুম

(১) জগৎসংসারগী চাওখৎলবা মীশীংনা (২), (৩) মণিপুরগী কোহুং অরিবগী মমাংদা ইম্ফাল তুরেল ৱাংমদা লৈবা লমদম

(8) D M College Compound

অরাবা মৈচাক ফংখরে। পৃথিবীগী ইতিহাসদা মাগা চাংদম্লিডাই অতৈ লৈতবা মুংশি খঙদবা মী-হাৎ— মৈতৈ অঙাঙ ময়াম যুম অমগী মনুংদা চৈনা কুহনা তাশিল্লগা যুম মনুংদা মোরোক মৈ থাহনা হাংখিবা। থাঙনা মঙক থবৎ থবৎ ককথৎপনা মুংশি- মীহাৎ ওইরমগদবনি। অহু নত্তনা পূং অমা অনী কর কর ওদুনা শিহনবা মুংশি খঙদবা মীহাৎ।

মৈতৈ বর্মীশিং য়াইবিনা মথুবাক্তা লেংহনা শা-মস চীংহনা পুবগুম বর্মাদেশদা পুথিবা। বর্মীশিংগী মরক্তা অশোল অনা মীয়ামগা খোঙথাঙ মাননা চৎপা ঙমদবা যাওয়গা য়াইরিদা লেংলিবা মথুং অহু থাঙনা থবৎ ককথংলগা অশোনবা নিপা হুপী, অঙাঙ অহুবু লোকথাদা ইম্বহনা শা-কৈগী মচীঞ্জাক ওইনবা থনম্বা। মথরায় পুহনা হিংনা বর্মাদেশ য়োৌথিবশিং বর্মাদেশদা খুন্দাথরে। থরনা বর্মীজগী ধর্ম—বৌদ্ধ ধর্ম লৌহনা বর্মীজ সমাজদা তিনথরে। বৌদ্ধ ধর্মদগী হিন্দু ধর্মনা হেন্না রাংবা থাক্তা লৈ থনবা মৈতৈ হিন্দুশিংনা হৌজিক ফাওবা মণিপুরী হিন্দু ওইহনা লৈরি।

× × × × × ×

চরাইরোংবা অমসুং মচা নিপা গম্ভীবনিরাজনা মণিপুরদা নিংথৌ ওইহনা পানবা মতমদা বর্মাগী টোঙ্ [redacted] নিংথৌ- শিংগী মপাঙ্গপ শোম্বরকপা মতমনি। মতম অসি বর্মাগী ইতিহাসদা মতম পুঃ মক্তগী হেন্না মপাজল শোনবা মতমনি। মতৌ অহুগুম্না

মহাবাঠাশিংনা Deccan দা লৈবা মীশিংদগী (১) চৌথ লৌবা মতমস্তু মোগোল সাম্রাজ্য মুৎলমদাইগী মতম্নি। মতম অসিদা Deccan গী মীশিংনা বর্গী (মাৰাঠা)শিংবু কিনরম্বগুম্বা, মৈতৈজাতিনা তোয়না তোয়না বর্ম্মাদেশদা লাম্পাবা অহুদা মৈতৈবু বর্ম্মীজশিংনা কিনবাম্নি। অৱা লাম্নীশিংনা মৈতৈবু খীনা লাক্লখিবহু পুম্নাল লাম্নি, কাহেম্না তুংশিবা খঙদবনি কবম্না হাযগনি? মৈতৈনা অবাশিংবু খিনা ৩ৎ-নৈখিবহুগী অকুপ্পা মবোল মৈতৈ ঐখোয় কৌক্তিক কনাস্তু খঙদে।

Were the Manipuris paid in their own coins rightly? হাযবা ৱাহং অসিগী অচুম্বা পাউখুম কনানা পীগনি? অবাশিংনা পীবা ঙম্বা য়ায়। মখোয়না অস্তুম হায়না পাউখুম্নকপা য়ায,

—১৮১৯ দগী ১৮২৬ ফাওবা মনিপুর খুম্তাক লানশিখিবা অহুদি ১৭১৮ দগী ১৭৪০ ফাওবদা ঐখোয়গী অৱা লৈপাক মাঙতাকখিবা অহুগী শকক $\frac{1}{10}$ য়ৌবা নত্তে।

মখোয়গী পাউখুম অসি মখোয়গী হায়নৱা (Tradition) না অচুম্বনি হায়না প্রমাণ তৌবমগত্রা? জাতি অনীসি কনানা চুম্মী কনানা লাম্নী? অতোপ্পা ৱাহংদা—জাতি অনীসি মাঙতাকখিবগী হৌবকপকম Cause করিনো? নত্রগা লাইনা ত্তম্বা আধিদৈবিক দশারা?

(১) চহী অমদা নিংথৌদা পীবা খাজানাগী $\frac{1}{4}$ অমবু চৌথ কৌই।

বর্ম্মা অমসুং মণিপুর লৈপাক অনীদা লৈপাক মথক মথা ওনবগীথবক ত্তৌখয়ে। এশিয়াগী খা-নোংপোক ময়ায়, পৃথিবীগী মীমা থৌওই উশিংশিনবা, নত্রগা যনম মিনম ভামদবা লমদম অমদা মীহাৎ-মীপুন, খুনং মৈথাম্বা, উজায় লানা খুত্তাক ইত্তাকপগী, পোং নিংথৌ শুকানফাগী মনাও শ্যামসুংনা মণিপুর জয় ত্তৌড়না মণিপুরদা চহী ১০ পাক্লবা খৃষ্টাব্দগী ৬৯৮ দগী হৌড়না শতাব্দী ১১ চুপ্পা শানরকপা (১) শংহায় লীলাগী অয়োয়বা ফীক্লড (২) ইং শক ১৮২৬ কী ফেব্রুয়ারি তারিখ ২৪ দা ঢিংথয়ে। অসিগী চহী ৬৫ গী মতুংদা ১৮৯১ গী এপ্রিল তারিখ ২৭ তা শা-লান অমসুং মনীংমথা ভগা পাম্বা, মসু চাওবা, লাকওম কাওমদবা, অকি অথং খওদবা জাতি মচা অমগী মমু য়ৈথেক থুদেক্তুনা ব্রিটিশনা মোংফমগী শাস্তি পীথয়ে।

অনীওবা পৃথিবীগী লানজাওগী মতমদা ইংশক ১৯৪২ দা জাপানা বর্ম্মাদেশ লৌশ্রবদা বর্ম্মাদা লৈরম্বা ভারতকী জাতি পুন্নমক বর্ম্মা থাদোক্তুনা শাংশ্রবা লমশাং খোঙনা লাক্তুনা মণিপুর য়ৌরক্লগা ডিমাপুর য়ৌনবা চৎখি। মতাংমতঙ্গা খুদোংথীবা চামা মায়োক্লবদা চৌংথী লথীদা মী কয়া য়ায়া শিখয়ে। ইম্ফালদগী Motor bus তোংড়না ডিমাপুর চৎখিবদা মথাদা পমড়না পুবা মচা শিরড়মা লোক্তা হুমথরয়ে। অশিবা মী

(১) মী হাংপগী লীলা (২) Treaty of Yandabu না চহী অসিদা বর্ম্মাক নিংথৌনা মণিপুরবু মনীং মথা অপা (Independent) লৈপাক্কি হায়না য়াথয়ে।

hus চহী সংবা য়াম্ল। অদুগ ম্নানা লানজেম্বা মতম অদুদা
হে ... ২ বর্ম্মাদা শেনম্বা মৈতৈ অমা ফাওবা লাকখিদবসি
অঙকপানি !

মাইল ৭০ দা লাম্না নৈপাক্তা নৈবা বর্ম্মীজ অমত্তা ইং
শক ১৮২৬ কী মতু দগী হৌসি ফাওবা মণিপুরগী লমদমদা থোক-
দা-দনি। মতমদি ইং শক ১৮১৯ দগী ১৮২৬ ফাওবা মণিপুর চহী ৭
ক্লম শিংবা অতুদী থুংলেম্বা মীদি বর্ম্মীজ জাতিনি হায়বা মৈতৈ
জাতিনা সংউদবি হায়বা মখোয় য়াম্না নীংথৌনা থওই। অদুবু
অঙকপদি হৌজিক রাজনীতিগী অকনবা নিয়ম্না পুম্নবা যুগ
অসিদসু মমাংদৈগী মতৌগুম মৈতৈনা বর্ম্মাশেদা নৈকায় কোয়-
বদৌনা চংথোক—চংশিন তৌরি। বর্ম্মীজ গভর্ণমেণ্টনা কম্না
থিংদবা অসিসু অঙকপনি।

মতৌ অসুম্না পৃথিবীগী নৈমায়থক্তা মীওইবা জাতি লেংদনা
নৈনবগী দমক (১) জগৎ সৃষ্টীকর্ত্তাগী (২) সৃষ্টী (৩) স্থিতি (৪)
প্রলয় কৌবা থৌবম অদমগী মতুংদা শ্রীভগবান্না পৃথিবীগী
তোঙান তোঙানবা মকমদা তোঙান তোঙানবা যুগত্তা শানবা
(৫) সংহার কৌবা লীলাদা (৬) খণ্ডপ্রলয় অমগী ম্নাম্না মতম
কুইনবগী লুপথরে, মাঙথরে অকাউবা নীংশীংদবগী (৭) রসাতলদা।

"History repeated itself" again

---

(১) জগৎ সংসার শেম্বীবা মপু (২) জীবপানবা শেম্বা, শাবা
(৩) জীবপানবা যুক্তনা লেংদনা নৈবা (৪) মাঙহনবা, হাংপা
(৫) মী হাংপা (৬) অকিবা মশক কংনা মাঙ-তাকপগী
প্রলয় মচা অমা। (৭) পাতাল মরোল অরেংকী মখা ইথং থংবা।

মণিপুরগী রাজবংশ পুন্নমকী (১) আদিপুরুষ গরীবনিবাজ মণিপুরগী নিংথৌ পুন্নমক্তগী হেন্না থুকল পাঙ্গনবা, থৌনা ইচঙ থৌবা, থুদোংথীবা য়ানা অকি অথং লৈতবা নিংথৌনি। অকোং হাওবমচা কৈথিরাম মতম অতুগী মমীং য়াম্না চংপা, লানকম থুদিংদা জয় ওইখিবা সেনাপতিনি। পলিবা লমথোক অমসুং চেকশা চক্রপাণিনচিংবা মণিপুরগী ইতিহাসদা মমীং চংপা মৈতৈ অকল অথৌসু মতম অসিদা নিংথৌগী তেজোলদা য়াওরম্মী। অঙকপা (২) মী কয়ামুক পুন্নপ পুনশিন্নকপনি!

অমা লৈপাক্তা টোঙ্গু রাজবংশনা মুংলমদাইদা পানথিবা ইকোন কোনবা নিংথৌ অনী য়াম্না সুংঙাইনা লৈবা পাম্বা, থবক্তী মনাক নকনীংদবা, মুণীতগা সঙ্গ তোহ্নুনা লৈবা পাম্বা, থাই পুন্নমক্তগী হেন্না মপাকল শোনবা মতীক চাদবা মীনি। বর্ম্মাগী ইতিহাসদা মতম অসি মতম পুন্নমক্তগী হেন্না শোনবা, লৈপাক তোথাই তোথাই মচেং মচেং তাবা মতমনি। চকপা মথাক্তা ওয়াগী মচানিপা নকা ওইরিবা মঙ্গ্রা কেংছু ওবা নত্তনা মতম অসিদা অমা সেনাপতি অকবা মমীং চংপা অমত্তা লৈরমদে। মমীং চংপা অমা লাম্মী অমতসু লৈরম্মী হায়বা বর্ম্মাগী ইতিহাসদা ইহ্নুনা লৈবা থেংনদে। ওহোকপা (৩) চাংদম্নবনি। ফলদি—গরীবনিবাজগুম্বা নিংথৌ অমনা বর্ম্মাদেশদা চহী ফরেং লাম্লাহ্নুনা লৈপাক হারথার ওইনা চাইথারবদা থুদোংচাম্বা ফংখিবনি। বর্ম্মাদেশ মাঙতাকখিবনি।

(১) Progenitor—বংশ হৌদোকপা অহানবা নিপা
(২) Combination (৩) Contrast

(খৃষ্টাব্দগী ১৯ শুবা হৌরকপা মতমদা মাঙ্গিৎনা মণিপুরদা নিংথৌ ওইবা মতমসি মণিপুর লৈপাক অসি য়াম্না মপাঙ্গল শোনবা, মহারাজ জয়সিংহগী মজ্জা ইবুংঙোশিংনা পুকচেল থোরজেল তিম্নদবা মৰম্না লৈবাক মচোই মচোই তাবা অমসুং লৈপাক প্রজানা নিংথৌগী যাথং মপুং ফানা ঙাক্না চত্তবা মতমনি। মতম অসিদা মৈতৈগী মমী চংপা সেনাপতি অমত্তা লৈবমদে।

বর্ম্মাদেশদা ইকোন কোনবা রাজবংশ হৌদোক্লম্বা আদি-পুরুষ (১) অলংপায়াগী মচানিপা (২) বোদোপায়া অমসু মতু মিপা (৩) বাগ্যীদৌনা পামবা মতমসি বর্ম্মাগী ইতিহাসদা মতম পুম্নমক্কী হেন্না থুংকল পাঙ্গনবা মতমনি। বোদোপায়ানা আসাম ফাওবা লাম্পাচুনা ব্রহ্মপুত্রগী নোংপোক থবা লমদম পুম্নমক জোরাহাট য়াওনা লোইচনখি। মহাক অসি বর্ম্মাগী নিংথৌ পুম্নমক্কী হেন্না মপাঙ্গল কনবা নিংথৌনি। মহাক্কী মচানিপা বাগ্যীদৌনা মহাক্কী মমী চংপা সেনাপতি মহা বান্দুলা থারক্লুনা মণিপুর জয় তৌখরে অমসু মণিপুর থুত্তাক ইত্তাকখারে। বর্ম্মীজশিংনা মপুং ফানা লম্মন থুমখরে। অঙকপা ফংবা Combination নি অমসুং Contrast নি।

অরা অমসুং মৈতৈ জাতি অনীগী কয়াদা য়াম্না মাঙ-তাকহনখিবা মবাইবক থীবনো?

What a destructive irony of fate for Burmese and Manipuri races!

---

(১) Alaung—paya. (২) Bodaw—paya (৩) Bagyi daw.

॥ অষ্টম ॥

পেগু কোক্কুংদা বর্ম্মাগী টোংগু রাজবংশগী নিংথৌশ্বর্নি (১) টানিনগানউই মহাক্কী কোক্কুংগী মায়কৈ মরিদা লৈবা (২) অরাংলৈমা মরিগী মরক্তা নোংপোক থংবদা লৈবা অরাংলৈমা অহনগী শঙ্গাযদা সনা, লুপা, হীরা, মণিমুক্তানা কাম তৌহনা হংপা কা পোল্দা, কত্রগুগী মোন্দুম মোস্তেক্তা ভাহুনা মশা তংথায় অমা হংপুনা লৈরম্মী। অরাং লৈমা অহনগা নহা ওইরিবী নিংথৌগী মনাও ইবেম্মা অমগনা নিংথৌবেংগী মথোক্ত মাশর্ম নাম নহুনা ফম্লম্মী। নহা যাম্না ওইবিবী ফিজেৎ লৈতেং নীথিনা শেংগী নিংথৌ মনাও ইবেম্মা অহুম্মা কাংহায় চামর, চমাই পাযহুনা লেপ্লুনা থৌগল তৌরম্মী। অতোপ্পা মনাউ ইবেম্মা অমনা অহাওবা মনম হুংশিবা গা চহুম থম্মা হাপ্পা সনাগী কাগোক অমা পাযহুনা নিংথৌনা উবা, সনা-খুৎনা হেক তিংথোরকপদা যংবা মক্ষমদা থুক খুদক কুন্দুনা ফমহুনা লৈরম্মী। অতোপ্পা অমনা মনম হুংশিবা ঈশিং হাপ্পা সনা, হীরা, মণিনা কাম তৌবা পাত্র অমা পাযহুনা সনা কাগোক থৌগল তৌবীগী মনাক্তা থুকক খুদক কুন্দুনা ফম্লম্মী। সনা থৌগল চঙবসি লুহোংদবী

---

(১)Taninganwe—মৈতৈমা চেকোং লৈমাবা, তোংদোয় নিংথৌ কৌই। (২) অরা লৈপাক্কী মহারাণী।

মিংথৌগী মশীং য়ামথ্রবা মনাই হুপীশিং য়াওবা য়ারমদে। নিংথৌগী মনাউ ইবেম্মাশিং অসিগী মরক্তা অয়া নিংঙোম্দা নত্তনা মৈতৈ, শ্যামীজ, চাইনীজ, ইউরোপিয়ান লমকোইবশিংনা বর্মীজ হুপী লৌতুনা পোকপা হুপী য়াওরম্মী। নিংথৌগী লৈমকোম্দা লুহোংবী অমসুং লুহোংদবী হুপী য়ামা লৈরম্মী।

মতম অসিদা নিংথৌনা কৌতুনা মন্ত্রি অনী অনৌরাটা অমসুং বাইনোং অমসুং (১) অয়োম্নায় হঞবা, নিংথৌনা লৈবা কা অতুদা চঙলক্তুনা থুকয়গা থৰু থুদক কুম্দুনা মথুং অনী লোয়হনা কয়ে।

নিংথৌবেন্না অয়োম্নায় হঞবা য়েংতুনা হায়রকই,

—ইনাই অচানবা! (২) মোন্স (টেলেং) শিংগী য়ানি ঐনা নঙোম্দা হংলিবসি। কমদৌরি মখোয়দো?

— (৩) কিযাক। টেলেংশিংনা লাল হৌবক্তুনা মথা মায়কৈদা ইরাবতী তুরেননা সমুদ্র য়োবা কাওবা চেম্বদা ওই-য়েত্তা অকোয়বদা লৈবা লমদম পুম্নমক অমসুং অয়াং মায়কৈদা প্রোম কাওবদা লৈবা লমদম পুম্নমক মখোয়গী মথা পোনবা লোইচনবা লৈপাক ওইথরে।

—তমুম অচানবা! হিন্দু মণিপুরীশিংনা কমদৌবা।

---

(১) Head of the intelligence services

(২) Mons or Talaings (৩) KIACK or GOD

বর্মীশিংনা মখোয়গী নিংথৌবু God কৌরম্মী।

—মণিপুরী হিন্দুশিংনা করো ভপ্প কনচিংবা নিংথি তুরেলগী মো'চুপ থংবদা লৈবা লমদম পুম্নমক লোই চনথরে।

—শ্যামীজশিংনা করদোরি?

—শ্যামীজশিংনা থা-নোংপোক্তা লৈবা মকম কয়ামুক লৌখিছুনা থুগায়রে, চাইথায়রে। করদৌবিনি কিয়াক?

অনৌরাটা য়েংহুনা নিংথৌরেম্না হায়ংলকই,

—নত্ত করি হায়নী'ই ভয়ুম ও?

—কিয়াক। ননাই ঐনা লাই ইবুংঙোগী থুম্নাখাদা হায়চনীংবদি অসিনি—মণিপুরী কৌবা হিন্দু লাল্লাবশিং অসি অশীকপা মীশাং য়ামদবা জাতি মচা ওইরবসু ভারেনখোই, খোইবিনিংথৌ ওবা মচুচাউবা, লাকভম কাওমদবা, মরীংজেল থাবা, মশাগী ইকাই খুম্নবা মাওবগী মহুত্তা য়াইবি থয়ায় মাওবনা কৈ থনবা মী কাংলুপ অমনি। মথোয়সিবু লাম্বা মাম্নখিবা শীহুনা বর্মা লৈপাক্তগী তাহোকপা ওইথোক্তবমক নত্রবসু কনা য়াম্না লুবা থবক ওইরে। করম তৌবিনি? লৈপাকী অয়াবা কোকপিবু লাই ইবুংঙো!

মশা তংথায় অমা হৌপ্লম্বদগী মশা পুম্নমক লোংনা হৌপথখিহুনা মিঃ মিঃ লাউবা তাবগুম তাদবগুম তৌবা খোজেলনা নিংথৌরেম্না হায়রকই, মা ভাওবা মতমদা মশা থক্ থক্ নীতুনা মা মত্তেক মত্তেক ওইনা ভাওলকই,

—ঐ-খোয়…গী অয়া· বা মতম…অসি…দা নত্ত করি পাউতাক শীনীংই ইনাই অচানবা… থাইনোং?

—কিয়াক ! ননাই মীনায ঐ সনা থুযাথাদা হক্কচ্চগে। মণিপুরী হিন্দুশিংগা যেংথিনববদি অবা জাতি ঐখোয অবাবা দশা ফংবা তাবে। মণিপুবগী নিংথৌ চরাইৰোংবা কৌবসি নহা ওইরিবা মপাক্কল মথৌনা ফবা হেনগৎলক্লিবা লান্দা থৌবা নিপানি !

ঙাইহাক লেপ্লগা বাইনোংনা নিংথৌরেনগী মমায় মুন্না য়েংই। মায় অচুনগী ঈ-পুন্নমক চেনথোকখিদুনা তাইক্কেৎ তাইবা টাহুনা মহাক্না য়া মথা তাথরকই,

—মহাক্না য়েংথিনবগী মচুস্তা মাগা চান্নবনা হেন্না ফবা ওইগনি।

—করি কবম তৌবগা মহাক্না চান্নগনি ? ঐখোযগী লম থন্না পীশিন্না ?

—লম পীবগী মচুস্তা মহাক্না ঙাইশেল ওইবনা হেন্ন। ফবা ওইগদন্না ভুমিং কৌবা লাইগী মনাও ইবুংঙো ?

রাসি তাবদা নিংথৌ হীপ্ৰম্বদগী হৌগত্তুনা ফমুংদা ফম্রে, যাম্না খঙনীংবগা লোযননা য়াহংলকই,

—ঙাইশেল কবন্না ওইগনি ?

—চরাইবোংবগী মচানুপী থাজ-য়োনজ য়ায়বা অমা লৈ হায়না তাদ্রে।

মহাক্না আবোম্নায হঙবদা ওনশিন্দুনা হংলকই,

—মমীং করি কৌই হাযবা অঙম্বা ?

—(১) চকপা মথাউ ঙম্বী। মশক মতৌ ফজবদা লাইগী জগোয় শাবীনা মামুক ফজবমগদবা হায়নৈ।

(১) অচুম্বমক চকপ মথাউ ঙম্বী কৌবিসি অঙকপা ফংনা শক ফজবীনি হায়নরা লৈ।

নিংথৌবম্বা ওনশিন্দুনা বাইনাংনা হায়রকই,

—চবাইরোংবগী মচাম্নুপীসি থা-থৌবানগিচাক্কী নক্নবা সম্বন্ধ ওইরিবা লাই ইবুঙোগী ননাই নুপী অর কৈশমা ওইররদি ?

রাসি ভাবদা ঈ চেনথোকখিত্নুনা ভাইফেং ভাইবম্বা টানিনগানউইগী মমায়দা ঈ চেনশিন্নক্লে। কমু দগী হৌগৎলক্নুনা গথোঙ অনী যাম্নুত্নুনা কম্নগা হবাউ মথি হৌনা নোক্নুনা হায়রকই,

—মাগী মচাম্নুপী ঐনা থৌবগা অরাবা কোকরবা ? রাকমসিদি যাম্না কৈফনা অরোম্নায় হঙ্কবা ! করি হায়নীংই ?

—লাই ইবুংঙো! মামুক ফবা অত্তে লৈতরে। মাগী মচাম্নুপীদু থৌবগা থেমত্নুনা লৈশি-লৈথোক্নুনা চারাইরোংবগা টেলেংশিংগা লান শোক্নুহনবা, তুম্না হাৎহনবা। য়েক্নুবা অনী মাঙ-ভাক্নুহনবা। ঐথায়না কুপৈম্ন যেংত্নুনা মনা ফংবা মকেম ফাত্তা। থোক্তদা তি থং য়ুরবদি ত্তিংথং অমনা হনবা তায়।

—উম! যাম্না ফৈ। ঐগী মাযকৈ মরিগী অরাকৈমা মরি, লুহোংবী (১) লুহোংদবী নুপী পুম্নমক্না নুপী ৫০ ওরে। পাঞ্জি গণকশিংনা মমা ঙৈদা ঐগী নুপী অমা রাৎলি হায়খি।

—অরা কৈমা ওইহনগনি হায়ত্নুবদি চরাইরোংবনা মচাম্নুপী পীরক্লোই।

—ঐ থঙলে। অরা-কৈমা মরি লৈরিবশিং অসিগী মনু দগী অমদি (২) থৈথবা তায।

নিংথৌনা অনৌরাটা যেংত্নুনা হায়রকই,

---

(১) Concubines (২) অরাকৈমগী মকম থোথোকপা

—তাবেদনা ঙাঙনবিবা বাফমসে হযেংমক মৈতৈ নিংথৌ মচানুপী হাযবা চৎলো। কনা কনা চৎকনি?

—ফম্নাইবা অনীগা তনবা নিপা ১৫ গা থাজগে লাই ইবুঙো।

নিংথৌবেনগী সনা যাথং মতু ইম্না ফম্নাইবা—অনী মযাংকোং অমসুং তুংশাংচা সনামাঙদা লাক্লবদা নিংথৌরেন্না থৌদাখোল তাকপিখি,

—লৌশি শিংবা মযাংকোং, তুশাংচা নখোয অনী পেংইরৈ মৈতৈ লৈপাক্তা চৎলু, পুথম, যোত্তুম ফী মবোল মবোল, অৱাগী ফজব। কেপ পুত্থনা ইকু নিংথৌ লাইবেল নৈতেঙু চবাই-বোংবদা সনা বাগোক হাল্লু। মৈতেংঙুগী মচানুপী হায়বা চৎলু।

নিংথৌ সনায়াথং ফংবদা থিনবা তৌদনা লাইবার চৎপা নিপা মখোয অনী রাগী চৈঙ পায়থুনা খারী কৌবা লমদাং শমথুনা, (১) চোযনৌ সনা কোনকারম্বু ঐৎ-ওই নাতৈ থনমথুনা পোইবৈ মৈতৈ শৈপাক্তা লাক্লে, লাইবারশিংগী যুম-থুংফম কোংবা ঙাচৈথেল লিন্দু লৌখোং—শাত্তা থুংলবে। মফম অথুদা হুমিৎ মঙানি পোথারগা সনা কোহুংদা কারক্তুনা মৈতেংঙুগী সনা খুয়াথাদা থুরুমগে হায়না চঙলক্লে। লাইরেল মৈতিংঙু তুবি চরাইবোংবনা গগা হাথুনা, খুদোং হীদাক ফান্দুনা (২) সনা ফম্বাল্লাংদা ফমথুনা লৈরিবৈঙদা অরা লাইবার অনী চঙলক্তুনা পুথম, য়োৎ মতুম, ফীরোল জাৎজাৎ নিংথৌ সনা চবণদা কৎলরে।

(১) সনা ফুকফম থনি (২) সিংহাসন্দা

(১) লাইবার মখোয অনীনা হঙ্গৎলি,

—লাইরেল মৈত্তেংঙু ইবুংঙো! অৱা নিংথৌ চেকোং লৈমাবনা অথেম্বোৎশিং অসি সনা চরণদা কৎলকই। নজা ইবেম্মা তম্ফা রাংঙম্লোনবু অৱা নিংথৌদা থাজবিযু হঙ্গৎলকই। নিংথি ভুরেলগী ফোংত্তো (২) হিঙাইকমদা হি পুহ্নুনা নজা ইবেম্মা ঙাইহ্নুনা লৈজবমগে হায়জরকই।

নি থৌ চবাইবোৎবনা হায়রকই,

—লাইবাব লাকপা নখোয অনীদা ঐ ৱা হাযগে, তাও। নখোযগী নি থৌগী থুংদোলপোৎশিং অসি ঐ হৌজিক লৌথি-বোই। অৱা নখোয়গা ঙাইশেল ওইনাসি হায়ববদি নখোয়গী নি থৌনা লৌশিনখিবা ঐনা লাইচনবা লমশিং (১) পুংপুল, (২) কামু (৩) চিবা (৪) খাবোই (৫) তীংইৎশা থুনথক থুনখা (৬) মক্ক কোম্দোং (৭) লোইবী তরাউ খুম্দোল—লমদম পুম্নমক অসি *হলৱাইবিরকও। ঐগী লোইবমশিং অসি হম্দোরক্লবদি ঐগী ইচা ইবেম্মা তম্ফা সনাবু অৱা নিংথৌদা থাজগে। অহ্নুগা ঐগী ইচা ইবেম্মানা অবা লৈপাক্নী মহারাণী ওইগদবনি। ঐনা হাযরিবা ৱাফমশিং অসি ননিংথৌদা হঙ্গৎলু।

---

(১) নিংথৌ অমদগী অত্তোপ্পা নিংথৌ অমদা পাউ পুৱকপা মী মণিপুৱ অমসুং পেগুদা দোভাষী (Interpreter) লৈবম্মী। মৱোল খঙনদবা মী অনী ৱা ঙাওনবদা মী অনীমক অহ্নুগী মৱোল খঙবা অত্তোপ্পা অমনা ৱা হন্দোক্লুনা তাকপা মী অহ্নুবু দোভাষী কৌই (৪) Port—হিদাংফম। * হন্দোক্লুনা পীবীবকউ

মৈতেংঙ্গী স্নামযাথং লুদা থোংহুনা অৱা লাইবাৱ নিপা অনী শেনবি মবমশা, কৌবা লমদয় মনাক্তা চত্তুনা অৱা নি থৌ-ৱেনগী সনা মখোঙখাদা থুখৱে। অৱা নি,থৌগী মফমদা মৈতৈ নিংথৌনা হায়বকপা ৱা পুন্নমক তম্রে। নি থৌরেম্না হাযরকই,

—লাইবাব চৎলুবা ফমনাইবা নখোয অনী যুমিৎ মঙানিদ, পোত্থারো। অহুগী মতুংদা অমুক হন্না মৈতৈ লৈপাক্তা চৎলু। পোহাল অমসুং তম্ফা থন্না হাপ্পা খ উজাও অমা মৈতৈ নি থৌদা কৎলু। মৈতৈ নিংথৌনা তাকপিবকপা মহাক্নী লোইবমশি, অহু হন্দোক্তুনা পীজরক্কে হাযক। মজা ইবেম্মা চকপা মখাউ ঙম্বীবু নি থৌ ঐঙোন্দা লুহাংহুনা থাজবিয়ু। ঐ নি,থি তুবেলগী হিথা ফমদা হি পুহুনা ঙাইহুনা লৈজরগে হজৎলু। অহুগা চিঠি অসিমসু পীরু।

লাইবাব নিপা অনী অমুক হল্লক্তুনা মৈতৈ লৈপাক্তা লাক্লে। অৱা নিংথৌনা হাযবকপা বা পুন্নমক মৈতৈ নি থৌদা তম্রে, চিঠি অহুসু পীবে। অথেনপোৎশি, অহুসু কৎলে।

লাইবেল মৈতেংঙুনা পেনবিরহুনা লাইবাৱ অনীদা সনা য়াথং তাকপিরকই,

—লাইবাৱ লাকপা নখোয় অনী নবৈপাক্তা হল্লো। ঙসিদগী থা অমা লৈরগা ইচা ইবেম্মা চকপা মখাউ ঙম্বীবু থারক্লগে।

নিংথৌ সনা যাথং ফংবদা লাইবাৱ অনী মৱৈপাক্তা হনখবে, অৱা নিংথৌরেম্দা পাউ পুন্নমক তম্নরে।

অসিগী মতুংদা থা অমা ফারবদা অৱা নিংথৌদা ভাকপীখিবা মতুং ইমা ব্রাহ্মণ পণ্ডিতশিংনা পীবা অকবা হুমিত্তা মজা ইবেম্মা চক্পা মখাউ ঙম্বীবু অৱা লৈপাক ভানা থাদুনা অৱা নিংথৌগা লুহোংনবা নিংথৌনা শেমশাবা লোইচর। অযোকপী হুপীগা লোয়ননা নিপা হুপী কয়ামুক, মজা ইবেম্মাগী মমান্নবী মশক মতৌ ফজবী লৈশাবী কযামকম ইবেম্মগী অউম্নাই ওইনা উল্লে। সনা, লূপা, হীরা মণিমুক্তগী লীক কোল— লৈতেং, ফজবা ফীকোল, পুখম, তেঙ্গোৎ, কোফু, কোন্দুম, কোনজাং, খল, শগোলনচিংবা উল্লে।

যত্রা তোংবমদাহৈদা ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব, মব ইবুঙো নিংথৌ মমা ইবেমা ? তৈৌলমা খুমনচন্দ্র ঙাইথোম্বীনাচবা গুরুজন পুন্নমক থুকাংব্র মপুৱা, মনাউ হুপীশি চঙশিন্নক্তুনা চকপদা থুকব্র। মখাউ ঙম্বীনা তেংথা নাওইদুনা হায়রকই,
—মরোল ইবোল তিন্নদবা মশক হৈশক খঙদবা, ফাজেৎ চাকচা মান্নদবা, হুংশা নৈহোনা শাবা, লমদম ভাম্না লৈগ্রবা অৱা লৈপাক ভানা চৎপা ভাবে। ইমা, পাবু, ইবু, ইপুৱা ইনাউশিং হৌজিক উবিবা অসিনা অবোযবনি। হম্মকী মপোক অসিদা অমুক হন্না উগ্রবোই। হা বিধি! নহাক্না নোংদম থীনা ভমগ্রবোই।

অসি হায়দুনা চকপা মখাউ ঙম্বী পৃথিবী থক্তা বাম্বদুনা তুথখরে। মাবু পোকপী মমা মহারাণীনা মচাবু কোনখত্তুনা হায়বকই,
—ইমাগী ইবেম্মা মখাউঙম্বী! ইবেম্মা নঙদি চাউগ্রবা লৈপাক অমগী মহারাণী ওইকগদবনি। অস্রূপ যাম্না ৱাবা কবিগীনো ?

পাবুংগা লোয়ন্না ইমাসু নঙগী ননাক্তা লাকনি। কপ্পা তোক্লো। লীকোল, নকী নবোল শেমজিন শাজিনবিরগে হৌগৎলো।

কপ্পা লাউনবনা ইনিল নিলখরে। নিংথৌনা পাত্রমিত্রশিংগা লোয়ননা কপ্পা লাউনবা পূম্নমক থামজিন্দুনা মজা ইবেম্মাবু দোলাই লেংজাওদা কাহল্লে। সনা লূপা, মি শেলনা কাম তৌবা (১) চতুর্দোলনি। মাযকৈ মবিদা সনকাপ্পা যুম্বী যুংলগা মথক্তা কাং অম্বারী মাগ্না সনা তবোপ্পীনা কুপ্পনি। মনুংদা ধাকল থম্লি। মনাই মুপী লৈশাবীশিংনা চামর থৌগল তৌদুনা মজা ইবেম্মা সনা কোন্নু দগী খোঙশাল্লোরক্লে। হাওবম লৈকাই য়ৌরবদা মথ লেন মমান মচাগী লায়ৎ খা বোকশঙ চিনা য়েংলগা মিৎসনা থম্বাল অনীদগী তরং লাইজ শিন্দ্ররকই। পিনা মগ্গবা মিৎসনা থম্বাল অনীনা মাক্লোম্দা মুপী অমা হিপ্পুনা লৈবা মশেল মবাং উই। থুরুমব্লে শাঙলথো লাম্দুনা (২) মোংবা হনবা উমং য়েংএই নাতৈ পনমহুনা গুরু অরিবম লৈকায় য়ৌরবদা মজা ইবেম্মা দোলাইদগী কুমথরে, শ্রীকৃষ্ণগী (৩) কিয়োং তানা

(১) নিপা মরিনা পুবা দোলাই লেজাউ। (২) মহাবলি উমং (৩) চকপা মখাউ ঙম্বীনা অরা লৈপাক চৎপসি ১৮৯১ইং শকী মমাঙ অমসুং মতুংদা নিপানা ঢোলোক য়ৈহুনা চকপা-পলিবগী প্রেমগী রাবী অমসুং লম্মীৎ ভুমীৎ থাহুনা ঈশৈ শক্লম্মী। ১৮৯১ দা খোংজোম লাল লোইরবা মতুংদা খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক্লা চকপা পলিবগী শৈশক গ্রহণ (Eclipse) তৌখি-হুনা শকপা তোকখি।

চঙখিত্রনা শ্রীকৃষ্ণজিগী চরণদা কপ্প্রনা থুকখ্রী। অতৈদগী দোলাই ত্তো থক্ত্রনা কোংবা ভুবন লাম্দুনা কৈরাও যৌনা চৎথরে। লমগী চৎনা চৎনা দোলাইবোয হঙ্গবা খোম্বনা মঙ্গা ইবেম্মনা শেংলিবা লমশিংগী লম্খোং-ভুমৈৎ থাবকই। শেংল্লায কৌবা নোংমাইজিংগী চীংশা লাম্দুনা কৈরাউ চীংতোম্বোক কৌবা লমদা অহৌং অঙ্ক লোক্রে। নোং ঙাক্লবদা, মঙুংদা হৌরকপা অনৌবা মীৎয়োনগী মীশিংনা থঙনবা অমস্তুং নীংশীনবা মথৎ হৈবা নিপা অমা কৌতুনা ন-মত্তা ফবা অমদা মঙ্গা ইবেম্মানা অল্লা লৈপাক লেংবগী শক, থা স্তুমিৎনচবা ইন্থনা থনম্রে। মঙ্গা ইবেম্মনা দোলাইবোই হঙ্গবা খোম্বা যেত্থনা হাযনকই,

—ভয়ুম খোম্বা! নঙ সনা কোঙ্গুংদা হন্দুনা চৎলু। ঐগী পাবুং পীতাম্বর ভুবি চনাইবোংবদা ররা হঙ্গৎলু। পলেম অপোকপী থুমনচজু ঙাইখাম্বীগী মশক উদরে। ইমাগী লোয়ননা পাবুংবু মফম অসিদা লেংলকউ হায়রু। ইবু, ইপুরা, ইচেম ইনেমশিং হন্দোক্লম-ত্থনা ঐ চৎলে। মতুংদা হৌবকপা নিংগৌমচা মঙুংশিংনা ঐবু কাউগনি। ঐগী শক শঙলরোই। অত্থনা লাইরেল ইপা মৈতৈ-ভুদা ঐ চীংনোই পাউমেনজরমগে, ঐগী পুক্নীংদা থনবা, স্তুংশিবা ররা পাবুংগী চরণদা হঙ্গচ্চরমগে, লাইরেল ইপাদা থুনা য়াংনা চীংমৈ শমত্থনা লেংবিরকউ হাযরু।

খোম্বনা সনা কোঙুংদা লাক্কুনা মঙ্গা ইবেম্মাগী পাউ ভম্রবদা লাইরেল মৈতৈ-ভু ভুবি চরাইরোংবা থৎনেংশা লাগোই শগোল তোংত্থনা স্তুংশিংমুক য়াঙনা লাক্কুনা লমলেন মদাইমা চীংলেন

যাংকাই মচন লৈমা চীঙ্গীন নোংযায শবী খোংদা মগোম তম্ফা ৱাঙম্লানগা উনরে মঙ্গা ইবম্বা মুশি মু ওনবা ৱাবী বাতায শামিল্লবে, পূকমেন পাওমেল্লরে। মঙ্গা ইবেম্মা য়েংহুনা লাইবেল লৈমতেংণুনা হাযবকই।

—ইমোম তম্ফা বাংঙন্নোল নঙবু অল্লা নিংথৌনা মহারাণী হাপ্তুনা থৌওই উশিত্তুনা তৌবল্লবদি মাতুগী পাউ অত্ত থুনা য়াংনা ঐডোম্দা খঙহল্লকউ। থম্রান অবা লৈপাক থুগায়গে, লৈপাক মথক মথা ওল্লা চাইথাযগে। ইপানা লাম্দাবক্তুনা অবা নিংথৌদা মতৌক চাবা দগি পীগ।

মতৌ অসুম তৌনা পাওমেল্লবগা অহী, অত্ত নোংযায় শল্লী খোংদা লেক্লগা নোংডাল্লবদা লাইবেল লৈমতেংণু সনা কোনুদা হলহৌবে। বিদাযগী মতমদা মপাবু, পেংহুনা তেংথা নাওইহুনা তম্ফাসনানা হাযবকই।

—নমোম ঐদি লমদম তাল্লা থাপ্পা লৈগ্রবা, মুংশা যাল্লা শাবা, মবোল ইবোল তিল্লদবা, মশক ইশক খঙনদবা অল্লা লৈপাক্তা মতৌ কবল্লা লৈকশিগে?

অসি হাযহুনা মখোঙ থীন্দুনা, মশম মনা কোয়হুনা তম্ফা ৱাংঙন্নোল যাল্লা কল্লা কপথি। অত্তুগী মতুংদা দোলাই লেংজাউ তোংথংহুনা অবা লৈপাক তল্লা লেংথবে।

ৱাইথৌ চীজেন য়োববদা মকোইচোম্বা, মরাইবক, মপাম্বোম অনী, মথবাক্তা চন্দন অমসুং পাদচিহ্ন ছাপা ফজনা থাবা, নামাবলী খাওমনা ইনবা, মগুণ লৈবা ব্রাহ্মণগী ফিজেং শেংপা নিপা

নিপা অমা লৈপ্তু ৷ লৈবম্মা। দোলাই মনাক নকশিল্লকপদা ব্রাহ্মণ ফিজেৎ শেৎপনা মখুৎ থাজম্ব্রনা দোলাই থামলে। মজা ইবেম্মা দোলাইদগী লেংথদুনা ব্রাহ্মণগী চরণদা খুরু খুমক মলশানা খুরু লে। ব্রাহ্মণনা মখুত্তা নগুন পায়দুনা আশীর্ব্বাদ তৌরকই।

—ওঁ স্বস্তি মঙ্গল ওইরিয়ু ভগ্য রাংঙ্গোল চকপা মথাউ তম্বী ইবেম্মা! অহৌং মুংথিল মতম লৈবা থিবিক্কা শ্রীকৃষ্ণগী নাম তম্বনা শোমু। অচুম্বা সত্য তাঙবদা, সতী ধর্ম্ম তাক্কা চৎপদা কিবা তৌগনু। অচুম্বা রা তাঙলবদি শ্রীভগবানা খুদোংথিবা খুবীংদগী কনবিগনি। সীতা দেবীবু রাবণনা হত্ননা পুত্রবদা শ্রীরামচন্দ্রনা রাবণ হাত্তুনা সাভাগী অরাবা কোকপিখি। রাসি কাওগনু ইবেম্মা!

অসি হায়দুনা ব্রাহ্মণনা মখুৎ য়েৎনা মজা ইবেম্মগী মকোক্তা নানবিবা মতমদা মখুৎ খুদোনবীনা ইবেম্মগী মকোক লরাইদা থর কল্লপ থিনথরে। অদুকপা অদুদি ওইরগা মুংভাইবা চৈনাথোল ফংবদা ব্রাহ্মণ ফিজেৎ শেৎপা নিপাসি মহাক্কী থম্মোয়না পূজা তৌবা মবুংঙোনি হায়বা লৌশিং শিংবী মথাউ তম্বী থঙথরে। চঙশিন্নক্কুনা মমীৎ অনীদগী তারকপা মপীনা মথংলেন মমান মচাগী চরণ অনীদা কুপশি প্রেমগী লৈ খুজোক অমা অরোয়বা ওইনা কৎলম্লে। ব্রাহ্মণ ফিজেৎ শেৎপা নিপাদু মমায়দা, ময়ানা কন্না চৌকপা মচীরান মথা থংবদা মথোল থোক্তবা রাশকপগী লৈয়ি যেক্তুনা লেপ্তুনা লৈহোরে। লাওনা পাঙথোকপা মীৎয়েং

অমতা ওইনা যেৎবা মমীত্তগী পি বিন্দু অমা তাদে। মবী জেল থাবা, য়াশক চেৎপা, মপূক্লীংনা তোগ লেপপ্রবা থবক্তগী নীং-হম্নবা তোদব। নিপাগী মমীত্তগী পি তাবা হোনদবা ওইৱমালে। মীত্তগী পি তাবা হাযবসি মপাঙ্গল শোননী সুপীতনা তোৱনি থম্নম্বা তায।

তম্ফা বা ঙম্রোল ইবেম্মা দোলাই লে জাউ তো থৎলে। পিনা ময়্রবা মাশেন্দ মবাং তোনব। মমীৎ অনীনা উবা ফৎলিবমথৈ তুং হম্না হম্না যে ছুনা চংথনে, উবা ফৎখিদ্রবা মত্তমদা দেৎলাই মথক্তা ৱাম্বছুনা তুপথবে। জ্ঞন তাবকপদা থৌবাল কিয়াম য়োবম্লে। হাওগা শোরাবেনগী কিয়েৎ মনাক্তা দোলাই থাৱে। থোম্বনা হাযৱকই,

—মজা ইবেম্মা! থ যনা নীশিৎবা থোক্তন। কূইপ্রবা সুগন্ত যজ্ঞেশ্বৱ মহাদেবনা পাক চাওপ্রবা ঈশিৎ চীসু হত্তা চিপছুনা মণিপুর লৈথাক লৈশেম্লবদা লাই কোটি ৩৩ দেবলোক্তগী কৌথছুনা লাই হৱাওবা লীলা শানখি। লাই অতৈনা মাগী মাগী থুবম অমমম লৈপাক অসিগী মকম কয়ামুক্ত পিৎথৎথিবগুম্না লাইগী নিংথৌ শোরারেন (ইন্দ্র) না মফম অসিদা মহাক্কী কিয়োং শারম্মী। থৱায় হকচাঙ পূক্লী য়াওনা (১) পুক্লমউ। ঐ মথাউ ওম্বী পূকউ লৈতানা থুক্লম্রগা দোলাই কাথৎথরে। থৌবাল ছুয়েল ছুংওইনৱম্লে, লমদিং শাবল শমছুনা, (২) থোইৱোই চীং চেপ লান্দুনা, থমলা লাম্বোক্তুনা, পুমগোংগী মনাক্তা

(১) থুক্লমউ। (২) থোইৱোম

কোইনা চত্নুনা তেতৈ পোকপী য়োখরে। চৌং অসিগী চৌং-দোম্বগী হাইওখ্রবদি পোষ্টৈর মৈতৈ তম্পাক উখ্রারাই। দোলাইদগী কুমথক্নুনা মঙ্গা ইবেম্মা মপাম লমদম ফুংশিনবু (১) মিৎযে শানথৈজকই) অয়াম্বদা লৈচীন নোংকাই মরক্তা ভূতেশ মহাদেবগী খুবম, মমী' অমনা নীলগিরি কোবা শে'ল্লায নো মাইজি, উরগা মঙ্গা ইবেম্মানা মথুৎ খুদোনবী থিম্মুনা রাহ লকই

—নোংমাইজী গী নত্রেংম্মা বিন্দু অমাবামদা চাউবা অরুংবা অমা উরিবসি করিনো দোলাইয়োই হঙ্গবা ?

খোম্বনা খুম্লকই

—মঙ্গা ইবেম্মা ! নশাবুং মৈতে ভূগী সনা শঙ্গায় মত্তোম্দা তোপ্পা সনাগী তবাম্মীনি।

—মোংশাং মচা অমগী মনক্তা উৎ মচু মানবা বিন্দু অমা উরিবসি করিনো (২) ইদাইরেম খোম্বা ?

— মাংশো অসিনা মো বাহনশা উম নি। উৎ মচু মানবা বিন্দু অসিনা গুরু অরিবম লৈকয়দা লৈবা শ্রীকৃষ্ণগী কিয়োংনি। পুরুমউ মঙ্গা ইবেম্মা।

শ্রীকৃষ্ণচন্দ্রবু অয়াম্বদগী খুবাং চাংজো তরা লোম্বনা খুক খুমক কুমা খুকমহুনা চকপা মথাউ ওম্বীনা তেংখা—নাওইনরকই,

—ইপাম লমদম ফুংশিবা তামহৌরে। ইবুং ইপ্প, ইপা, ইমা লমদম তাম্বা লৈহৌব। যেংখি যেংখিবদা অয়াবা চৌংনা

---

(১) যেংজরকই। (২) ইনাই

থনথ'ব। থুংনা খোঙনা লাম্ব ফ দবে। ক শৈপাক কৌবী পোক্লফম লমদম মু‌ শিবী ও' চী‌কেশ অসিগী য়াংমদা হাই-থপ্রবদি পলেম নঙবু উথ্ররোই। ইশক উত্রবসু ইমিংদদি কাউদনবা নতম্বাক্তা কোন্দুনা থম্বিযু'কা পলেম অপোকপা!

মরৈপাক তু‌ওইনবমক্তুনা তি‌খোক্লিবমখৈ শা‌দোকপা য়াবা লৌকলৌ কোহ্লৌ অমনা মখোঙ অনৌদা পুনবগুম তম্ফা য়া‌ঙম্লোল চী‌গী নম্লোম্পা কুমথথবে। তুমু লোকচাউ মনাক্তা অহী‌ যাবেক্লগা নো‌ঙাল্লবদা কযৌ তম্বাক্তা তমলৌবেল থাবি কৌবা লমদম অমগী অশাংবা লম্বীদা চংথরে। নি‌থি তুবেল মপান যৌরবদা ফো‌দো হিঙাইকমদা অবা লৈপাক্কী নি থৌবেল (১) ডিঙ্গা হিপোং শেমক্তুনা ঙাইক্তনা লৈরম্বা উনবে। নি থৌরেম্বা মজা ইবেম্মাবু তবাম তরাম ওক্তুনা মচা মনাই পুম্নমক্তা লোয়ননা হিদা পুক্তনা নিংথি তুরেল ঈবম মতুং ইম্না হি হোন্দুনা ইরাবতী যৌরবদা, ইরাবতীগী ঈচেল মতুং ইম্না হি হোন্দুনা অম্না নিংথৌ-রেনগী কোম্নুং পেগু য়োখবে।

কোম্নুং য়োববদা মহারাণী অহনগী শঙ্কাযদা মথাউ ঙম্বীবু পুশিনথবে। হায়া লৈবম্বা মহারাণী অহল অক্তু থৈথথিক্তনা অচম্বী রাণীশিংগী যুম মরক্তা লৈখবে। মহারাণী (২) থৈথবা হাযবা থবকসি তোযনা থোকপা থবক ওইবনা মাক্তবু কনানসু অকবা থবক ওইনা থম্লবমদে। মরমদি রাণী লৈম্লিবশিংসি অমু-মুক মহারাণী ওইরম্লবনা অয়াম্বনি। চহী মরি মঙা ঙনা মুপী অমতনা মহারাণী ওইবা য়াম্না অতাঙবনি।

---

(১) হি (২) মহারাণী মক্ষম তাবা

মতু গী হুমিত্তা লুহোংবগী থবক হৌবে। নিংথৌবেন মথাউ ঙম্বীগী শঙ্গাযদা লেংলক্লে। নিংথৌবেন্না তাংবলদা নীংথীনা হুংঙাইনা লেংশিল্লবা মতমদা মথাউ ঙম্বীনা হাযজবকই,
—কিযাক। ননাই ঐ সনা খুযাখাদা অথুপ্পা অকবা রা অমতং হঙ্গচ্চনি ই।
—হাযযু ইবেম্মা! নঙনা হাযনীংবা বা পূন্নমক অথাকপা লৈতনা হায়যু।

মী তাংহনীদবা শোনা হাযনীংবা মতৌ উবদা নিংথৌবেন্না দাভাষা নত্তনা থৌগল লা গন অপুম্বা চংথোকহনথবদা মথাউ ঙম্বীনা হাযবকই,
—কিযাক! ননাই ঐনা ঙসি হঙ্গচ্চাদোবিবা বাফম অসি সনা বুদ্ধি বিচাব নীংথীনা তৌবিযু। যান্না লুবা বানি। ননাই ঐগী অবানবা অশোযবা পুম্নমক ঙাকপিযু।

ঙাইহাক লেপ্লগা মহাক্না মথা তারকই।
—ননাই ঐদি শ্রীবৃযগী মমাঙদা ববমাল্য হুক্তুনা লুহোংলবা ইপুবোইবা লৈবা হুপীনি। অসিগী মথক্তা ঐগী গর্ভদা ইপুবোইবগী তিল অমা লৌববসি থা অহুম শুবে। ননাই ঐবু লুহোংখোংদোংবা মহাবাণী হপ্পা তৌবিগনু।
(রাসি তাবদা নিংথৌবেল টানিনগানউইগী মমাযদগী ঈ পুম্নমক চেম্মোকখিত্তুনা মমায তাইফেং তাইখরে। মচীনবান মথক মথা থক থক নীক্তুনা মহাক্না হাযবকই,)

—নৱা লৈত্বনা নৱক কংশবদি কবি তৌবা অবা লৈপাক্তা লাকপনো ?

—লাকত্রবদি ঐগী ইপুবোইবা যাইবি থবায মাঙগনি। শুগ্দা মথাংদা নূং পুল্লগা তুবেন্দা থাদহ্নুনা ইপা নিংথৌনা ইপু-বোইববু হাংখিগনি। ইপা নিংথৌগী মনা যাথং কিবদগী মনাই ঐ লাকচবনি। ঐদি লাকপা পামজদবনি।

টানিনগানউইগী মমাযদা ঈ থুনা চেনশিল্লক্লে। শাউবনা থক থক নীক্তুনা মমায ঈচপমুক ঙাঙনা মহাক্না লাউবকই।

—কনা কনা লৈ ?

থাঙ পাযবা নিপা অনী চঙলক্লে, লেপ্তুনা যাথং ঙাইহ্নুনা লৈবে। টানিনগানউই তাংবলদগী হৌগত্তুনা কা মহু দা বাখল তৌহ্নুনা হঙ্গং হন্দা চংপা হোবে। ঙাইহাক চংলগা থাঙ পাযবা মীহাংপা নিপা অনীহু নিংথৌনা মথূংনা ইঙ্গিত তৌবদা মপান থোকখবে। নিংথৌবেল ইমুংদগী মপান ে াবক্লে। মপান্দা ঙাইহ্নুনা লৈবহ্বা নিংথৌগী মনাই থৌগল নিপাশিং খোইবেল মশা পাল্লে। নিংথৌবেনগী যাথং মতুং ইন্না লৈপাক ঙাকপা মন্ত্রি নিপাল কৌবা থৌগল নিপা পূম্নমক চেন্নখরে। নিংথৌবেল মনাই অমত্তনা থৌগল তৌহ্নুনা অবোনবা ৱা তানফম সভাশঙদা লেঙশিনখবে। থিন্দনা মন্ত্রি নিপাল অমসুং অবোম্নায় হঞ্জবা সভাশঙদা চঙখবে। সভাশঙগী থোঙ লোনশিনখরে। হুমিং মাঙ্গোল ময়ায যোবা কান্দা চঙখিবনা হুমিং ৱুংবা মতুং হুংথিল অথেংবদা ৱা তা-নবা লোইরে। সত্তানা মতম শাংনা থন্নহ্নুনা লেপ্নখিবা ৱাবেপতি —

(ক) মতীক মগুণ চাউবা মৈতৈ নি থৌ চবাইবো বগা য়ে থিনগদবা থবক তৌবা যাদে।

(খ) নি থৌবেমা চকপা মখাউ ঙম্বীবু লুহোংদুনা লৌবা তৌবোইদবনি।

(গ) চকপা মখাউ ঙম্বী নি থৌবেম্না লুহোংদুনা লৌবা মহাবাণী নি হাযনা লৈপাক প্রজাদা খঙহনগদবনি।

(ঘ) মচা পোকত্রিবা মাওবা চহী অমা চকপা মখাউ ঙম্বী মহাবাণী অহনগী শঙ্গাযদা লৈহনগদবনি।

(ঙ) মৈতৈ নি থৌ চবাইবো বদা চকপা মখাউ ঙম্বী নি থৌবেম্না লুহো দুনা মহাবাণী হাপ্লে হাযনা খঙহনগদবনি।

(চ) টেন্দ শিনা লাল হৌবক্তুনা নি থৌবেনগী লৈপাক লমদম কযামুক লৌশিনখিবসি তাস্নোক্তুনা নমথবিযু হাযনা মকু নি থৌ চবাইবো বদা হাযজগদবনি।

(ছ) চকপা মখাউ ঙম্বীগী মবমদা শিল্লিবা থৌওংশিং অসি অবোনবা থবক ওইনা থমগদবনি। নিংথৌ চবাইবো বদা অচুম্বা পাউ যাবিবমথৈ খঙহন্দনবা থবক পায়খৎকদবনি।

নি থৌবেনগী সনা যাথ চিঠি পুদুনা অবা ফম্নাইবা অনী মৈতৈ লৈপাক তানা চৎখবে।

॥ মরি ॥

বর্ম্মাগী নিংথৌবেল টানিনগানউইগী হুতনা পুবকপা চিঠি ফংবা মতমসি মৈতৈংঙু চবাইবোংবা লাল্ল হৌবকপা তুগুকশিং লাকশিন্নবা কন্না হোৎনবিবা মতমনি। তুগুকশিং লালহৌবে হাযবা পাউ তাবদা নিংথৌনা লান্মী তোঙ্গোল অমা তুগুক লাল শোক্লনবা থাখি। অতুনু তুগুক থুল যোবা ঙমদনা হল্লক্লে। অতুগী মতু দা মৈতৈ লান্মী তোঙ্গোল অমা অমুক থাহুনা লাল শোক্লকনবদা মাযথীবা ফ হুনা হল্লক্লে। মতৌ অসুম মৈতৈ লান্মী তোঙ্গোল তুগুকশিংগী মথৃক্তা মাযথীবা ফ শবদা নিংথৌ মশামক লেংহুনা তুগুকশিংগী মথক্তা লাম্পাবদা তুগুকশিং মাযথীবা ফ লে। চহী কযামুক চঙনা হোৎনরবা মতুংদা তুগুকশিংনা লাল হৌবকপহু থুগাযখবে।

ঐমতৌ অসুম তৌহুনা মযূম লৈপাক্তা অকুবা থবক লৈবা মরমনা টানিনগানউইনা হাযজ্জরকপা ঢেলে শিংগা লাল শোক্লবগী থবক চবাইবোংবা নিংথৌ তৌবা ঙমথিদবে। থোকহবা থোওড অখি চবাইবোংবনা মমাক নিপা চেকো লৈমাবদা খঙহনখ্রে। অরা নিংথৌনা শিনবা পোবম কাযখ্রে।

মরক অসিদা চকপা মখাউ ঙম্ব, মচানিপা অমা পোক্লে। অঙাঙ অহুগী মমী, মঙত্রা কেঙহু ঙম্বা থোক্লে। অঙাঙ অসি অরা

নৈপাক্তা নিংথৌনা পোকপা মচা নিপানি হায়না অমা প্রজানা খঙনখবে। মচুংগী অথুপ্পা রাদি খঙদবনা অয়াম্বনি, অখঙবস্তু চীন-পল চীকনখ্রবনি। মচা পোকপা মতুং থা খরা নৈরগা অবা নিংথৌনা চকপা মখাউ ঙম্বীবু অমা নৈমগী পদবীদগী (১) থৈথখবে, নুংহাংদবী মহাক্কী চুপী মরক্তা খমখরে। মহাক্কা ত্তোবিবসি অচুম্বা ওইরবস্তু পাউ অসি ত্তাবদা চরাইরোংবনা মচুংগী মা খঙদবনা শাউখবে। মপাবুংগা বিদায় ত্তোনরকপা মত্তমদা মপাবুংনা পাওমেনরকপা অমা নিংথৌনা মহারাণী পদবী দগী থৈথরবদি থুনা মাংনা পাউ খঙহল্লকউ হায়বত মখাউ ঙম্বী খঙহনখিদরে। মরমদি চুংত্তাইত্তবা পাউ অসি ত্তাবদা মচু নিংথৌনা মরামখোঙ মুন্না খিকিহল্লবদি মহাক্কী মপুরোইবা পক্পা অরাবা দশাদা ত্তাগনি হায়না কিরে। অচুবু লমজাও মৈ দবীদগী খানা কুপ্পুনা পম্বা য়াদবগুম মাসি মৈত্তে নিংথৌগীমৈ হায়বা য়োৎবদা খিনবা ত্তোদবে। অরোম্নায় হজবগী পাউ নিংথৌদা কোন্নুংদগী লাকপা মৈত্তে নিপাশিংনা অচুম্বনি প্রমাণ্পা অসিগী পীরবে। অচুম্বা পাউ ত্তাবদা মবা ইবুংত্তো পীতাম্বরগী শাওবা ঙমথৈ লৈথিদরে। নিংথৌ মশামক লেংহুনা অমা নিংথৌবু মত্তাং চাবা শাত্ত পীহুনা লম্মন থুমগে হায়না খনখরে।

নোংমা কংলাদা নিংথৌনা কংলাগী ফাল অশাংবা খল্লা ফম্বা অকল অথৌ ফমাইবশিংদা হায়খি,

(১) মহারাণী পদবীদগী হঙ্হনখরে।

—মীপোক মীকনবা ভম্বা অকল অথোশিং ও! ঐগী ইচা সুপী তম্ফা বাভম্লে নচকপা মখাউ ভম্বীবু অরা নিংথৌনা সনা ফম্বান্নাং-দগী ইভা থাদা লৌথোংদা ঈশিং চেন্নবগুম থৈথরে হাযবা পাউ তাবে। অতুতসু নত্তনা লাইবেল ঐগী লোইরম নিংথি তুবেলগী মপান্দা লৈবা থুঙ তবেৎ হন্দোবক্নি হাযবগা হন্দোবক্তে। মবম অসিনা অবা লৈপাক্তা লান্দাহনা ঐ থাভলেন থুৎনা ফংনা যাম্নগে, অরা লৈপাক থুগাইগে হাযনা নীংলে।

নিংথৌগী সনা যাথং তাবদা কংলাদা ফম্বা মী অতৈনা খুমত্রিভৈদা শানোংবনা থুম্নকই,

—লাইবেল মৈতেংভু! নমোম তম্ফা রা ভম্লোনগীদমক অরা তোভদোই নিথৌ চেকাং লৈমাবগা থাভলেন থুৎনা ফনা য়াম্নগে। খোযমা ইমায ওল্লোই এ।

অরা লৈপাক্তা লান্দাবা হায়না ফম্নাইবশিং কংলা রাশরুখরে।

রাশক্লবা অসিগী মতুংদা অরা লৈবাক্তা লান্দানবা শেম শাবা হোৎনবদা থা অমা হৌখরে। অবাবদি মতম অসিদা নোংচুপলোমন্থ্রী চৌংমীশিংনা অহৌংগী লোয়রান্দা সনা কোন্নুং পায়গদৌরি হায়বা অবোন্নায় হঞ্জবগী পাউ ফংবদা নিথৌ মশামক লেংহনা চৌংমীশিং থুগায়রুরে। চীংমীশিং থুগায়রম্লগা সনা কোন্নুং তম্না হল্লকপা মতমদা শগোলবন্দ থোংনাং হোগায়বী য়োবা মত্তমদা (১) থকো তেলনা পান্দুনা চবাইবোংবা নিংথৌ

(১) বজ্র, নোংমৈ শাভজভ।

(১) সনা কৈবাক কাখবে। শক্লোক থবা মতুং ইনথরে। নিংথোগা লোযননা দশা ফ মিন্নখিবা খোংনা' অসি "খোংনাং হগায়র্বা" হায়বা মিংথোল অসি ফংহুনা চহী ২৬০ অসি হিংহুনা লৈরিবা অসিনি। হৌজিক্কি য়াম্না হাগাযদবে।

হকচাংগা থরায়গা কায়নবমদাইদা নিংথৌ চরাইরোংবনা মঙ্গা ইবুঙো (২) "লৌকলাই সনা রাপীহন" পামহৈববু স্ননাক্তা কৌশিদুনা মঙকশম মথুংনা কোনশিদুনা মথুং খুজেং পায়হনা পাউটে মবই,

—(৩) লাইরেল ইপাবি ও! ইপানা নোংগাখরগা নঙনা মৈত্রেবাক্সী নিংথৌওইহনা পাম্নু। অদুগা নচল ইবেম্মা চকপা মখাউ ঙম্বীবু অরা নিংথোনা (৪) অরালৈমগী পদবীদগী লোথোক্তনা থৈথবে লুহোংদবী মাগী তুপী মবক্তা থম্নে হায়বা পাউ ডা র। অদুদসু নত্তে। নচনবু (৫) থাম্রন নিংথৌদা থাজবমদাইদা ইপাগী লোইরম খুজং তরেৎ অরা নিংথৌ অসিগী মপানা নমহনা মুনখিবহু হল্লকনি হায়বগা হৌজিক ফাওবা হল্লক্তে। ইমাক নিপা ওইরবনিনা ঐনসু পীয়ু হায়না কন্না হায়রুদে। অদুবু ইচাবু থীনা তৌরবনিনা থাওলেন খুঙ পায়হনা অরা নিংথৌগা য়াম্নগে হায়না কংলা রাশক্লখরবনি। ইপা ঙম্নমদরে।

---

(১) নোংগাখরে, শক্লোক থবা মরক্তা তিনথবে। (২) যুবরাজ (৩) পারী ইবুংঙো (৪) অরা লৈপাক্সী মহারাণী। (৫) অরা

পাম্মী ইবুংঙো নঙনা নচন হুপীদা অন্না নিংথৌনা ইকাইবা পীবা অসিগী মতৌক চাবা লম্বন থুম্লকউ।

পামহৈবনা মপাবুংগী মকমদা য়াশঙ্কুনা হায়খি,

—পম্বো অপোকপা ও। লৈকলাই ইবুংঙো নিংথৌরেল। অন্না নিংথৌনা ইচন ইবেম্মা মথাউ ওন্বীদা ইকাইবা পীখবগী লিকোল থুঙৌং লাকথন্তনা মতৌক চানা লম্বম থুমজগে। পাবুং ইবুংঙোগী সনা য়াথং (১) লুদা থোংজরে।

মতৌ অসুম্না পুকমেন পাঙমেন্নগা ছুবি লাইরেল মৈতে ৬ চয়াইরোংবা মশাগী বয়স চহী ৩৭ শুবদা, চহী ১৩ ফম্বান্দা নিংথৌ ওইছনা পাম্নগা নোংগাথরে।

পামহৈবনা মপাবুংগী মকমদা য়া কথিবছু লোয়দনা তৌগে নীংখি। অছুবু মযুম লৈপাক্কা অরু অরুবা থৌদোক কয়ামুক থোকখিবা মরম্মা মহাক্না নীংবছু থবক্কা ওথোকপদা চহী কয়ামুক ওমখিদরে।

× × ৮ × × ×

গরীবনিবাজ মহারাজ! লাইনিংথৌ ইবুংঙো! মহাক্না লৈপাক অসিদা নিংথৌ ওইছনা পাম্নগা ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব অমদি নচাগী মশক ওইবা প্রজাগী মথক্তায় কনবিবা ওমদবা করি মরমনণো?

য়া চাওলক্লিবা অহল অসিগী থৌগাক নাইদবা রাজ বাবহার কায়বা য়াত্তাও অসি ভাবদা নিংথৌ শেনবা থৌগল নিপা অনী অহল অছু থামগে হায়তুনা জয় জয় চঙশিল্লি। মবুঙ পুকচেল

---

(১) কোকথক্তা।

পাক-চাউবা মিংথোনা থুং থাজত্তুনা থোগল নিপা অমাই থাম্মথরে।

কপ্পাক ফুরা শুংলবা, মকোক্তা ভ্রেরা মকোন পাইরব মথোঙ অহুম শুববা, রা ভাঙবদা মইৈ থক্ থক্ নাকপা ব্রাহ্মণ অহল অহু মথুং য়েংলা নগুন পায়হুনা থক থক নাক্তুনা থুম। চুমদনা নিংথৌ সনা নাক ভগ্গা ভপ্পা ভপ্পা চঙশিল্লকই। নিপা ভরামুক মহাক্কী মচু'দা চঙশিল্লক্তুনা নিংথৌ সনা মাঙদা দণ্ডবৎ শাল্লাং তাহুনা লৈথরে। ব্রাহ্মণ য়েংহুনা নিংথৌনা হায়রকই,

—করি তাকপীনীংবা লৈবগে ঠাকুরজি? তাকপীবা য়াগনি।

ব্রাহ্মণগী মমীৎ মাংলু অনৌদগী পি ফিঃ কাপ্পী, হায়রকই

—লাইনিংথৌ ইবুংঙো মঙদি লৈত লায়ববা হনু হৰী. তোঙ্গ নুম্নাবীশিংদা ফো, চেঙ, কীবোল, শেল-থুম য়েঙ্গুনা তোঃনা পীবী হায়বগী মরমদগী নিংথৌ ইবুংঙো মহাক্কী নমীং "লায়রবগী মবুংঙো" কৌনৈ। নিংথৌ কৌর্বসি শ্রীবিষ্ণুগী অংশনি হায়না বেদ পুরাণচিংবনা লাউরি। কৈদোরে লাইমি থৌ ঐথোয়গী থুনবু চাপ্পবদে?

দণ্ডবৎ তাহুনা লৈবা মিপাশিং অহুনা নিংথৌ সনা চৰণদা হজংপা রাদুগী অথম্বদি অসিনি :—

মণিপুর ভম্পাক্তা মথা ইথং থংবা চৌংমায়দা তাবা খুল অমদা হৌথিবা ভুমিং নৌনী মমাঙদা ফিংচাবা ১০০।২০০ য়োম লাক্তুনা মথোয়গা খুনগী মীগা হাংন থিমবদা খুনগী মী ভরারোম শিরে। মথোয়গী মীশু ৩।৪ শিহুনা তাহুনা লৈহৌই।

খুনগী চুপী অস্তাও ৭। ৮ মখোযনা ফ'হুনা পুখরে। অতগী মরক্তা ব্রাহ্মণ অহলগী অমত্তা পোকচবা মচানিপা পাখং মচা অমম্ভ যাওখরে। মীনা কান কনি ত ওবদি হিংচবা দল অসি (১) খগী লৈপাক্তগী ল'কপা মী'শা চাবা জাত্তিনি। চীনদেশগী মীশিংনা ত্ত দ্বোকক্তুন বর্ম্মা অমস্ত মণিপুরগী লমদা (২) ময়ুন অবেপ্পা লৈত্তব। জাত্তিশিং অ'স কোযচৎ চস্তুনা লৈবা মীশিংনি। মখোয়ন। ফাহুনা পু'খবা মীশিং অহু চ'থোক্লমগনি। হিংচাবশিং অসি হাত্তনা ফাগ্নবা মী শং অ'সী মথল্লায় কনবিয়ু।

প্রজাশিংগী অরাবা খোম্ন'ত্ত অসি তাবা খুদক অহুমক্তদা নিংথৌনা অকনবা অথুবা থবক পায়থংপা হৌরে। কংলাদা য়াম্নুনা লৈবা কংলা য়াইপুং পুংজাও মরোল হাপ্তুনা থিনখরে। পুখোল তাবা লমদা লৈবা খুম্না য়াম্নুনা লৈবা পুংজাওশিং খুল খুদিংগী মবোল হাপ্তুনা য়েনখ'র। মত্তম থৱাংগী মত্তংদা মৈতৈ লৈপাক্তী খুল পুম্নমক্তা পাত্ত য়োখরে। লম শাংনা তাবা পুংখোল অসি তাবদা মী পম্নমক মানা মানা ভুরশা তৌশ্না থবক থাদোক্তুনা লানগী শাবোং লানপোং খুজু খুংলাই লংকৈগী চেস্তজেল পুত্থনা সনা কোত্নং তম্না চেনথংনরক্লে। গরীবনিৱাজ মহারাজ লানগী ফীজোল শেস্তুনা প্রজা ময়াম লাকপা ভাইহুনা লৈবক্লে। শগোল তোবা লানমী তেক্নোলগী লুচাংবা স্তহুনা মহারাজ মথা মায়কৈ পাংনা শগোল থৌখরে। নোংমা চুমিং চুঙ্গা শগোল থৌহুনা শুগ্ন য়োরবদা চুমিং তারহুনা অচৌং

(১) চীন লৈপাক (২) Nomads

অতু লেক্রে। নে' ঙ খংগা ইম্ফাল তুরেলগী মরীল ইয়া শগাল থোৗবথরে।

হি চাবশিংনা চৎশিনবদা তুরেল মপান্দা লৈতাই শেক্রা মথক্রা তাক্লোবা মাপাতুগী থে অমুপ থেংতুনা তুরেল মরীল মতুং ইয়া লম ফনা শাংনা চৎলবা মতুংদা মাঙলাবা নিপা থরনা তো লিদা শগালশিং অতু চঙশিনু হায়রা বানতুনা মমায় ওন্দুনা চন্দুনা চেনগে তৌঁন। শাগাল চঙশিনু লাদবগী মরম থিরকপদা লাপতক্লা অকিংগী মথক ফাদা শককম অমা উবা ফংলে। অচৌবা উ অমদা চাউরবা লাইরেল অনী মথা মরৈ মরৈ থেংশিনকতুনা য়াম্বতুনা লৈনম মাঙলাবা মী পুরমক উরে। মরাং মরাংবা লংত্রিক লবা মখোয়গী মথ গী মচু অতু সুংলাগী মঙাল্দা মীৎ থকহল্লি। মরক মনক্রা মাথ য়ুনা কাতুনা লৈবা উ অতু মাথ চুনগী মথোন ফংদবা ংক ংক নৌমই। মখোয়গী মপু শাম্বরনা ফবা মফমদা লৈবা উ অতুগী মনা মথা অপুম্বা থুইবগ, ফংলে। উ অংগী মথোংডদা হৌবা নাপী শী না অপুম্বা তুরু তুরু নৈথেকখিতুনা থুইতুনা ফংতুনা লৈরম্মী।

থরা লাপ্তক্লা হাপ্লোক্লুনা তে মালগী মী পুরমক মা তানরাক্রে। নাকল অমদা তুরেল লৈরায চপ ঙম্মী লৈবে। অতোপ্পা মায়কৈদ। চপ ওম্বা চৌংচেপ লৈবনা লম থৈতুনা চৎপা ওইথোক্রবা রানি। লম্বাদি লাইরেলনা থতুনা লৈরবনিনা শাগাল চঙউ যাদরে। শগোলদা নতুনা মীসু হেক চঙশিনবা হঙোইনরবনি: তাঙা অসি মোৗরথদা মৈদিংঙু গরাধনিরাকনা হায়রকই,

—ইদাইবেম (১) অথৌ লিচা হেপ্পশিং ও। মথোয় মাওদাং চঙশিন্দুনা লাইরেল অদু হাত্তোকউ,

মীশক পম্না হায়রকপা থোদাথোল নত্তবনিনা মী পুন্নমক ভুমীন ভুমীন লৈনরে। অদু উবদা নিংথৌনা হায়রকই,

—নথোযনা চঙবা কিনরবদি ঐথোয়না তৌসি হায়চনা লাকপা থবকসি তৌদনা য়ুম হনবা ওয়ে।

মনি থৌগী য়াথংদা "কিনরবদি" হায়বা ৱাহৈ অসি তাবদা পলিবা লমথোকনা হায়রকই,

—লাইনি থৌ ইবুঙো! ননাই ঐ লাইবক অমুক্তা য়োংজগে।

মহাক্না ৱা তাবদা "ঐসু চঙগে" "ঐসু চঙগে" হায়না মী পুন্নমক হ.য়নহনা পলিবনা মাও শাহনা মী ১০ রোম চঙখরে। লম্বী চন্দহনা অতৌদি ভুংদা লৈ'হৌরে। য়ৌগদবা লম অনী বোমদা তাযরব' কালদা মক্ম ইশও বওহৌদনা লীনজাও অনাহু উথক্তগী পাইথরক্তুনা মাও থাবা পলিবা অমসুং মনাক্তা চৎপা নিপা অমগা অনীগী মশা মকোক্তগী মথোও কাওবা য়েংথরে। মকোক হাইথরক্তুনা মথোয় অনীগী মকোক উমগদৌরে। থাও পাযবা মথুং অনী য়াওমা ত্রক ত্রক য়েংশিনখিন্দা পলিবগুম্বা মপাঙ্গল কনগ্রবা লমওক হাংপা ওম্বা নিপা পাখং অদু লেং-ওংপা ওমদনা উগী মুক্তিগুম চপ লেপ্তুনা লৈথরে। মীৎমা কুপ্পদা থোকখিবমি। লাইরেলগী অওকপা শক্তিনি। অদু উবদা নিপা অমনা পলিবগী মকোক উমগে হায়রহনা ময়া কাথোকপা লীনগী মওকশমদা থাঙনা য়ানবদু থাও চঙদে। লীনগী

মকুদ। থাঙ থকথোক্লূনা তোক্লে। অছু উবদানিপা অমনা লৈনগী কাথোকপা ময়া মহুং তন্না হকথং তা অমা লংশিনখ্রে। তানা মথনাউদা লেংবদা লৈনগাউ অহু হৌকখছুনা পলিবগী মথোঙদা থ্রো থ্রাক লাউনা তারে। অতোপ্পা লাইরেল অহুসু মতৌ অহুম্না তারে। মীয়াম চঙহুনা লাইরেল অনীহু হাত্তোক্লে। লাইরেল অনীহু হাৎপা কালদা মবুক্তা কাখত্তূনা মীয়াম্না লেৎপদা লাইরেল অমগী মবুক্তগী ল ত্রিক লংবা হৌয়া অচৌবা অমা চোংথোরক্লে। মীয়াম্না হায়নখি,

—য়াইমুম্নবা লাইরেল অনীনি।

হৌয়া লোহুনা লাইরেল থনমহুনা তেক্কোল চঙশিনখ্রে। লম্বী কনা শাংনা চৎলবা মত্তমদা হুমিৎ তাগদৌরে। মত্তম অসিদা অকিবা মশক কংবা নাকোংনা তাবদা পুক্লূংগী থোইড়ি লিনশাং তৎকদবা মত্তা ওইবা চুজুংবা খোক্লেল অমা তাবা কংই। য়াকগ্রবা নোংমৈ শীংকং তাবগী মখোল মানবা খোক্লেল অহু তাবদা শগোল তোংবা পুন্নমক চপ চপ লেপ্লে। এং খংবা চুবেল বাংমদগী লাকপা খোক্লেলনি। খোক্লেল অহু অহুম নকশিল্লক্লে। নোংচুপকী চীংমায়দা অচৌবা লাইরেল অমা কম্না চেল্লিবহু মী পুন্নমক উরে। মতুংদা লাপত্তনা লম অমরোম শাংবা লংত্রিক লংবা মথোঙ তকক পানবা মশাগী মচুদি তাংশং তাংবদা অমুবনা চাউরাং শাংনা শাংনা লাংবা জীব অমা লাইরেল তাম্নক্লিবত্ত মী পুন্নমক মমীং মমীৎ লাউনা পাঙথোক্লূনা থাঙ শত্তনা, তা পায়ক্তনা চপ্ চপ্ লেপ্তূনা য়েংনৈ। লাইরেলনা

চেনবদা চৌংগী হ্ংগাযনচিবা হ্বাই হ্বাই লাউনা নীংথাম্ৱগ্ৰনা চী-থোংদা তারকপদা চৌংগোল অহু প মনীল নীলখবে। মী পুম্নমক্না লাউনরক্নে,

—চৌংলায, চৌংলাযনি চেকশিন্নু।

লাইরেল অহু ঈশিংনা চোংথববদি মথন্নায় হিংগনি খনবনা তুরেল তম্না পাইথখবে। চৌংলাযদি ঈশিংগী জীব নত্তে হায়বা লাইরেল খণ্ডই। অহুবু তুবেল য়েৌবা নংদবে। চৌংলায়না পাইশিন্নরক্নুনা লাইরেলগী মমৈ হেক চৌকপদা লাইরেল অহু চপ লেপই। তাইহাক লৈবগা লাইরেল অহু থোক লোংথোকখরে। চৌংলায়না লাইরেলগী মবুক্তা কাহ্নুনা মফম অমদা কম্না চৌকপদা লাইরেল অহু মমৈ মকোক ফং ফং হাইহ্নুনা মতম খরদং থাত্তলম্লগা উতুপ তাবগুম তাহ্নুনা লেংখিদারে। চৌংলায়না লাইরেলগী মবুক চৌকথেক্কুনা শদোং শদোং চাবা হোবে। মী পুম্নমক্না তকপগী তমথৈ লৈখিদরে।

হিংচাবশিংগী থোঙুল লীহ্নুনা শগোল লাম্মী তেজোল চত্ত-শিনখরে। হুমিং ময়ুম চত্তবা মতম ওইবক্নে। অচৌবা পাৎ অমগী মপাল য়েৌখরে। পাৎ অহুগী অতকপা ফংনা ফজবা মপক অহু য়েংনরক্নে। থরোই মহীগা মাম্নুনা লুপ্ৰবা ঈশিংদা মীন মচু মানবা থরো হায়গত্রা থম্বাল হায়গদম্না য়াম্না শাৎলম্মী। অসিগুম্বা লৈ অসি পৃথিবীগী মফম অতেদা শাস্ত্রে হায়রবা লৈ। রামায়ণগী লঙ্কা কাগুদা রাবণগী অহম তুবা লাঙংদা অম্বিকা দেবীনা রাবণবু কোন্নুনা থমম্রবদা শ্রীরামচন্দ্রনা দেবী

পূজা তৌখি। দুর্গাদেবীদা কৎনবা চহী তরা লাপ্না লৈবা দেবীদহ কৌবা পাত্তা শাৎপা মনা লীশিং অমা পানবা নীলপদ্ম (নীম মচু মানবা থম্বাল) হনুমান্না হেকলুহনা শ্রীরামচন্দ্রনা পীখি। দেবীদেহ কৌবা পাৎ অসি গরীবনিৱাজনা থেংনকুবা পাৎ অসি ওইরমগদ্রা?

পাৎ অসিগী অকোয়বদা চত্তুনা মৈতৈ তেঙ্গোল য়েংবা হোরে। নোংপোকলোমদগী ঈচৈল মচা অমা চেম্বরক্তুনা পাত্তা তাররি। পাৎকী নোংচুপ থংবা মপাল্দা পাৎকী ঈশিং ঈথোয় অহু ইম্ফাল তুরেল্দা চিথথরি। পাৎকী মনাক্তা অচৌবা উ-রা অমত্তা হোদে। শংবান্নবা নাপীনা পাৎকী মপাল অকোয়বদা হৌবহু মালীনা লুমিৎ থুদীং কাটিনা মতোল ৮পমান্নবা ককপা মতৌ মান্নি। থম্বাল অশংবা নত্তনা পাৎ মনুংদা অতোপ্পা ঈশিংগী নাপী মকা অমা তাবা উদে। পাৎকী অকোয়বদা শজি শঙাই ময়ুপ ময়ুপ নাইনা শজীক চাহনা লৈবম্মী। মীগী মশক মপা মবুথো হাক্তকগী হৌনা উরকত্রবা শজি শঙাইশিং অসি তোঙ্গোল উরগা চেন্দে, লোবুক্তা যল শজীক চাবদোনা ইথৌ থৌওইদনা লৈথোকই। মী হায়বসি শজি শঙাই কাৎপা জীবনি হায়বা মথোয় থম্ভলমদবা তায়।

লুমিৎ তাখিবদা লুমিৎকী মঙাল তয়ানি পানবা থাগী মঙালনা শিলহোরে। চা-থক্তুনা অহীং অহু পাৎ মপাল্দা লেক্লে। মহৌশা কৌবী লাইরেম্বী উল-রাওমুক চীকই। তয়ানা তাম্ তাম্ হায়না তাম-না তাম-না থোংবহু তায়গা পুক্নীংদা মনাংলৈদা

থক ফাওখিদ্রিবা ন্থংঙাইবা মথল অমা ফাওই। সজরগী নিন-খোংবা অবাংবদগী লাপ্পা লাক্নুনা মাহৌশা কৌবী লাইবেনবানা মথাদা কোনবিদুনা অপা-পোথাবিবা লান্মীশিং, অদু থা কৌবা লাইনা মপান নাইদবা হৌফম, লোইফম থঙদবা অহাঙবা শূন্যগী লম্বীদা অবেপ্পা নৈতনা, পুংফম ক্ষেনফম কাযদনা চৎলিবদু যেংনা যেংনা মমীৎ উইশিনখ্রব।

নোং ঙাল্লবদা চাবা থকপা লোইবগী লম্বী চৎপা অমুক হৌরে। লম্বী ফনা য়াম্না শাংনা চৎলবা মতমদা খঙহৌদনা নোংথাকপা খোংবগুম্বা অকনবা অযাকপা পুক্লীং ভুত্নুংহনবা খোল্লেল অমা তাবা ফংই। নো থক্তো য়েংখৎপদা অতিয়াদা নোং মবীক অ। ফাওবা উবা ফংদে। কাংগুম্বা থবক অমা তৌগে লাকপদা থবক অদু পাঙ থাক্লমদনা কিওনা হন্নকপা হায়বসি মতম অদুগী নিংখাদগী খোঙনী ফাওবা য়াম্না চোপ্পা ইকায়বা শিবনা হেনা ফর্বনি খন্নবম্বনি। মাঙখাবা নিপ শিংনা লকক তৌবা উবদা ভুংদগী মী শংনা লাউরকই,

—মতম ফনা কুহনা মাঙখাদুনা চৎপিরে। রাবিরন্নগনি, নীং অসোমদা কুমশবিরকলো। ঐখোয় অমুক মাঙ লাক্তগে।

মাঙখাবা নিপাশিং অদু করেম্নবা খোল্লাউ অসি তাবদা মখা চীক্নুনা শগোল থৌদুনা চঙশিনখ্রে। অরাপ্পদা চী দুম মচা মচামুক চাউবা নোংনা হৌরকপা নোং মচু মানবা, মন্নুপ পুবা শামু লাবা অনী য়াথিরক্লিবদু মী পন্নমক উরে। শামু অমোম শবীশিংগী মমায়দা কিবা, মখা৯ রাবগী থুদম ময়েক শেংনা

উবা ফংই। শামুনা লম্বী থত্তুনা লৈরকনিনা তেংগোন পমৗং-লোমদা হল্লোকখরে। নিপ: অনী অচৌবা অরাংবা উ অংগী মতোম্দা কাহনা লৈরৌরে। মখাংদা থাঙশাঙ অমমম অমসুং মথুন্তা তা অমমম। অয়াংবা উহোন্দা তু থ্যাও থ্যাও চুংনা, হকচাঙগী মিহুন থগৎহন্না হুংঙাইবা শামু য়াথিমবগী কুপৈ য়েংহনা লৈহৌরে।

শামু অনী মরাইবক অমসুং ময়া মরি থিমহনা ইৈম্ল। মথোঙ নবিগী থুক্তিম্রা লৈপাক্তা থুম্না য়ৈশিন্দুনা থাহনন্দা থোবাল অচৌবা অমমম লেপ্লে। মথোংনা থোংখং কপা লৈপাক নাকল অনাদা লৈবু অচৌবা অমমম মুক রাংনা লেরে। শামু অনীনা শোক্লিবা শিবা-চঙবগী লাল অসি শোক্লনকপা মতম ফনা সাম্লা ধইরমাদে। কম্না হাইহক ইম্নরগা হল্লে কহুনা কম্না চেনশিন্নৈ, মখাক মকোক থেংগায়নৈ। ময়াগা ময়াগ থিমৈ, ইমৈ। মতুংলোমদা চৎখিহুনা শনীংদা ময়ানা থিনগে হেৎনৈ। অমহুমসু মমায় ওনশিন্লক্তুনা কম্না পিনৈ। মতৌ অসুম্না হুমিং য়ুংবা গতমদগী শোক্লবা উরকপনা হুমিং তাগদৌরে। মতম অসিদা শামু অনী ময়া ময়া কম্না থিমরম্বদগী শামু অমগী ময়া অনী অকনবা শক্নগা লোয়ননা তেকখরে। ময়া তেক্লবদা শামু অহু গতি লৈত্রহনা চেন্নে। অতোপ্পা শামু অহনা তামহনা অচেনবা শামু অহুগী মবুক্তা মাপী ময়া অনী থুম্না থিংজিনখরে। মতৌ অসুম্না অনীরক অহম্রক থিনবদা অচেনবা শামুহু লৈপাক্তা তুপখরে। তুপরবা শামু অহুদা অয়োম্বা থবক তৌবদা অঙম্বা শামু অহুগী মতম কুইনা চঙদরে।

য়েক্নবা হাংলম্নগ: জয় ওইরবা অচৌবা শামুত্থ মাগী যম্নুপ তানা চঙশিনখরে। অচৌ অচৌবা শামু অমোমশিং চঙ-শিন্নকুনা জয় ওইরবা শামু অতপা মনাত্তোনগা মনাত্তোনগা থাঙত্তুনা চুপ্লবে। মতু দা লাবগী মশাদা পক্লিবা লৈথোম উফুল রাইফুপ অমোমশিংনা মনাত্তোম্না তৈথোকপা লাক্লরে। মতৌ অসুম্ন ঙাইহক অরা-পোখ্বাবগা জয় ওইবা শামুত্থ অশিবা শামুগী যম্নুপ্তা চঙখবে। জয় ওইরবা শামু লাবক মথোয়গী মনাক্তা চঙশিন্নকপা ঙাইহৌনা লৈরম্বা শামু অমোমশিং অহু থোবক্লে। যম্নুপত্তগী পোবক্কুনা তরাম তবাম ওকপা মতৌ মাল্লি। শামু লাবা মচাশিংনা লাপতক লাপতক চথোক্কুনা মক্না লুকথহনা কেপ্তুনা লৈরম্মী। ঙাইহাক লৈরগা শামু যম্নুপ অনৌ পুনশিন্দুনা চৎপিন্নখরে।

শামু চংখবদা উথক্তা কাহনা লৈবা নিপা অনৌহনা মকোক্তগী কোয়েং লোথাক্কুনা তা নত্তোম্বা থেত্তুনা থাম্নৎলে। অহু উবদা তোংগুল অমুক চঙশিন্নক্লে।

শৌবান য়োরবদা হিংচাবশিংগী লৈফম থেংনরে। নিপা হুপী অঙাংগী তেঙ্গোল মচা অমা লৈরম্মী। যুমথৈক নৌংথীনা শাহনা লৈবা হৈত্রিবা জঙ্গলগী শামুগুম্না লৈবা হিংচাবশিংনি। মথোয়গী মবক্তা মী থরদি কপত্রে ফিক্কেৎ শেংলি। অয়াম্বদি মশাদা কী পক্কবা মায়কৈনা ফিক্কেৎনবা ঙাম্ভিনি। মশাগী হুচু ঙাইকেৎ ঙাইবা য়াইক্লং মচুনি, মতম কুইনা ঈশিং শোক্লদবা মরমনা অমুগা অঙৌবা মচু মথল মথল পক্কনা মরাং মরাংই। মকোক্তী

মশাম মথারোমদা চংথখিদত্না কে কী নাকল অনীদা থম্মাকথরে। মখোঙ মথুংকী খুজিলশিং অমসুং কৈগী মখোঙগী খুজিলগা মাম্না থোই। ময়া পরেংশিং অমসু অহীংবা থো দবা লেংদুনা চাবনিনা চুংমচা লায়না চীকখাযবা ওম্মী। শাওড়শাদা ক্লাসে চাউই, থীক-থা কৈ, মপাঙ্গল কম্লি। পোক্ৰকপদগী মংশা কোৱী লাইবক্তীগী নোং, মু শিং, অমিং অশাগা লাল তৌদুনা হিংলক্লবনিনা লাইরেম্বীগী তমথিল্লবা শাসম্না মখোয়গী মশাদা ঙক্লাবা পীবা ঙমদে। মখোয় অসি হৌরম পূন্নমক্তা অমদলগী শাদগী থজিক্লংদা লৈখৎপা মরম অযাম্বদা মাম্নবা জীবনি।

মৈতৈ তেঙ্গোলগী মাঙখাবা শগোল লাম্মীশিং অসি হি চাবশিং অসিমু অহানবা উবমক্তদা শগোল চুপ্লী যৈথত্তুনা তুমিন তুমিন লেপ্তুনা মখোয়না তৌরিবা থবকতু যেংদুনা লৈনৈ।

হিংচাবা অমা হৌপস্তুনা মমায় থাজস্তুনা মনাংতাগ্না মনম তুং-তুং কোয়নম নম্লগা লাওরকই।

—মীশা চাগে, মীমু নম্মী।

মীগী তগং তগং তেকপা (১) শরাকায় মপূং ফাবা অমা অনী হি চাবশিংগী মনাক্তা তাক্লনা লৈরম্মী। মসাও অনা হোগস্তুনা মী অশিবা অমা মৈদা লৌরি। মৈ অচৌবগী থেরকপা অয়াকপা মীহী, মনম অচৌনা শগোল লাম্মীশিং অমু মতুংশা থত্ন থিংগদোই। কাক্লম কাক্লম লোয়গা নিপা অমনা হরোবা মীশা অচৌগী মখোঙ মা-ম মথুং অনী চঙতনা লৈথোক্ল। অমু পুক্লনা

(১) Sk leton

চেনখরে। মাগী মতুংদা নিপা অনী অহুম ইমখরে। নিপা অমনা মানা পুহনা চেল্লিবা মীখোঙ অরোবা অহু মুল্লে। মখোয় অনী কম্না য়ৈনখরে, লৈপাক্তা থরো থরো ওম্মুনা শিবা চঙবা লানফম শোক্লখবে। খুবাক্তা খুতুম্না থানৈ, মখোঙনা কাওনৈ। মখুৎ খুজিললা মাগী লানবাগী মশাগী শদোঙ শেগায়নৈ। শেগায়রবা হকচাঙগী শন্নাক অহু ময়াদা চক্তুনা চানৈ। মখোয় অনীনা ফুনরিঙৈদা মাবু ডায়রকপা নিপাশিং অহুগী মরক্তগী অমনা অরোবা মখোঙ না-মতু লাক্তুনা চেনখরে। মী অতৈনা তান্নহুমা য়ৈনরে, হাৎনগদৌর। রাসি মখোঙ না মতগী রানি। মৈদা লৌবা হকচাংগী কায়াৎ অতৈগী রাসু অসিগুম্বনি। মশা কনবা নিপাশিংনা মুম্ন মুম্নহনা চাই। মপাঙল শোনবা চুপী অতাঙশিংনা নিপাশিংনা চাখিবদগী লেমহৌবা শল্লাদা পক্তুনা লৈবা শদোং ময়ানা চীক্তুনা চাই। কহিগুম্বদা অস্নুম্না চাবদা চুপী মশেল, অতান্ত মশেলসু য়ৈনৈ।

নিপা অমনা হূং অমা পুশিল্লক্তুনা মাহনা মৈদা লৌরিবা মীশা অতগী মকোক্তা কম্না থাবদা কোকী তুপা কায়হনা মতুংদগী থোপ তারক্লে। নিপা ময়াম চঙশিল্লক্তুনা থোপ অহু মচেৎ মচেৎ মথুৎনা লৌহনা চারে। থোপ চাবহুসু মুম্না মুম্নহনা চাই। থরদং লাপতক তৌবা মফম অমদা মৈতৈ চুপী অমা মশাদা মফি মরোল অমতা পক্তনা কম্না চেল্লি, হিংচাবা নিপা অনী অহুম্না চুপীহবু ফাহনা মখোঙ মথুৎ পায়হনা থাংহনা মৈজাও তম্না পুশিল্লক্লে। খুদক অহুমক্তদা শগোল লাম্মী তেঙ্গালগী (১) লানজিংলেন পশিবা

(১) সেনাপতি

নমাথোক্না মোইরাং [illegible] চা [illegible]মদা মারাল হাপ্পুনা খোথাং। লাম্মী [illegible] শগোল থৌজিনখিত্না হি চানা হাংপা হোৎ। তোঙ্গাল অনী [illegible]নবা লাম [illegible]। হৃগী তেতো পাদুনা মৈতৈ লাম্মী খবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]দুনা [illegible]নাবা মৈচাক থাডত্না [illegible]। মাশি যাম্বা হাবা খু[illegible] [illegible] হেনবা মবননা মতা [illegible] গী মতু দা [illegible] তোঙ্গ লনা হি চানা নিপা পুম্নমক অমতা [illegible] তুনা তু[illegible] হা[illegible] [illegible] [illegible] মখ মফম অত্তুদগী [illegible]। মৈতৈ [illegible] চত্তুনা ম[illegible] লেম্বুম (তবাপুৎ-মে[illegible]পুৎ leucas) [illegible] [illegible] [illegible] মতা [illegible]কপদা অমসু [illegible] পুম্নমক [illegible] হৃগী তেতো পা[illegible]দা [illegible] [illegible] খবা [illegible] [illegible] দে[illegible]ইনা [illegible] পুবাক্ল [illegible] [illegible] পে[illegible]লো[illegible]না লু (অস্থি) পুত্না লাক্ল।

×   ×   ×   ×   ×

[illegible] ময়া [illegible] [illegible] [illegible] পোকত্রিউ ময়াদা চীনদেশ লম্লোংনা [illegible]না [illegible] [illegible]। মুগা[illegible]গী কি অমসু [illegible] ল[illegible]নচিনা [illegible]লোনপোং [illegible] [illegible] তু[illegible]লগী মপাল মপাম্দা লাক্তুনা [illegible] [illegible] চ[illegible] অ[illegible]গী নেফা লান্দুনা ব্রহ্মপুত্র অমসু [illegible] [illegible] (Sin po) কেঁ[illegible]বা তু[illegible]বল [illegible] মপা[illegible] চংখৎনা মানস [illegible] [illegible] কৈলাসগী চীং-খোংদা চত্তুনা আফগানি[illegible] [illegible] চ[illegible]ম্মী। আফগানিস্থান্দা ইউ-রোপকী লম্লোনবশি [illegible] সনা তাঙ্গ[illegible] চীনদেশগী লম্লোনপোংশিং অসি লৈনবম্মী। সভ্যজগৎকী [illegible]গা যনম মি[illegible]ম তানবা লম নত্তবনা মফম অসিগী মবমদা হৌজিক [illegible]ওইবগী ক্র ন যুথলগী ব্লা[illegible]মদা লৈবি।

মফম অসি যৌনবা চৎপসু ফনা যান্না লুবা থবনি। মনমদি মফম অসিদা কৈ, শঙম, শামুনচিংবা মীনা তোযনা থেংনবা শাদা নত্তনা হিমালযগী থা-নোংপোক্কী চাং মশা অমস্তু, তিন্নবত্তদা লৈবা (১) পাণ্ডা কৌবা অকিবা মশক ফনা হি চা-যাইতম্বা, জঙ্গলগী শা অতৈদগী তোপ তেংপ্পা শা জাৎ অমা লৈ হাযনৈ। খূৎলায মতীক চানা পাযদবা মীনা মাগা থেংনকনদা মী অত্তু মথবায পুক্তনা হল্লকপা এইথোক্তবনি। মফম অসিদা (২) শা চাবা উ সু হৌই হায়েন।

মণিপুরগী অরীবা সাহিত্যদা মফম অসিগী মমী শোয়দান কৌই। ইতিহাসগী অযুক যেম্মা অতনবদা মফম অসিদা কাকযেল মীশা চাবা কৌবা (৩) মী-শা চাবা উচেক অচৌবা অমা লৈবম্মী হাযবা (৪) হাযনবা লৈ। উনাযবী মানবা কাকযেল অমবু শক্তক ১৫ ফোম হেন চাউথোকহল্লগা এইথ, মচ উ, মশা ব্রা বা মবা গী উচেক অমনি। আরবা উপন্যাসগী রোক (Roc) কৌবা শামু ফাবগা চেল্দুনা পুবা ঙম্বা অচৌবা উচেক অত্তুগা বাড়ি সম্বন্ধ থোকনবা উচেক এইবা তায কাকযেল মীশা চাবা কৌবা উচেক অসি। মণিপুর, বর্ম্মা, চীনদেশনচি বা অকোযবদা লৈবা লৈপাকশি উচেক অসিগী চাকতাফন্নি। মথোঙ খুঙ্গিল থগায়মুক শা বা অত্তনা মী, শাগী মশাদা থুম্মা যৈশিনবদা মীশা অত্তু লে লাকপা ঙমদনা মথবায থারম্বনি। তুংজাও

(১) Panda (২) Carnivorous (৩) Carnivorous
(৪) Tradition

চ বখারদা চম লান অনাবাম শ না মচান অতুনা অমুক্ত লাকপদা মখাও অনা কা ফাতুনা পল্লদা মী অমগী মথং লান ফোযদোকপা চম্না শাক্ত লৈবা উচন্নি। মশা না-মতনা অমুক্ত চুবদা গুমজ্জা অমা দকপা ভম্না মপাঙ্গল লৈবনি।

অচৌবা উচেক অসিনু নিনবনা মতম অমদা শুংগী মখা-বোমদা লৈব লোকথ হাথে কৈবা চ ওল অমগী মী অমুক্ত চুংশদা মপাল ইপাল লোকপা ভানমদাব। মবমদি উচেক অসিনা থুল অসিগী মী চেন্দুনা পুরণা অবা না মীনা কবা ভম্ন নাইদবা চাদোম্বা শাবা মহুমদা পুশিতুনা মচা অনীগা লোয়ননা চ মিণখিবা ত মন পাক্লবনি। লাইবেল লৈতে ভু ত উতি মা না মণিপুরদা নিংথৌ ওইতুনা পানদা মতমদা থুল অসৌ মশিন ওল পানা চমদবে, উচেক অসি হ পিযু হাযক্রদা নিংথৌনা উচেক অসি হাংক হোংনবু ভমদবে। ময়াম্বা যোইমেস্বণা লৈনন কৈক্রু চাদোম্ব ক খিত্তুনা মহ দেব পূজা কত্তুনা লাই নী তুনা চহী পবা লৈবদা মতুদা শিবনা পেনবিতুনা উচেক অসি ফানবা লা অমা পীবিরকই। লা অসিগী তৌবা ভম্বা শক্তিদি অভকপনি। কাকযল মশা চাবা পাইরকপ হেক উবদা শভাইশলগী অকনবা অযাকপা খোঙেল অমসু যাভবা মগাভ শফুগা মাম্ননা লা অসি উচেক তম্না পাইখৎখরে, উচেকী মখাও অনী কনা হাইচম্বা ভমহল্লনা পুনখরে, লৈপাক লৈমায তম্না চিংখবক্তুনা লৈপাক্তা চুই থাতুনা কম্না লেং-ওকহল্লনা পুন্দুনা থমখবে। তাওথিংমা অমসুং যোইমোম্বা

মচীন মনাওনা [illegible] তা লম্পুনা [illegible] লায়না উ'চক অন্ত হাত্তোক্লে। উ'চক অসিগী মশা অমা কক্ [illegible] গুপ্তগী মথাদা ইম্ফাল তুবেন্দা ফৈগাক ফৈনা [illegible] [illegible] অ'তাঙ্কা মশা অমন, লোক্তাক্তা [illegible] ৎকপ থোদাঙ্গা ইম্ফাল তুবেন্দা তাবা মফমদা [illegible] [illegible] [illegible] মফম অসিগী [illegible] [illegible] কোথবে। মফম অনাদা [illegible] থিবগী [illegible] মণিপুরদা নিংথম-গী ইক [illegible] দা [illegible] [illegible] দমক [illegible] [illegible] [illegible] মচীন মনাওনা তবা [illegible] [illegible] [illegible] উচক অসিগী মতম তম্না লা, অসি [illegible] খিত্নমা উচক চা অনীত্ ফা'দনা পুম্বহন্নক্রা হাত্তোক্লে।

হি চাবশি তুম্না [illegible] [illegible] [illegible] সনাকান্ন [illegible] [illegible] [illegible] থোৌদাক অমা থোংল্ল।

[illegible] মথা লোকথা [illegible] [illegible] [illegible] মতুমদ [illegible] মী পূন্নমক থোক্তনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পুথোক্তুনা নি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] শাঙ্গা, দম্বং শা'না [illegible] [illegible] [illegible] মি থৈ মি লেন [illegible] তুনা [illegible] [illegible] [illegible] থুম অসিদা থুম্না তনা [illegible] [illegible] নিসা [illegible] [illegible] [illegible] মীগা হাংন-থিন্নদা [illegible] ৭। ৮ শি [illegible] [illegible] মগী [illegible] মচানিপা অপীকপা [illegible] [illegible] [illegible] তম পমন্তুনা পুরক্নগা নিংথৌ সনা মাঙদা [illegible] [illegible] থুম [illegible] [illegible] [illegible]।

নিংথৌ সনা চরণদা রা হঙ্গৎপা ঙমদবা মতৌ উবদা নিপা অমনা চঙশিল্লক্লুনা হায়রকই,

— লাইনিংথৌ! ননাই হুপী মচাসিগী মপুবোইবা হিংচাবশিংনা হাৎখরে। মথুংনা শুত্থনা য়াম্না বানা মতু মচা থাকচরম্বনি। মবা শিথিবদা হুপী মমা মচাসি চবা লেল্লহনা খুমা চেঙ চাক থাযনত্থনা যোকপিবি। সনা লে না অত তম্বিবন্নবদি ননাই ঐখোয় হু ঙাইজগনি।

অঙাঙ অত্থুগী ডৌবাক ডৌবা কুচ, ফক্কনা মশক মতৌ উবদা নিংথৌগী সনা পুক্নি দা মচা হু শিবা (বাৎসল্য) প্রেম ফাও-বক্লমালে। হুংশিহৈবা নিথৌনা হুপী মমা মচাত্থ সনা কোম্বু দা পুবিবক্লুনা অঙাঙ অত্থ চাউনবা যোকপিখ্রে। "লাইববগী মবু ঙো" হায়বা মি নপ মি লেনগী মতীক চাবা থবক তৌবিখ্রে। থরে ই পাৎ মমাদ থেংনকই হায়ত্থনা অঙাঙ অত্থনা মম পানাই থোম্ল।

॥ মঙা ॥

পলিবা লমংগাক কৌবা ০ ং অসি লৈপাক নিংথৌ- শকখঙ মাংখত্রবা ফাউব মপা মপু। লৈ ক ং বা মচা। থৌনা ঈ5ঙ পৌবা, ঐবি অং ংতুন ং তুম্ব লৈবা শাগৈদা পোকপনি। ঈউ নাবী অ দা পে ওইবন্নবদি মহাক অসিগী মমা ংকত গী ল না স গী মযেক লানা ইত্তনা লৈরমগনি। অত ংত্রং

"Full many a gem of purest ray serene
The dark unfathom'd caves of ocean bear
Full many a flower is born to blush unseen
And waste its sweetness on the desert air"

Elegy—Thomas Gray

ওইত্তনা সভ্যজগংক, ংন খঙবি-উবিদনা পীবগ্রবা জাত অমগী পীকগ্রবা ইতিহাসদা, মীনা পৌওইনা তোবিদবা ভারতকী পীগ্রবা লমদম মচা অমদা মশক লোত্তনা লৈগ্রবনি।

মৈতৈংঙু পাইখাম্বনা সনা লৈপাক কলৈবূংদা নিংথৌ ওইত্তনা পানবা মতমদা অবানা মণিপুরদা লাম্দাবক্তদোরে হায়বা অরোনবা পাউ ফংদা মৈতৈংঙুনা মাখায়না মণিপুরদা লাম্দারক- ত্রিঙৈদা হাপনা মৈতৈ তেঙ্গোল থাত্তনা অরা লৈপাক্তা লাম্দাহনখি।

[illegible] তুরে [illegible] নবা যাবে। [illegible] । অজবু [illegible] তোঙ্গালগী লুচি বা (১) [illegible] চুকেন [illegible] অঙ্গব [illegible] অমা [illegible] যদি অবা তেঙ্গ [illegible] চুগী [illegible] খৎনগী [illegible] লম্না [illegible] (২) [illegible] উকনি [illegible] (৩) [illegible] পুরাইবা [illegible] নবগী [illegible] ওইদুনা [illegible] চংনা [illegible] কৈতি । ইমু [illegible] ফংলকদুনা [illegible] লাইবগী [illegible] খুদম [illegible] অবাপ্পা [illegible] অমদা [illegible] ওইরিবা [illegible] চানিপা [illegible] কৈশখবে। [illegible] কৈনখ্রবা [illegible] শুদুনা [illegible] মচাগী [illegible] চোংনদুনা কৈথি ।

(১) সেনাপতি (২) [illegible] —তো ববু স স্বত [illegible] শূলচড়া কোইই । অশা বা [illegible] মী অমগী লবাই [illegible] থবক্তুনা মখোরিগি চরম, মথবাক মবুক অতুমগী মখারোমদা শিনথখিতুনা লেংলগা মী লেংবা তা অক্ত কৈথক্ষা নত্রগা মীয়াম তিনবা মফমদা যুংহুনা থম্বনি । (৩) বাজকুমারী

পলিবগা নিংথৌ মজ্জা ইবেম্মা চকপা মথাউ ঙম্বীগা অনীগী মুংশি-শক্কখঙনবা পাউ অসি লাইযিংথৌ তুবি চবাইবোংবগী সনা নাকোংদা মবক মরক্তা যৌই। অদুবু লৌশিং শিংবা তুংগী পোরম নীংথীনা উবা নিংথৌনা মপাবু গী অচানবা মনাইগী মচানিপানা তৌবিবা থবক অসি উ-না উ-না উশিন্দে, তা-না তা-না তাশিন্নদে। মজ্জা ইবেম্মা থাজদুনা পীবস্তু মতীক চাবা নিপানি পলিবা কোবসি হায়না খল্লি মৈদিংঙুনা। বিধিগী নোংদমথীবা নংলমত্রবদি শাবী শানৌ অনীগী মুংশিনবা প্রেম অসি মহৈ যাল্লম্বা, লৈগুম্না নীংথিনা শাংলম্বা যায। অদুবু বিধাতানা নোংদম থীনা তমখিবনা শাবী শানৌ অনীগী অনৌবা মুংশি—প্রেমগী ইফুং অদু মমুং মতম ওইদনা কখিদুনা লৈকংলা ওইখবে।

নিংথৌ মজ্জা ইবেম্মাবু ওক্লাবগী মচীন্সগী ২াইবি থরায কনবিখিবা মবমদগী নিংথৌনা পলিবা লমথোক্তা মনা মথীন নীংথীনা পীবীখি। শেলুংবা ফম হাপ্পীরে, ফমগা কোন্নবা লৌচা-শাংজ্জা (১) লোয়িন থময়িনস্তু পীবারে। নিংথৌগী থৌজাল ফংদুনা মপা মপুনা থমলম্বা লৌডি ইংখোলদা পীকতক তৌবা যুম মচা অমা শাজদুনা পলিবা মমা মচা ইম্ফালদা হো গত্তুনা লৈখরে। নিংথৌ মজ্জা ইবেম্মনা লোন্না পীবকপা লম্ব ম অমং অচা অথক ফংদুনা মমা মচা নিংনিং যুম পানজবে।

চয়াইরোংবা নি থৌনা কুম থুদোংগী চীং-তমগী অকস অথৌ শিংগী কুম্মৈ তৌহল্লম্মী। অবাম্বাই হুনবা খোঙ-কাংজৈ শগোল

(১) ফমগা কোন্নবা সেবা তৌনবা পী-চাপ্রাসী অদ্দালিগুম্বা।

কা৲জৈ, লমাজগ, মাঙাজা, চেনজো, ফীবুল অহাবী, মুক্কা, তেল কাপ্পগী মওঙ মওঙনচিংবদা পলিবা লমথোক্ন। শানবা মওঙ কয়ামুক্তা মকোক ওইবদা নিংথৌনা মনামখিন য়াম্না পীবীখি। পলিবগী অকনবা ফজবা শাওঙ শাদা উবদা মহারাণী (১) থযোইবোল ঙাইখোম্বীনা মজা ইবেম্মা মথাউ ঙম্বীবু পলিবদা থাজসি হায়না নিংথৌ সনা চবণদা হঙ্গংপবু নিংথৌনা হোয মাই থুমখিদ'ব। অতুন্নদি ওইবগা শা-লান তৌবতনা হুঙাইবা মথৌ ওইবা, লাল যাগা পাম্বা, পামদ্রগদি তুন্না মাঙ তাকথ্র-গদবা মৈতৈ জাতিগী মবক্তা পলিবগুম্বা থৌনা ঈচঙ থৌবা পাখ৲ য়াওবকপদি লৈপাক্কী ফনবনি হায়না নিংথৌনা ৱাখল তৌখি।

চকপা মথাউ ঙম্বীবু হুৱা নিংথৌনা অৱালৈমগী পদবীদগী থৈথবে হাযবা পাউ অসি নিনদু নিনফু৲ তানবক্লবা মতমদা নিংথৌ সনা য়াথং মতুং ইন্ন' অবে গায হঞ্জবনা ৱাফমসিগী অবেপ্পা অচুম্বা মওঙ খঙনবা মৈতৈ নিপা খরা থাখবে। মীশি৲ অসিনা পেগু সহবগী মফম কয়ামুক্তা ফী লল্লোনবা মা শাহুনা ফী যোল্লগা মমৈথদা কোহুদা চঙহনা চকপা মথাউ ঙম্বীগা উনখবে। চকপনা পাউ পুম্নমক মবীক চুম্না তম্নবদা নিপাশিং অসি পোইবৈ মৈতৈ লৈপাক্তা হল্লক্তুনা পাউ পুম্নমক তম্নৱে। অবোম্নায় হঞ্জবনা হঙ্গতুনা নিংথৌ সনা নাকো৲ যৌববদা চকপবু অৱালৈমা ওইহনদবসিগী হৌবকফম মবম পলিবা লমথোক ওইবা

(১) থুমন যেক্কী নিংঙোল

তাই হায়না নিংথৌ সনা পুন্নী দা থনখবে। অদুবু অকনবা শোয়দবা প্রমাণ লৈতবনা মতুংগী পোত্নম উবা নিংথৌনা বাখল খন্না খন্দুনা পলিববু মতম কক্তনা কৈশুম শঙদা পম্বা নত্তনা অকনবা অৱাম্বা দণ্ডি পীথিদবে। পলিবনা কৈশুমশঙদা চঙখিবা মতুং মতম ইকুই কুইদনা মৈতেং চবাইবোংবা নোংগাখবে।

মপাবু স্বৰ্গতি ওইখ্রবদা (১) ময়াম্বনা নিংথৌ ওইববদা পলিবগুম্বা লাম্দা থৌবা নিপা অমবু লানফমদা শিঞ্জিন্নবা যান্না কান্নগনি খনবা তুংগী পোবম খঙবা নিংথৌনা পলিববু কৈশুম শঙদগী থাদোকপিহুনা মাগী হান্নগী শেলুংফমদা হনজিনহনখি। অদুবু মতম খরদং থাদোকপনি, চাননা থাদোকপা নত্তে। নিংথৌনা মনীং থুংব্রগা কৈশুম শঙদা অমুক হনজিল্লকপা যাবা মওঙদা থাদোকপনি। মওঙ অসিদি ওইরগা মবোশিং মথৌনাগী মপান্না পলিবা লমথোক মতম খরদগী মন্নুংদা শগোল তোংবা লাম্না তেঙ্গোলগী লুচিংবা মচা অমা ওইরে। কৈরাক কাবা হৌখ্রবনিনা কৈরাকী অবোযবা অবাংবা থাক য়োৌবদা পলিবগুম্বা মরীংজেল পানবা নিপা অমগী মতম কুইনা চঙদবে।

---

(১) ময়াং ভম্মী হায়হুনা গরীবনিৱাজবু ময়াম্বা কৌনৈ।

॥ তর্মক ॥

অবানি থৌ (১) চেকো লৈমাবনা চকপা মখাউ ভম্বীবু থীনা তৌখিবদা হাযবদি অদ্'লৈমগী ফমদগী ইম্বত্থনা লুহোংদবী মহাক্কী মুপী মতক্তা থমবিখিবদা মখাউ ভম্বী মচা চাউবা ভাইত্থনা যাম্না রানা মতম লেনখি। মহাক্কা পোবচবা মচানিপা মভম্রা বেন্দু ভম্বা বযস চহী মতাং চাদে হন্দুনা মমান্দা নোংমা মাঙোন্দা মানা পোক্লকপগী বাবী মী থঙহন্মনা লোন্না তাকপিত্থনা খঙহনখবে। থৌনা ঈচঙ থৌবা, অচুম্বতা ভাঙবা, লমচং ফজবনচিংবা মীওইবগী গুণ খিবিক্লা অভাঙ ওইবিদিত্থনগী লৈতে লবদা কেন্দু ভম্বা মমীং চৎপা হোরে। অবা লৈপাক্তা কেন্দু ভম্বা অবা নি থৌ টানিনগান- উইগী মচানি হাযনা খঙনগ্রবনি। অৱা নি থৌনা মহাকপু যাম্না থাজবা মবা মহাক্কী বযসকা বুং চানদবা অক অক্লবা থবক্তা শিজিন্নবা হোৱে। অত্থবু অকবা থবকশিং অত্থবু মপুং ফানা নীংথৌনা পাঙ্থোকপা উবদা নিংথৌনা পেনবিত্থনা কেন্দু ভম্ববু লুনা চান্না থম্বিখবে।

মতম অসিদা অবা লৈপাক্তা অবা নিংথৌ টানিনগানউইনা নিংথৌবেল মহাক্কী মন্ত্রি নিপাল অমস্তং অবোন্নায় হজ্জবা কৌশিন্দুনা নোংমা অবোনবা রাজানফম শঙদা বা তানখি। নি থৌনা রাহংলকই

---

(১) টানিনগানউই

—অবোম্নায হঞ্জবা ! মণিপুবগী ঈ পাউ কবি কবম তৌবি ?

—কিযাক। মুমিং কৌবা লাইগী মনাও ইবু ঙো ! মণিপুবদা গবীবনিবাজ মযাম্বনা চহী কুমজা ৮। ৯ লোম পাম্লকপা মতম অসিদা লৈপাক যবা তম্না ঈ না মু ডাইনা পানথবে। গবীবনিবাজ শ্রীশ্রীচৈতন্য মহাপ্রভুনা শম্মোক্লম্বা বৈষ্ণব ধর্ম্ম, খরা শেনবা হাযবগা গৌবধর্ম্মদা দম্না ফখবে। মহাক্কা লোয়ননা লৈপাক্কী ফম্নাইবা অডম্বা কযামুকম্ম ধর্ম্ম অসি লৌখবে। বৈষ্ণবধর্ম্মনা মণিপুব লৈপাক্কী ধর্ম্ম ওইথবে।

—মহাক্কী মচন মুপী ঐনা থৈথখিবা চহী কযা শুরে ?

মখূৎ শেক্কুনা পাবগা হঞ্জবনা হাযবকই,

—চহী ১৩ শুবে।

—মমা লৈদা পাঞ্জী গণকশিংনা হাযখিবা ঐ॥ মুপী ৫১ শুদবনি হাযবত্ত অমদি মুম যেন্না লৈবে। নড কবি হায়নিংই মত্রি অনৌবাটা ?

—কিযাক। পাঞ্জিনা হাযবা দাদি শেযবা হেৎনদে। লাই ইবুংঙোগী মুপী অমা ব্রাংলি ফিগদবা।

—চকপা মখাউ ঙৰ্ম লৌবা যতমদা হিন্দু মণিপুরীশিংগা যেকেন (টেলেং) শিংগা লান শোংবহন্দুনা জাতি অনাসি ফি-নহনসি, মুৎ-নহনসি হাযনা ঐ খায়না শিনখিবা পোনদ, পূংশিল ঙকু মহৈ য়ানখিদবে। তিংখং য়ুরবদি তিংখং অমনা হম্মোক্লে হোৎ নখিবত্ত চরাইবো বনা লা দা থু হাযবা যাখিদবনা কাম্লখিদার। কমদৌবা তায় হৌজিক চহী ৩গী মতুংসিদা ?

—কিয়াক। ঐখোয়গী থুংশিল মহৈ য়ানশিদবগী মরমসি মৈতৈংঙ চবাইবোংবনা মঙুং মতম ওইদনা নোংগাখিবননি। চকপা মথাউ ঙম্বীনা সনা কোম্বুং অসিদা লাকপা চহী ৬।৭ কী মতুংদা চরাইরোংবা শিখিবনি। টেলেংশিংগা লান শোক্লবা হায়বসি অচৌবা অকবা থবক ওইবনা চবাইরোংবনা থুনা থবক পায়থংপা ঙম্লদবনি। অদুবু তালচাবা থুংদাংচাবা য়েংলি হায়না মহাক্না থ্যা কেংবা লাইগী ননাও ইবুংঙোগী সনা চবগদা হঙ্গংলকপা অদুনি। মহাক্না শিরমপ্রবৰ্ণি শোয়দনমক মোনসশিংগা লানথেংনরমগনি।

—শিথারব, লোইরে, রাজ থগ্লো। হৌজিক হৌজিকী রা ঙাঙনসি। চবাইরবা বনা কাম্লখিদ্রবনিনা মচানিপা গরীবনিৱাজগা টেলেং-শিংগা থেংগায়ননবা শিনশিন্না? কমদৌসিগে?

—থঙজদে, যাগদ্রা?

অরোম্বায় হঙ্লবা যেংহুনা নিংথৌনা বাহংলকই,

—কনম্বা মীতাংনো গরীবনিৱাজ কৌবা নিংথৌসে?

—যাম্না শিংবা, লুবা, মথৌনাসু যাম্না ফবা নিংথৌনি। মপাবু গী মতীক চাবা শক্তি পাঙ্গল যাম্না লৈবা মচানিপানি। মহাকপু যাহনদা ঙম্লবদি মোনসশিংসি মহাক্না লানথেংনবদা শোয়দনা মায়থীবা ফংগনি।

শিংগুমিন কৌবা মস্ত্রি য়েংহুনা নিংথৌনা বাহংলকই,

—কবি থোকই? ঐগী ইনাই অচানবা' নঙ কবি পাউতাক পীনীংই?

—কিয়াক। মমাংঙৈদা হান্না চংখিবা লম্বীচ নত্তনা অতৈ অতোপ্পা উপায উদে। গরীবনিবাজগী মচাসুপী হায়রুসি। কিয়াকী ৫১ শুবা সুপী ওইহনসি।

—অদুদা মচনসুপী মখাউ ঙম্বীগী রা কাউবমত্রবদি ?

—কাউবমত্রবদি মহাক্না মণিপুরদা নিংথৌ ওইদুনা পানবা চহী ৮।৯ অসিগী মতু দা লম্মন থুম্বা লান্দাবক্লগদবনি। মহাক্না লান্দাবক্লবদি মাবু থিংবা ওইথোক্তবমক নত্রবসু ফনা য়াম্না লুবা থবক ওইবমগনি। অদুবু লাক্তবা অসিনদি মচনসুপীগী বাসি কাউবু কাউববা ওইবমগদ্রা ? অসুপ কুইববা চহী ১২। ১৩গী মমাংদা থোকখিবা থৌদোক্নি।

অবোম্নায হঙ্জবনা বাপাংলকই,

—মমা তিন্নদবা লোন্নবী মচানি। মমা তিন্নবা মচন নত্তে। মখাউ ঙম্বীবু কদাযদগী সুংশিবমগবনো ?

বাইনোং মন্ত্রিনা হাযবকই,

—অচুম্বা রানি। সুপী লোন্নবী মচা হাযবসি যেক্লবনি। করিসু সুংশিনদে। সুপী লোন্নবীগী মচাবুদি নিপা অনীনা সুপী অমদা পোকপা মচানা হেন্না সুংশিনৈ। ওম্বোকপা সংসাবগী নিয়মনি।

নিংথৌনা মাঙোন্দা ওনশিন্দুনা রা ঙাঙলকই,

—অদু ওইরবদি নঙ করি পাউত্তাক পীনীংই ইনাই অচানবা ?

মমায় মকা ফম্না মন্ত্রিনা পাউথুম্নকই,

—গরীবনিৱাজ মহারাজগী মচাম্নুপী হায়না মী খাবিবা অচুম্বা ওইগন্রা কিয়াক ? মৈতৈ লৈপাক্কা ফংদবা পোং পোহাল, যোংকুম্বা পোং খবা য়াম্না নীংথানা কাগোক হানখিবা ফগন্রা ?

অৱা নিংথৌনা অবা ফমাইবা অনা নম্বা অমসুং পুজবা হোনবদা মণিপুর লৈপাক্কা অথেমপোং যারা পুন্থনা চত্তনা মৈতৈ নিংথৌ মচাম্নুপী তম্ফা ৱাংডম্লোনবু হাযক হায়না ম্নাযাথং পীখবে। চাজুম নম্বা চিঠি অমসু পীবে। (১) খাম্রন লাইবাব অনী কং লৈপাক্কা লাক্নুনা গরীবনিৱাজগী সনা চৱণদা অবা নিংথৌনা পীবকপা চিঠি কংশিল্লগা নিংথৌ মজা ইবেম্মাবু অৱা নিংথৌদা থাজবিযু হাযনা হঙংলে। লাইবাব অনীগী ৱা তাবদা অমদি চিঠিগী মবোল পাবদা নিংথৌ সনা পুক্লীংদা মৈ হোৱে। মশক উদনা উংনা খুমহুনা লৈবা অকিবা মশক ফংবা মৈদা ঘী হৈথবে। মতম কুইনা থবক শংদহুনা থিংহুনা থনম্বা লম্নন খুমনীংবগী ফুমহুনা লৈবম্বা মৈহু মৈথু মৈবি থোক্লা চাকপা হোৱে। অহুবু (২) পাইবকশিংবা লৌশিংদা মপা লৈতবা (৩) মতমগা চানবা ৱাঙাঙ হৈবা, অশাউবা খুহুমনা থম্বা ঙম্বা নিংথৌনা পক্লুংদা হু চফু ফুমহুনা থম্লগা চীনবান্দা লাংবল খোহী তৈহুনা হাযবকই,

—লাইবাব পুজবা হোনবা ও ! খাম্রন অবা নখোযসে পোইবৈ মৈতৈ ঐখোযগী পাযনদগী চাবোন-মৌবোম্নবকপা ঙাইশেলনি।

---

(১) মৈতৈনা অৱাবু খামুন কৌই (২) Presence of mind (৩) Tactfulness

ঐগী ইচা ইবেম্মা তক্ষা সনাবু অউলপোৎকা লোয়ননা নখোযগী নিংথৌদা লুহো, খোঙদোংঙ্গনা থাজনবা থারক্কে। নিংথি অমস্তু, য়ু তুবেল অনীগী তিম্নফম ফোংদো কৌবা হিঙাইফমদা ঙাইহুনা ওকলম্মু হাযনা নখোয়গী নিংথৌদা হঙ্গৎলু ।

গবীবনিরাজ নিংথৌনা মবৌ তৌনা অস্তুম্না সনা য়াথং তাকপিবদা লাইবাব অনী ময়ুম লৈবাক্তা হনখিহুনা অবা নিংথৌদা রা পুন্নমক তন্নুবে। মখোয অনাগী রা তাবদা অন্না নিংথৌ হরাওহুনা মৈতৈ নিংথৌ মচানুপী ওক্লবা থৌবা, তৌহুনা লৈখবে।

মখোয অনী চৎখ্রবা মতুংদা মৈদি ঙু গবীবনিরাজ সনা পুক্লীং থোইবাং খোযশাওনা কংলাদা ফমহুনা ফম্নাইবা ফমদোশিং যেংহুনা হাযবকই।

—ঐনা লুনা চান্না তৌজবা, থৌনা ঈচঙথৌবা অঙম্বশিং তাবিয়ু। পাবুং ইবুংঙো তুবি চরাইবোংবনা নো গাবমদাইদা তাকপী-রম্বা পুকমেল পাউমেনখোল ঐ কাউদরি। ঐগী ইচল ইবেম্মা চকপা মথাউ ঙম্বীনা মমায ফাকক ৎম্বগী অন্নাবা পাউম্নু ঐ কাউদরি। ঐগী পুক্লুংদা চাক্তুংনা লৈবা মৈ অহুনা অনৌবা মৈ অমুক হৈববে। অবা নিংথৌনা মনাই পুজবা হোনবা থারক্তুংনা ঐগী ইচানুপী তক্ষা সনাবু (১) লোইহাপোং কুম্না পীয়ু হায়না থূদোল পোং পারক্তুংনা হাযরবি। ঐগী পাবুংগা অন্না নিংথৌ মহাকা য়ানখিবা পাবুংগী লোইচনবা লমদমশিং—

(১) Tribute

পু পুল, কামু চিবা খাবোয, ডী ইংশা খুলথক খুনখা, মক্ক বোম্বো, লোইবী, তবাউ খুম্বাম পুন্নমক (১) হলল্লাইবিবক্কনি হাযবগা পীবক্কে। (২) তয়ুমশি, ও নি থৌ ঐদি অব্রা নিথৌনা মৈতৈ নিথৌবু উশিং থোওইদবগী মতৌক চাবা লম্মন খুমগে নীলে। মৈতৈ ঐখোযদা অবানা উশিং থোইদনা তোবকপসি তুমিন্না তাববদি মখাযনা ঐখোয়বু কবিসু লৈতবা থীনা তৌববসু পাউখুমদবা জাতিনি খনখিগনি। মবম পুন্নমক অসিনা নিথৌ ঐদি অবা লৈপাক্তা লাম্মাক্তনা (৩) শমশোক কৌবা লমদম অহু (৪) মপান মন ফকনা হুগাযগে নীলে, অহু শুমত্রবদি য়ুমদা হল্লক্রবাই।

কবোগী মুখোম মুযাগী লমজীবা থমু বাহাযবা কবো লাইফ্রাকোবনা মৈতৈ নিথৌগী (৫) মরে ই লোইবীবেল পুন্নমকপু খোমহুনা মখা পানা পুথ্র। শমুক কৌবা লমদমদা লৈবা মরৈ মবা চাউবা পান্না কৌবা জাতিসি ইপ লাল, ইপু লান্নি। ইপা ইপু চাক্কুগী ঐখোযগী যেব্রবা ওইবক্কবনি। পূক্র দা লৈবা লফুগী লাযোনগুম শোইদাকথ্রবা মীশি অসিনা ঐখোযগী লোইরম মংশাদা লাম্মাবক্রনা ইবোই কাপোং খোম্লাবে হাযবা পাউসু পীবাবে। মৈতৈ ঐখোযবু উশিত্তে। কুমশিদগী হৌনা চহী কুমজা তাবং অবা লৈপাক্তা লামাংগে হাযনা ঐগী

(১) মখোয়না লোশিনখিবহু হম্দোকপিবক্কে। (২) ইনাই অচানবশিং (৩) Thaungdut (৪) মপু ফানা থুগাযবা (৫) লোইচনবা লমদমশিং।

পুক্নীংদা লেপ্পে। শন্শোক্তা লাম্দাতুনা লম্মুম খোমলুনাসে। নমায নৈগানা। নখোযনা তৌগদবা পবক্তি—থাযনা মনা চৈদা ইবুধৌ উবা কোয়্হৌবনা কংলাদন ফমতুনা লাম্দা ক্রয ওইবকপা মৈতৈ অকল অথৌশিংদা সনাগী ক্যাপোক হান্দাত্তুনা পানা খুদপ যেনখিবগুম ঐস্মু নাখাযদা পানা খুদপযেনবা ওয়্না খুদো চাবা পীবীবনি। ইবুধৌ খাগেম্বনা হাপ্পযন কোবা লন্দা হি যানবা চংপদা লম অতুগী অকল অথৌশিনা তাম্বাতুনা তাম্নবকপদ চেনবা তৌদনা মাযোক যাবক্লবা মৈতৈ অথৌবশিংগী মচা মশুন নখোযসে। লানফমদা নমায চেদুনা চেনগনো। খান্নন অবনা লোক্তাক্তা থবা (উচক) পাইবগুম নো মে অমম্মু তেপ্পনা কাপ্লক্লবস্মু * শোকিগানা।

নিথৌ সনা যাথ পুক্নী থৌগংপা ব্রাউণ্ড তান্দা অকল অথৌশি অরা নৈপাক্তা লাম্দাবা হাযনা কন্স বাশক্লখবে। অসিগী মতুদা নিথৌনা লাম্হোঙ শিল্লক্লে।

—(১) লাইফমগী লুচিবা পুক্তনবা ক্যাম্বা শাংকচা নওদি শমশোকী মথাদা হুন্দুং তাখুলশিংগী লানাঙ্জনফমদা নৈবা নাম্দ থোঙজাও ঙাকউ। খোযমা নমায নৈগানা।

(২) লাইফম পানাগী লুচিবা অপোঙ সরোংখাইবা নওদি নিংথৌ ঐবু ঙাকশেন্দুনা নৈয়ু। তেল কাপ্নদা পান্দম শোয়্গন্নু।

(৩) খাবম পানাগী লমজিংবা + অচনবী পুকচাউ মাইবা থীয়া

---

* কিগন্নু। + ফম অমগী মমাং

নংনা শমাশক্কী নো পাকশ্নামদগী চংলবউ অঙ্গোচীগী চীংখাওদা থুংনাগী ইনি লা ওয় লাত্তুনা শমশোক তেঙ্গাশ থুগায়যু। নাায় শঙ্গু।

ঐ ১ ; তম্পাক য দা নননায় নীংগ ইহিংহুনা ঐগা নাহুং নাবে, তৌম্নিনবক, ঠং হৌং কনাবকপ। থাবম পানাগী বাকচাং শমাশ ই নংদি লাইনন ঐব চাকশল্লু শক্ষীক থবা যেংবগুা দৈব কুপ পাংশিল্লু।

(৫) অহল্লুপ শংলনগী লুচিব তুবেং শল্লু হনবা নঙদি শমশোক নোংপোক পোঙগী চাং হৈদ লৈবা মকলক ম্বাচাগী মনাক্তা। চত্তুনা মাকল তুংবল নব নঙম্না নক্সা চত্তুনা শমশোক্কী অৱা তেঙ্গাল চংপা শহন্মনা কহাশিদুনা থম্মু।

(৬) লোইনাই অহল্লুপ শঙগী গান কৈক হনবা লমলোই চাবমচা নংদি নাপ ঐবু চাক শল্লু। তেশ কাপ্পদা মপা শোয়গাহু।

(৭) নাহাকপ শঙগী শংলন লাকপা হোংলাই সনসবা নঙদি নাহাকপ পানাগী লাম্ন তেঙ্গোল পুহন। মখাবোমদা চেংলো শমন উয়ামপোক মনাক্তা। চত্তুনা লাঙজাগী চাকতাফম থুমনশিংগী থুল মনাক নক্সা চত্তুনা শমশোক থোহংদেন চাক্তুনা অৱা মপান থোকহন্মনা থম্মু। নমায লৈগহু।

(৮) মাহারুপ শঙদা ফম্নাইবা মুংয়াং নাউবাইবা নঙদি নিংথৌ ঐবু চাকশল্লু।

❁ যুবরাজগী কোলুপ ❁যুবরাজ

মতৌ অসুম্না লাম্বোংশিনবা লোইববদা শমশোক্কী থোঙ ঙাক্লবা সনা য়াথং ফংঙ্রবা সেনাপতি মবিনা নিংথৌ সনা চরণদা হঙ্গংলি,

—লাইবেল মৈতেংঙু চৌংলাই লান্থাবা ও। সনা য়াথং মতুং ইন্না ইমায ওল্লোই। শমশোক্কী পাঙ্গা কোবা জাতিগা খুৎথেংননা যান্নগে,

লাইরেল মৈতেংঙুনা হাযবকই,

—ব্রাংলেন কৈক হনবা কোপেং নঙ নাহাকপ পানাগী লাম্মী তেঙ্গোল পুন্থনা পাঙ্গল নোংমৈ কাপ্পশিং অমসুং তেলহৈবা কপক্কা লোযননা চত্তুনা ফো দো (১) হিঙাইফমদা অরাগা লাল শোক্লক। (২) তাইবংখাইবা ইবুংঙোসু (৩) মনাইন্নুপী মরি—চীনফু তখোম্বী, ব্রাংঙম মৈতৈ চম্নু তোম্নু সাইখুবী, তাম্বোং অহোঙবা চম্নু চাউবী তেবুরা, মুংপাল লুবা° চম্নু হোঙবী থৌগ্নাউগা লোযনহনা নঙগা লোযননা লানফমদা লেংশিনগনি। অরা লৈপাক যোরগা রাকয়ৈ খোংজোম্বা কোবা হি ছ চিংথোক্কুনা চৌংগী ঈশিং চেনবা লোকশিং হি অহনা থোং শাহনা অন্মী তেঙ্গোল লাম্বোকহল্ল। নিংথি অমসুং য়ু তুরেল অনীগী তিন্নফমদা লৈবা ফোংদো হিদাংফমদা ঐগী ইজা ইবেম্মা ওক্লবা ঙাইহনা লৈরম্বা অরাশিংবু মপুক পেনহনবা য়াঙাঙ ঙাঙহনা ঐ লাকপা ঙাইহনা লৈরম্মু। ঐসু তেঙ্গোলগা লোয়ননা লাক্কুনা তমলোরেন তল্লা উ য়াক্কোম্দা লানবন

(১) হিদাংকম (২) লাইনিংথৌ সনামহী (৩) মাইবী

শারগে। অতিয়াদা কারকপা মৈশু উরগা অমসুং তোপকী মখোল তারগা ঐ শাক্লে হায়বা খঙউ।

নিংখৌ সনা য়াথং মতুং ইন্না কোপেং রাঙ্গোল কৈরুহনবা (১) চৌংঙু তাইবংথাইবগা লোয়নননা অরা নৈপাক্তা লান্দাবা চংখরে। অরা নৈপাক য়োরবদা মমীং রাকয়ে খোংজোম্বা কৌবা হি-হু চিংখোক্তুনা মাহুনা খোং শাহুনা মহা-ঈ কৌবা তুরেলগী মরু হৌকম তেঙ্গোল পুন্নমক লাম্বোক্লে।

তরাউ কৌবা চীং কাহুনা মোংবা খোংলমু ঈরোক লায়চম লান্দুনা চংখরে। শেনবি তমলোরেন থারীগী লম্বীদা চস্তুনা নিংথি (২) শেল্লোয়-ঈ কোংদো হিঙাইকমদা তুরেল রাংমদা অরা তেঙ্গোল নৈরম্বহু উরে।

নিংখৌসু সনা কোমুংদগী খোঙলেং লমদাইদা নুরাং নিংখৌ মাইবা অমসু মাগী মরোয় মনাউশিংবু লাইনা তাকপা থুদম য়েংনবা (নোংমাইজীং চীংখোংদা নৈবা চৌংঙু নোংপোক নিংখৌ ঈড়াংনবা চংহনখরে। চক্ অমনবদা তুমিং, কাঙ, কৌজেং হারৌ, শেকপী শেম্বাং য়াম্না শিহুনা নৈরে, শমশোকী লাল জয় ওইরগনি, শমশোকী মী য়াম্না চঙনা কাহুনা পুরক্লগনি হায়না মখোয়না হঙ্কক্তুনা নিংখৌদা পাউদম্নরে। মবুখৌ শেনবী থাগেম্বা সনা হাক্তকসু চফু থম্না শেকপী, শেম্বাং, কৌজেং, হারৌ য়াম্না শিরম্বদা মণিপুরদা লান্দারকপাময়াং য়াম্না চঙনা কাহৌই হায়না মখোয়না নিংখৌ সনা থুয়াথাদা হক্তংলরে। মৈতৈনৈমা

(১) লাই (২) শেম্না লোইপোং হাবা তুরেলগী

শেনবি পাজঙম্বীনা নিংথৌগী মনাউ ইবেম্মাশিংগা লোয়ননা লাইনা তাকপা খূদম য়েংনবা শিংমকূপ, চনম শুগায়রবা, ঙাচিং পুম্নমক্কী মথক্তা যেরুম থমছনা য়েংখবু চুম্নরে। অৱা তেঙ্গোল ঙমছনা শমশোক্কী মী য়াম্না চঙনা খোম্লক্লগনি হায়না নিংথৌ সনা খুয়াথাদা হঙ্গৎলে।

লাইরেল মৈতেংঙু মৈতৈ অকল অথৌশিংগা লোয়ননা পুংফম ক্কেনফম অফবা য়েংছনা খোঙশাল্লক্লে। লিলোং শাহোঙপাৎ লানথরে, ৱাইখো পাৎ লান্দুনা, খোৱাল তুরেল লান্দুনা, লমদিং শাবল মনাক্তা চত্তুনা থাৱী লমদাং ইম্না চৎথরে। মংশাবু কৈনা শমছনা তরেৎ ঈ মরু কোবা তুবেল লান্দুনা তল্লা উয়োকোম্ফা থুংছনা মৈতৈ তেঙ্গোল লাবন শাথরে।

শমশোক্কী লমদমদা লাম্পাখিবা মৈতৈ সেনাপতি মরি শমশোক্কী মায়কৈ মরিদা নিংথৌনা পীবা থৌদাং পুছনা লৈখরে।

॥ অরেং ॥

নিংথি শেল্লোয় ঈ কোংদো হিঙাইফমদা মৈতৈ নিংথৌ মচানুপী ওকপা লাকপা অমা তেঙ্গোল মৈতৈ তেঙ্গোল লাকপা উরে। মৈতৈ তেঙ্গোল মমক্তা মশা ৱামগ্রবা নুপী যাওবা উমগা অমা তেঙ্গোলনা নুপীশিংছু মৈতৈ নিংথৌ মচানুপীগী মনাইনুপীশিং ওইরিনি হায়না থম্মখরে। মৈতৈ তেঙ্গোলগী লানজিংলেন কোপেং রাজোন কৈরুংহনবনা মী থবা থাখিছনা অমা তেঙ্গোলগী লানজিংলেন্দা খণ্ডহনখরে,

—মৈতৈ নিংথৌগী মজা ইবেম্মা থুংল.ব। অউলপোং অয়াম্বা য়েৌরক্তরি। শামু শগোল উনবশিংসু য়েৌরক্তরি। অউলপোং শুনা য়েৌরকপগা মজা ইবেম্মা অমা লানজিংলেনগী মখুত্তা শিন্নগনি।

পাউ অসি পীথীবা মতুং নোংমা কোনবদা তল্লা উয়োকোন্দা নোংমৈ তোপ কাপ্পগী মখোল নিংথি শেল্লোয়-ঈ কোংদো হিঙাইফমদা লৈবা মৈতৈ তেঙ্গোলনা তারে, অতিয়াদা মৈখু চবুন্‌ চবুন কারকপসু উরে। কোপেং কৈরুহনবনা মী থাখিছনা কোংদোদা থোক্লিবা থৌওঙ পুন্নমক নিংথৌ সনা থুয়াখাদা হুক্‌লুরে। কোপেংনা মী থাখিছনা নিংথৌ মজা ইবেম্মা লৌবা লাক্লো, শগোল শামুনচিংবা অউলপোং শুনা থুংলরে হায়না অমা লানজিং-লেন্দা খণ্ডহন্নুরে।

অরাগী কয়াইবা অঙম অথৌশিং তেঙ্গোলগা লোয়ননা তুরেল লান্দুনা লাক্লে। অদু উবদা মশীং য়ামপ্রবা মৈতৈ লুপীশিং অরা তেঙ্গোল তম্না চঙশিল্লক্লে। অরা লানজিংলেম্নচিংবা কয়াইবশিংসু নিংথৌ মজা ইবেম্মনা তোংনবা সনয়ম্পা দোলাই লেংজাউ মাঙদা পুত্না তপ্না তপ্না চঙশিল্লক্লে।

অরা নিংথৌ টানিনগানউইগী মবুথৌ মুংয়োং মঙ্গ্রাগী মমীং চৎপা অঙকপা কংনা কজপ্রবা হি হিদাংকমদা হি-থাংত্নুনা লৈরম্মী। হি অদুগী মসুংদা—লুপানা মুম্বী ওইবা, সনা তবোপ্পীনা যুমথক কুপ্পা দোল অমগী মুসুংদা সনা মপাক্লা য়েথোক্তুনা শাবা থাকনগী চিথেক মরিদগী হীরা অচোবা অমমম য়াম্বরিবা অদুগী মথক্তা মুমিৎকী মঙাল মশেক্লা য়েবদা লিরি শিৎপা মুংশিত্তা হাই হুম্বত্ব মীৎ থকহল্লি। লাংমনখিত্নুনা য়েংলুবা মীনা থাঙবা ঙমদত্নুনা মমীং উইশিল্লি। মমল য়ামপ্রবা গালিচাগী মথক্তা সনা লুপানা হাজত য়েত্নুনা, হীরা মণিমুক্তানা কাম তৌত্নুনা শাবা সিংহাসন অমা অকম্বা মী য়াওদনা থাত্নুনা লৈরম্মী। সিংহাসন অদুগী কমকম অদু মোন মোন লাউবা রেশম অঙাঙ-বনা কুপাই। মৈতৈ নিংথৌ মজা ইবেম্মনা ঔশিংগী লম্বীদা অরা [illegible] তানা লেংবা মতমদা কয়বা সিংহাসনলি। মথা ইবুঙ্গো গরীবনিরাজগী কুপা কংজনীংবা অরা নিংথৌনা য়াম্না মতম তৌনা মজা ইবেম্মা ওরুবা শিল্লাংবনি। অদুবু অপঙবনা "লাহুপেনু ক্লাবা রাশনু শাবা" হায়রবত্ব থোকদোরি। মশানা

থাকচবা লাংদা মশা পুগদৌরি। লঙনবা য়াদবা মীশক লঙনরকবগী অৱাবা কল কংগদৌরি।

মৈতৈ সুপী ময়ামগী শমজিদা থেৎপা লৈগী মনম নম্বা কংগনি আশা ত্তৌহুনা থৌশাদনা চঙশিল্লকপা অৱা তেজোল মনম নমগদবা মনাত্তোনগা লোয়ননা মকোক মকোক লৈপাক্তা কেন্দুনা তারে। নকশিন্নরক্তুনা মশক মশক উনরকপা মত্তমদা মৈতৈ সুপীগী কীজেৎ সুংশিংনা হুমদোকখরে। লানক্তী শেৎপা থাঙ-চুজোয় পায়বা মৈতৈ লাম্মী অথোবশিং হোৎচিল্লক্তুনা মাঙথাবা অৱা তেজোল হাৎপা হৌরে। অৱা তেজোল শমজি খাইহুনা তেজোল পম্নীংলোমদা চেনশিন্নখরে। গরীবনিৱাজনা বর্ম্মাদেশদা (ক) চহী তরেৎ লাম্পাগনি হায়না কংলাদা লৈপাক প্রজাগী মমাঙদা ৱাশকখিবা অতুগী অধিবাস হৌরে। চহী অমা (খ) কোয়শিন্দুনা মী মপান থোকহন্দনা থয়গা শমশোক লোইচনখিবা অমসুং ইং শক ১৭১৮ দা শে‌ৃক্রখিবা লানকম অহনা চহী তরেৎ লাম্পাবগী মঙ্গলাচরণনি।

থোইমুম লাইনিংথৌ (গ) অৱাং ফাম্নৌ লাইমা থোম্বা, কোপেং য়াংগোন কৈকুংহনবা. নোংমৈ কাপ্পা তুরেল লাইজা

(ক) গরীবনিৱাজনা অৱা লৈপাক্তা লাম্পাখিবগী ইং শক মথক মনাও নাইনা পীজরি—

(১) অহানবা লাম্পাবা ১৭২৪ (২) ১৭৩৫ (৩) ১৭৩৬ (৪) ১৭৩৭ (৫) ১৭৩৮ (৬) ১৭৩৯ (৭) ১৭৪০

(খ) Besiege (গ) সনামহী

ঈরম তাবা, পুকম চুম্বং তোংবা, শঙ্গাই শঙতিং ক্ষাৱক লোই নচিংবা মৈতৈ লাম্মী তেঙ্গোলগা অৱা তেঙ্গোলগা নিংথি শেল্লোয় ঈ কোংদো হিঙাইফমদা নোংখোংবগুম লাল কন্না শোক্লে। অৱাগী নোংমৈ অমসুং তোপ মক লোক্তাক্তা উচেক পাইবগুম্ন। তেনসু অঙকপা ফংনা কাপ্লক্লে। মৈতৈ অথৌবশিংসু মথূংগু তোপ নোংমৈ নোং খোংবগুম্না কুংনা থিংকাপ্পনা থোইবেল পাই বগুম্না কাপ্লক্লে। লানবাউ চেনবা মৈকাপ্পী অত্তি দা মৈবী শঙাইশেল পাইবগুম অৱা তেঙ্গোল মহুংদা কাপশিনখায়। অৱা তেঙ্গোল কাং-খোং চাইনা থুগায়রে।

মৈতৈ লাম্মীনা মৈকাপ্পী কাপ্পদা অৱাগী তেঙ্গোল অপুম্বা শেম্বাং পাইবগুম মাঙখরে, চেম্নখরে। অৱা লাম্মীবু মৈতৈ লাম্মীনা কোয়তান তান্নরে, লৈপাক্তা মখোঙনা নেৎথুক্তনা তা তাখোক থুম্না থিনথুরে, মকোক কক্লে। থাঙশাঙ লীশীং অমগা চুঙ্গোয় লীশীং অমগা লোক্লে কোংদোং (১) হিঙাইবা হিঙাইবীবু ঙমহৌরে। অৱা লানজিংলেন কেঙমুচা লোঙ্গীমুখ অথৌববু ফাহৌরে। অৱা নিপা অচংবা ৯০ গা নুপী ১১০ গা ফারক্লে। অৱা নিংথৌগী মবুথৌ মুংয়োং মঙত্রা নিংথৌগী মমীং চৎপা হি অমসুং হি অতৈ শীংজঙনা শিংগুপ শানা য়ানখায়ত্না মৈ থাদোক্লে, নিংথি তুরেল্দা তাউথহনখরে।

---

(১) কোংদো খেয়া ঘাটতা মকোক ওইবা অৱা কন্নাইবা অমসুং মছু

অতৌগী মতুংদা চহুনা ফাংনা অমা নিপা ভুপী অমসুং লোঙ্গীমুখ অমসুং লানকমদা খোংহৌবা পোৎসং, পুন্নমক পুৎনা নৈতৈ নিংথৌগী হি তোংজেং শেনগোইলোকপ্না নিংথি তুৎবল লাম্হোক্কনা, মনাই ভুপী মরিগা লোয়ননা শাইথিংথৌ তাইবংখাইবা অমসুং কোপেং ব্লাংগোল কৈকুৎবা মংশা লৈপং কোইদা থুংলরে। তল্লা উবীংকোম্দা চত্তুনা গবীবনিব জগা উনবে। নিংথি শেলোয় ঈ-দা শোক্লখিবা লানগী লানথাউ 'নংগী' সনা চরণদা হনগৎলে। নিংথৌনা হায়রকই,

—(২) ইয়ু খোইয়ুম লাইথিংথৌ ও! ননাই ভুপী মরিগা লোয়নছনা পোইরৈ তমদা লেংবিবো। লম্দা ফাবা নিপা ভুপীশিং অসিসু পুবিখরো। মী মকোক অককপশিং অসি পুৎনা চেঙজা হুঙ্গোই-বীদা চল্লগা (৩) খোইয়ম মখা প্লায়দা লেংশিনবিয়ু। লাইরেল ত্রৈদি শমশোক্কী পাঙ্গা কোবা জাতিসি মখৈ ফংনা থুগায়ত্রিবা মখৈ যুমদা হল্লক্লরোই।

খোইয়ম লাইথিংথৌ ফংলৈপাক্ত লেংখরে। লাইরেল মৈতেংগু গবীবনিৱাজ তমলোৎরল তল্লা উয়োককোম্দা মৈতৈ তেঙ্গোলনা চানবা চেঙ-ডানচিংবা অচা অথক পৈশিনবা হোৎনছনা নৈলহৌরে। চহী তাবং শোক্লখিবা লানগী অধিবাস হোৎগদৌরে।

× × × × × ×

নিংথৌরেল ইবুংঙো। তৌক্কা … … তৌক্কা নিজর্মি।

---

(২) ইবুধৌ লাইথিংথৌ (৩) লাইশংদা

বয়স চহী কুল্লোম শুরবা লৈমানবা শানৌ লৈশাবী অমা মখৎ অনী খুজোক য়াহুনা গরীবনিৱাজ নিংথৌনা সনামাঙদা লেপ্পুনা লৈ। মাবু উবদা গরীবনিৱাজ ঙকপ্রহুনা মুংনা শাবা মুর্ত্তিগুম ঙাইহাক রা ঙাওদনা লৈরে। নিংথৌগী ইঙ্গিত মতুং ইন্না মনাই থৌগল নিপা অমনা লূপা ময়েক থরা লোথোলুহুনা লৈশাবীগী মখুত্তা হাপকে ভোববু লৈশাবীহু মখুৎ চিংশিনখরে। লূপা লোত্রবদা নিংথৌনা সনা তাঙ্গ অমা পীয়ু হায়না ইঙ্গিত ভোবদা মনাই নিংথৌশেনবা নিপা অহুনা সনা তাঙ্গ অমা লোথোকলুহুনা লৈশাবীগী মখুত্তা হাপকে ভোরে। শাবীনা মখ-অমুক চিংশিনখিবদা থৌগল নিপাহু ঙকুনা লেপ্পুনা লৈরে।

ঙকপগী পান্দম লোমত্রহুনা নিংথৌনা ৱাহংলকই,

—করি পাম্মী ? সনা লূপা লোত্রবদি নঙনা পাম্বা করিনো হায়য়ু।

(১) মহারাজবু চিংনা ঙাইহক য়েংলগা শাবীনা মাগী থমোয় মপাদা মথুং য়েং থন্নগা হায়রকই,

—সনা লূপা হীরা মণি পামজদে। মীৎনা উবা য়াবা মশক মওং নাইবা পোৎ ঐ পামজদে। ঐনা পামজবা পোৎ অসিদি মীওইবগী থমোয়মুংদা লৈবা অথোৎপা পোৎ পুন্নমক্তগী হেন্না থোৎপা, কজবা পোৎ পুন্নমক্তগী হেন্না কজবা থমোয়গী প্রেম মুংশি-মুংওন। লাইরৈপাক্তগী অমৃতগী মরীওম শিন্দ্রকপা থগী প্রেম। প্রেম ভক্ত পীবিবদা পীরিবা মী অহূগী মশাগী [illegible] (স্বার্থ) য়াওদবা প্রেম।

(১) গরীবনিৱাজগী মতমদগী মণিপুরগী নিংথৌশিং "মহারাজ" কৌবা হৌরি।

গরীবনিরাজ গুকপগী মথক্তা অমুক হেন্না গুকশ্রহুনা লৈশাবী অহুবু চিংনা ঙাইহক য়েংহুনা লৈরে। শাবীগী হকচাঙগী কায়াং অমতং য়েংলুবদা মীৎকম হোংবা য়াদে। অনুপ কজবা শক শাওঙ-শাদা, কুচু-কুমেল, তিংদা ওঙদা মমাংঙৈদা অমুক্তা উথিদরি। গুমহৎলবা মীৎয়েংনা য়েংহুনা নিংথৌনা য়াহংলকই,

—নমী' করি কৌই? করি জাতিনো?

—লাইরেল মৈতেংঙু ইবুংঙো! ননাই ঐগী ইমীংদি অরিন্দম কৌই। ঐ অরা নিঙোননি। ঐ অথুপ্পা মী তাহমীংদবা রা অমতং সনা থুয়া থাদা হন্নচ্ছনীংই।

—করি রা'না হায়রু।

থৌগল নিপাশিংদা অরিন্দমনা য়েংহুনা রা ঙাঙদনা লৈবা উহুনা নিংথৌনা মনাইশি, চথোকহনখরে।

—নিংথৌরেল ইবুংঙো তাবিয়ু। লাইরেল মৈতেংঙুবু হাংলু হায়না অরা নিংথৌনা ননাই ঐবু থারকপনি।

অসি হায়রগা অরিন্দমগী মমীৎ অনৌদগী পি শিন্দরকই।

ঙকথিবনা গরীবনিরাজ রা অমতা চীনবান্দগী থোরক্তুনা মীৎয়েংকম য়াওদনা মীৎ লাওনা পাংথোক্তুনা লৈরে। অরিন্দমনা হিক্না হিক্না কপ্তুনা রা মথা তাথরকই,

—মৈতেংঙুবু হাংপা ঙম্নবদি অরা থুজং অমা মনা ওইনা ঐঙোন্দা পীসনি হায়রৌই।

—করি থুংলাইনা ঐবু হাংকনি। থাঙ্, তা থুংলাই অমতা নশাদা য়াউরা উদে।

—য়েংবিয়ু নিংথৌবেল। ঐগী ইশাদা তোংবা হন্নিং শি শিদুনা লৈপাক্তা তারিবসি উবিবরা ? ঐনা মী হাংপদি থুংলাই য়াওত্রবসু যায়।

গরীবনিৱাজনা মুপী অদুগী মথোওদা য়েংথখিববু হন্নিং ওয়ামুক শিদুনা লেংদনা তাদুনা লৈবা উরে। অদু উবদা মিংথৌরেনগী ওকপগী পংথে লৈতরে। ভুমিন্না ওাইহক রাখল তৌরগা রাহংলকই,

—নশাদা তোংবা হন্নিং শিরগা করম তৌনা ঐবু হাংলু থারকপনো ? মন্ত্র যন্ত্র নত্রগা ভূতপ্রেতকী করম্বা (১) মায়াজালনা ঐবু হাংপা ওমগনি ?

—য়াম্না লায়বা থবকনি। লাইরা মন্ত্র, লাইমুগী শক্তি য়াওদে। ঐগী ইশাগী পাজলতনা—

গরীবনিৱাজ জান মমলে। মীৎসনা থম্বাল অনী লাওনা পাওথোক্তুনা অশাওবা খোজেলনা হায়রকই,

—তাংজা নয় মুরা রাখল তৌদুনা রা ওাওই মুপী ! নত্রবদি ...

—নত্রবদি নথরায় মাওগনি অসি নত্রা ? "লায়রবগী মবুংতো" মিংথোল কৌনবা ইবুংতো ' ঐগুম্বা করিমু লৈতবা নমুংশা থরনা মু কাম্বদা তেক্তুনা কায়দুনা তাগদবা মুপী মচা অমনা মাগী মবুক মমুংদা লৈবা বাহৈ কারল চনবা অথুপ্পা রা হায়জবদা অতিয়াগা মায়না পুকচেল পাক চাউবা গরীবনিৱাজ নিংথৌরেম্মা শাউরোই হায়বা ঐ য়াম্না শেংনা থজই। অদুগা

---

(১) ওমহৎথৈগী লাং

অসিমসু থঙই—নহাকী নশাগী ওইজবা য়াওদবা প্রেম কংজনী বী
হুপী মচা অমবু নথোঙ থৃয়াদগী কাওথোকপিরোই।

—নঙ কনানো শকহেনবী? ঐগী নুংগা মান্নবা কনবা থমোয়
পেৎহনবা ঙম্বা হুপী নঙগী নহৈ করিনো?

—হায়জগে নিংথৌরেল! অমত্তা থাক্তনা পৃকচেল তিংবা হায়জগে।
ঐ অসে (১) হু নিঙেংম্মি। ঐনা পিক্লিক্লেদগী হৌনা অন্না
নিংথৌ চেকোং নৈসমাবনা হুমিং থৃদগী হু বিন্দু অমমমদং
পীজহনা চাউনবা য়োক্লকপা হুপীনি। ঐগী ইশাগী ঈ, সূ-
ত্তোং, শিংলি, মীৎ, না, হকচাঙগী কায়াৎ পুন্নমক্তা হুপী
হুমক্তা নৈ। ঐগা শোক্লপন্নবা মীহ হেক্তো শিগনি। ঐগী
নাত্তোন্দগী তারকপা অমোৎ অকায় চাবদা হিয়িং ককচেঙনচিংবা
হেক্তো শি। ঐনা তেনব্বা অমগী মকোক পায়হনা হুংশি-প্রেম
উৎপদা ঐগী হুংশা ম্বয়না কংবদা ত্তেনব্বা শিহনা অক্লাদগী
য়াম্বহনা নৈ।

—ঐবু হাৎনু হায়না থাক্লগা নঙ নশা শিবা য়াবা ব্বা ঙাক্তা
ঙাওবদি করিগীনো? ঐনা ঙকপগী লংলা লংজিন পীয়ু।

নৈশাবী মমীৎ অনী উইশিনথরে, মতুং থ্যাও থ্যাও চুংই।
মমায়দা ঈ চবুল অমা চেনশিন্নক্লে। ঙাইহক ভুমিন্না নৈয়গা
হায়রকই,

—বাহং অহু হংবিয়ু ঐগী মীৎ অনী অসিদা, হংবিয়ু ঐগী নাকোং
অনীসিদা, হংবিয়ু ঐগী থমোয় অসীদা। ইবুংঙো নঙগী

(১) বিষকন্যা

তৌবা ঙম্বা শক্তি, নয়ীংজেল, নপাজল, নয়ৌশিংগী য়া তাবদা ঙমহৎলবী তোল্লবী অয়া নিঙোননি ঐহাক অসে। অছুবু··· অছুবু ঐগী তোল্লবা ইশাসি ইবুংঙো নঙগী নখোঙ থুয়াদা কখোক্তনা নহাকী নখোঙ থম্বাল সেবা কংজবগী উপায় লৈত্র-বীনি. লাইবক থীবীনি ঐ অসে।

অরিন্দম হিক্লা হিক্লা কপই। নিংথৌনা মাবু চিংনা য়েংলগা হায়রকই,

—ইবেম্মা শকহেনবী ! নঙগুম্না ফজবা শক ঐ পোকপদগী উয়ক্লি। করিনো ? ঐগী পুক্নী অসিদা ফনা য়াম্না ঙকপা পোং উয়ক্লে। উয়ক্লে মীনা মীগী মশা শেং শেত্তুনা চাবা। উয়ক্লে লম অমতা শাংবা অপীকপা জীব অমনা লম ৪। ৫ শাংবা চাউথ্রবা লাইরেল অমা তায়ছুনা কায়গা হাংপা। হাংলগা মশা শেং শেত্তুনা চাবা। তায়ক্লে চৌংছুম চৌংছম মচামুক চাউবা শামু অনৌ শিবা-চঙবগী অকনবা লানকমদা য়াথিয়বগী অকিবা মশক কংবা য়ায়ী। অছুবু থম্বাল চামনিপালগা মায়না থোংলবী ফজবী, অছুদগীসু হেম্না ফজবা অয়াংবা থমোয় লৈবী ইবেম্মা নঙগী নশক উয়গা, নঙগী য়াঙাঙ তায়গা, অমুপ য়াম্না ঙকপা ঐ থক তৌথিদরি।

-য়াম্না ঙকপিয়বদি খয়া অমুক হেম্না ঙকপিখো। থুমু অমত্তা লৌহনবিরু।

থুমু পুরক্লবদা দুগী লৈশাবী অছুনা থুমু অছু মখুং অনৌনা পায়রগা মশাদা কোম্লুনা মচুংশাখয়না অমুক অনৌয়রক্লং

কাম্বদা খুঙ্গু অচ শিরক্লনা নৈপাক্তা তারে।

অচ উবদা মী পুন্নমক ওকপা কা হেজিনখিড়না মতু চুংবা য়াওনৱে। ~।

গরীবনিৱাজনা হায়রকই,

—নঙ করি পাম্মী? অরা নিংথৌনা পিগে হায়বা অরা খুঙ্গং অচ্চুগুবা অনী পাম্বা? নিংথৌ ঐতোঙ্গা হায়ৱু করি পাম্মী?

—ঐনা পামজবা হায়ৱুৱা নিংথৌৱেল ইবুংঙো! ঐ সনা, লুপা হীৱা মণি, অৱা খুঙ্গং পামজদে। ঐগী থৱায় মঙাবা পামজবদি—নহাক্কী নশাগী ওইজবা শক্লক য়াওদবা মুংশি-মুওন। ঐগী থমোয়মু দা ইবুংঙো নঙগী মূর্তি লিংখত্তুনা মুমিৎ খুদোংগী ঈড়াচ্ছবা। নিংথৌ সনা কোমুংদা নৈবা কংজহনা মুমিৎ খুদোংগী ইবুংঙোগী শক উবা কংজবা। ইবুংঙোনা শা-লাল, লংকৈ-ইকৈ লেংবদা সনা থৌগল কংজবা। ঐবু সনানাক্তা লম অমা লাপ্পা কাওবগী মঙুংদা চঙহনবিদবা। অসিদনি ঐনা পামজবা। অতৈ করিসু পামজদে। পীবীগত্রা নিংথৌৱেল ইবুংঙো?

—য়ায়া কৈ। নঙ ঐগা লোয়নননা কংনৈপাক্তা চংলসি লাল অসি লোইরগা ঐগী ইনাক্তা লৈয়ু।

নিংথৌনা অয়োম্নায় হজবা য়াংথৈ কোংয়াম্বা কৌশিল্দুনা মাগী মথৃত্তা অৱিন্দমবু যতন তৌনা শিন্নখৱে।

অৱিন্দম হয়াউজৱে।

॥ নিপাল ॥

মৈতৈ তেঙ্গোল শমশোক্তা লান্দাবা লাক্লে হায়বা পাউ তাবদা শমশোক লাকপনা পাঙ্গা প্রজা ময়াম কোথত্তুনা শমশোক থাক্লবা ওবা শক্তি মথৈ হোৎনরম্লে। মাকলং তুরেলগী তুইং পানম থমম্লা তুরেলগা লাংথোং তৌদুনা শম্লহল্লম্লে। অরাংবা তুরেল চাংজৌ মথক্তা অচৌ অচৌবা উ মুংলম্লে, উ অকৈবা পুল্লম্লে। ময়ক ময়ক্তা অহোবা থমচুনা নোংমৈ কাপকম শেম্লম্লে।

মৈতৈ তেঙ্গোলগী সেনাপতি মরিনা মাগী মাগী শিনথা থবক তৌফম ম্লোছনা লানবন শাবা হৌরকপদা অরাশিংনা লানবন মনুংদগী তোপ কাপ্পা হৌরক্লে। লাইফম পানাগী পুখ্রনবা ক্যাম্বা শাংপমচানা শমশোকী মথাদা লৈবা নাম্দ থোঙজাও থাকথরে। থাবম পানাগী লমজিংবা পুকচাউ মাইথা থীয়ানা শমশোকী নোংপোকী থোঙজাও থাকথরে। অহল্লুপ শঙলেনগী লুচিংবা তরেৎ শেলুংহনবনা শমশোকী নোংচুপকী থোঙ কোয়শিন্দুনা থমথরে। নাহারুপ শঙগী শঙলেন লাকপা হোংলাই সনসবনা পাঙ্গাগী মথাথোং থাকথরে। শমশোকী পান্দা অমা কাওবা লানবন মনুংদগী থোরকপা ঙমদরে।

অরাগী তোপ মল্ল চাংদা থোইরেন পাইথওল্লে, ইঙা থাদা মরীকুংনা তারকপা নোংগী মতৌগুম লানবন মনুংদগী তেল

কাপখোক্লক্লে। মৈতৈগী অকল অথৌশিংসু নোংমৈ তোপ তোয়না তোয়না খিংগাপ্পনা কাপ্লে। মরোই লাইজা ঈরম ভাবা রা ঝরা তেলচৈবনা মকোক চিংহনা মৈতৈ তেজোল লীরী থমোয় য়োনা চিংহনা তেল কাপ্লে। অরাম্বাই মচীন্দা কী পুন্দুনা মৈ চুরগা পাঙ্গা লানবন মতুংদা হনজিল্লে। ঈগী মুমখক্তা ভাহনা মৈ হোৎহনা চাক্লে। তুংশিং মায়রম য়েংহনা মশীং য়ামথ্রবা চেবোন খাগৎলক্লে। পাঙ্গা লানবন মতুংদা চেবোন চাক্তুনা ভাহন্দুনা পাঙ্গাগী ময়ুম মৈ থাবা হোরে। অশুপ য়াম্না অরাবা শীবদা পাঙ্গা জাতি অরাবা থাংহনা লৈখরে। শমশোকী অকোয়দা লৈবা অরাশিংনা লোম্না লোম্না খুৎলাই অমদি চান-থক্লবা পোৎ শীবা হোরে।

শমশোকী মী অমত্তা মপান থোকহন্দনা কোয়শিন্দুনা থা অমগী মতুংদা থা অমা থক্লকপা চহী অমা কারক্লে। মৈতৈ তেজোলনা অরাগী লানবন থুগায়বা ওক্লকত্রবদা মৈতৈ সেনাপতি মরিনা রা ভানহনা নিংথৌ সনা খোঙলেংবিরকউ হায়না গরীবনি-রাজগী মকমদা চাজুম নম্বা চিঠিগা লোয়ননা হুত থারক্লে। লানগী লানবাউ ভাবদা গরীবনিরাজ নিংথৌরেল লেংলক্তুনা শমশোক য়োরক্লে। নিংথৌনা মৈতৈ তেজোলগী চান-থক্লবা পোৎ হাম্বনা চীংমুক রাংনা পৈহনা থনম্বা অহুগী মথক্তা অমুক হাপচিল্লে। শমশোকী মথাদা লৈবা নাম্দ ময়মশাং হন্দুং লানজেনবা লমগী তাংখুলশিংনা লোম্না শমশোক্তা চেঙনচিংবা অচা-অথক পীরম্বা খোংনরক্তুনা ক্যাম্বা শাৎপমচানা তা অশাঙবা পায়রবা তাংখুল

মণ্ডা কাহ্না অকনবা দণ্ড পীথরে। শমশোক্তী নোংপোকলোমদা লৈবা নোইহু থ্ মহী শোকপীগা মাগী মী থরগনা শমশোক্তা চেঙনচিংবা অচা-অথক পীবস্বা কাহ্না পূকচাউ মাইবা থীয়ানা হুাংথরে।

অরিন্দমনা কোইথি থিহ্না ফংলকপা অয়োনবা পাউ-ফংবদগী থূল অনীসিনা চেঙ চাক থূড়্-থূলাই লোয়না পীরস্বা থিংথিবনি। অঙকপনি মখোয়না ত্তোরস্বা থবকস্তু। শমশোক্তী লানবন মমুংদগী লৈজুংদা মী লেপ্পা চংপা য়াবা ওরুং অনী লম ৫০০। ৬০০ শাংনা ত্তোহ্না শোংপ্রবা মীনা পঙনা য়োৗবা ঙমদবা বন মমুংদা কাওগত্তনা পোৎচৈ পূথোক পূশিন ত্তোরয়ে।

অরিন্দম কৌবিসি অঙকপা শক্তি লৈব হুপীনি। মহ কী শক্লোন, মশক, মচু য়ামখ্রে। নিপানি, হুপীনি, চাকনীবীনি, পোৎয়োনবীনি। হামোক হানায় ভর্বী চমোৎ চমোৎপী মকোক্তা অচা-অথক লূম্না পুহ্না অরা থুক্দা য়ুম য়ুম থুদোংদা পোৎ হাহ্না য়োনবা হুপীনি। বা ওাঙবদা মী মুলহনবা ওমহৎপা ঙম্বী, চীল্লোন লৈজোন কবী হুপীমি। অয়ানবা বা অচুম্বা ওইহনবা ঙম্বী। মৈত্তৈগী য়েক্লবা মী শাবদা য়ান্না হৈশিংবী লীলাদা য়াওবা হুপীনি। অহুবু মানা ত্তোগে নীংবা মপুন্সীগী থবক্তি অমত্তনি। কয়স্বা থৌইনশিন অমনা লমজিংহ্না শক, চু থঙনদবা, জাতি ত্তিন্নদবা, ময়োল মায়দবা, পোকপদগী শকথঙ মায়থঙদবা মৈত্তৈ নিংথৌ অমগী দমক অরাবা কোক্তায় থাঙহ্না, চাদ-থঙনা মশাগী থুদোংগীবা শিবা য়াবা মওঙ চাবা মায়োক্লহ্না

হুপী অসিনা গরীবনিবাজ নিংথৌগী অকনা মহায় উপায় ওইখিবা ওইরিদনো ? মাতুগী মরমদি মাবু লেপ্লকপা লাইদনা খঙলবা য়ায়। মাতোঙদা থৌদা শীয়কপা অমা নিংথৌনা য়ারবদি থাওগী ময়াদা মহাকী মওক কেনগনি হায়বা মহাক্তা লৌশিং য়ায়া শিংবী হুপা অমনা খঙদবা লৈরম্মোই। মহাক অসি গরীবনিবাজগী মরাইবক অতিয়াদা নাইতোম তোমথিন থোকপা পূর্ণিমা থাবনি। অহুপ চাউবা, তোবা ওবা শক্তি লৈবা নিংথৌরেল অমগী পুন্সী লানকখদা মথাগী ওইবা য়াওদবা হুংশি-হুংওন অনীবা য়াওদনা লেয়া পীহ্না মথয়ায়, মপুন্সী, মথা কথোক-লগদৌরি। অওকপনি।

তাংখুল অমস্তুং শমশোক লৈমা লোইচু থুমহী শোকপীনা পীরবা চেঙনচিংবা অচা-অথক থিংথিবদা শমশোকী লা… মতুংদা লৈবা মীশিং অবাবা দশা তারে। চান-থরবা চি… লৈতবনা মী অপুম্বা হাহাকার লাউনরক্লে। শমশোকী মীশিং চাক চাবা কমদবা ময়াম্বা বুদ্ধি লৌশিং ইকক ককচিনখরে। লাইয়েল মৈতেংগুদি চহী অমা চাবা ওবা চেঙ হবাই চেঙবাই পৈশিন্দুনা থমখরে। কবোশিংদি চাক লাম্বগী অরাবা থাওবা ওমকহনা (১) চোংতাইমন হুত্তুনা চাকী মহুৎ শিম্না চারে। অসিগুম্বা মতম অসিদা অনৌবা উপায় অমা লাক্রে। নিংথি হুংকোন্দা ইশাংদা লৈবা চাম কৌবা নমদম অমনা শমশোকা

(১) চোংতাইমন হায়বসি কমিদো খঙদে। মাসি লহুখরা য়ারা "অনবা কৌবা" অথবি য়াবা লোক্ ওইবা তারে।

চানবা পোং লোন্না পীবা হৌরে। অহিংসমনা পাউ অমি পুরক্লুনা নিংথৌদা হঙ্গৎলকখিবা গরীবনিৱাজনা চান্দ খুল খুগায়গে হায়না নীংলে। নিংথৌরেলা সেনাপতি মহি কৌহুনা হায়রকই,

—শমশোকী মাইকৈ মহিদা পোক্তবাও ঙাক্লিবা লামলিংপুরগে ওইরিবা নখোয় মহি নমায় ওন্দনা শমশোক লানবদা কোয়-শিন্দুনা থনম্মু। লাইরেন ঐদি ঐবু তাক-শেন্নিবা অপোক মরোংথাইবা, রাকচীং শমলোইবা, লমলোই ঙাংবমচা অমম্লুং মুংঙাং নাউরোইবা মখোয় মহিগী লোয়ননা চত্তুনা শমশোক্তা চেপ্ত হোন্দুনা পীরীবা নিংথি তুরেলগী মপান্দা তাবা চান্দ খুল লান্দাক্লগে।

নিংথৌগী সনা রাম্খং তাবদা কোপেং রাজোন কৈরুংহনবনা হায়রকই,

—অদোম চীংজাও শমছুনা লেংসি হায়রকদি নীংথিং লোকচাওবী ইপিথো নুংজাও মাম্না লৈ। তুরেল ইরোয় লায়না লানবা মাগনি।

লাইরেল মৈতেংঙনা হায়রকই,

—কোপেং কৈরুংহনব ও। নুংজাও মাম্না লৈরবদি মানা পোক শাহনা লানসি।

লাইরেল মৈতেংঙু থৌগীং লোকচাও-ই [illegible] লাকখ্রে। নিংথৌনা মরোৈ লৌশিং তৌহনা হুমিদাং থাবল

চান্দ্রাকপদি থুনগী থোঙজাও থিংজিন্নরিহনা লাম্মী তেজোর্ন পুথনা শমশোক তাকপা চংথিহনা লৈরমদে। নিংথৌবা অমুক ওন্নিবৈ লৈচিংবা মমহনা মশোল মরাং তৌরিবৈ মতমদা লান্নাখরে। নোং থোরগঙ্গা লান কয়া শোক্লরে। চান্দ তাকপা লান্নীশিং চেনবা তৌদনা মৈতৈ লান্নীগী লান কয়া শোক্লরে। অদু উবদা লাইরেল মৈতৈংগুমা কোলোয় মমীং থাহনা থোশারে,

— তমুন অচানবা মৈতৈ অকল অথৌশিং-ও! ওসি নোংগানবদগী হোনা লান শোক্লরকপদা হৌজিক কাওবা চান্দগী কাংচম থোঙজাও হাংদোকপা ওমদবা কন্নি মরমননো? লাইরেল ঐ লৈরে। চথাবা উত্থোককোন্দা পান্না কৈ কাথিবা মৈতৈংগু তুবি চরাইরোংবগী মচানিপা থুমহেন নিংতোল মৈতৈলৈমনা পোকপা মৈতৈ নিংথৌ ঐ লৈরে।

মতৌ অম্নুন! থোশারবদা নুরাং থুমহেনগা, চেকশা তাহে থাঙশাবগা অনৌবা চান্দ থুনগী কাংচম থোঙজাও থুদেক্না মৈতৈ লান্নী থুল মন্নুং চগথরে। লান কয়া শোক্লরে। লান্নীশিং চান্দগী লোংশোক, লান শোক্লকপগী পাম্নৌরদা নিংথি তুরেল লান্নুনা চেন্নখরে। চান্দ থুনগী মীশিংনা হি তোংহনা চেন্নখরে। মৈতৈ লান্নীশিংনা হি মপান্দা তোংহনা ওা হাংপওম অরা থাঙনা রাহুরে। চান্দ থুনগী অশিবা মীগী মশাদগী তারকপা ঐগী নিংথি তুরেল ঐগা তাওনা চেংলে। চান্দগী মথেম্বা লম্বু হুন্নবীগী কাংচম থোঙজাও তাকপা লকেং লাথোরাংগা, লম্বুং কচেং থাঙশারে

শীহনা কারে। গরীবনিৱাজনা চান্দ কোনুং থুগায়রে, মৈথারে মুন-কৈ পুন্নমক উং ওইখরে। অদা য়াম্না শিরে। শিদবনা ল্যাখা চেনখরে মথবায় মথবায় পুহনা। অহোংদা মগুংাক্লবগুমখরে।

নিংথৌনা চান্দ থুগায়রমহনা শীংমিৎ-ঐ লাম্দুনা অংগো চীং য়োরকপদা অংগো চীংগী মনাক্তা থুনাবা মৈতৈ নিংথৌগী লোইরম পুন্‌ং তরেং—পুংগুন, কামু, চিংগাং, থাইরোই, মরু কোম্পোং, মাংলেংশা থুনথক থনবা, লোইবী অমসুং তরাউ থুন্দোন্দা লৈবা অদা পুন্নমক কায়হনা চেনখরে। লাইরেল মৈতেংগু খমথোক্তা মৈতৈ চেকোনদা থুংলরে। খমথোকপু ওক্লাবগুম কোয়শিন্দুনা চংথোকহন্দনা খবা পোইরে মৈতৈ লাম্মীশিংগী লানজিংলেন মহিক্না নিংথৌ মবা খুক্কাখাদা পাকপা থোক্নবা লানগী লানবাউ থকখিরে।

মসী অদা হেক্কে খমথোক মৈতৈনা কোয়শিন্দুনা অদা অমতা মপান থোকহল্লনা থম্নকপা। খমথোকী লানবল মহুংদা তৈবা অমাশিং চাপ থক্তবনা মরী শারে। চেং লৈতবনা চোক্তাইমন হুক্কুনা চাকী মহৎশিন্না চানরে। অদা অপুন্বা মপীং মনা ইথিং, ফিংলে, থোংথাং থুদোংগী চুরে, চুরোম ভাগ্গোয়রে; মা চাকনা ওয়মদনা শিথিবনু হাওরে। হৌরানা মথৌ খংবা থাংজাংলা মথোন্নাংবু লোংশাওবা, লাইরেল মৈতেংগুগী মরাখং মচুং ইমা মৈতৈ লাম্বীনা মৈকাপী, শরাইখেন্নবী থবু তবা তৈবী খাইদুনা লাম্মীগী পাকপা চেকোল মচুংদা য়াম্না কাপশিনখরে। মসীগী থবক য়াম্না খাদিবা অদুগী মখোয় অমসুং হুনখবা

ভাক্রহনা মৈ হৌদুনা চাক্লে। শেনবি অমা নিঙোল শন্নাং কোর-কক্লবী লৈশাবীশিংনা, হদুবা, হদুবীশিং পাম্বরশিং য়েংহনা হায়রকই, —পাখং কৈজোম শেংপাশিং—ও। ইয়োই কাংপোং পুহনা নয়ম লদু হল্লোক্লমহনা লাকপা অসিবু করি তৌরবগে? থায়না ইপা ইপুশিংনা হায়রবা বা নৈ। মমাংদৈদা পোং নিংথৌ চৌকা খেথোম্বগা লাইরেল মৈতেংঙু শেনবি ক্যাম্পা হৈনৌ খোঙনেম্বীগী হৈনৌ মথোঙদা কমছনা লম য়েম্রিখি, —শমশোক ঐখোয়সি মৈতৈ নিংথৌগী লোইরম পুক্কে ওইহনু হায়নখিবা বা নৈ। নপুক্লীং অনী লোংগনু। করো ঐখোয় চাক লাম্বনা চোংতাইমন হুন্দুনা চাহনা মতৌ করম্না মতম লেনশিগে? চাবা য়াদবা, চাবা হৌনদবা শগোল হাত্তুনা চানরে। ঐখোয়বো করম্না চাদবনা শিরশিগে? করো লৈশাবীশিং চাদবনা মশা মঙ্গোং তারে, হুচু মশক ওঙ্গে, চায়রুং তোংখোরক্তুনা হদুবী মারে। হদুবা হদুবী ঐখোয়গু খোঙ থাংবা ওমশিল্লক্তরে, মীংশায় মমশিল্লক্লে। অভাব ওইরিবশিংনা মমাগী অমৃত থকপা কংদহনা মতৌ করনে, মহিন খোক্তরে।

মীকপ মীয়াওথোয়া শমশোক লানবল মফুং পুমনিল লিনথরে। চাদবনা উথোঙ-বাথোঙ, য়েনখা-দুখা, লবী-থোং লোথুক-লম্বাংদা পাজা তু-তুহনা বাহনা লৈনরক্লে, শিবনু কোজায় ওইরক্লে। অয়াবা শীরিবা গম্ভীরসিংহবু থাউদহনা শিরবা কাওবা মজাতিগী মীংতবা তাক্তুনা থমগে হোংনরিবা

শমুদোকলাকপগী মহুং কনমল্লি, মতৌক নত্তনা থৌনা কশিরৈ হায়না পল্লা-প্রজাশিংনা ভাথোরা. হায়বা থোক্লে। তাথীবা ভাওমদা মক্তোক ওইরিবসি হুপী-নহা, হনুমাগী লম্বা নিপা হুপীশিংনি।

তাঙ্গা অসি য়োরবদা শমশোক লাকপা, পোনগ্যীজ মত্তা, শমশোকলাকপগী মচানিপা লাখমতোন মথোকলকপা, লাহোং ঈমৌংলাকপা, লাশোং লাখৌরাক্লা, পুম্না থোকজাও ভাকপা লুপক্ল লাখৌয়াঙ্গানচিংবা ফমহনা বা ফানবা তৌরে। পোনগ্যীজ মহাক্না প্রশ্ন মত্ত পীহনা হায়রকই,

—শেনবী শমশোক ভাকপা—ও। কবো লৈপাক্তা মুহারারে, লৈপাক নীক্লে। পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌদা লোই হায়বসে প্রজা অপুম্বা তুম্না শিবা তারে। মতম অস্থপ কুইনা প্রজাদা অরাবা পীবীরিবসি করিগীনো ?

মথা চীক্তনা শমশোক লাকপনা হায়রকই,

—মৈতৈ জাতিগী মীনায় ওইবগী মহুত্তা শিথিবনা কৈ। অরা হাৎপা, অরাগী ময়ুম মথুঙ্গং মৈথাবা, অরাগী লাইনীংশঙ পেগোজা থুগায়বা, উশিং থোওইদবা মৈতৈ নিংথৌগী মথা পোনবা ঐ ওস্মোই।

লাখমতোন মথোকলকপনা হায়রকই,

—মৈতৈ নিংথৌনা ময়ম ইরৈ লৈতনা অরা লৈপাক থুগায়বা নত্তে। অরা নিংথৌ টানিনগানউইনা ভাইরেনথোই মহুমদা চৈনা থিন্দুনা লংনরুবদগী থোয়কপা অরা জাতিগী অরাবা দশানি।

লাহোঃ ঈমীংলাকপনা হায়রকই,

—মৈতৈ নিংথৌ মচানুপীবু থেমছনা অরা লৈমা হাপকনি হায়ছনা পুরক্লগা চহী ফাদনা থৈথরে। মৈতৈ মাগী মরম লোইরম পূংপুন, কামুনচিংবা খুদং তরেৎ হন্দোক্লনা পীগনি হায়রগা হন্দোকপিখিদরে। অরা নিংথৌনা থোকহনবনি অরা জাতিগী অরাবা পুম্বসে।

মতম কুইনা রাঙাঙ ককথোক ককশিন তৌনছনা, মীৎ ঈ কানছনা, শাউনছনা, থেমজিনছনা মমৈথংদা মৈতৈ নিংথৌদা চঙজবা হায়না লেপ্পখরে।

অসিগী মতুং নোংমা কোনবদা শমশোক লাকপা,মচা নিপা লাথমতোন মথোকলকপগা লোয়ননা মপানগী থোঙজাওদা থোরক্লনা গন্ধীবনিয়াজ নিংথৌগী মমাঙদা শাষ্টাংননা তাছনা খুরুম্নে। মথুৎ লোমছনা শমশোক লাকপনা হায়জরকই,

—নদাইরেম ঐখোয় নপাবুং ইবুংঙোগী লোইরমনে। নোংমৈ, তোপ তেল কাপ্পা, থাঙ তা শিজিন্নবা তোকপিরো। ননাই ঐখোয় লফু চংবিগী ময়োন শোইদোকপ্রবগী লৈহোবা মথাক্লখনি। পুকৈ লোই হায়জয়গে।

লাইরেল মৈতেংঙনা হায়রকই,

—অপোং সয়োংথাইবা, য়াকচৌং শমলোইবা, লমলোই ঙাংবমচা মুংয়াং নাউয়োইবা তযুম অচানবা নখোয় মরি লাউ—ও! ল্যাইয়েল ঐদি ঐনা ঙাঙবা হৌনদবা যা কয়া ঙাঙসিগে? ঐরী ইছুং শিন্না বা ঙাঙনছনা য়্যাংগোন পুকৈ লোই হাইরো।

রাংগোন কৈরুংবা মরিগী য়া ঙাওনহনা শমশোক নিংথৌনা সনা মপাক মশীং তুনা, পুথম, য়োংমতুম, কি মশীং থীনহনা কবোগী কেপ য়াম্না পীহনা লোই হায়রগে হায়না য়ারে।

শমশোক লাকপনা হায়জরকই,

—লাইরেল কোয়ৌ ইনিংথৌ-ও! ইনিংথৌনা চেঙ পুকৈ লিংহনা চহী অমা চুপ্পা লাল শোক্লবা অসিদা ননাই ঐথোয় শমশোক্কী মীদি চোংতাইমন কুত্তুনা চাবা, উহা থোংহনা চাবা তুমিং মশীং য়ামলে। ঐথোয় পুন্নমকপু চাক পীজৌ ও।

লাইরেল মৈতেংঙুগী সনা য়াথং মতুং ইন্না চেঙ হোনবা লৌমিশিংনা চেঙ চীংযুক য়াংনা পৈহনা, ঙা-পুং অমা পৈহনা শমশোক্কী মবুক লাল্লবা মীশিংদা পীররে। চাক চয়োম, ঙা চয়োম কবোগী য়ুম অমত্তা য়াত্তনা পীবীরে। কবোগী য়ুম খুদীংদা "লাইরবগী মবুংঙো"গী মগুণ থাহনা ঊৈশৈ শরুখয়ে। অরাবদি ঙা-চাক য়াম্না চামনখিহনা মবুক য়াম্না হেন্না থনমনখিহনা মজুংশোখর হোনবা য়াহনা উথোক্তা তুহনা খিবগু য়াওনরে।

শমশোক লাকপনা লাইরেল মৈতেংঙু সনা থুম্নাদা হজংলি,

—লাইরেল ইনিংথৌ-ও! শমশোক লৈপাক মাঙতারে। লৈপাক অসি শেমগৎ-শাগৎপা ঙমজৌ হায়না তুবিরমও!

লাইরেল মৈতেংঙুনা সনাথুং য়েং য়াংনা থাজত্তুনা হায়রকই,

তমুখ শমশোক লাকপ-ও! লীক পয়েং লেংবা লাংতুং তংজন্নু লীক মন্ন চোইনা কেম্নুনা মাঙখিনবা শেমজিন শাজিন-

বিহোরো। রাখল পরৈ চেংনা ভৌহ্নঁা শমশোক শেমগৎ শাগৎপিহোরো।

✓ অসিগী মতুংদা পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌ গরীবনিবাজ তেঙ্গোলগা লোয়ননা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক তম্না খোঙশাল্লক্লে। শমশোক লাকপা মপামচানা পোনগ্যাজ মঙাগা লোয়ননা শমশোকী অহল্লমন নিপা সুপী অমসুং লাইরিক তম্লিবা অঙাঙশিং পুল্লমকপু ষল হোইবগুম হোইদোক্কনা নিংথৌ সনা খুয়াথাদা (১) পুক্রম জম্বনা লৈহোরে। লম্বীদঃ উরিংকোম্বা য়াম্না ফজবা লৈ অমা শাক্তনা লৈরম্মী। দোলাইথক্তা নিংথৌরেম্মা লৈ অদু সনা খুংমক্তা হেক্কনা হায়রকই,

—অরোই লাইশ্রমচা নঙ লাক্ট। লৈ অসিগী মমীং করি কৌবগে?

অরোই লাইশ্রমচানা হায়রকই,

—লৈগী লৈশক উদনা লৈ মমীং হায়বা ঙমজরোই। অদুদি ওইরগা নিংথৌ সনা য়াথং মালেম লৈপাক্তা ভাবা য়াদে। লৈশক য়েংলগা মমীং খোনজগে।

লৈ অদুগী মশক মুন্না ভাইহক য়েংলগা কবিনা মথাগী অসুন্না লৈগী মমীং খোনথরে :—

"শীংলেন মখোকতাদি,
(২) চারায় চমকেল মানবা॥
শীংলেন মনা তাদি,
পাঙল কুত্তম লৈগুমরা॥

---

(১) খুক্রমহনা (২) চরায় চমকেল করি লৈনো খঙদে।

মৈতৈংগু খোংনাং ময়ামবা ময়ৈখঙ্গ,
শমশোক খুনঙম লৈ ॥
মুহু থোঙজাউ ঙাকপা,
শোংখৈ ময়োংখৈ কানা লৈ-ও ॥
অয়োই লাইশ্রমচা মিংথোয়ে-ও,
শেনবী অংগো চীংদা,
থেম্লেন ময়াই লাংনা তানকং লৈ-ও ॥"

শমশোকঙম্বা

অনৌবা মৈতৈয়োল :—

শীঙ্গেন লৈপাম্বী অহুপী ম-উহ য়েংবা ।
চাবায় চমকেন কৌবা লৈয়াং মানবা ॥
শীঙ্গেন লৈপাম্বী অহুপী মনাহ য়েংবা ।
পাঙলনা থাবা কুসুমলৈদি মানবা ॥
ময়ৈপাকনি খঙনবা থোংনাং ময়াম্বা ।
শমশোক খুনবু ঙম্বদা মিংথোনবা ॥
তাইবংনা চিন্নগা মায়থোং ঙাম্না-লৈ-ও ।
থবায় য়াবদা হুংঙাইহনবা লৈ-ও ॥
অয়োই লাইশ্রমচানা মিংথোনবা লৈ ।
ইঙান ঙাম্না শাংলবদা থেংনরুবা লৈ ॥
থাম্রনবী অংগো চীংজাওবী চীংথায়দা ।
খোজাং ময়াম্বনা থোঙলেংবা ময়বীদা ॥

নিংথৌগী সনা পূৱ্ৰীংদা থনবা ৱাখল নীংথীনা থগৎবা কবি অৱোই লাইশ্ৰম্চানা লৈ অসিগী মমীং (১) "শমশোক খুনগৈ" খো ঊ। সনা পূৱ্ৰীং য়াম্না পেনবা মতৌ উবদা হোঙবা অয়াঙ্বনা। লৈ সিগী চাৱ থৱা নীংথীনা ফুত্তুনা পোনচেপতা হাপ্তুনা ঈশিং চাইথুনা কংলৈবুং য়োনা পূৱক্লে। নিংথৌগী চামথোইবি পোইরৈ মৈতৈলৈমদা লৈ চারশিং অহু পীবদা মৈতৈলৈমনা চারশিং অহু (২) অপোং ইংখোলদা নীংথীনা ঈশিং চাইথুন। হৌনবা চাউনবা হোংলখরে।

লাইরেল মৈতৈডু ক লৈবুংদা থুংথুনা (৩) মবুথৌ লাইরেল পোইয়ম্বা চেঙজা হুংগোইবীদা লাম্না কক্তুনা পূৱকপা মীনী মকোক কত্তুনা লৈসুং চনখরে। অহুগী মতুংদা কংলাদা ব্ৰাহ্মণ বৈষ্ণব অমস্তুং (৪) কমদোনচিংবা লৈপাক প্ৰজাদা লালগী লালবাউ তম্নগা (৫) নিংথৌরেল চুবি শঙ্কাই মকোপ্লোয়দা লোংশিনখরে। অধিবাস লোইরে। মঙ্গলাচরণ হৌরগনি।

× × × × × ×

নিংথৌনা সনা কোন্নুংদা থুংলবা মতুং স্নুমিং মরীনী গুপ্তিগৈদা অৱোমায় মংশাগী তথেল লৌশিংবনা চাজুম নম্বা চিঠি অমগা

---

(১) "শমশোক খুনগৈ" গী খুনগৈনা খৈথরক্তুনা মমৈথংদা "খোঙগুনমেলৈ" কৌনখরে। (২) কোম্নুং অমনবা 4th Assam Rifles গী নোংপোক্তা ইম্ফাল চুরেল ৱাংমদা লৈবা লমদম। হৌজিক নোংপোক ইংখোল কৌনখরে। (৩) লাম্না কর্ত্তুনা পূৱকপা মী মকোক কংনবা কোম্নুং শম্নুংবা লৈবা লাই (৪) নিংথৌগী আচৌবা কয়াইবশিং (৫) সনা শঙ্কায়দা

লোযননা মী থবা থাব়ক্তুনা নিংথৌ সনা চরণদা অয়োনবা পাউ হঙ্গংলয়ে।

—অব়া তোংদোই নিংথৌনা তাথীবা শাডুলক্লে। "মৈতৈ নিংথৌনা অব়া নিংথৌ ঐহোক্পা নমথাক তৌথরে। মচাকুপী ভক্ষা সনাবু লুহোংহনা পীগনি হায়রগা কোংদো ছিদাংক-দা ঐপী তেঙ্গোলগী মী অমসুং খেয়া কম্বা মীশিং হাংলয়ে। ঐপী ইবুংথৌ মোংয়োং মঙড্রা নিংথৌগী মমাং চংপা হি শীঙনা শিংগুপ শানা য়ানথায়হনা মৈ থাদোক্লয়ে। ঐন্দি লোইলম শমশোকী মী, যল হোইবদৌনা হোইহনা পুথরে। অব়া ঐহোক্পা মীনম্বা লমচং চংলয়ে"। অসি হায়হনা চৌথাপ অমসুং ভয়াং তেকবা অনৌনা লানজিংহনা অব়া তেঙ্গোল অচৌবা অমা কংলৈপাক্তা লান্দাক্ল হায়না থাব়ক্লে। মথোয়না লাক্তুনা ঐথোয়গী লমদা উ য়ান্নয়ে, ইয়োই কাংপোং থোমহনা পুথরে। ঐথোয়বু যুমদগী চংথোকহন্দরে।

লানবাউ অসি তাবদা নিংথৌনা কংলা য়াইপুং মরে ল হাপ্তুনা থিনখরে। য়াইপুংগী খোনজেল তাবা লমদা লৈবা পুংজাও পুম্নমক মরোল হাপ্তুনা থিন্নখরে। খুনথাং য়ৈনা খুল খুদীংগী পুংজাও কংলা য়াইপুংগী খোঞ্জেল খোম্বাং য়ৈনা থিন্নখরে। থিন্ননা মতম থরদংগী মসুংদা মৈতৈ লৈপাকী চীংয়া ভনমাদা লৈবা খুল কাওবা য়ৌনা লানবাউ শিংনুন্না তানখরে। মশা মশানা ভক্ষ্য থবক থাদোক্তুনা লানকী শেতুনা, খুডু খুৎলাই পায়হনা, লানগী চেঙজেল পুহনা, মৈতৈ লাকী অপুম্বা কোম্বং

তম্না চেনখৎনরক্রে। লাম্না তেঙ্গোলগী লুচিংবশিং কংলাদা তিল্লরবদা নিংথৌনা সনা য়াথং তাকপিরকই,

—অদু তোংলাই নিংথৌনা লানজিংলেন চৌথাপনা লুচিংহুনা তরাং তেকরাগা লোয়ননা অদু তেঙ্গোল অমা মৈতৈ লৈপাক্তা লাপ্লারু হায়না থারক্তুনা লাল কাররক্রে হায়বা পাউ জররে। মখোয়না মৈত্রেবাক য়োরকত্রিভৈদা লমথাঙদা থত্তুনা লাল শোক্করুসি। অদু তেঙ্গোল মৈত্রেবাক্তা খোঙদাহনগনুসি। ঐখোয় পুন্নমক য়াম্না থুনা চৎলসি।

খৃষ্টাব্দগী ১৭১৮ গী কাইরেল থাগী পূর্ণিমা হুমিত্তা গরীবনি-রাজ নিংথৌ মৈতৈ তেঙ্গোলগা লোয়ননা অদু লাল শোক্নবা খোংশানখরে। (১) চখা শমুংথোং লান্দুনা, বাংথৈ লৈকাইগী লম্বীদা চত্তুনা, খোংগ্রাংবি খুল লান্দুনা, শামন উয়ামপোক থমহুনা, শমুংখেন কাকোন নোংদম ছুরেল লান্দুনা, বাংজিং ঐ-ওই নাতৈ থমনহুনা চৌরায়দা চৎখিহুনা মংশা য়োথরে। মংশা লোথেংকোইদা মৈতৈ তেঙ্গোল লানথন শারে। নিংথৌনা সনা য়াথং তাকপিরকই,

—তদুম অচানবা অকল অথৌশিংও! তাও-ও। লাল চৎ-লমদাইদা য়াশক্লখিবহ্ কাউমনো। নিংথৌ ঐস্রু ঐবু শোকপা পাবুং মৈতেংও, চরাইরোংবনা লোংগারমদাইদা ইচন ইবেম্বা মথাউ তরোগী মরমদা তাকপিরবা মরাথং কাউদরি। অদোমা খুৎনা থ্রেরা য়ামলে। মখোয় পুন্নমক অবাগী তোপ, লোংথৈ

(১) শক্লেনখোং

মরু লোকাকা উচেক পাইখওম পাইখদু ফিগনো। হাংগোন কৈরুংহনবা কোপেং (১) ভনবা মীথন থাই মঙ হীদাকদু কানবা থুদোং-পুবদু পুচনা, শদাই শঙডিং কীরুব লোইগা, লাইজা ঈয়ম তাবা হাম্না ভেনহৈবা রূপকা লোয়ননা লাল লোকনৌ। মমায় ওনগদু।

(২) চেকশা তাক্তে থাঙথাকনা লিংথৌ সনাচরণদা হাশক্তুনা হন্দখদি,

—ননাই ঐ অমা লাম্নী ভেকোলগা থুংও থাঙলেম্না থুংনা করনা য়াম্রজগে।

মুবা লাইয়েনময়ুমচাগা, মুরাং থুমহেবগা অনীনা হাশক্তনা

হন্দংদি,

—ননাই ঐথোয় অনীম্নু অমাগা লাল শোক্লজগে।

পলিবা লমথোম্না হাশক্তুনা নিংথৌ সনা থুম্নাথাদা হন্দংদি,

—লাইনিংথৌ ও! তাও-ও। ননাই ঐবু পোকপা ইপা কোইয়েম্বা হাওবমচাবু নবুথৌ ইবুংঙো ফুখি পাইথোম্বা সনা মহাকথকা অমা লাম্নীশিংনা কায়গা তা-তোংহন্দুনা মীহাং থীনা হাংখিয়ে। অমা লানজিংলেন চৌথাপস্নু ননাই ঐনা ওৱবদি কাহনা পুমক্লগা তা-তোংহন্দুনা ইপা হাংখিবগী লম্বন থুমজগে। নিংথৌ সনা য়াথং তাউথবিয়ো, (৩) হুক্কিয়ো।

নিংথৌনা থুংয়েং থাজত্তুনা সনা য়াথং তাকপিয়কই,

(১) মীথোই মীহেনবা। (২) চেকশাগী পুথিদি হায়রী Supplement দা য়েংবিয়ু। (৩) কৃপা তৌবিয়ু

—ভমুম অচানবা পণিবা লমথোক হাওবমচা ও ! নঙন্না নীংবা থুংজরো। মহু লাইহিংথৌ মহীরেন তাইবংখাইবনা (১) লংগুবিসনো।

অসিগী মতুং নোংমা কোনবদা নোংঙাল্লবদা লৈচিন্না মান্নকৈ অপুন্বা পুন্সন মমছনা মীৎয়েং মশেল মন্নাং তৌরিভৈদা মৈতৈ ভেঙ্গোল থোঙশানখিছনা তরেৎ ছুরেল লাম্বুনা নোংবান চকত্রম থেনবুগী মনাক্তা চংখিছনা থুকেপ লোপানথোং কোবা মকমদা অন্না ভেঙ্গোল থেন্নরে। থুদক অছুমক্তদা লাল হৌরে। অন্নানা নোংমৈ অমসুং তোপ নোং থোংবগুন্না থুকাপ থুনা কাপশিল্লক্লে। ইঙা থাদা নোং মন্নী কুংনা তাবগু তেল কাপ-শিল্লক্লে। অন্নাগা মৈতৈগা মমায় ওন্নদনা অফিবা মশাক কংনা লাল কন্না য়ান্নথরে। ভেঙ্গোল অনৌগী মশীংদি মৈতৈন্না অমা ওইরগা অন্নানা ২ (১ : ২) গী চাংদা ওইবা মরমনা অন্নানা অসুম অসুম তকশিল্লক্লে। মৈতৈ ভেঙ্গোল থাওবা তমদছনা নৌংহন্ননা চেনবা হৌরে। নুম্নবা তাঙ্গা অসিদা মৈতৈ ভেঙ্গোলগী সেনাপতি হাওবম পুত্রনবা মন্নোনতবা মমীং য়েংথংবদা তেল অমনা তেম্না থুন্না লেংছনা পানবদা শগোল মথক্তগী ওহছনা য়াইবি থন্নায় থারে। অছু উবদা মৈতৈ ভেঙ্গোলশমজি থাইছনা কোইচেম চেনবা হৌরে। অন্নানা তান্ তাম্বুনা মৈতৈ হাংপা হৌরে। অছু উবদা নিংথৌজা ভেঙ্গোল য়েংছনা লাউরকই,

—ভমুন অচানবা মথোয়বু মথায় অপুনা চেনবা কন্নিনীজো ?

(১) থৌজানবিবা ওইন্দু

নিংথৌ ঐ লৈরিয়ে। লাইরেল ইপা মৈতেংগু তুবি চয়াই-রোংবা তুগুকগুম্বগী মচানিপা ঐ লৈরি, য়েংউ। নথায় ওন্দুনা চেনগনু, কিগনো।

নিংথৌগী থোয়াউ তাবদা চেকশা, মূবা, লুয়াং অহম্না ঈশিং ঈচাওগী ঈথকুম ফুজিন্নকলিবা অয়া তেঙ্গোল মথাওদা শগোল থৌজিন্দুনা তা লংশিনবদা মাওথাবা অয়া লাম্মী অহম তা-না লেংছনা মথয়ায় থারে। অছু উবদা অয়া লকক তৌরিতৈদা অমূকা তা লংবদা অয়া অহম অমসু তুরে। অকনবা ঈচাওগী ঈশিং ওাইহক পনবগুম তৌরে।

অয়া তেঙ্গোলনা মৈতৈ তেঙ্গোল তায়খিবা মতম অসিদা অয়া সেনাপতিগী মনাক্তা অয়া লাম্মী থয়া লয়প তৌবা তাজা উবদা পলিবা লমথোক অয়া সেনাপতি চৌথাপকী মনাক তয়া শগোল কয়া থৌজিনথরে। মনাক য়ৌবদা চৌথাপনা পলিবা তয়া তা অমা লংলরে। তা পলিবগী ওইথংবা পাম্বোম নমলমছনা থেবাংহন্দুনা ঈ থজিত্তং থোকহন্নয়গা নৈপাক্তা তাথরে। থাও শংনছনা মথোয় অনী শিবা-চংবগী লান য়ায়থরে। মতম [illegible] মতুংদা পলিবনা চৌথাপকী থাও থোয়থিছনা শ্রেং শ্রেংলাউনা তাথরে। পলিবা শগোল থৌজিন্নক্তুনা চৌথাপকী মথুং য়েংপায়-ছনা চিংখুরে। চৌথাপ শগোল মথক্তগী ওইথরে। চৌথাপপু চিংছনা পলিবা শগোল নাকথং মথোও অনীনা কয়া থিন্দুনা মৈতৈ তেঙ্গোল তয়া পাইথিনথরে। অয়া তেঙ্গোল তায়রে। অছু চৌথাপতা

পানগনি হায়রবগী কিবনা থুংলাই অমতা কাপ্লক্তরে। মৈতৈ তেঙ্গোল পনমাও য়োবদা মৈতৈ লাম্মী হোংচিল্লক্তনা পলিববু তাময়ল্লিবা অয়া লাম্মীগা লানথেংনখরে। চৌথাপপু চিংঙ্গা পলিবা তেঙ্গোল পগ্নোং তানা শগোল থৌজিনখরে। অয়াপ্পগী লাউরকই,

—লাইনিংথৌ ইবুংঙো! চৌথাপ পুজরক্লে। লৌশিনবিয়ো।

নিংথৌ সনা মাওদা ইহং নাইহং শারবা চৌথাপবু থাদ-রম্লগা শগোল শমায় ওন্সুনা শগোল শাকৈ নমথা থাদুনা পলিবা লানফমদা থৌজিনখরে। নিংথৌনা লাউরকই,

—তপ্লম অচানবা পলিবা লমথোক। পেল্লে চুংঙাইরে, নমায় পাকপা ওইয়ু। চিংঙু লনামহৌনা লনওবিয়লো।

শগোল থৌজিনখিদুনা পলিবা অয়া লাম্মী য়েত্তা ওইদা থাদুনা কক্তনা হাংপা হোৌরে। থাও-না তা-না খজিক খজিক থেংথিবনা মহাক্কী মথা অপুম্বা ইনা পুমঙাও ভাওদে। হনয়া লৈতে। মাম্মী মমাওদা থাওবা ওমদহুনা অয়া তেঙ্গোল শমজি থাইহুনা চেল্লে। চৌথাপপু পলিবনা কাহুনা চিংহুনা পুথিবসি অয়া তেঙ্গোল মরক্তা লম্মৈ চাকপগুম নিরখরে। অয়াবা পাউ অসি তাবদা অয়া তেঙ্গোল শেকপী শেন্বাং পাইবগুম মাইকৈ মরিদা চেন্নখিহুনা মাওখরে। মৈতৈ তেঙ্গোলনা তায়হুনা অয়াম্বা হাংহোরে। থোঙমা নেংথুহুনা তানা থিদুরে।

থাবী লেংনাউ মোথী তম্লা উয়োককোম্বা শগোল তম্লা-থোমহোরে। লৌকোং উমংজেম্বা পোনোংচা সনা যুকচু চুজবী

ওমহৌরে। মচি লাইরিংথৌহনবা পামেন উরিংকোন্দা লাকরাই ক্রম্ অথৌবা কাহৌরে। নাম্দ মরমশাং হুম্মুং লানচেন লমদা (১) রাস্তং লৈশীং অমা থোমহৌরে। নোংবান চকপরম্পুথেন্দা লাকয়া নম্মিং অথৌবদু ওমহৌরে। লাইজ তরেং ঈ মরুদা তরাং তেকরা অথৌববু কাহৌরে। মাকনং তাউজিং তুরেন রাংমদা নোংমৈ লৈশীং অমা থোমহৌরে। খুমন অচনবদা লাওজ্যা চাকতাকমদা শগোল শাবোং তায় লৈশীং অমা থোমহৌরে। পোংকন শাথুন লমদা চেংলৌ শম্মন উয়োমপোক্তা তরেং শেনবুং লোকহৌরে। অকো চীংজুথুমদা থামুং রাশী হায়বা কবো লাংক্রাবু ওমহৌরে। অরা লাশী ১৫৭, নোংমৈ ১৬০, শগোল ১০ থোমহৌরে।

লাল লোইবদা চৌথাপপু তা তোংহনখরে। মথোক রান্না শাংবা তা অমা চৌথাপকী মকোক লরাই লেমহুদা খিংজিন্দুনা মঙকশম মথৌরি চরমদা খিনখরক্তুনা মবুক য়োনা খিনখহনা মথারোমদা তা মতোন কাওদোকহনগা মী লেংবা তা অহু অরাশী কৈথেল অমদা পুহনা য়ুংহনা থমখরে। অদু উবদা কৈথেল কাবা নিপা তুশী অপুম্বা মপোং মচৈ হন্দোক্লগনা কায়হনা চেন্নখরে। মযুম মযুম য়োরগা মচা মশু অশীকপা মনজন্দা পোন্নখত্তুনা মযুম মযুম থাদোক্তুনা লানজেন্নখরে। অমকপদা লৈবা অরা থুল থুদীংমক কায়চনা লাপ্পা লাপ্পা চেন্নখরে।

লাল লোইবা মতুং নোংমা কোনবদা লানকমদা রাজনিরা নৈতৈ লান্নীশিংনা অরা থুকপা চঙলো মনা, লুপা,

(১) রাস্তং হায়বসি করিনো থডসে

ফীরোল অয়ু অহেন, পোহাল, কেপ্পচিংবা মমল য়াম্বা পোৎচৈ খোম্বহ্ নিংথৌনা খাম্বা ভৌখিদরে, মনীং ভৌনা থাদোক্লে। লাকণ্ডম কাণ্ডমদবা মৈতৈ লাম্মীনা অৱাগী মমল য়াম্বা মপোৎ মচৈ মরল মথুম লোয়না খোম্লগা অৱা থুজং কয়ামুক মৈ থাদোক্কুনা উৎ ওইখরে। পেগোডা কয়া থুগায়হনা মাণ্ডহনখরে। গরীবনিৱাজগী মমীং তাবদা অৱা লৈপাক থক্ থক্ নীংখরে। মহাকী মমীংনা অণ্ডাণ্ড কপ্পা খেন্নখরে। মমীংদা তাবদা ৱাম্বা মী য়াওনরে।

পাথংবা পাকল য়েকপা লানণ্ডম ফীরাল ৱাংনা অভিয়াদা লিরি শিংপা হুংশিন্তা তেজ্ঞোলগী মাণ্ডথানা পাইহন্দুনা গরীবনিৱাজ নিংথৌরেল সনা লৈপাক কংলৈবূং তম্না খোণ্ডশাল্লক্লে। অচৌবা অৱা তেজোল অমগী মমূ য়ৈরেথেক্লমহনা নোংশাণ্ডম্বা মৈদিংঙু কাইরেন থাগী ২৩নি পানবা হুমিন্তা সনা মায়থোং মকা কয়া, পূল্লীং তুজুং হয়াওনা, মৈতৈ লৈমনচিংবা মনাও ইবেম্মাশিং, মমৌ ইবেম্মশিংনা তরাম তরাম ওক্লমহনা, ব্রাহ্মণ বৈষ্ণবশিংনা মঙ্গল পীহনা, সনা কোম্নুংদা লেংশিনখরে। অৱা লৈপাক্কী খোণ্ডশাল্লমদাইদা নিংথৌনা কোপেং ৱাংগোন কৈরুংহনবদা খোইমুম লাইরিংথৌগী ৱাকয়ৈ মথংনেৎ তোংজেং শেংগোইরোকপবু চিংহনা হীজাগাংদা থমজিল্লখ্মো হায়না সনা য়াথং তাকপীরমী। লাশা কন্তুনা পুয়কপা মী মকোক পুন্নমক চেণ্ডবা নুংগোইবীবা চনশিন্দুনা কংলাদা লানবাণ্ড তন্নগা সনা শক্লায়বা নিংথৌরেল লেংশিনখরে। মঙ্গলাচরণ লোইরে।

খৃষ্টাব্দগী ১১ শুবা শতাব্দী হৌরকপা মতমদা গজনীগী নিংথৌ সুলতান মাহমুদনা ভারত্তা ১৭ লক লান্দাহনা হিন্দু নিংথৌশিংবু মায়থীবা পীখি। সুলতান মহম্মদনা হিন্দুগী লাই মূর্ত্তি য়েংথিবা মী ওইরমত্রবদি সমনাথগী মন্দিরদগী অঙকপা ফংনা য়ামগ্রবা লন্‌-থুম ফংলমদবা য়ায়। মহাক্না ফংখিবা লন্‌থুমশিং অহ্ অকবা মরমদা শিজিন্নখি হায়রৈ।

খৃষ্টাব্দগী ১৮ শুবা শতাব্দী হৌরকপা মতমদা মণিপুরগী নিংথৌ গরীবনিৱাজনা অৱা লৈপাক্তা ৭ লক লান্দাখি। লান্দাবা খুদীংগী মহাক্না অৱা নিংথৌবু মায়থীবা পীখি। অৱা লৈপাক্কী খোয়রকপা লন্‌থুমশিং অহ্ অকবা মরমদা শিজিন্নখি। মহাক্না বৌদ্ধ লাইমূর্ত্তি য়েংথিবা মী ওইরমত্রবদি কোংমুদো পেগোডাদা, মতুংদা হৌরকপা অৱা জাতিগী মীনা লম্মনশিংনিংবগী নীংশীং খুদম ওইনা থাগনা য়াল্লমদবা য়ায়। নিংথৌ অনৌসিগী থৌনা উচপ্ত থৌবা মওঙ ফনা য়ান্না মাৱৈ।

য়াঙ্গোয় মকাইকমদা লৈবা চৌংথু তাইবংখাইব (সনামহী) গী কিয়োং (লাইশং) গী মমাঙদা লৌশঙাম অমরোম পাক্না পাকখল অমা চাউনা থয়ে। য়ুম্বী খুদীং কী অঙৌবনা য়োয়ে, মথক্তা অঙাঙবা কীনা কীজঙ থয়ে। পাকখল মথুং লৈমায় অহ্ নাপী নীংথিনা কাম্বোক্‌তুনা বাই নীংথিনা তৈ। কিয়োংগী মাঙোলদগী হৌহনা পাকখনগী ময়ায় চপচানা নোংপোক্কী চিদাই কাঙবা অঙাঙবা কীশাঙ মথক্তা অঙৌবা কীশাঙ থুনা শাক্না থায়ে। পাকখনগী ময়ায়দা খা-য়াংদা অহ্ঙবা অঙাঙবা অঙৌবা

কীশাও থুংনা থাহগা মধা থংবা চিদাইদা নিংথৌগী থুদা থারে। অহাংগী চিদাইদা নিংথৌগা মায়োক্লনা মৈতৈলৈমা শেনবি পাক্তকপী থুদা থারে। নিংথৌগী নাক য়েং-ঐদা নিংথৌগী মক্তা ইবুংঙোশিং, মমাক ইবুংঙোশিং, নাইজ (অহল্লুপ-নাহাক্লুপ), থুক্তা (লাইকম থাবম)গী কমদো ৬৪ অমসুং অতৈ কয়াইবশিং (১) অপিক অপান মচাশিং কম অচৌ অপিশক মথং মনাও নাইনা কয়ে। মৈতৈ লৈমগী য়েং-ওইদা নিংথৌ মক্তা ইবেম্মশিং, মমৌ ইবেম্মশিং, কয়াইবশিংগী মচু মচাশিং মকোক মথং নাইনা কয়ে। গুরু গোপালদাসনচিংবা ব্রাহ্মণ ঠাকুরশিং মকম চানা চানা কয়ে। পাকথনগী হাংমদা প্রজা নিপা তুপী তোঙান তোঙানা জীশীংনা থুক্তিং ওইহুনা নক্তনগা নক্তনগা, লেংদোনগা লেংদোনগা ক্রি ক্রি ইমবা লেপ্লে।

চীংঙু ভাইবংখাইবা ফিজেং কীঙাম নীংথীনা থোক্লুনা কিয়োংগী মাক্তোক্লা সনা, লুপা, মণিনা কায তৌবা মুম্বী মরি যুংবা, থাকল মথোল ৯ থনবা, সনা কপ্পাল্লাংনা লেংশিল্লে। মাঙদা থুদৈশেল-কাওশেল, শেম্বক-শেনথা, হৈ মনম নাইবা, কোম্বীরৈ, উরিরৈ, লৈরি, কুঙমলৈনচিংবা থারে। চীংঙুগী মাইকৈ মরিদা চীংঙুগী য়োইবু য়োইহৈ (ননাইজুপী-মচু) মরি চোং, শেকপীন, কাংহায়, চামর পায়হুনা থোগল তোরে।

শমশৌক লোইচনবা অমসুং অহাগী লানকম অতৈদা রাজখিবা অমসুং অতকপা কংবা মথৌনা মপাক্তল উংখিবা মৈতৈ অকনা

(১) কয়াইবশিংগী মচাশিং।

অথৌশিংদা নিংথৌনা মবুথৌ ইবুংঙো তাইবংখাইবাগী মহুৎ শিন্দুনা মিংনপ-মিংলেন (উপাধি) পীবীগদৌরি। কুম্মৈ হৌরে।

নিংথৌরেল গরীবনিবাজ সনা কম্বাল্লাংদগী লেংখত্নুনা মথাদা কুমখরে। সনানা হাকত রৈত্নুনা চনবা থাঙথোক পানবা থাং-শাং অমা মরেংবান্দা থোংত্নুনা (১) খোগাল পাউ লাকোং ঙাংবমচা নিংথৌ সনা খোগল তৌত্নুনা তুংদা লেপ্লে। নিংথৌরেল খোগল পাউনা তুংদা খোগল তৌত্নুনা তপ্না তপ্না চাংঙ্ তাইবংখাইবা তম্না চঙশিল্লক্লে। কুম্মৈ য়েংবা মী লীশীং ১০। ২০' তিন্দুনা অঙকপা কংনা লিলথোংলগ্গ উল রাইমুক চিকখরে, তুমিন তুমিন চেক মৌ লাউদনা লৈনখরে। লাইমাঙ য়োরগা লাইবক কত্নুনা নিংথৌ কাথংখিত্নুনা খুরু খুদক শলশানা চীংঙ্দা পুরুগ্লে। য়োইবু য়োইহৈ মরি মথং মথংত্তা পাম্নবা কাংহায় চামোর নচিংবা থমচনা তাইরেল মশা অমমম পাম্নত্নুনা জগোয় শাবা হৌরে। মরক মরক্তা অমমমত্তা ওইনা চঙশিল্লক্নুনা তাইরেল মশানা খুরু খুদক কুম্দুনা লৈবা নিংথৌগী মপোক থক্তা হাইরম্মী। জগোয় শাবা লোইরবা মতুংদা নিংথৌনা থুং লোম্নত্নুনা হায়-জয়কই,

—ইবুথৌ ইবুংঙো চীংঙ্ শাইহিংথৌ! লানফমদা রাজখিবা ননাইশিং মৈত্তৈ অকল অথৌশিংদা মিংনপ-মিংলেন অর্মাদ মনা মখিন পীনবিয়ু, কুবিয়ু।

---

(১) নিংথৌ রাওহনা কংলাদা তৌবা বিচারগী পাউ নিংথৌদা হজংপা অমসুং নিংথৌগী সনা রাখং কংলাদা থঙহনবা কম্নাইবা।

যোক্টব্ য়োইহৈ অহনবীনা ঈশিং থন্না হাপ্পা চকু কুমোয় মচা অমা ভাইরেল মশা অমা হাপ্তুনা নিংথোপী কোকথক্তা কোয়না হাইরে। ভাইরেল মনা ঈশিংদা দুপ্তুনা নিংথোপী কোকথক্তা থিক্লে

নিংথোবেশ থুরুমচুনা হোৌগৎলগা লাইমাওদগী থোৱক্তুনা সনা কপ্পাল্লাং মনাক্তা অনেম্বা ফাল অমদা লেপ্লে। থোৌগল পাউনা নিংথোৌদা থাংশাং পীরে। অচুপী মতুংদা লাউনা কৌরকই,
—পলিবা লমথোক শগোল লাম্মী ভেজোলগী লানজিংলেন!

পলিবা লমথোক থোৱক্তুনা নিংথৌ সনা মাওদা শাপ্লাং-ননা দগুবৎনা থুরুম্লে। হোৌগত্তুনা মথোঙ য়েংথংবা থুকউ য়ুম শাচুনা মথোঙ ওইথবা মতুদা তিথোক্তুনা মকোক নোম্বচুনা মথুৎ অনী লোম্বচনা লৈরে। নিংথৌনা পলিবগী মকোকথক্তা থাংশাংগী মত্তোল থম্লে। নিংথৌনা অৱাংবা খোপ্লেলনা হায়রকই,
—ইভাইরেম পলিবা লমথোক হাওবমচা শগোল লাম্মী ভেজোলগী লানজিংলেন—চৌথাপ কাবা—ও!

থোৌগল পাউনা মখত্তা পায়রিবা লাইরিক পারকই,
—পলিবা লমথোক হাওবমচা শগোল লাম্মী ভেজোলগী লানজিংলেন—ও। অৱাগী লানফমদা লাম্মী মৌশীং য়াম্না য়াম্বা হেনবা অয়া ভেজোলগী অকনবা ঈশিং ঈচাওগুম্বগী পম্বেং থাংবা ওমদচুনা মৈতৈ ভেজোলনা কায়চুনা চেল্লবদা মৈতেংগুপী মনাই অচানবা নঙনা অয়া ভেজোল চৈরকথায়না লাক্লোই শগোল থৌজিন্দুনা অয়া লানজিংলেন চৌথাপপু হিংনা কাক্লা

চিংহূনা পুবকপনি। মৈতৈ তেঙ্গোলনা মায় পাকখিবনি। ময়ু লাইয়িংথৌ চৌংঙু ভাইবংখাইবনা কুবিহূনা নওনা কৈশুম শঙদা লৈবগী অৱাংপা মতম অহূ কোকপিরে। অহূগী মথক্তা য়েক্লবগী লানজিংলেন ফাহূনা নিংথৌ কনবগী থবক তৌহূনা অঙকপা ঈচঙ থৌবা থৌনা উৎখিবগী অমসুং অৱা তেঙ্গোল থুগায়বগী দমক (১) তাংবল্লোই কংঙ্গৌ। পজেং ফীরাল, নিংথৌ ফি শাইজোনবা, রেশম কুরিৎ, ময়েক শুবা থামেনচংপা ফৈজোম, সনা থুজি-তান্, লমথাং থুল্লক, পে অঙাঙবা কংঙ্গৌ। চৌংঙুগী সনা য়াথংনে।

মথংদা ক্যাম্বা শাংপমচা পুঞ্জনবা কৌশিল্লে। ক্যাম্বনা সনা মাঙদা পলিবগুম্না লৈরবদা নিংথৌনা অৱাংবা থোঞ্জেললনা হায়ৱকই,

—লাইকম পানাগী পুঞ্জনবা ক্যাম্বা শাংপমচা—লাকৱাই ক্রঙ ফাবা—ও।

থৌগল পাউনা ক্যাম্বনা লানফমদা তৌখিবা থবক পুন্নমক পারে। তাংবল্লোই নত্তবা পলিবদা পীখিবা মনা-মখিন পুন্নমক পীরে।

অসিগী মতুংদা থৌগল পাউনা লাম্না থৌবশিং মথং মথং অমমমদা ওইনা কৌশিন্নুনা নিংথৌনা থাঙগী থাঙদোন মকোক

(১) তাংবল্লোই—লৌ পরি ৫০ য়াওবা মণিপুরগী থাইদগী হেয়া ...ঊবা মমা মখিন। শ্রীনিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহনা লেংবা ...মৈতেলোনগী Dictionary য়েংবিয়ু।

মকোক্তা থমহনা মিংনপ মিংলেন পীখ্রে। থৌগল পাঙ্গনা মানা মান লানকমদা ভৌরকপা থবক পূন্নমক লৈপাক্ প্রজা তিনবদা পাঙ্গনা ভাইদে।

—সাইক্তম পানাগী মকোক ওইরিবা অপোঙ সরোংথাইবা
ভৈথা নীরোংথন কাবা—ও!

—থাবম পানাগী লমজিংবা অচুনবী পূকচাউ মাইবা থীয়া
লাকয়া নম্দমীং কাবা—ও!

—থাবম পানাগী ৱাকচীং শমলোইবা—লাশক কদেং
থাঙশাবা কাবা—ও!

—লোইনাই অহন্নুপশঙগী অকোং হাওবমচা কৈবিরাম ... ...
শেনবি পোনোং কাবা—ও!

—অহন্নুপশঙগী ৱাংগোন কৈরুংহনবা লমলোই ভাংথমচা ...
লাশোং লাম্বোয়াঙ কাবা—ও!

—নহারুপ শঙগী শঙলেন লাকপা হোংলাই সনাসবা · লুথক
সরা কাবা—ও!

—মুংয়াং নাউয়োইবা লকেং লাম্বোয়াং কাবা—ও!

—কোপেং ৱাংগোন কৈরুংহনবা—ভৱাং ভকয়া থাঙশূবা
কাবা—ও!

—নিংথি শেন্নোয় হিঙাইকমদা চংলূবা চীংজু ভাইবংথাইবশী
(১) য়োইহৈ মরি—চীনজু ভখোম্বী, ৱাঙম মৈতৈ চজু ভোজু
মাইথুবী, ভাম্বোং অহোঙবা চজু চাউবী ভেবুয়া, লুংপাল

(১) চীংজু সনামহীগী মচু-মনাই লুপী—মাইবি

লুবাং চম্ব হোঙবী থৌগ্লাউ—থাম্রন কেমুচা কৌজীমুক ফাবা-ও!

তেলহৈবা রূপক থামেন চৎপা কৈজোম, সনা খুজি তান রেশম কুরীৎ, নিংথৌফি শাইজোনবা, পজেং কীরাল কংজরে।

মৈতৈ জাতিনা য়াম্না মিহৌবা কজথবা মিংনপ—মিংলেন-শিং অসি পীবগা লোয়ননা মাপী মাপী মতীক চাবা য়েংছনা থামেন চৎপা কৈজোম, লমথাৎখুলক, নিংথৌফি শাইজোনবা, পজেং কীরাল, অমসুং রেশম কুরিৎনচিংবা পীখরে। মানা রাজরূকপগী দমক হু-নিঙোন অরিন্দমদসু মনা মথিন থরা পীবিখরে, নীংথীবা মুম কৈ, মুপী লোইয়িন কয়ামুক, শেৎন ইমবা, চান-থরবা নীংথীনা শিনবিখরে। নিংথৌ মজা ইবেম্মা অমগা মাম্নবা মওঙদা নিংথৌনা অরিন্দমবু সনা কোম্নুংগী লৈমকোন্দা থম্বিখরে।

মনা মথিন পীবা মতুংদা লৈপাক অপুম্বা হয়াউ তয়াম্বনা পুমনীল নিনখরে। হয়াউবা ঈথক হৌরে, মুংঙাইবা ঈনোৎ কারে। পুং-ঈশৈ, জগোয়, থোঙকাংজৈ, শগোল কাংজৈ, লমজেন, কীবুল অহাবী, মুরু', চেনজোং-মাংজোং, তেল কাপ্পা, অরাম্ব'ই হনবা মওঙ মওঙ তৌছনা মকোক মথং ওইবা পাথংশিংদা নিংথৌনা মনা-মথিন নীংথীনা পীবিখরে। তেলহৈবা রূপকী মহৈ উবদা মী পুম্নমক ঙক্লখরে। মমায় কীনা থুমজিল্লগা তেল কাপ্‌না তারগেট (Target) অমুক্তা নত্তনা কাপ্পা। খুদোংবী মরি মহারূক পানবা উবদা মী পুম্নমক থাগৎনবনা পুমনিল নিনখরে। ময়ায়দা থুবাক অমরোমদা লাওবা মথুল কাৎপা উপাক তারগেট অমা লম ১০ লাপ্পা মফমদা লেপ্‌না তেল কাপ্‌না অথুবা

মথুল অহু কাওহনা লম অমা লাপ্না নৈবা অতোপ্পা তায়গেট অমদা পানহনখরে। অসিনচিংবা।

॥ মাপল ॥

খৃষ্টাব্দ ১৭২৩ মেরাপা। মণিপুরগী খা-নোংচুপ পাংবা মাইকৈদা লৈবা উদয়নগর চীংতোমপোক্কী তখেল নিংথৌ ধর্ম্মরাণিক্যনা (১) সনা ফম্বাল্লাংদা ফমহনা পুক্লৌং খোয়রাঙ খোয়শাওনা রাজসভাদা ফম্লিবা ছত্রজিৎনারায়ন মেংহুদা হায়রকই, —সেনাপতি! নহাক ঐগী ইনাই অখোৱবশিংনা মোইরাংগী লমদমদা থারম লোইহাপোৎ থোৱা চৎখিবদা তুরেল তুখুল মতোমখোক্কা পোইরে মৈতৈশিংনা ঐগী ইনাইশিংগী দোলাই য়ানথায়খরে, ঐগী শামুম্ মুলহোরে, ঐগী মীনা পৃথিবা পুংগী পুংমায়সু য়ানখৎখরে। অদুগী য়াহু ঐ কাউদরি। অদুনসু লোইবা নত্তে। (২) তেখাও নিংথৌদা মচাতুপী পাহনা থাইশেল ওইনসে হোৎনবা মতমদা মৈতৈ নিংথৌনা তেখাওদগী শ্রীমদ্ভাগবত

---

(১) নিংথৌনা রাজসভাদা ফমবা সিংহাসন (২) আসাম

লৌবা মতমদা ততেল লৈপাক ঐখোয়বু মখোয়গী মপোৎ খিয়বা লোইরমগী মী ওইনা শিজিন্নগে শয়ৌ শিন্নখিবছু ঐ কাউদরি। নিংথৌ ঐগী থৱায় মুংঙাইতনা লৈরকপা মতম কুইরক্লে। মরম অসিনা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্তা লান্দাক্ল, পনথোং কম্না থেংলু। ইবুঙোশিংগী সনা হাকতুগী হোনা মোইরাং কোবা নমদমসি ঐগী ঙা-ওইনা লোইহাবা লৈপাকনে। মোইরাং লৈপাক্তা চুং য়ান্দুনা লান্দাহনা লোই চল্লম্মু, লোক্তাক পাত্তগী হৈকক থাংজিং :হেক্তুনা পুরকউ। ততেল ঐখোয়গী মোইরম চৌংগী খুন তরুক লাংথ, লাংলোং, খোইরোই, খোংয়াং, কুমকি অমস্নুং তোলোং অমুক হন্না লোই চল্লম্মু।

হাত্রজিং নায়ামা মথুং অনী লোমহনা হায়রকই,

—মহারাজ ইবুংঙোগী সনা য়াথং কোরৌ নোংদা কাকদে, মালেম লৈদস্নু ঙাকদে। ননাইনা সনা য়াথং মতুং ইন্না থবক পাঙ-থোক্তুনা হজরকে। করম্বা তুমিন্তা যাত্রা তৌহনা চচ্চগদ-বনো সনা য়াথং তাকপিয়ু।

নিংথৌনা অরোম্বায় হজবা য়েংহুনা য়াহংলকই,

—হুজবা! (১) থাত্রন নিংথৌনা মৈতৈ লৈপাক্তা লান্দাগনি হায়বছু করম্বা অনৌবা পাউ তারে?

—মহারাজ! ননাইনা কংজবা পাউদি অসিনি—মৈতৈ নিংথৌ গরীবনিৱাজনা থাত্রন মাগী মরৈপাক শমশোক লৈপাক্তা লান্দাহনা শমশোক লৈপাক থুগাইথরে, কোইথরে। মচু

(১) জবা

তস্মু নহেনা নিংখি ৱাংমদা লৈবা চান্দ খুলস্মু মৈ থাহনা উং ওইখরে, তু'গ্রে। শমশোক মনাক্তা লৈবা তাংখুল খুনজাও অমস্মু মৈ থাহনা মাও তাকহ্নে, চাইখাইখরে। অৱা লৈপাক্তা ঈনা লৌখাং ওইনা চেন্নে। অদুতস্মু নত্তনা অৱা লৈপাক্তা শোক্লখিবা লানকম অমদা অৱা সেনাপতি অমবু চঙনা কাহনা পুথ্রগা তা তোংহনখরে। গরীবনিৱাজনা অৱা লৈপাক্কী অৱা নিপা, সুপী, নোংমৈ, ষগ, শগোল, শামু, পোত্সাল, য়ে ত্তুম, লম্বুম, কোম্লিকনচিংবা খোমহনা পুখরে। শমশোক লাকপা মচানিপাগা লোয়ননা গরীবনিৱাজকী মকমদা চঙজহনা শমশোক মৈতৈকী লোইৱম ওইখরে। মরম পুম্নমক অসিদগী থামুন নিংথৌনা মৈ থোক্লা শাউহনা মৈতৈ লৈপাক্তা লাম্দাগীন, শমশোক্লচিংবা মাঙহন তাহনখিবগী মত্তীক চানা লম্মন খুমগনি হায়না উদ্যোম চাউনা লাঙথংলি। অৱা তেঙ্গোল অচৌবা অমা শেমগংলি হায়বা অৱোনবা পাউ ফংজরে।

তখেল নিংথৌ ৱা তাঙদনা তাইহাক লৈরগা হায়ৱকই, -পঞ্চমরাই লৌশিংবা ও। থামুন লৈপাক্তা চত্তুনা থাগ্রন নিংথৌ চেংকোং লৈমাবা (টানিনগানউই) উনরু ও। পোত্রৈ মৈতৈ লৈপাক্তা লাম্দামিন্নসি, মাইকৈ অনীদগী লাম্দাহনা মৈতৈ লৈপাক চাইথায়সি হায়রু ও। ঐগী তেঙ্গোল খোঙমী লান্মী ২০,০০০, শগোল লান্মী ৫০০ পুরকনি তকলম্মু।

করি নুমিত্তা লান্দাগদবনো অশেংবা চীঙোয় মপাউ শঙঙকউ হায়রক চিঠি অমত্ত পুখো।

—মহারাজ! ননাইবা ইনোংখোম্বী সনা য়াথং ইকোকথক্লা হাপ-চরে। ননাই ঐ চচ্চগে।

পঙ্গমরাই লৌশিংবা তখেল নিপা খরগা লোল্লনচনা মশাক ওঙোক্তনা মৈতৈ লৈপাক লাম্বুনা কবো ঙম্পাক তাথরে। কোংদো হিঙ্গইকমদা নিংথি চুরেল লাম্বুনা ইরাবতী য়োথরে। পেগু কোম্বুং চৌরবদা নুমিৎ মঙানি পোথারে। অচৌবী মচুংদা অমা নিংথৌ টাম্নিনগানবইবী য়াম্ব দরবারদা চঙখিচনা তখেল নিংথৌনা পীরকপা চিঠি পীরুরে। তখেল নিংথৌবী চিঠি কংবদা খাঙ্গন নিংথৌ টামিনগানবাই য়াম্না হয়াওরে। পঙ্গামরাইবু তরাম তরাম ওক্তনা নিংথৌনা সনা কোম্বুংদা থমথরে। মতম থরক্ং চাইঙ্গনা লৈনবা সনা য়াথং তাকপিথরে।

অমা তোংদোয় মঙত্রা নিংথৌরেনবী সনা য়াথং মচুং ইয়া মহাকী মন্ত্রি নিপাল, অয়োম্নায় হজবা নুথক লাম্ছোয়াজা, লাম্নৌ তেজোন্দবী সেনাপতি মঙত্রা কেঙচ ঙবা, কেঙমুচা, তরুংখাঙনুবা, চফউতি, অম্রাংচান্ কিয়াং, অরেংচা চৌংতাপ লানজিংবা, লাকয়াক্রেনু, লাকয়ামণ্ডজিং, নন্দক্যনটিবো অঙবা পুরমক তিন্নরবদা নিংথৌরেজা হায়রকই,

—ইদাইরেম মালেম লৈপাকী লানজিংলেনশিং অনদি কয়াইবশিং তাবিয়ু। পোইবৈ মৈতৈ নিংথৌ (১) খোনাং মরাখাজা ত্রৈবী

(১) গম্ভীরসিংহ

লৈপাক শমশোক্তা লাম্পায়ক্তুনা চাইথারয়রে, মাও তাকইহনরে। শমশোকী নিপা মুপী কাওয়েল যল হোইবগুম খোমহুনা মযুম লৈপাক্তা পুথরে। অহুনমু লৌহিবা নত্তে। মচামুপী য়াংওমলোম ভকাসনাবু নিংথৌ ঐতোম্বা মুহোংহনা শীগনি হায়হুনা ঐগী ইমাইশিং কোংদো হিক্তাউকনদা থাপ্রগা ছুম্না হাত্তোক্লরে। ইবুথৌ ইবুংঙো মুংয়োং মওত্রা নিংথৌগী গনয়ানা সমানা হাজংরৈবা য়াকরৈ হি শীতেংবা নিংওপ-খানা য়ান-থায়হুনা মৈ থাদোক্লরে। "অসি পুয়মক ঐ কাউবা ওমদে। থৌদোক অসিগী মতুংদা শোয়খিবা লাককদা ঐগী লাম্মী তোজোলগী লানজিংলেন চৌখাপপু কাহুনা পুথ্রদা তা-তোং-হনখরে। মীহাৎ থীনা হাংখরে। পয়মক অমি ঐ থাওবা ওমদে। মরম অসিনা-পায়ী ইবুংঙো অওত্রা কেওই ওমা লানজিংপুরেন-ও।' পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্তা লাম্পাক্লও। লমহইনা নোংশাগী খোঙুল লীহনা মতুং ইমহুনা চংপওম ঐগী লৈপাক শমশোক্তগী খোমহুনা পুখিবা মীশিংগী খোঙুল লীহনা থিক্ল। মথোয়হ অমুক হন্না বর্মাদেশদা পুয়কউ। মৈতৈ নিংথৌগী কংলা লাথোংদা চতহুনা নিংথৌগী শজায় থুগাইহুনা মৈ থায়ম্মু। ওয়বদি ময়াম্বা নিংথৌ কাহুনা পেঙ কোমুংদা পুয়কউ।' শামু মশীং য়াম্না, শগোল লাম্মী লীশীং অমা অমমুং মশীং থীবা ওমদবমথৈ য়াম্বা থোঙমী লাম্মী পুহনী চংনু। করৈলৈপাক লাম্না মায়থীবা পীয়নগা মুং হন্নকনী মওত্রা শমশোক্তা চতহনা পুন শিংথিরম্মু, শেমশিং থাগৎশিন্নব।

ঙাইহক লেপ্লগ' নিংথৌরেন্না য়াহংলকই,

—থোঙমী লাম্মী মশীংদি কয়া ওরে ?

মঙত্রা কেঙচ্ছ ঙম্বনা পাউথুম্নকই,

—কিয়াক। খোঙমী লাম্মা লৈশীং হুম্ফু শেমশাঙনা থমজরি।

নিংথৌনা ঙাইহাক য়াখল ভোরগা হায়রকই,

—লৈশীং ৭০ ঙনবা হোৎনৌ। মৈতৈ লৈপাক থুগায়দবা য়াদে।

—সনা য়াথং মতুং ইন্না ননাই ঐনা থৱায় য়াওনা হোৎনজগনি।

কল্লি ঙমিত্তা খোঙশান্দুনা লাল চচ্চগদগে কিয়াক ?

—পোইন্নু লৌলোকপা লোইরগা য়াকচোং পানথৎলকপদা

চৎনবা ভৌ।

মতম কুইনা য়া ঙানরবা মতুংদা ভখেল নিংথৌদা পিনবা চিঠি অমা ইরে। চিঠিগী ৱারোলদি—

ভখেল লৈপাকী মপুও' মহারাজনা পীবিরকপা চিঠিগী পাউথুম পীজরি। মহারাঠা বর্গীশিংনা (১) দাক্ষিনাত্যদা নমহ্না (২) চোঠ লৌবগুম্না মহূ চাউবা মৈতৈ জাতিনা বর্ম্মা দেশদা মী হাত্তুনা, থুজং মৈথাহনা, মীগী মরল মথুম মুম্নুনা লৌরি। মহারাজগী ননাইশিংবুস্নু মখোয়না থীনা ওৎ-নৈ হায়বা পাউ তাজরে। লাকঙম কাঙমদবা মহূ চাউবা মরীংনৈদ থাবা জাতিসিগা যুমলোমহনা লৈবা মহারাজগীস্নু ঐগীস্নু য়ান্না য়াবা

(১) বিন্ধ্যাচোলগী মথা থংবদা লৈবা ভারতকী লম The Deccan

(২) লৌ-ইংথোলগী চহী অমদা থীবা থ জনাগী ‡ শরুক অমা।

খুদোং থীবনি। করম্বা কালদা করি তৌরকদগে খঙবা ঙমদে। মরম অসিনা ওয়রবদি থুয়াদা যুবা ত্তিংখং অসি শস্তোরকবা হোৎনসি। মৈতৈ হায়বা জাতিসি মালেম লৈমায়থক্তগী মুখত্তুনা মন্ন য়াওনা ফুক্তোরকবা তৌসি। হৃদকী লানকম অসিদা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী চীং-ত্তমগী নিপা মখৈ মমাগী মতম্বাক্তা অমুক্ত মায়োক্লরিবা অঙাঙ য়াত্তনা অমদি কুমশী চহী অমগী মপুংদা পোক্লকপা অঙাঙ নিপা মখৈ লকুচংবীগী লায়োন শোইদোকপ-গুম তুম্না অমত্তা থাক্তনা থি থিহুনা হাস্তোকসি। নিপা মখৈ তুম্না হাৎলগা বর্ম্মা অমসুং ত্তখেলগী নিপাশিং থাজিন্দুনা ইত্তোপ ত্তোপ্পা অনৌবা জাতি অনী শেমশি। লাম্না অয় ওইরবা মত্তুংদা ইম্ফাল ত্তুবেলগী নোংপোক খংবা লম মখৈ বর্ম্মা ঐথোয়গী ওইগে। নোংচুপ খংবা লমদম মখৈ মহারাজগী লম ওইবিয়ু। থবক পাংথোকপদা মপুং ফানবা ঐ থোঙমী লাম্নী ১০,০০০, শগোল ত্তোংবা লাম্নী ১,০০০, শায়ু ২০ থাজরকে। মহারাজসু অঙম্বা শক্তি শিজিন্নহুনা ত্তেন্দোল মী খরা য়াম্না থাবিরকউ। লাক্লিবা রাকচীং থাগী (১) থানিন হুবিত্তা মৈতৈ লৈপাক্তা লাম্নী ত্তেন্দোল অনী থোঙদাবা য়ামসি। মাইকৈ অনৌদগী লৈপাক অনৌনা শত্তম অমত্তদা লাম্নারবদি মৈতৈ জাতি শোয়দনমক মায়থীবা কংগনি।

বর্ম্মা নিংথৌগী চিঠি পুহুনা পকমরাই লোশিংবা খয়ু মায়থোং মকা কম্না মরৈপাক্তা হনখরে। বর্ম্মা নিংথৌগী চিঠিগী

(১) পূর্ণিমা

ময়োল পাবদা মতুম অদুদা তথেল নিংথৌ ধর্ম্মমাণিক্য মপ্‌ক্লীংদা অপেনবা ফুংঙাইবা কংলে। তেন্জোলগী খোঙমী লাম্মী মী লীশীং ৩০ ভনবা কয়া হোৎনখ্রে। অহৌং ফুংখিল পোথাবা নাইদনা লেং নাইনা শীন্নুনা খুৎনাইবশিংনা লীকুং, তেন্দোং, তেল, থাঙশাং, কবাক থাঙতা, তায়োনতা, য়োংগুক, চুং, অয়াম্বাই-নচিংবা শাবা কয়া হোৎনখ্রে।

॥ তরা ॥

অয়া অমস্তুং তথেল লৈপাক অনীদা লানগী ঈয়াঙ তৌরিবসি থবক থোকত্রিতৈদা ভুংগী পোয়ম তরা হায়া উবা, বুদ্ধি লৌশিং চঙথোনবা, গরীবনিবাজগুম্বা নিংথৌনা খঙদবা তাদবা নত্রে। লৈপাক অনীসিদা কেক্তা লাউবদা থিম্মনা নিংথৌগী সনা নাকোং য়োয়শী। নিংথৌগী মীৎ-নাকোং ওইরিবা মৈতৈ অয়োন্নায় চাসা চাসা মৈত্রেবাক্তা অমদি লোয়বা লৈপাকশিংদা ঊ-পাউ শিন্নুনা লৈরশী।

বর্মাগী চিঠি তখেন লৈপাক য়ৌঙবা মতুংদা অরিন্দম পেও কোন্থংদগী অরুবা ঈ-পাউ পুথুনা হন্নরগা অয়োম্নায় হকবা রাংখৈ কোংয়াম্বদা পাউ পুন্নমক তন্নয়ে। তৌবা ঙম্বা শক্তি লৈবী হুপী অসিনা শক-লোন তরা পুগোক্নুনা মৈতৈ নিপা খরগা লোয়নননা পেও কোন্থংদা তোয়না চত্নুনা ঈ-পাউ তক্কনা পুরকলম্মী। মশাগী অৱাবা দশা তাবা য়াবা মতম চাম লৈ- হায়বা খঙনা খঙনা, কাঁসি থৌরীগী কোন্দোয় মতুংদা মতক থিংজিন্দুনা অমদি কমথৌ খাঙগী মত্মা মতকশম মপাদা থমজুনা হুপী অসিনা মথৱায়না চুংশিজবা গরীবনিৱাজগী কনবা থৌরম শিনবদা মথৱায় মাঙবা পান্মুরমদে। মথৱায় মতাগী মবুংতোগী খরদং কাম্নগদবা লৈরবদি নোক্না নোক্না মথৱায় খাগে হায়না রাশরুম্মী।

মতাঙ অসিদা অরিন্দমগী চহী বয়স ২০ খরদা হেল্লিবা পুন্সীগী রায়ী লীবা চুম্মী। খৃষ্টাব্দগী ১৬ শুবা শতাব্দগী মতুংদা পোর্টুগীজশিংনা নোংপোক্লা পোর্টুগীজ সাম্রাজ্য অমা শেমগে হোৎনয়রকপা মতমদা পোর্টুগীজ লমকোইবা নিপা অমনা থাম্নুন হুপী অমা লৌথুনা অরিন্দম পোকখি। মানা পোকপা মতুং চহী কাদনা মাবু পোকপা মমা শিখি। মমা শিরবা মতুংদা লৈপাক কোয়বা মপা পোর্টুগীজ অহ্ অরিন্দমগী মমাগী লাইবা সম্বন্ধ অমগী মথুত্তা অরিন্দমবু শিন্নয়ন্নগা বর্মা লৈপাক থাদোক্নুনা চৎখয়ে' সম্বন্ধ অসিনা মতম খরা য়োক্লবা মতুংদা অৱা নিংথৌ টানিনসাম্বউইনা মশক মতৌ কজবী পীক্লিবী হুপী মচা

থিরি হায়বা পাউ তাক্লনা মহাক্না পুক্লনা অরিব্সমবু কিংথোদা পীক্লরে। নিন্দা ভোবা য়াদনা ক্ববা মশক উবদা থাম্‌ন নিংথৌনা মনাই নিপা অমদা পীক্লনা অরিব্সমবু য়োকহনখরে। অহৈ অশিংশিংনা তাকপা মতুং ইন্না অহানবদা অকনবা নত্তবা হু জাৎ অমা চাং য়াম্না পীক্লা মুমিৎ থুদৌংগী পীজক্লনা খরা চাউরক্লবা কালদা কালকূট কৌবা অকনবা তুক্লগী পীকখ্রবা চাং অমা মুমিৎ থুদৌংগী পীজহনখি। হুগী চাং অহু নোংমা নোংমগী খরা খবা হেনগৎহন্দুনা মমৈথংদা মরূল হন্নাই মক্লমুক চাউবা হু চাবদা অরিব্সমগী মশাদা করিস্নু শোকপা ভোথিদরে। মরাউবক থীবী মুগী মচাসি নোনা মমা মপা কায়নক্লনা অপোকপা মমা মপা নত্তবা মীনা য়োকপগী হোনবা অঙাঙ ওইনা উনংনা হোৎক্লে। নিংথৌনা মাগী চানবা শেংনবা পীরকপা অচাপোৎ, মফি মক্লোল অয়োকপা নিপাগী মচা নিপা মুপীনা চাখরে, শেংখরে। য়াসি তাক্লনা নিংথৌনা অরিব্সমবু সনা কোন্নুংদা পুশিন্দুনা য়োকখরে। মাবু চাউনবা য়োকপগী মরমদি—নিংথৌ মহাক্কী হেক্কবা মী হাৎনবা। অসিগুম্বা মুগী অসিগা শোক্ল শক্লক্লনা লৈবা নিপা-গুগী মশাদা কালকূট কৌবা হুহু চঙক্লনা থুনা হেক্তা শিবা হোজশানি। অসিগুম্বা মুগী জাৎ অসিবু অবাং তাক্লস্তা বিষ-কন্যা (হু-নিঙোন) কৌক্লমী। তারত্তা Mahammedan period অকী মমাঙ Hindu period তা অমিগুম্বা বিষকন্যা মক্লা লৈরক্লী

রাংখৈ কোংয়াম্বনা অয়োমায় অচৌদগী কুংবা প্যাউগা অরিন্দমনা পুরকপা পাউগা মান্নবদা মৈতৈ লৈপাক্তা থুন খোক্লগদবা অরাবা দশাগী মরি ভারে। অমমমদগা শোরুবদা (১) অজয় (২) বিজয় খণ্ডনদবা লৈপাক অনীগা অমুক্তদা অতোপ অতোপ্পা মকমদা লাল ভোৌবা ভাবদা পোইরে চৌং-তম লৈপাক অরাবা দশা ভারে। মীগী অশেংবা মশক অরাবা দশা ভাবা কালদা খণ্ডবা গুম্মি। অচুগুমচুনা জাতি অমগী অশেংবা মগুণ্ড অসিগুম্বা অরাবা দশা ভাবা কালদা খণ্ডই। লানবাউ অসি ভাবদা কংলৈপাক্কী চৌং-তম খোইরেল মশা পায়ে। মরৈপাক করবা কয়া হোৎনবা হৌরে।

অসিগুম্বা অরুবা ভাক্তা অসি যৌরবদা নিংথৌনা মরোল হাংলুনা কংলা শংক্তাও খিন্দুনা লৈপাক প্রজা কৌথংলে। থুন থুদী খোনথা শংক্তাও যৈনখিবদা তমগী চৌংয়া তময়া কাওবা য়ৌনা লানবাউ অসি পুং অনী অহমগী মচুংদা লেপাক কায়না ভা-নখরে। মচুংগী নোংমা কোনবা তুমিত্তা (৩) মৈহুম-মোয়োক্লা পাউ পুখিচনা চৌংলৈপাক্কী থাইদগী হেন্না লাপ্পা গুমখৈদা লৈবা থুন কাওবা পাউ অসি ভা-নখরে। পাউ অসি নোংথাং

(১) লান্দা মায়থীবা (২) লান্দা জয় ওইবা।

(৩) লৈপাক্তা অরাবা দশা ভাবা কান্দা নিপা অমনা মৈনা চাকপা মোয়োক অমা চৈ অমগী মতোন্দা পুন্দুনা প্রজা থুদৌংদা খণ্ডনবযু মৈহুম-মোয়োক কৌই।

নৈমগুম্না পাইহুনা চংপদা চীং-তমদা চরাং মশা পাল্লে, পূম্নাং লাংখরে। অহুবু চরাং নষহু কুইনা নৈতরে। অৱাবা দশাগী অহানবা অকনবা নোংনৈ সুংশিং লানথোকখিবদা বুদ্ধিলৌশিং চময়বা, ফিংগৎপা য়াওদনা তৌগদবা শবক্তা মায়ওনশিনবগী অকনবা ৱাশক অমসুং মরৈপাক মজাতি কয়বগী অকনবা খৌইনশিং চীং-তমদা নৈবা জাতি পূম্নমকী থমোযদা কাওরক্লে।

কমদো ৬৪ অমসুং নৈপাক প্রজা পূম্নমক কংলাদা তিন্নরবদা গরীবনিৱাজ নিংথৌরেল লেংশিল্লক্লে। নিংথৌনা সনাকম্বাললাংদা মায়থোং মকা লামদনা অহৃদি ওইরগা উইন কনবগী অশুকপা শকক্ম অমা লৌহুনা কয়বদা অরোধ্নায হজবা ৱাংখৈ কোংয়াম্বনা নিংদৌ সনা সাঙদা চঙশিল্লক্‌না নিংথৌগী ইঙ্গিত মতুং ইন্না হায়রকই,

—লাইরেল মৈতৈংঙুগী সনা য়াথং মতুং ইন্না ঙসি তিংল্লিবা কংলা মিটিন অসিবা য়াওবিরিবা গুরু জ, ব্রাহ্মণ ঠাকুরশিং অমদি নৈপাক্তী কয়াইবা অথৌবশিংগী মফ দা অরুবা ৱাকম অমত্তং হায়জগে তাবিয়ু। থাম্রন অমসুং তখেল নৈপাক অনীনা মতম অমতদা পোইরৈ মৈতৈ নৈপাক্তা লান্দাগদৌরে। লাক্লিবা ৱাকচীং থাগী থাখায় চন্নকপা মতংদা লাল অসি হৌরবা য়ায়। অৱাগী খোঙমী লাম্মী লৌশীং ৭০, তখেলগী লৌশাং ৬০ পুন্না লৌশীং ১০০, শামু ২০। ৬০ যুক, শগোল লাম্মী ১৫০০ মায়োক য়াবা তারে। মৈত্রৈবাক্তা অসুপ চাউবা, মীশীং য়াম্বা তেঙ্গোল অয়ুক্তা লান্দারকখিদগ্নি।

য়েক্লবা লৈপাক অনীসিনা ৱাশক্লছনা লেপনৱিবা ৱাদি অসিনি :

কংলৈপাক্তা চীং-তম অনীদা লৈবা নিপা পূম্নমক মমাগী মতম্বাক্তা পন্নিবা অঙাঙ নিপা অমসুং চহী অমগী মনুংদা পোক্লকপা অঙাঙ নিপা মখোয় য়াওনা থি থিছনা তূম্না হাংপা। নিপা মখোয় তূম্না হাংলগা অৱা অমদি তখেল লৈপাক অনীগী নিপা থাজিন্দুনা অনৌবা জাতি অনী শেমগংপা। মৈতৈগী ঈ, মৈতৈগী জাতি মরু য়াওনা মালেম লৈমায়থক্তুগী মুংথংপা। লান জয় ওইৱবা মতুংদা ইম্ফাল তূৱেলনা ওমখোয় ওইছনা নোংপোক মখোয় অৱাগী, নোংচুপ মখোয় তখেলগী লোইৱম ওইবা। অসিগুম্বা অরুবা শিবা-চওবগী লাংদাই য়োৱবা কাল অসিদা মীকম অসিদা য়াওবিৱিবশিংনা নিংথৌ সনা চরণদা হঙ্গংনী বা ৱা অপনবা লৈতনা হঙ্গংপা য়াগনি।

নোংথক্লগী তারকপা অথাক অয়াওগুম্বা ৱাহৈশিং অসি তাবদা কংশা শঙ মনুংদা শোযদনা খোক্লগদবা অকিবা মশক ক বা অৱাবা ফত্তবা দশাগী মমি তারে। নিংথৌ লৈপাক নীংথাযছনা তারক্তুনা ননবগুমথরে। তুমিন তুমিন শোং-প্রেক লাউরে। উল ৱাওমুশ চীকই।

মী অপুম্বা মক লুকথছনা কয়ি তৌগদবনো ৱাথম্না লাম্বা ফংদনা লৈনথরে। মতৌ অস্ত্রম্না ঙাইহক লৈরবা মতুংদা লৈরক-হনবা মোইৱাম্বনা হোগত্তুনা নিংথৌ সনা চরণদা ৱা হঙ্গংলকই, —লাইনিংথৌ! ননাইনা সনা চরণদা হঙ্গংপা ৱাসি য়োম্লবা কাম্বা ঙাকপিয়ু, লাম্লবা কান্দা ফনবিয়ু। থাত্রন তখেল লৈপাক অনীনা অমুক্তদা মৈতৈ লৈপাক্তা লান্দাৱবদি লৈপাক

অসি মাঙবা মুৎপা তারে ইনিংখৌ! মাঙলনবা লিনবিয়ু। ননাইনা হঙচম্নৌংবগি অসিনি—লৈপাক অনী অসিগী মরক্তগী অমগা (১) সন্ধি ত্তৌমহনা অত্তোপ্পা য়েক্লবচু লালদা মায়থীবা পীনবা হোৎনসি। সমা নোংদম তখিয়ু।

রাসি তাবদা তরেং শেনুংহনবা পালিবা লমখোক মুক হোৎলি। অদুৎ অনী লোমহনা নিংখৌ সনা চরণদা রা হক্কংলি, —নিংখৌয়েল ইবুংঙো! ওহোকপা রানি। নিংখৌ সনা চরণদা অসিগুবা রা হজৎপদি অরবা পাঙদবা মরীল লৈতবা মীগী থবকনি। (মপাবোম গ্রি গ্রি তিংহনা) সনা য়াংদা তাউখবিয়ু। খাৱন-মকোক কাওক্রম কবাক-খাও-লৌচৈ কাংহনা খোমগে। অৱাবা তারবা কান্দা নোম্বা হোনবরা লাইনিংখৌ। তানকম অসিদা সন্ধি ত্তৌসি হায়বসি লোইহাসি হাংবনি।

পালিবগী রা তা'দা কগ্গৱা নিপা প্'মমক মুক মুক হে'গস্তুনা কক্লাংদা ওাহনা থম্বা মাগী মাগী (২) তা লৌহনা কয়া কয়া খীংলখরে।

মোইরাঙ্গা কৈরুংলনবা মমার ঈচপমুক ওাঙনা হৌগস্তুনা কক্লাংদা ওাহনা থম্বা মাগী তা লৌরুহনা পালিবা লমখোকী মমাংদা অকনবা শকগা লোয়ননা শাউনা মুংখায়। অত উবদা পালিবসু মাগী তা লৌরুহনা মোইরাঙ্গী মমাংদা মুংখরে। (চাক্লবসি হায়না খীংবনি)

(১) Treaty— তাইশিন্নবা। (২) পালিবমা তাঙবা রা চুরী হায়না উপানি (Support তৌবনি)। মতম আহুগী চৎনবিনি।

তৌনরিবা থৌওঙ অসি উবদা নিংথৌনা থুং য়েং তিং-থোক্তুনা হায়রকই,

—অথৌবা অনী তাও-ও! ঐ রা হায়গে। লৈপাকী অরাবা দশা তারিবৈঙদা চায়নবা য়ারোই। নিংথৌমকপু হোংদো কপা ঙমদবা চায়নবগী নিয়ম, নিংথৌ ঐনা লাল মচুংগী দমক থরদং হোংদোক্লবনি লৈবাক্তা অরাবা দশা তারিবা কাল অসিদা।

রাসি তাবদা মোইরাম্বা মথা চিক্তুনা পনিবা য়েংলনা হায়রকই,

—হৌজিক্তি নিংথৌ সনা য়াথংনা চায়নবা থিংলবনিনা হয়েং লানকমদা তৌনসি। ঐবু লৈপাক মমাঙদা ইকাইবা পীবগী লম্মন থুমগে।

—ঐ চেনবা অয়ম্বা মী নত্তে। নঙগুম্বা নত্তে।

মী অপুম্বা নিংথৌগী মায়থোং য়েংবৈ। মায়থোং অমুবা ঈ-চবুল অমা চেনশিল্লরে। নিংথৌনা কুক হৌগৎলগা থুং য়েং শরু তিংথোক্তুনা থুদোনবীনা রা ঙাওদনা মোইরাম্বদা থিরে। থুদক অমুমক্তদা নিংথৌ শেনবা নিপা অনী চওশিল্লক্তুনা মোইরাম্বগী মথুং অনী তুংবুন্না পায়রে। অত্তোপ্পা নিপা অমনা থৌরী পুরক্তুনা মথুং অনী কয়া পুরে। অমুগী মতুংদা নিংথৌ য়েংহুনা ইজিত ঙাইহনা লৈরে। নিংথৌনা—

—ওমুদা মথাংদা হুং পুন্নগা তুরেল অচৌবদা থাদথরো।

নিংথৌ শেনবা নিপা অমুম্না মোইরাম্বা পুথোকখরে।

অসিগী মতুংদা নিংথৌ সনামাঙদা মথল মখা য়াম্বা রা তা নবা হোরে। ককথোক ককশিন তৌনহনা, মরৈ য়েংনহনা, শেমদোক শেমজিন তৌনহনা, ময়াম্বা তানথিবা রারেপশিং অহু শন্নপা মখাদা ইরি।

(১) চৌং অমসুং তমদা লৈবা নিপা বয়স ২০ গুবদগী ৬০ ফাওবগী মতুংদা লৈবা মথৈ গশা মশানা লাক্না নিংথৌগী য়াথং ঙাইদনা লাম্মী তেঙ্গোলদা মমীং চনগদনি।

(২) মথুং হৈবা মীশিংনা মৈফম লৌশীং অমা লি হনা থাঙ, তা, য়োংগুক, তেনজিননচিংবা অহৌং সুংথিল লেং নাইনহনা শাগদবনি।

(৩) মথুং হৈবা মীশিংনা চুং, লৌরুং-তেল, তেম্পোং, তাথোক, অরাম্বাইনচিংবা শাগদবনি।

(৪) ইথায়দা হি থাবক লাক্না লানমী তেঙ্গোল লানবা য়াবা থোং শাগদবনি।

কংলাদা লেপ্পথিবা রারেপশিং অসি চৌং তমগী মফম পুন্নমক কোচিন-কয়া ফাওবা লম্মৈ চাকপগী মতৌগুম য়োৌখরে। অকনবা—উইনকনবা, থৌনা ষ্টচঙ থৌবগী সুংশিং অমা মী পুন্নমক্তী মশাদা য়ৈথরে। চৌং-তমগী নিপা-সুপী পুন্নমক খুৎচী' অমতা ওইনা হোরে। সুপীনা মচা মরাবু তেঙ্গোলদা মমীং চন্নবা করা থৌইশিন পীখরে। সুমিৎ থরদংগী মতুংদা লাম্মী তেঙ্গোলদা মশা মশানা লায়নবা থৌদাবা য়াওদমা লাক্না

মমীং চল্লবা মীগী মশীং লীশীং ৬০ য়োথরে। মমীং চনগে লাকপা মী লেপ্পা তৌদরি।

মোইরাম্বা কৈরুংহনববু পুহ্নবা নিংথৌ মনাইশিংনা শুগ্রু তানা চংলম্মী। ককচীং রাইপন যৌবা মত্তমদা খঙহৌদনা শগোল ভোংবা নিপা তরামুক সুংশিংমুক য়াঙনা পাইশিল্লক্তুনা নিংথৌ মনাইশিং অত্থু থাঙনা (১) লালু চমায় ফোয়খরে। মোইরাম্বগী মথক্তা মখাংদা পুল্লম্বা থৌরী থোক্তুনা, চিংহ্নবা পুরকপা শগোল অমা মোইরাম্বদা ভোংনবা পীরে।

মোইরাম্বনা মাঙ থাহ্নবা মথোয় পুম্নমক অৱা লৈপাক তম্না শগোল থৌহ্নবা চংখরে।

(১) মকোক ককখরে।

॥ অরামাথোই ॥

কাইরেন থা পানথংলকপা মতমদা অচৌবা অরা তেঙ্গোল মণিপুর তরা খোঙশান্দুনা লাক্রে। খোঙমী লান্মী লীশীং ৭০, শগোল লান্মী ১০০০, শামু কয়ামুক ইরাবতী অমসুং নিংথি তুরেল লান্দুনা কবোগী থারী কোবা লম্বীদা লাক্রে। অর লান্মীনা "রাকয়ে খোঙজোম্বা তোংজেং সেংগোইরোকপা" মমীং কোবা মৈতৈ নিংথৌগী হি অহু থমকম হীজগাং মৈ থাদোক্রে। গ্বাপাম্বী, হৈ পাম্বীনচিংবা রাদ্বোক্রক্রে। তরেৎ নমথৌ চীংগী চীংয়ায় থায়না লাক্তুনা লমলেন চিংবি লোকলাওবুং চথা সলুংথেন কাকোন নোংদম-ঈ রাংজিং লোকলুথুমদা থাত্রন তেঙ্গোল লানবন শারে।

অসোমদা তথেল লৈপাকী সেনাপতি ছত্রজিৎনারান অথোবা তথেল অকল অথৌশিংগা লোয়ননা অচৌবা লান্মী তেঙ্গোল পুন্থনা মণিপুর তরা যাত্রা তৌহনা লাক্রে। খোঙমী লান্মী লীশীং ৩০, শগোল লান্মী ৫০০ থায়ন ময়ায় লম তরা লান্দারক্তুনা মোইরাং শীংজা কাক্তাগী মমাঙদা লৈবা ঙাইতে লোকোয়মুং কেগে থম্বাল নোংশা জোদা তেঙ্গোল লানবন শাথরে।

থাত্রন অমসুং তথেল লৈপাক অনীনা অযুক্তা মতম অমতদা লান্দারকপগী লানবাতি তাবদা মৈতৈ লৈপাক থোইরেল

মশা পাল্লে। য়াইবি থৱায় মাঙগনি হাযবগী কিবগা, মচা, মশু, মপা, মমা কাযনরগনি হাযবগী নিংদোল পোম্বগা, মীরৈপাক্তা খোমহ্লনা পুপ্রগনি হায়বগী হুংশা থিবগা, ময়ূম মকৈ মৈ থাহ্না উজারশানা চাই-খাইররণনি হায়বগী লাঙ্তক্লবগা, মচা অপীকপা চেনবি হুপী মথৈনা মচা মচা মথাদা কোন্দুনা মখোঙ তিংথোক্ত্রনা তেংথা নাওইনখরে মমী ত্তুগী তারকপা পিবাংনা মতম্বাক্তা পম্বা অমৃত মায়োক্নরিবা নৱা-শিংগী মশা চোৎলে। কপ্লাপ কৃক্ষ শুংলবা, মকোক্তা তেলা মকোল পাইববা নিপা হুপী অহলশিংনা থন্নরক্লে—নিপা থবক ঙম্বা মথৈদি মৈতৈ লাম্মী তেঙ্গোলদা মশা মশাগী থুসিনা মমী চন্দুনা য়ুমদগী চৎখ্রে। লানকম অসিদা মায়শিবা কংলবদি লমদম করোমদা চল্লগ। হুপী নহা অঙাঙহুবিশিংগী মথৱায় কনবা য়াগদগে? ইঙা থাদ তেরা মকোল হুংশিন্না পাইবগুম মৈতৈ লৈপাক চনাংনখরে। মীকপ মীরাওখোলনা পূমনিল নিলখরে। অরুবা তাঙ্গা অসি খোরবদা গরীবনিৱাজ মহারাজনা শ্রীকৃষ্ণচন্দ্রজিগী নাম অহোং হুংখিল মতম পুম্নমক্তা তোয়না তোয়না শোনখি। ব্রহ্মপুর গুরু অরিবম লৈকায়দা শ্রীকৃষ্ণগী মন্দিরদা ব্রাহ্মণ তরেৎনা শ্রীমদ্ভাগবত চয়োল অমা পাঠ তৌখি। গরীবনিৱাজ মহারাজনা শ্রীকৃষ্ণজিগী চরণদা দণ্ডবৎ শাষ্টাঙ তাহ্না মণিপুর কনবিয়ু হায়না প্রার্থনা তৌজখি। গুরু গোপাল-দাসগী পাউতাক্না হিনাউ শাবিহ্না, মণিপুরেশ্বর গরীবনিৱাজ নিংথৌ-রেনগী অথৌবা থৌনানা তেংমায় লেপ্তুনা, মমীং চৎপা সেনাপতি শিংগী অঙকপা লাম্হোংশিনবগী মহৈনা হীরোয় ওইহ্না, লাকচম কাঙমদবা, থৌনা ঈচঙথৌবা, মৈতৈ অকল অথৌশিংগী মরীংজেলনা খোংবান চেম্মুনা, অক্করা নোং-হুংশিং অহী হৌয়বা

মপাল নাইত্ৰবা সমূত্ৰগী ঈয়ায়দা হোন্দুনা চৎলিবা যুরবা, ইংগুংদা ঈপিং চঙবা হোরবা হিবু হিদাংকম য়োনবা হোনজিল্লকপগী (১) মায়ী "হৈয়া লাঙনা তেংথারকগে'

লৈচিন্না মঙাল চুমিৎকী থুমজিনবগুম লৈপাক অনীনা মতম অমতদা লৌতুনচুনা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্তা লান্দারক্তুনা অৱাবা দশাগী মমি তাৱবদা মৈতৈ অকল অথৌশিংগী থোংমী লাপ্পী ৬০,০০০, শগোল লাপ্পী ১000 সনী কোনুং মনাক্তা তিল্লৱে। মমায় মমায়দা অকি অথুক য়াওদবা অকনবা উইল কনবগী লৈরি। মণিপুর লৈপাক শাসন তৌবা কয়াইবা পুৱমক অমসুং লৈপাক এক্তা চীংজোয়া তিল্লরবদা হীরানা মথৌ শংবা থাঙগুম মথৌন। মরীংজেল পানবা গরীবনিৱাজ মহারাজনা মৈতৈগী পুয়াদা সনাগী মুক্তা ইতুনা লৈপ্রবা, লৈরিবা অমসুং মতম কুইনা লৈপ্র-গদবা মমীং চৎপা (২) য়াঙাঙ হোয়ে :—

"পোইরৈ কমদোঃ ইঙাইয়োই য়াহম্ নিংথৌ ইহিশাং অয়েঁচা লাঈকম থন্। অপাও চা থাবম লাক্লোউ হিলবা পালবা কৈ শক্পা। কৈয়েন টেংথাবা কাঈরৈঈ অকল্ কাও মচেৎ কোইদু। চাএ্নাদবা চেক্ কুম্বা লিং ঙঃ। লহাল্ ইকাঙ্লি ইবু নিংথৌরেন্ থুদিংদা মালেম লৈরিঃ মুৎ। কৌয়াং উমেঁ সংনা ঙমথৈ কয়াদা মিপিয়কুটে। তখেন্ নিংথৌ ইথালবা অয়া নিংথৌ ইটিক্নবায়ু। থাঙজেল্ থুৎনা কমা

(১) ধরায় বাসা পীজিরে। (২) Speech

য়াল্নগে হ.ঈনা নোঁংহাম্লিবা নোঁংথৌঈ্রেম্ৰে পোঈরৈঈ, কনা-কুম্বা ১ মাত্তবু হাৎথৈকরোঈ্এ। ইডামরেম্ লোঈ্নাঈ, অংম্লুপ, লাকপা কৈবিরাম সিংহ। অকোঙ হাওবমচা নঙদি হাও্রৈঈ নোঁংচুপ পাংবা লমদা। পোঈরৈঈ লাল্মি কোঙ্গ্যাঈ পুনা খোংনাং মাএ্রোক য়াম্না সোকনারু ওঃ। ইডামরেম্ বুটি সিংহ পঙ্ হুইত্রোম্বা নহারুপ বা'গোন্ কৈরুঙবা। নঙ গা কোবেং তলবা মিখল্ থাঈ লাঈকম্ কৈরুঙহনবা নঙগা নবিঙানা হুঈরেন্ লাংগচিংবা পোঈরৈঈ, লাল্মি মপুঙ ফাবাবু। ঙাঈ্রোঈননা হাওরৈঈ্ নোঁংপোকলা পাংবরম্ থামরন্ মাঈ্রোক্ য়ানা। সোক্নারুওঃ মিটৈ ঈপাক্ নিংথৌ পালবা ২ মদগি। পোঈরৈঈ হায়া ভম্দা তারকপা ১ দি খোঙলোঈ্ য়াঙ্না থৌসিরকওঃ। লাঈরেন্ ইহাক্ চৎনা হুঈ্রেন্ লালসোক্নাগে।”—তক্লেন ঙম্বা হৌজিক্কী মৈতৈরোল:—

ঐগী ঙাইখোল ওইরিবা কম্রাইবা কমরোশিং অমম্মুং নিংথৌ ঐগী ঈ ইচীন ইনাওশিং অমম্মুং লাইকম, থাবমনচিংবা পানা মম্বিগী কৈগুম্না থৌনা ঈচঙ থৌবা, কাঙনবদা নতু থোয়রবা উচেক্ম্বা অকল অথৌ পূর্ণক তাঙ-ও! কমাংটৈদা পানখিবা ইবুধৌ নিংথৌ মরোল মরোল থুমৌকা (মৈতৈ) লৈপাক্কী ঙমখৈ মুখত্তুনা অমদি ঙমখৈ ওইরিবা উরোং কুত্তুনা (অতোপ্পা লৈপাক্কী নিংথৌ) কমাওঘদা ঊরৈপাক্কী (লম) শীমিরা লৈরকজি। নিংথৌ (ঐগী) ইমামবা তখেল নিংথৌ, ঈপ্লীক ঈঙল মামবা অমা মিংথৌগা নাঙগা থাকলা হকেথেঙনবা য়ামগে-হায়না

ঙাইরিবা নিংথৌবেল (ঐহাক) নি। কনাগুম্বা মৈতৈ অমত্তা লানফমদগী (মায় ওন্দুনা) চেনফবোই। হাওবম অকোংগী মচা নিপা ঐগী ইনাই (অচানবা) কৈবিরাম অহল্লুপ লাকপা নঙনা মোইবাং শঙ্গোঙ পাংবা মায়কৈদা লাম্মী ময়ামপুহনা অখল মায়োক য়ানা শোক্লরুবো। ঐগী ইনাই (অচানবা) বুটি সিংহ পঙ্খা হুইজ্রোম্বা নাহারুপ য়াংগোন কৈরুংবা নঙগা খৌনা কবা মীথৌই মীহেনবা কোবেং লাইকম কৈরুংহনবা নঙগা নবিঙানা অচৌবা লাম্মী তেঙ্গোল অমা পুহনা নোংপোক পাংবা মায়কৈদা তন্না হেঞ্চোংগা মায়োক য়ানা লাল শোয়রু। নিংথৌপানবা মীরৈপাক অনীগী মরক্তা মৈতৈ ভম্পাক্তা হান্না লান্দারকপা অমগী (পাউ) থুনা যাঙনা থারকউ। নি থৌ ঐ চত্তুনা লাল শোক্লগে।—তক্কেল ঙম্বা।

কংলা উলল্লাউমুক চৌকই, শোকপ্রেক চেকমৌ লাউদে। নিংথৌরেম্মা ভাঙথীবা য়াঙাঙ অহু কংলাগী কল্লাংদা উ-বা হুমদাংদা য়ৈথরে। মাহুগী খোম্বাং অহু ফুংশিংনা পুখিহনা কংলাগী মপান্দা অহুদগী সনা কোফুংগী মপান্দা য়ুমথোং খুদী দা শিল্লুংনা য়েনখরে। মতুং নোংমা কোনবদা লমৈ চাকপগুম ফুংশিংনা পুখিহনা মণিপুরগী কোচিনকয়া য়োথরে। চীং-ভমগী লোকতায় উমং য়ামংদা য়ৈথরে। পাউ-খাঙ চংখিহনা মায়কৈ অপুম্বা পুমনিল নিলখরে। প্রজা পূয়মকী থমোয়দা হহু হহী ভুগী মহা খাঙনা নিংথৌগী ঈচঙ খৌবা য়াঙাঙ অহুনা অকনবা

পৌইনশিন অমা পীংবে। প্রজা অপুম্বা থুংচিং অমতা ওইনা হৌরে।

মতৌক মগুণ চাটবা, নীতৌক মীবৌ য়েংগনবা, লৌশিং পরৈ চেংপা, তৌবা ঙম্বা শক্তি পাঙ্গল লৈবা, প্রজাগী মীৎলৈ নারৈ যাম্না খঙবা, প্রজানা যানবা চৎপ, থৌনা ফবা নি থৌগী থৌনা ফবা রাজাও তাবদা লৈবাক প্রজা অপুম্বা পেন্নরে। মথন্নাগ্ন রানরম্বা ফারে। লৈবাক্তা অবাবা ঈরাঙ হৌবম্বা নেমথরে। থৌনা ফবা উইন কনবগী মুংশিং অমা পীৎপা হৌরে। প্রজানা ঙাঙনখি,

---হারাজনা অসুপ য়াম্না থন্নায় য়াওনা হোৎনবিরবদি লানদা শোয়দনা জয় ওথরগনি। লৈপাক প্রজা ঐথোয়গী অন্নাবা কেঙ্রুগনি।

অসিগী মতুংদা পুক্ষম স্কণফম অফবা, শদুংনা পাম্মা কৈবেনবু ঙম্বা অমৃতযোগতা চোংথাম খেম্বা, খুমনখেম লুন্নাং অমসুং নাউরোইবা শকথী মথোয় অহমগা লোয়ননা লানজিংলেন কৈবিরাম অহত্রুপ লাকপা লাম্মী তেঙ্গোল পুহনা মোইরাং মায়কৈ পাংনা লানগী যাত্রা তৌহ্নমা চৎখরে। লমলেন মদাইমা কাক্তাদা লানবন শাথরে। পঞ্চা নাহারুপ কৈরুংবা বুটিংমিং, কোবেং লাইফম কৈরুংহনবগা লোয়ননা লাম্মী তেঙ্গোল পুহনা খা-নোংপোক পাংবা মায়কৈদা অন্নাগা লানথেংনবা থোঙ শাম্মুনা লাক্লে।

লম্বীদা—

লায়রবা কোবা অতনবা লায়না চুরব! নিপা অমা কম্বুংদা ভুমিং উথোকত্তেন য়োৎরবা মতম ফাওবা মহোশা তৌবগুম অমুক্কী স্নাহৌদনা কম্বুংদা শাংনা ভাঙনা লৈরম্মী। মত্তু মচা থাক্লবা থবক অমতা ওদে। মতুনা কৈথেল পোৎকম কমচনা ইমুং মঙ্গুং শিদনবা মচিঙ্গাক হল্লি, মফিজেৎ থোল্লি। লানুপ কাদবগী রাশা শাবদা মতুংসি অরাবগী ওমথে লৈত্রবনি। লৌচৈ লৌথুপকী চৈকুমু কনা তোয়না নংলূরবনি। মমৈদা লোয়শংগী কম্নাইবশিং কান্নদরে থল্লত্তনা মানা কম্বুংদা মতম পুৎলমক্কা ভাঙনা লৈবত্তু অহুম লৈহনথরে; খিল্লকপা তৌদ্রে। মমৈথংদা মাগী রাসি নিংথৌগী সনা নাকোং য়োৎরবনি। কল্লিসু তৌবিখিদরে।

লাগ্মী তেঙ্কোয়্না পেরে শিঙ্গাগা লোয়ননা লানগী মাত্রা তৌত্তুনা লাকপগী মথোল ভাবদা লম্বীগী নাকয়েণ্ডা হগু হম্বী ভুগী অম্ভাম মাগী মাগী পোঙ্গাল্দ থোক্তুনা য়েংনথরে। মঙ্গল ওইয়ু হায়না লাওনবনা পুমনিল নিনথরে। লায়রবগী মতু মোম্বী হাখু হাখু মরাগী চাক খিদোক্লমত্তুনা মরা য়েংহনা হায়রকই,—থিজরম্নে ভুমায় চক্কীক রাককাঙা, হাপচরম্নে পেরুক কংও নু তোলোঙা, খুমজরম্নে খুদেংনা, ননজরম্নে উরোং ওমজিংলা—হাবিহৌরো পুকচাউবা কৈ মঙানা চাবা ওম্বরোইদবা মশাহু থরা হেন্না নোয়হয়ু। নরৈশাক নজাতি কমবা য়াওক্ক লাকলুরু ইকাই নাইদবা নিপা!

মতৃগী রাসি স্তাশদা লায়বা ফমু'দগী ভন্ চোংথৈ। মপান লোমদা চেনথোকখ্রে। অতু উবদা মতু মোম্বী কিহনা মনীং থোঙ্গোমদা চেনথোকখ্রে। লাযবা পুথ্রিদা চেনজো'না তাখ্রে। চুপ লুপ্পগা মযুম তানা চেল্লক্তুনা মক্ষী খরদং লৈবত্থু লোথোক্তুনা শেংচিল্লে। মপানা থনম্বা তা অমগা থাঙশাং অমগা পুথোল্লে। মাগী ফমফম ফক্তা ফাম্লে। যাত্রা তৌবমদাইদা মতু মোম্বী কৌরল্লে। কিথি কিরুম তৌনা ইমু'দা থোংজিন মরুমদা লেপ্তুনা লৈরম্বদগী মোম্বী মাঙ্গোল্দা থোরক্লে।

লায়বনা হায়রকই,

—ইবেম্মা! নঙনা ঙসি ইকাতি অমদি ইরৈপাক লুংশিবগী মরু ওইবা মগ্ন অমা ঐঙোন্দা তম্বিরে। ঐনা ঙসি লাল চৎলিবসি ইকাতিনা জয ওইত্রবদি ঐ হল্লক্লরোইদবনি। মচা নিপা অমগা লুপী অমগা লৈরিবসি চাউনবা য়োক্তুনা লৈহৌরো। লাউ থোরকউ, কিগনু। অঙাঙ অনীহুসু কৌরুসো।

মোম্বী কোম্বোংদা থোকখিহনা অঙাঙ অনীহু মথুৎ শমহনা পুরল্লে। মরাগী মনাক্তা চৎশিল্লক্তুনা অঙাঙ অনীহুগা ফমথখ্রে। লায়বনা মথুৎ থাজত্তুনা মতু মচাগী মকোক নানবিহনা হায়রকই,

—মতম কুইনা পুন্সী তোলোইনা লুংঙাইনা পামু। শ্রীকৃষ্ণনা কৃপা তৌবিনা ওইসনু।

মোম্বী মচাশিংনা জোরনমা মপুরোইবগী মথোঙ্গা হুহনা মমীৎ অনীদগী তারকপা পিনা চয়ণ অনী শেংখ্রে। লায়বা-

হৌগত্তুনা সনামহী কাদা চঙহুনা খুরুম্নগা মপান থোরক্লনা ঘর কীবম য়েংলগা যাত্রা তৌহুনা ভুগসি খুরুম্নমহুনা চৎখ্রে। কোহৌংদা লাম্মী তেক্সোল মরক্তা চঙহুনা য়াওখ্রে। মোম্বী মরানা চৎপ্রবা মতুংদা মরাগী কমুং ময়াদা থয়ো থয়ো ওল্লুনা কপ্লক্লে। হৌগত্তুনা ওমঙ্গিৎনা ননবা, থুদেৎনা থুম্বা, থাঙলাদা হাপ্পা চাক, নুং তেক্সোত্তা হাপ্পা য়েনশাং, ভুম্বাদা হাপ্পা ঈশিং লৌথোক্তুনা চাথুমদা ওহোইনা কপ্তুনা লৈখ্রে। মরাগী মকমদা করেম কথাইনথিবগী য়া থম্লুবদা নীংঙয়ক্তরে। নোংলৈপাক্কী তারকপা অথাক অয়াউনা কোকথোক্তা ননবমুক য়াখ্রে। কপ্পনা থৌরি চয়ম ফুনখ্রে। য়া তাঙবগী লম্বী থিংখ্রে।

অহল্লুপ শঙলেনগী তরেৎ শেলুংহনবা পলিবা লমথোক শগোল লাম্মী তেক্সোলগী মাং থাহুনা চৎখ্রে। শল্লুংকমদা মৈতৈ তেক্সোল লানবন শাখ্রে। য়েক্লবা তেক্সোল অনা য়াংজিংদা (১) কাকোন নোংদম ভুয়েলগী য়াংমা য়াংনদা লৈহুনা মায়োক্লরে।

× × × × ×

অয়ুক য়েন্দা অঙনবদা লাম্বী তেক্সোল অনী মীহাৎনবগী লীলা হৌগদবগী শেমশাহুনা লৈয়ে। সেনাপতি অমীগী লালহৌ য়াথং চাইনরি। মতম অসিদা মোইরাম্বা কৈরুংবা তেক্সোল

---

(১) লানকম অসিদা অমসুং মহুলগী শানকমদা মনগী লমীংকুমীৎ থারিবসি থয়াদি হৌজিক কবি মমাং কোঞ্জনো [illegible]।

অনীগী ময়াম্বদা শগোল খৌদোয়ক্তুনা মৈতৈ জেন্দোলদা মখায় ওনশিন্দুনা অমাংবা অয়াকপা খোঞ্জেলনা লাউরকই,

—ঙবেং শেলুংহনবা পশিবা লমখোক তাও। গম্ভীরসিংহনা র মসভাদা নগুনা ঐবু অযম্বা পাওদবা হায়না অথী-রাহৈনা চৈথিবদো নোংশা:উ। ঐনা চায়নসি হায়ববু নবুঙো নিংথৌমা খামথরে। ঐবু গুম্বু তানা পুক্নুমা চৎলে। নগী ময়মদগীনি। চোংখোয়কউ। চায়নসি খোয়কউ। কনানা অয়বদো চাং য়েংনসি।

লানশীং রাহৈসি তাবদা পশিবা লমখোক জেন্দোল ময়াম্বদা শগোল খৌদোয়ঙ্গে, হায়রকই,

—মোইরাম্বা কৈরুংবা চায়নসি। নগুসি অয়বা পাওদবনি হায়বা লৈবাক খগুহনসে।

—হায়! পীকশবা নচীমা অচৌ অচৌবা রা ভাওবা নিপা! নত্তীক কপা চাদনা নিংথৌ মজা ইবেম্মা পাম্মুবদা কৈত্তমখল্লা লৈরুবদো পোনতুরাই চুরবয়া? মোনবা তৌখিনে। মঙালা পোকপদগী হৈননকপু ইবাকিং-লোংখোনবা লোমনৈ ওা তানবগী থবক থাদোক্তুনা লানকমদা থাও পাজ্জরিবা বজিবিবো? ঐ লাযে হায়হনা ঐতোম্বা থুরুমজরক্লগা পাণ্ডা কুলনথকে। নথরায় কননিবে।

—হায়! নতুপাক, কাঁমাতিনী মেনবা নিপা! থাবনা হাংলা কনৌ-মীচেম! মথক্তক মজাহ্ কপোয়ি লবনগী খোইহুনা

চিংখোকে। নশা অশিবন্থ ঐগী শগোল সাবন্দা পুন্নগা কোয়চিং চিংগে।

মোইরাম্বা লম চামরোম শগোল খোদোকখরে, মমায় ওনশিন্নরে। পশিবন্থ শগোল খোদোকখবে, মমায় ওনশিন্নরে। মখোয় অনীমক শগোল কন্না খোঙ্জিন্নরে। মনাক নকশিন্নরকপদা মখোয় অনীমক তা লংশিন্নরে, পান্নদরে। থাও শৎনরে। হন্দোক্ল-খরে, পাইশিন্নরক্রে, থাওগা থাওগা য়ান্নরে, লাল কন্না শোক্লরে। তেজোল অনী কৃষ্ণে য়েংহুনা লৈরে।

মতম খরা শোক্লরবা মতুংদা পশিবনা মোইরাম্বগী মখুত্তা পায়রবা থাও খোমখিহুনা লৈপাক্তা শ্রেং শ্রেং লাউনা তাখরে। মোইরাম্বা শগোলথক্তগী মন্ গোংথৈ, থাও তপ্না চেনশিনখরে। থাও লোহুনা শগোলথক্তা চেনজোংনা চোংখৎলি। পশিবা তাইহনা লৈরে। খুৎলাই পায়রবা মী হাংপা পাওদবা মীগী থবক্লি থনবা ওইবা তাই। মখোয় অনী অমুক থাও কন্না হাইনখরে। মতম খরগী মতুংদা পশিবনা মাগী থাওদোন্না মোইরাম্বগী মখোয়ি চয়দা খিনখরে। মোইরাম্বা শগোল'থক্তগী লোংনা হাইখখরে। পশিবনা মাগী তেজোলদা মমায় ওনশিন্দুনা মখুৎ থাজত্তুনা লাউরকই,

—থৌরী, থৌরী পুরকউ।

খুদক অহুমক্তদা নিপা অনী থৌরি পুহুনা চেনশিন্নরে। মোইরাম্বগী মখোও অনী থৌরোনা কন্না পুন্দুনা থৌরী মতোল অন্না পশিবগী শগোল সাবন্দা কন্না পুরে। পশিবা শগোল

শাক্তে নমথা থাহনা শগোল পোথরে। মোইরাঙ্গী অশিবা মশা লৈপাক্লা উপ্পা লোন্না চিংবদা মমীৎ মমায়, মথূৎ মখোঙ মতুং মতুং তংলে, শন্দোং মচেৎ মচেৎ কোক্লে। অদু উবদা অবা তেঙ্গোলদগী নোংমৈ কাপ্লক্লে। নোংমৈ মরু পলিবগী নারুমদা হুইস্ লাউনা পাইখরে। পলিবা মাগী তেঙ্গোল অমা পাইশিনখরে।

মৈতৈ তেঙ্গোলদগীসু অবা তেঙ্গোল অমা নোংমৈ কাপ-শিল্লক্লে। লাপ হোরে। শগোল লাম্বা শিং পাইশিল্লরক্লে। থাঙগা থাঙগা য়াম্লরে। তাগা তাগা পিম্লরে। শগোল মথক্তগী ওম্বনরে। ওম্বদা তানা লেংহনা তারে। থাঙনা মঙক কক্তুনা মঙক কেলহোরে। মঙক য়াওদবা মশা পুহনা শগোল কম্না চেনখরে। শগোল মমাঙদা ওম্বরক্তুনা শগোলনা মবুক্তা নেত্তুনা চেনখরে। কনাগী শগোল তানা লেংহনা চুরে। অতোংবা নিপানা থাঙনা লামহনা য়েক্লবগী শগোল মখোঙ য়াম্বৎলে। লৈপাক্তা লেপহনা য়েক্লবা অনী থাঙ কম্না হাইনখরে। অমনা ঙমহনা য়েক্লবগী হামুনচুক্তা মথূৎ ওইনা পায়হনা মঙক ককখৎলে। অককপা মঙক্তু লাপ্পা লংখরে। শগোল তোঙবা নিপা অমা পাইশিল্লক্তুনা মীগী মঙক লাংবা নিপাহগী মঙক অদু য়েন্দোম থরাক শোইবগুম শোইদোকখরে। শিরমদাইগী কণ্ঠকিরয় তোহনা লৈবা নিপা অমগী মবুক্তা শগোলনা নেৎলমহনা চেনখরে।

মকম অমদা শগোল মখাদগী অরাম্বাই লংলক্কুনা য়েক্কবগী মমায়দা পান্দুনা শগোল মথক্কী লোংনা হাইথখরে। কনা অমনা হু ঙৈবা ভেল কাপ্লক্কুনা ভেল্লা পানবা নিপাহু লৈপাক্কা থক্লো থরো ওন্দুনা হুগী চৈনাখোল কংহুন' শিরে। খোঙপী লাম্মীশিংনা ভেনজিন খুদোল মগী পাকপা ভেল কাপ্লক্কুনা য়েক্কবগী মঙক ককখরে। কনা অমনা য়েত্তুমগা মাম্লনা মচীন হুম্বা ভেল কাপ্লক্কুনা য়েক্কবগী মঙকশমদা পানবদা লুখমদা ভেনজিন কাওরে। ভোপ মবু, নোংমৈ মল্লানা লোক্কাক্কা উচেক পাইবগুমলে। মতৌ অসুম্না নোংমা কুমিং চুপ্পা অমা অকনবা লাল শোক্করকপদা কুমিদাংবাইরম য়োরকপদা অরানা থরা থরা তকশিল্লক্লে। মৈতৈ তেঙ্গোল নীঙহম্নবা হোরে। মীশীং য়াম্বদা অরানা শরুক অনী মৈতৈনা শরুক অমা। মৈতৈ অমগা অরা অনীগগী চাংদা থূংথেংননা য়াম্নরে। থূংথেংননা য়াম্নবা লানদা মৈতৈনা অরাদগী ফবা হেল্লবসু মীশীং য়াম্বা হেনবা মরম্না অরানা থরা থরা তকশিল্লক্লে।

কুমিং তারে। তেঙ্গোল অনী মাগী মাগী লানশঙদা হাত্তি-মতুনা চান থক্লবা থোৗরাং তৌনখরে। নাহারল্লগ কৈরুংবা বুটিশিং, কৈরুংহনবা কোবেং সেনাপতি অনীনা কুমিং অতুগী অয়ুক হুংলিঙ্গা লোক্কখিবা লানকমগী মরোল নোংথীনা ইহুনা গম্ভীরসিংহ নিংথৌগী সনা চক্লপদা লানবাউ তমখরে,

—লাইরেল মৈতেত্তু! তাবিহু! অরা লানকম মৈশা কল্লে। ঈশিং ঈচাও অকনববু অশোনবা থোংথৈনা পল থিংহন্না

থম্বা ঙমদবগুম অরাগ লানশোক্লবদা মৈতৈ তেঙ্গোল মায়োক যাবা ঙমদরে। মরমদি অরানা লান্মী মীশীং য়াম্না হেনখবে। তুব্বি সনা খোঙলেংবিবকউ।

শগোল তোংবা নিপা অহুগ চাজুম নম্বা চিঠি পুহনা কোহুং তম্না শগোল কম্না খোখবে। নি খোঁ সনা চবণদা চিঠি কৎশিল্লে। চিঠি পাবগা নিংখোনা খুদক অত্থমক্তদা কংলা য়াইবুং মরোল হাপ্তুনা থিন্দুনা লৈবা'ক প্রজা কোখৎলে। অহীং নোংয়াই যুতুদা প্রজা পুম্নমক সনা কোহু্‌দা ভিল্লয়বদা হুমিৎকুম্না মণ্ডাল লৈবা লাইবেল মৈদিঙুনা মরোঁ তৌনা প্রজা পুম্নমক য়েংহনা হায়-বকই,

—ঐনা হু শিজবা প্রজা পুম্নমক! তাবিয়ু। অরানা লান্মী মীশা য়াম্বা হেনবা মবমনা নোংপোক মায়কৈ থন্দুনা তক-শিল্লক্র। পোইবৈ মৈতৈ লৈপাক কন্নবা ঐগী ইমোম লাংলেন-হন দফা রাঙংলোল চীংলাই লৈমা কজেং ঙানবিবু অবা তো দোয় মঙত্রা নংখোদা লুহোং খোঙদোঙহনা পীবসি হায়বরা? অহু তৌজগা থামরনশিংগা খুৎথেংননা লান শোক্লসি হায়বরা? কবম্বনা কগনি? পুক্লীং চঙনা রাখল তৌরগা পাউখুম পীয়ু।

খোনা ঈচঙ খোবা লৈবাক্তী অকল অখো অমদি নিংখো সনা ঈচীন্দা পোকপশিংনা খুমত্রিঙৈদা সোংবু লোইতামচান্না পাউখুম্নকই,

—লাইরেল ইবুংঙো। তাবিয়ু। নক্তা ইবেম্মা তম্ফা সনাবু 'খাম্নর্জ'মাঙোম্দা করিগীদমক পীগদবনো?' পোইরৈ অকল অখৌ মশীং থীবা ওমদনা' যাম্না লৈবি। অরাগা' মাযোক য়াহনা লাল শোক্কসি। হকথেংননা থাঙনা য়াম্নগে হায়না পূক্নীংদা কম্না নীংজরি।

—সোংবু লোইতামচা ও! নহাক্না হায়বা রাহু ঐ য়ারে। তখেল অমস্নুং অরাগী ইমাম্নবা নিংথৌ অনীমকা থাঙনা হকথেংননা য়াম্নগে হায়না ঐসু নীংলীবনি। মরম অসিনা অহমুগী লাকপা কৈবিরাম হাওবমচাবু তখেল লানশোক্কমদগী কোথংলো। তখেলগী লানদি থরা তপ্পা য়াখিগনি। অরা তেঙ্গোলদি নোংপোক্তা লৈবা চীংথাঙ লাম্দুনা পোইরৈ তমদা তারক্লে। অরা হান্না শোক্কখিসি। তখেল লানকমদি চোংথাম খোম্না, থুমইহেম লুরাং অমস্নুং নাউরোইবা শকথি নিপা অথোবা অহমদা' শিম্নহনা থনম্মু হায়খো।

—কৈবিরামবু থুনা য়াঙনা লাকউ হায়বা নিংথৌ সনা য়াথং পুহনা শগোল' তোংবা মিপা অহুম মৌইরাংকাক্তা তম্না নোংঙাল্লম-দাইদা শগোল কম্না থৌহনা চৎখরে। মথংগী হুমিংকী অবুক্তা নিংথৌ সনা য়াথং ফংবদা কৈবিরাম সনা কোংহুদা লাক্লে। নিংথৌগী য়াথং মতুং ইন্না গণক পাঞ্জিশিংনা অকনবা মাহেন্দ্র যোগ' য়েক্নলা' লাল থাজ্রাগী মতম পীরে। নিংথৌগী থুনেংথা সেম্নাজ কমজ কৌবা শার্দু 'য়াইশ শাবোং শেক্লে।

সনাগী মুঙ্গী ৯ যুংবা, সনাগী হৃত্ মথোল.৯ থানবা সনরুপ্পা তাইবোং হাপ্লে। সনানা মযুংকারা লুপানা, মফেল. ওইবা. লৈবোং চাউনা চাউনা য়েকপা ফীনা শামু, য়াইশ্বগী মনক্তা. মমায় মকোক্তা কুপলে। অঙোম চন্দ্রমণিনা সনা খাউজাউ, মাঙদা সোগাইজম শ্রীদামনা থাঙ চুজোয় পায়দুনা থৌগল তৌরে। য়াই নান্না তৈরগা লফু চু যুংদুনা ঘট থাউমৈ থান্দুনা, তুলসী পাম্বী থাদুনা মঙ্গল যাত্রা তৌনবা থৌরাং লাওলে। সনা ফীগেনচিংবা নিংথৌগী মতীক চাবা ফীজোল থোন্দুনা যলনা পাম্বা কৈবু ভম্বা ক্ষেণফমদা নিংথৌরেম্মা খোঙগাপ মাপন থাংদুনা যাত্রা তৌরে। ব্রাহ্মণশিংবা চেংলৈ পায়দুনা (১) স্বস্তি, স্বস্তি হায়না আশীর্ব্বাদ তৌই। নিংথৌনা শ্রীকৃষ্ণগী নাম কোকথক্তা হাপ্তুনা শোন্দুনা যাত্রা তৌরক্লে। চীংঙু তাইবং থাইবা অমসুং গুরু গোপালদাস দোলাই লেংজাউ তোংদুনা নিংথৌগা লোয়নন্না লেংখরে। থাঙ, তা, নোংমৈ তেল পায়বা লাম্মী তেঙ্গোলনা মাঙদা তুংদা চৎল্লি।

মবুথৌ শেনবি পাইথোম্বগী সনা হাক্তক্তা শাখিবা সনথোঙ লান্দুনা গম্ভীরসিংহ মহারাজনা লেংথোরক্লবদা চীংঙী তেঙ্গোল লাম্মী ১০,০০০ ওক্লম্মী। তাংখুল, লুহুপা, কোইরেং, থাজাল, কবুই, সোংবু, মরিং, তরাউনচিংবা চীংমীশিং (২) ইঙেন লৈথেংনা লৈজেংলবা চুং মঙক্তা য়ান্দুনা, মথা চীক্তুনা, মরৈ তক্লদুনা,

---

(১) মঙ্গল, মঙ্গল ওইথিযু (২) চুং মতোম্মা য়ানবা লৈতেং।

পিশুম লৈরহনা, মঙকশম হাইরহনা, যাংলেন লুচাও খোযনা তা খৌশাহনা লাক্লে। জাতিশিং অসিগী খুনবু খুম্লাকপাশিং সনামাঙদা চঙশিন্নক্তুনা সনা চরণদা হুঙংখি,

—লাইরেল ইনিংথৌ তাইবং শোরাবেনগুম্বা ওঃ! ননাই ঐখোয চৌংগী লম লম খুদীংগী লমহেনবা, লাক্ল ফানবা যাদবা, লমকেৎ লমহাইবা মী পুন্নমক তিন্নহনা সনা খোগল তৌহনা তুং ইনজগে, নিংথৌ সনা হকচাং ডাকচগে। অরাগা খুৎথেংননা থাঙনা যান্নগে, ইমায় লৈহনা চেন্নোইএ।

অচানবা মনাইশিংগী পূক্নীং খোগৎপা রা তাবদা নিংথৌনা তরাম তরাম ওক্তুনা হায়রকই,

—ঐগী সুংশিরবা চৌংগী প্রজাশিংও। অরাবা দশা তাববঃ কান্দা নিংথৌ ঐগী ইতেং পাংগনি হাযনা নখোয়না লাকপা উবদা ঐ য়াম্না সুংঙাইবে। চৌংমী অমসুং তম্মী হায়বা জাতি অনীসি পুকোক্তদি ঈ অমতনি। চংমীন তন্দা লৈখিহনা তম্মী ওইখিবনি।

—ইনিংথৌ! অরা-তখেল লৈপাক অনীনা কংলৈপাক লৌগ্রবদি তম্মীনা কংবা অয়াবহু চৌংমী ঐখোয়সু শোইদনা ফংগনি।

মতৌ অসুম্না চৌংগী প্রজাশিংনা খৌদোংলবদা নিংথৌ সনা পূক্নীং হয়াওনা সনা খ ত্তা থাঙ পান্নহনা কোকথক্তা সনাগী চোংলেন খাম্নুনা, মনাইশিং চৌংমীনা ওইদা য়েত্তা খোগল তৌহনা লানগী যাত্রা তৌহনা লেংলক্লে। লম্বীদা কোন্থোং খুদীংগী

ৱাই নাম্না তৈহনা, লফু চু য়ুংহনা, ঘট, থাওমৈ থান্দুনা মঙ্গলগী পোৎচঙ লাংলম্মী প্রজাশিংনা। প্রজা নিপা সুপী অহল ওই-ৱবশিং থোক্তনা মঙ্গল পীরম্মী। খুলবি অচম্বরমগী ময়ায় থায়না লাক্তনা নোংপোক পাংবা মাইকৈদা লৈবা নিংথৌনোং লান্দুনা হয়েল লাল্লাখরে।

খামরন তেঙ্গোল অচৌবা ৯ থক কাকোন নোংদম তুরেলগী মপান্দা ৱাংজিং লোকলাউবুংদা উ-না লেম্মূক ৱাংনা কোয়না উচুক য়ুংহনা নো মৈ কাপফম অহেৰা থমহনা লানবন শাহনা লৈরম্রে। গরীবনিৱাজ মহাৰাজ তেঙ্গোলগা লোয়ননা লেংলক্তনা ৱাংজিং লোকচাউ ঈ চাখা শমুংথেন কাগোন নোংদম তুরেলগী মমাংদা লৈবা চীপী শোক্লাউ-ঈগী মপান্দা তেঙ্গোল লানবন শারে। মায়কৈ অহুমদগী অবা তেঙ্গোল শোক্লনবা নিংথৌনা লাম্নোঙ শিন্নে। লাইকম অমসুং খাবম পানাগী লাম্মীশিং পুহনা লাইকম পানাগী ৱাংগোন কৈকংহনবা কোপেংনা সেনাপতি ওইহনা অৱাং পাংনা মাইকৈদা চংখরে। অহল্লুপ লাকপা কৈবিৱামগা পল্লা হুইত্রোম্বা বুটিসিংগা অনীনা মখা পাংবা মায়কৈদা অৱাগা খুংথেংননা য়াম্নখরে। পাঙনগী সেনাপতি কাখিবা ব্রাহ্মণ শাগৈদা পোকপা সিদ্ধান্ত চক্রবর্ত্তি অথৌবগা অরেৎ শেলুংহনবা পলিবা লমথোক্না অনীনা ময়ায় থংবদা অৱাগা লানশোক্লবা মায়োক ম্লাখরে।

অবা তেঙ্গোলগী গাঙ্গীদা অবা সেনাপতি মঙ্গ্রা কেছহ জনা অরা লাম্মীশিং মায়োং শিন্নকই। শামুনা মাঙ থাম্না

অৱা তেঙ্গোল চণ্ডশিল্লক্রে। শামুগী মতুংদা শগোল লাম্মী লাল চণ্ডলক্রে। তোপ কাপ্লক্লে, নোংমৈ থিংগাপ্লনা কাপ্লাক্লে। মৈকাপ্পীনা শঙাইশেল পাইবগুম্ল। তেম্না নোং চুবগুম্রে। তেল কুংনা কাপখিবনা হুংশিং নাওইননা শিংথরে, হুংশিংকী মঙাল থুমথরে। অয়াম্বাইনা লোক্তাক্তা উচেক পাইবগুম্রে। শামুগা শামুগা য়াথিনরে। শগোল তোংবগা শগোল তোংবগা তানা থিন্নরে, থাঙনা য়ান্নরে। খোঙমী লাম্মীশিং তেল কাপ্লরে, নোংমৈ কাপ্লরে, তা লংশিন্নরে, য়োংশুক্না ফুগায়নরে। শামুগী মাহুং তেম্না তমহুনা হাৎলে। মাহুং য়াওত্রবা শামুশিংনা ঐগী মীগী মীশক থায়দনা লাম্মী নেংথায়হুনা হাংপা হৌরে। নোংমৈনা শামু কাপথুরে। মী অশিবা মশা মথক্তা নেত্তুনা চোংশিন্নরে, চেন্নরে, তান্নরে। শিবা চণ্ডবগী লানকম অসিদা মথল্লায় থুবাক্তা হাপ্তুনা লানশোক কন্না শোক্লখরে।

লানকম অসিদা জয় পরাজয় (মায়থীবা) তেঙ্গাল অনীগী কোকথক্তা পাইবা হৌরে। অমনা তকশিল্লি, অমনা তকথোকই। নোংদম ছুরেল ঈনা ঙাঙনা চেন্নে। অয়ুক অঙনবদগী শোক্লয়কপনা হুমিদাংল্লাইরম মতম ওইরক্লে। মতম অসিদা লান্দা মায়পাকপা মায়থীবা মীশীং য়াম্বনা লেপকদৌরে। তেঙ্গোল অনীমক তাক্তাক্লনা শিনরে। অশোকপা মীগী নাহেখোম্না মায়কৈ অপূম্বা পুমনিল নিলখরে। তেঙ্গোল অনীমক লোশীংনা থুঙিং ওইনা শিনরে, শোক্লরে। শামু মচুম তাবা অনী য়াথিল্লবগুম, নোংশা চরায়বা অনী শামুলবগুম ঈহন কনবা ঈশিং ঈচেল অনী চেৎশিন্নহুনা

থেংগায়নবগুম অমসুং চীংজাও অনী পাইশিন্নহনা য়েথায়নবগুম অরা মৈতৈ তেঙ্গোল অনী লাল কন্না শোন্নখরে।

লাম্মী মীশিং য়াম্বা হেনবা অরা তেঙ্গোলনা সমুত্রদা অচৌব। ঈথক হৌবগুম ভকশিন্নকপদা মৈতৈ তোঙ্গোল থাওবা ভমদহৃন। চেনবা হৌরে। তাঞ্জা অসি য়ৌরবদা গরীবনিরাজ নিংথৌনা চীংঙ্ তাইবংখাইবা (সনামহী) অমসুং গুরুদেব অনীবু খুরুমজখি। অরাগী মাঙথানা চঙলকপা শামুশিগী মরক্তা থাইদগী হেন্না য়াংবা চাউবসি খুনেংশা ওইনবা কচ্ছগে হায়না সনামহী ইবুংঙোদা নিংথৌনা লেপখরে। অহুগী মতুংদা সনানা হত্তুনা কাম তৌবা তা অমসু চু° পায়হনা নিংথৌরেল থোশাখরে, লাওরকই,

—ঐ অসে মণিপুরগী নিংথৌ মমীং চৎপা ভুবি চরাইরোংবগী মচা নিপানে। মৈতৈ অমতা লানকমদগী মায় ওন্দুনা চেনকদে। ভাইহাক খোশারগা নিংথৌনা হায়রকই,

—ঐগী খুনেংশা শগোল য়াইশ অয়াওবা পুশিন্নকউ। ঐ লাল শোন্নগে। অরা তেঙ্গোল অসি থুগায়গে।

অসি হায়হনা গরীবনিরাজ থোঙকম অহম থীন্দুনা য়াম্না শাউনা শগাই মথক্তগী কুমথখরে। অহু উবদা সনা সেনাক থন্দুনা লৈরম্বা সৌগাইজাম্বা শ্রীদামনা মরূ লূকনা নিংথৌগী চরণ পায়হনা হায়জরকই,

—লাইরেন কোয়ৌ ইনিংথৌ ও! সনা মীৎয়েং শানথৈবিয়ু। অহন্নপ লাকপা কৈবিরাম অমসুং নহারুপ কৈরুংহনবা

বুটিসিং অনৌনা পুৱিবা মথা পাংবা মাযকৈদা অৱা তেঙ্গোল কায়ত্থনা চেল্লে। তু, তু সনা মীৎয়েং শানখৈবিয়ু। ইনিংথৌনা শিন-বিথিবা পাম্বোং মত্তুং ইৱা অৱা তেঙ্গোল পম্নীংদা চীংমী তেঙ্গোল লান্দারল্লে। পম্মাঙ অমম্নুং পম্নীং মায়কৈ অনৌদা তম্মী অমম্নুং চীংমী তেঙ্গোল অনৌনা লাকশিন্নবগদা অৱা তেঙ্গোল কায়ত্থনা শমজি থাইত্থনা চেল্লে। লান্দা লেংশিনবা তৌবিগন্নু।

শ্রীদামগী ৱা তাবদা গরীবনিৱাজ শগোলগী কুমথত্থনা শগাই মথক্তা কাখত্নুনা অৱাংবা খোঞ্জেলমা মৈতৈ লাম্মী তেঙ্গোল য়েংত্থনা লাউৱকই,

—পোইরৈ মৈতৈ অমদি চীংমী অখৌবশিংও। লাকমদগী নমায ওন্থনা চেনগন্নু। মমাংগী পানথিবা কংলৈপাক্কী নিংথৌশিং নোংদা লাইরেল পাখংবদগী হোত্থনা লাইরেল ছপা মৈতেংঙু, শ্রীপিতাম্বর তুবি চৱাইরোংবা কাওবগী মতমদা কংলৈপাক্কী লম মচেৎ অমত্তা কনাগুম্বা মীরৈপাক্কী নিংথৌ অমদা পীদ্দা তৌৱক্তে। ইবুংথৌ খাগেম্বা হাকত্তা খাগী (চাইনীজ) শিংনা লান্দারকপবু মায়থীবা কংত্থনা হনখি। অত্থদগী ইথৌগী মমাং খাগেম্বা কৌনখি। কাছারদগী পাঙলশিংনা লান্দারকপবু মায়থীবা কংখি। মীরৈপাক্কী নিংথৌ কনামত্তনা কংলৈপাক্তা চত্তলকপা ওমখিদে। লৈপাক্তা মথোঙনা খিনবদা মালেম লৈপাক থক্ থক্ নীকপা মপাঙল কনবা, মথৌনা লৈপা লিপাশিং অন্নুগী মচামতনি নথোয়সে। নথোয়না কমাবু কিদগে?

নখোয় লৈরিবৈগদা কনাবু ঙমহনগগে ? নিংথৌ ঐসু অচানবা নখোয়সু ক'লৈপাক য়েক্লবগী মথৃত্তগী কন্দুনা ভাৱকপশিং অহুগী মচামগনি। সনা ইরৈপাক অসিবু অৱা মানা পাজন কনবা হেন্দুনা করম্না থুহ্‌ম চনহনগদবনো ? নিংথৌ ইহাকথক্ অসিদা অৱা মাদি থমখো যম লৈপাকী যম নিংথৌ কাওবা ইৱায় লাগনা চঙলকপা ঙম্মোই। ঐনা নুনা চাম্না তৌজবা লৈবাকী অকল অথৌ নখোয়না হন্দকী লানকম অসিদা জয় ওইহুনা ঙমহৌরবদি নখোযগী কোলোয় নমীং ফজবত্থ মভু'দা নচানও গুপাগুশিংনা শোগ্নাহৌগনি. কাউরোইদবনি। নশা শিগ্রবসু মীংচৎ ফজবদি লেংদনা লৈহৌগনি। লাল শোক্লরিবা নখোয় পৃত্থমক নমায় ওন্দুনা চেনগনু। য়েংউ, অহন্নুপ লাকপা কৈবিয়াম অমদি নাহারূপ লাকপা বৃটিশিংনা পুৱিবা মায়কৈদা অৱা তেঙ্গোল কায়হুনা চেগ্নে। অৱাং মায়কৈদা অমদি ময়ায়দা লাল শোক্লরিবা নখোযদি কর্‌ম্নি তৌরবগে? অৱা ভানথায়রো, থুগায়রো।

য়াকচীং থাদা উনগী তমথিবা থাসন্দা শিরুম নারুম তৌহুনা লৈরম্বা হৈপাল লৈপাম্না বসন্তগী অমৃত থিকপদা অনৌবা ময়োল চোংবগুম, অমুক হন্না নোকপগুম, নিংথৌরেনগী নোংশা থোম্লাওগুবা অকনবা থোজেলনা পোইরৈ চীং-তমগী লাম্নৌশিংগী চোকথরবা, অৱা মৈশা লাংলবা মপুক্কীনা থৌনা মীচঙ থৌবগী অনৌবা অকনবা মীহুন অমা পীথরে। অৱা লাম্নৌবু উমিং

থৌওইদনা মমীৎ ঈ কাহ্লনা, থাঙ খুহ্নম চেৎনা পায়হ্লনা, শগোল শাঞ্জৈ নমহু ফুহ্লনা, খুনেৎ কাউহ্লনা পোইরৈ থৈত্তে লাম্মীশিং হৱিগী মীংলেন শোম্মুনা শগোল লমজেন চেনবগুম থৌজিনখরে। অৱা ভেঙ্গোল ময়ায়দা ফুজিনখিবদা অৱা ভেঙ্গোল কায়রে। অৱা লাম্মী অথৌবা মায়োক য়ায়ম্বশিংবু ভানা থিহ্নহ্লনা মালেম লৈপাক্তা ইথুরে। অৱা মকোক কক্তুনা গরীবনিৱাজ সনা চরণদা কৎলুরে। লাইরেল মৈদিংগু ময়াম্বনা "ইবুধৌ খোয়ম্মুম লাইনিংথৌ!" "চাংগু নারায়নও।" লাম্দা জয় ওইরে হায়না অৱাম্বা খোজেলনা লাউখরে। সনা পুক্নীং মকা ফল্লে, হয়াউরে। অৱা মকোক পুৱকপা মৈত্তে অথৌবশিংবু নিংথৌনা খুৎ য়াংনা থাজত্তুনা থাগৎখরে। মনা মথিল পীগনি হায়বা থৌদোকংবি খরে। শ্রীদামদা অথৌবশিংগী মমী, ইহনখরে।

অৱা লাম্মীশিং চীংয়া ভময়া, লোক-ভায়, লৌবুক লঙ্কাং, ভুৱেল খোঙহুংদা কৌবৈ পৈখগুম শিহ্লনা ভাহ্লনা লৈরে। লানকমদা মায়থীবা কংলবা অৱা লাম্মীশিংগী মশাদগী ভারকপা ঈনা, নাউওইত্তোং কৌবা উনা মপান ভাঙনা শাৎপগুম, মালেম লৈপাক পুমঙাং ভাঙলে, পুমচোৎ চোৎলে। তু খোং অপুম্বা ঈনা ভাঙনা চেল্লে। লানকমদা মায়থীবা কংহ্লনা অচৌবা অৱা ভেঙ্গোল কায়হ্লনা চেন্নখরে।

মতম অসিদা অৱা ভেঙ্গোলগী লানজৌংপুৱেল মঙ্গ্রা কেওহ্ ঙবনা কীয়াল অঙৌবা য়াংনা পায়বা হুত খৱা থায়ক্তুনা ময়ো

ভৌনা গয়ীবনিৱাজ নিংথৌ সনা চরণদা চাজুম নম্বা চিঠি অমা কৎলৈ। চিঠিগী মরোল—

"পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌ সনাগী ছত্র খানবাও। অৱা জাতি ঐখোয়সে পোইরৈ মৈতৈ জাতিগী ভাই শেল সম্বন্ধনি। মঙত্রা কেওছ্ ভগ্বা কৌবা অৱা তেঙ্গোনগী লানজিংলেন ঐহাক অসি নচন ইবেম্মা রাঙমলোন চকপা মখাউ ভগ্বীনা পোকপা মচা নিপানি। লানফমদা মায়থীবা ফংলবা অৱা ঐখোয়গী থৱায় কনবিয়ু। অৱা ঐখোয় তৱা চেঙজেন লৈতৱে, ভা-থুমসু লৈতৱে। অৱাং পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌও। পোকপদগী নশক ইশক উনত্রিবা শক খঙনবা লাকচগে হায়ৱবু লাল কয়া শোক্লক্লরবনিনা ঐগী পূক্লীংদা অকিবা তুজুংবা পোক্লে। মৈতৈগী তৱা চেঙ মচং অহাঙবা, লেমলৈ শৱেং অতেকপা, যু অয়াকপা ।লৈ), যু অথুৱা (পূক-যু), থুময়োল নীংখিবা পীবারকউ। নচন ইবেম্মা রাঙয়োন চকপা মখাউ ভগ্বীদা যুম হনগ্রগা পাউ তমজক্লগে। অৱা ইরৈপাক্তা পোইরৈ মৈতৈ জাতিগী থৌনা কবগী য়ারী শাজক্লগে। অসি হায়হ্না ননাই ঐনা ইমান ইবুংঙো নিংথৌরেনগী সনা চরণদা হয়া হয়া খুরুমজখিবনি।"

মচন্না পোকপা মমাক নিপা মঙত্রা কেওছ্ ভগ্বী নোন-জয়কপা, হায়জরকপা মপাউ তাবদা পেনবিহৈবা, মায়থীবা ফংলবা রেক্লৱবু ভাকপিহৈবা গয়ীবনিৱাজনা চেঙ চেঙকোক মশীং য়ায়া, ভা-পোৎ য়ায়া শেমহ্না, অয়াকপা অথুৱা যু থৱাং

থন্না হাপ্তুনা অবাশিংদা শীকৈখি। পৃথিবী জয় তৌখিবা আলেকজান্দারনা লাম্দা মায়থোবা ফংলবা পুরু নিংথৌগী মক্মদা নিংথৌ অমনা নিংথৌ অমগী মক্মদা চৎপা হোৌনবা লমচৎ ব্যবহার উৎপিখিকখ্রবনি

নুমিৎ তারে। সন্ধ্যা মতুং ওইরক্লে। অহৌংগী য়ুথক অমা হোৌরবা মতুংদা নিপাগী কাজেৎ শেৎপী অরিন্দম তাবি তাবি নিংথৌ সনা মাঙদা চেনশিল্লকই। মতুংশাঙ্বর থবেৎ থবেৎ হোৌন্দুনা হায়রকই,

—লাইরেল ইনিংথৌ ইবুংঙো। ননাই ঐনা লাকলিবসি মঙত্রা কেঙত্তু গুমগী লানশঙদগীনি। অরা লাম্মী শাহনা মহাক্কী লানশঙদা য়াত্তানবা লোম্না তারুরে। অরাগী লাম্মী কয়াইবা থরগা য়া তানহনা লেপ্লহোরে—হৌজিক অহৌং তাংলো অথেংবদা অরা লাম্মী অহুম মৈতৈ তেঙ্গোলদা মৈতৈ লাম্মী শাহনা লাকনি। চৌংঙু তাইবংখাইবা, গুরু অমসুং লাইমিংথৌনা লৈরিবা শগাই অসি তম্না নোংমৈ কাপ্লকনি। লাইমিংথৌনা খোমলেন তুমখুন হুম্না তুম্লিঙৈদা হাৎকনি হায়না য়ারেপ্লহোরে।

অরিন্দমবু য়াম্না থাজবা নিংথৌনা চৌংঙু তাইবংখাইববু শগাই মথক্তগী পুথরক্তুনা খুদোংথীরোইদবা মক্মদা লেংশিনহনখ্রে।' নিংথৌস্তু গুরু গোপালদাসগা লোয়ননা অতোপ্পা মক্মদা লেংথোক্তুনা লৈখরে। লানজাবা মৈতৈ লাম্মীশিং উরুম য়ারুম থোংশোং মরক্তা পুন্তুনা নাথৈহনা লৈনখরে। মীশেং সত্রী মশীং হেনগৎখক্লে। নোংয়ায় য়ুতু য়ৌরকপা অহৌং মীচীক মীয়াউয়োল

ত্তাত্রবা কাম্বা লৈপাক্তা মবুক্তা শিংনা শিংনা চত্তুনা অরা লাম্মী অহুম নিংথৌগী শগাই তম্না চঙখিব্রা সস্ত্রী কনামত্তা ভুহোন্রে। খণ্ডহৌদনা নো মৈ কাপ্পগী মখোল তাবা ফুংই। শগাই মথক্তা নো মৈ মক্ক পানবগী মখোল তাবা ফই। অবা লাম্মী অহুম নোংমৈ থাদরমত্তনা কন্না চেনথরে। মৈতৈ লানজাবা লাম্মীশিংনা তাম্নত্তনা মৈতৈ লাম্মাগী ফীজেং শেংপা অরা অনী ফারে। অমনা চেনখিত্তনা ফাবা ঙমহৌদবে। নিংথৌ সনা চবণদা রাত্ত হঙ্গৎপদা থুদক অত্তমক্তা অরা অনীত্তু মঙক্তা থৌবী থুত্তনা থৌরী য়ানবগী সনা য়াথং পীরে। অরা লাম্মী অনী অরাংবা ঙগী উশাদা অরা তেঙ্কোলনা উবা মফমদা মঙক থৌরী কোঙ্গোয় থুত্তনা ফাঁসি ত্তৌরে।

অরা সেনাপতি মঙত্রা কেঙত্ত ঙম্বু হিংনা ফাত্তনা নত্রগা লালু চোমায় ফোযত্তনা (মঙক কক্তুনা) পুরকপা ঙম্বা মীদা তাংবল্লোই পীগনি হাধনা নিংথৌ সনা য়াথং মৈতৈ লাম্মী তেঙ্গোল মরক্তা (১) মৈহুম মোরোক পাযত্তনা প।উজেনখরে।

অহীং অত্তু লেল্লগা নোংঙাল্লকপদা অরা লাম্মী অমা ফাওবা লৈরমদরে। অহীংদা লোম্না চেনখিরম্রে। মৈতৈ লাম্মী তেঙ্গোলনা নিংথৌ সনা থুয়াথাদা হঙ্গৎলি অচেনবা অরা তেঙ্গোল তাম্নত্তনা

(১) চৈ অম্রগী মক্লোম্দা মোরোক মপুন অমা পুল্লগা মৈ থাত্তনা চৈ অত্তু পায়ত্তনা নিংথৌগী য়াথং-পাউ লৈপাক প্রজাদা থত্তনবরু মৈহুম মোরোক পাউজেল কৌই।

তুম্না হাংকে হায়না। অহুবু তুংগী পোবম নীংথীনা উবা লৌশিং শিংবা নিংথৌনা ৱাখল ভৌবগা হায়ৱকই,

—ভয়ুম অচানবশিংও! ভখেলগী লাল শোক্নদরি। ঐনা মমাংদৌদা কংলাদা নখোয়দা হায়খিবা ৱাহু নীংশিংউ। অৱা লৈবাক্তা চহী কুমজা ৭ লান্দাবগা নখোয়গী নপুক্নী.দা লম্বন থুম্নীংবগী ঈয়াং লৈরিবহু মপুং ফানা নীংবা থুংহনগনি। হৌজিক্তি মতম চাদরি।

ৱাংজিং লোকলাও লিংদা লানজিংলম্বা থাগীগী ফরাংজিনা ফজনা লৈতেংবা সনাগী য়েনপাক তুপ্পা কেংমুচাবু ঙমহোবে। চথা সাম্লুংথেন্দা চুক্নোয ১০০০ থোমহোৱে। সিথোং লোনয়াম-ঈদা ভরুং থাঙগুববু হাংহোৱে। থোয়মা ল চাকপোক্তা শামু শাবোং ভায় লোকহোৱে। কাকোন নোংদম ঈদা লানজিংলম্বা হঞ্চউতি লানজিংববু ফাহোৱে। থাৱন চীংগারমদা থাঙশাং মপুন মপুন লোকহোৱে। হৈৱোক অচনবদা শগোল ১০০০ থোমহোৱে। লমলেন ঙঃৱৌথন্দা অৱাংচান কিয়াং কৌবা থাঙগুববু হাংহোৱে। চিপি লোকলাউ পুংদা সনানা শাবা ফী মপুন ২০০০ থোমহোৱে। মৱিং চীংগারমদা অৱাগী লোলাই ১৫ লোকহোৱে। মৱিং পোংবৱৌদা ভা মপুন ১৫ থোমহোৱে। ৱাংজিং লোকলুথুমদা থাগীগী ফরাংজিনা ফজনা লৈতেংবা লানজিংলেন ওইরম্বা শগোলভোংবা ভরেংচা চৌভাপপু ফাহোৱে। মৱিং থাৱৈ ঈথৈথোংদা লাকয়াক্রম্নু কৌবা অৱা

দোলাইতোংববু ঙমহৌবে। খোইবু চীংগারমদা সনাগী য়েনপাক ১000 মুনহৌরে। হেন্না রাব। চীংদা অরাগী চাকথোংনবা কোরিগী চকু ১000 মুনহৌরে। রাযরং নোংজুবী চীংদা রেপু খেংপুখম তেঙ্গোল চাইবনচিংবা শামু ১০ কাহৌরে। অরা তেঙ্গোল মমাঙদা লানশোক্লরম্বা সেনাপতি কেংছুঙম্বগী ঙমথং সনাগী [redacted] হাম্বা লাকযা নন্দমিংপু ঙমহৌরে।

মঙত্রা কেংছুঙম্বনা সেনাপতি ওইছুনা কংলৈপাক্তা লান্দা-রকপা অরা তেঙ্গোল অচৌবা মাপলবু মায়খিবা পীখিবা মরমদগী মৈতেংঙু খোংনাং ময়াম্বা গরীবনীৱাজ)গী মিংনপ মীংলেন চৌতাপ লানজিংবা অমসুং নন্দক্য থাঙথৌবা ঙম্বা ওঃ হায়না কৌনখরে।

অহাং লোম্না চেনখিবা অরা তেঙ্গোল মাপল তুমু য়োবদা পুম্নপ পুনশিন্দুনা রা তামখরে। লাম্মী মীশীং য়াম্না য়াম্বা হেনবা অরা তেঙ্গোলনা মীশীং য়ামদবা মৈতৈ তেঙ্গোলগা লানশোক্লবদা মায়থীবা ফংলকপসি য়াম্না ইকাইবা রানি হায়না থম্নখরে। অরা নিংথৌনা অনৌবা লাম্মী তেঙ্গোল অমগা থারক্তুনা মৈতৈ লৈপাক্তা অমুক হম্না লান্দাক্ল হায়না অকনবা চিঠি থারকপদা অরা তেঙ্গোল অমুক হম্না মণিপুর তম্না যাত্রা তৌছুনা লাক্লে। থমিং ঙাইরেনয়ান য়োবদা লাল শোক্লকম রাংজিং লোকচাউলিদগী অনৌবা পাউ অমা অরোম্নায় হঙবনা কংলে—অরা লাম্মী অনী মঙক্তা থৌরী কোজোয় থুছুনা উ অৱাংবা মতোন্দা য়ান্দুনা লৈহৌরে। ঙাইহাক লৈরগা গরীব-

নিৱাজবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাংকে হোৎনখিবা অৱা নিপা অহুমশী মচুংদা মৈতৈ লাম্মীনা ফাবা শুমহোৎবা চেনখিবা অৱা লাম্মীহু অৱা তেঙ্গোলনা থুংলবে। মাগী মচৌম্বশী বা পা য়ুমক তাবদা অৱা লাম্মী অপূম্বা মিপাইনৱে। মখোয়গীসু দশা অমি তাৱবা য়াব হায়না সেনাপতি কেণ্ডহ ভম্বদগী হৌনা খোঙ্গী ফাওবা নীংনখৱে। অতুগী মথক্তা কেণ্ডহ ভম্বু হাৎখ্রা [illegible] মৈতৈ লাম্মীদা তাংবল্লোই পীগনি হাযবা পাউ অহুম্ম [illegible] অৱা তেঙ্গোল হন্দুনা মবৈপাক মায়কৈ পাংখৱে।

অৱা তেঙ্গোল মাপনগা শোক্নবা লানফমদা মৈতৈ তেঙ্গোল্না মায়পাকপা হুমিং অসিগী অহীং য়ুথক মতুংদা মশক খণ্ডবা নিপা অমা লাক্তুনা পলিবগী শুমাঙ তুলসীবূং ময়াদা লেপ্তুনা লাওরকই,

—হায় হায় ভাইখোংভম্বী তাৱা ? ৱাংজিং চিবি লোকলাওবুংদা শোক্নরিবা লানফমদা ভরাং অমুক নচা নিপা পলিবা লম-থোকপু মোইরাম্বা কৈরুংবনা হাপ্তুনা নচাগী অশিবা মশাক্তু শঙ্গোম পায়রদা পুন্নগা শঙ্গোম থোক্নুনা কোক্তুচিং চিংবদ্দা মখুং মশা মথাক মমীৎ মতুং মতং কেন্দুনা লৈহোৱে।

[illegible] খোঙ্গাউ অমি তাবদা অমোনবী ভাইখোংভম্বী [illegible] শিৱে। [illegible] নিপাদুসু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]ৱে।

॥ তরানিথোই ॥

অরা তেঙ্গোল মাপল মাযথীবা পীক্সনা পোইরৈ মৈতৈ লান্মীনা জয় ওইবে। ল নফমদা থাম্বা মৈশা লাংনা শোক্ক-কবুগী হুমাং কংগ্রিৈঙদা অমদি হকচাঙগী শাগৎখিবা ঈ ঈংগ্রি-ৈঙদা নোংচুপ পাংবা মোইবাং ক্কাক্তাদা শোক্করিবা তখেল লানগী লানবাঁউ গবীবনিবাজগী মফমদা থুংলরে। মৈতৈ তেঙ্গোল লানজিংহোবা লানজিংপুবেল অহুম—খোম্মা চোংথামচা, লুরাং খুংম্বেম্বা, শকথী নাউরোইবনা নিংথৌ সনা খ যা খাদা হক্কংলকই,

—লাইবেল মৈদিংঙু ইবুংঙো তাও—ও। তখেল লাম্মী তেঙ্গোল থাবাযোয় কোবা চীং অমসুং পুকমপন চীংয়ায় খায়না লাম্মা-য়ক্কুনা মৈতৈ তেঙ্গোলগা লানথেংনবদা তখেল লাম্মী মমায় লৈদে। তাংজা লীলগী মতৌগুম চণ্ডশিল্লক্রে। চীংদা কাক্সনা খুৎথেংননা থাঙনা য়ায়ববু তখেল তেঙ্গোল থিংবা ঙমদবে। তানা পাক্সবা ওকুম তখেল তেঙ্গোল ফুজিল্লক্রে। মৈতৈ তেঙ্গোল কায়রে। নন্নাই ঐখোয় তখেলগা মায়োক য়ানা লানথেংনবা ঙমদরে। সনা নোংদম থুনা য়াঙনা তম্বিরকও।

লানজিং পুরেল অহুম্না হক্কংলকপা মপাউ ফংবদা গরীবনিবাজ নিংথৌনা মৈতৈ লাম্মী তেঙ্গোল লুচিংবশিং য়েংক্সনা হায়রকই,

—মৈতৈ লৈবাক্কী ফম্নাইবা মীপোক মীহীংবা ওম্বা, অকল অথৌ, মীপোই মীহেনবশিংও। অমদি কাওবল ষনগুম্বা, নঙ্গন্দা পুবা তেন্দোং মম্নু'দা হাপ্পা তেনগুম্বা, পোইরৈ লান্মী অথৌবশিংও। ত'ও। নোংচুপ থারম লোইকারমদা শোক্ক-রিবা লানফমদা তখেল লান্মী মমায় লৈদে, পাত্তা লেমলৈ ওায়ৌন তকপগুম তকশিল্লক্লে। তখেল লান্মীগা খুত্তা থাওলেন পাযত্লনা য়াম্নত্রবদি অরানা ঐখোয়বু উশিং থৌওইখিরোই। অরা তেঙ্গোলগা কম্না লান শোক্লহনা মপুং ফানা মায়থীবা পীখীবগী হমাং কংত্রিবৈওদা অমদি হকচাওগী শাগৎখিবা ঈ ঈংত্রিবৈওদা, থাও পাযবগী খুৎকী খুদুম পোমখিবা হম্ব্ত্রিবৈদা অমুক হন্না লান শোক্লৌ হায় হাযগনো। লানফমদা পূক্লৌং ঈংলবা, পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক ওাকপা পুম্নমক্না মক্কলুক্না ইকাই থুম্নরিবা ঐগী ইনাই অচানবা কৈবিরাম লোইনাই অহন্নুপ লাকপা ও। নহক্লা পোইরৈ মৈতৈগী পানা মরি-মক্কী মকোক সেনাপতি ওইহনা তেঙ্গোল অসি পুহনা তখেল লান্মীগা মায়োক য়ানা লাল শোক্লক। লৈবাক প্রজা অহল লম্মন নুপী অঙাওগী অরাবা কোকত্রিবৈওদা অরাবা থওগনো। নিংথৌ ঐদি গুরুস্বামীজি অথোইবগা, ঐগী য়াইফ নবা লনগুবিবা ইবুধৌ খোয়ুম লাইয়িংথৌ চীংওু জাইবং থাইবগা লোয়ননা পোইরৈ সনাপুংদা চৎলুখিগে।

লাইরেল মৈদিংগু অরাগী অককপা মকোক ময়াম মাওথানা পুহন্দুনা, শামু কয়ামুক অমনুং মশীং থীবা ওমদনা

য়ামগ্রবা শগোল, তা মপুন, মপুন মশী᳟ য়ামগ্রবা থাঙ চুঙ্গোয়, মশীং থীবা ঙমদনা যামগ্রবা নো৲মৈ অমসুং তোপ কয়ামুক পুন্থনা পোইবৈ সনাপুংদা লেংখরে। অৱাগী মকোক পুন্নমক চেঙজা হুংগোইবিদা চনশিনখরে। নিংথৌরেন্না মৈতৈ লৈমা খোরোয়বোল সেনবি পাঙ্গঙম্বীদা নোংখোংবগুম্না শোক্লখিবা লানজাওদা জয় ওইবকপগী রা পাউদমখরে। মৈতৈ লৈমনচিংবা মনাও ইবেম্মা মভানা নোক্লা নোক্লা হৱাও তযাম্না নিংথৌ সনা চরণদা রা হঙ্গংলি,

—লাইরেল ইবুংঙো তাবিয়ু। নি থৌবেল ইবুংঙোগী নপাম্বোমগী পাঙ্গল অমদি লানফমদা নিপা খোকপা নরীংজেল নংলম-ভ্রবদি পাঙ্গন শোনবা ননাই মুপী ঐখোযদি অৱাবা দশা তারমগনি। ননাইশিং পোইবৈ মৈতৈ চীং-তমগী প্রজাশিংসু অৱাবা রাথল খন্দুনা মথৱায যাম্না রানা লৈনবম্রে। চীংঙু লাইগী কৃপাদগী লানফমদা জয় ওইরকপা অসিদা প্রজা পূন্নমক হৱাওনরে, হুংঙাইনরে। ননাইশিং চীং-তমগী প্রজা পূন্নমক থোনগত্তুনা পুবদা রানা খোকপা চেঙপোং লম্বী মযাদা হৌবা উজ্জাউগী মখোঙদা থারগা অৱাবা পোথাবগুম নিংথৌনা লান্দা জয় ওইরকপসিদা অৱাবা কোক্লে খন্নবে।

নিংথৌ সনা য়াথং ফংবদা চীং-তমগী অকল অথৌশিংগী লাম্মী তেঙ্গোল পুন্থনা সেনাপতি কৈবিরাম অকোং হাওবমচা পূংকম ক্লেনকম অফবা য়েংথনা মোইরাং কাক্তাগী মায়কৈদা

লানগী যাত্রা তৌহুনা লাক্লে ৮ লৌশিপাৎ মযায় খায়না লান্দুনা, থল্লান শমহুনা, সে৲বাইখোং লান্দুনা, নো৲মোইন্নু অহোঙবি ঙসাকোল ঙাংঙোই যোইমোঙবা তুদেংকোন ফৈনা শমহুনা, ইথায়দা হিগী থোং লান্দুনা লফুপাৎ যৌখবে। কেগে খোর্দাক অমদি মোইবাং নোংগাংখো৲বু ওইগী নাতৈ থনমহুনা, কৈবুল লমজাউ লান্দুনা কেগে শী৲জা ক্বাক্তাদা পোইরৈ তেঙ্গোলদা থুংলরে। হান্না লৈরম্বা তখেলগা লাল শোক্লবদা ৱানা খাঙলম্বা পোইরৈ অকল অথৌশিং তেঙ্গোল মপং ফানা য়াম্লবদা হৱাওনরে। লোইনাই অহল্লুপ লাকপনা শাইবা তিংখ৲না মফী মবোল শেগায়ববা, মখোঙদা তিংখং য়ুহুনা তখেলগা লাল শোক্লবদা সৈনাইরবশিং৲দা চরৈ মফী পিবে, মবুক থল্লা চাক পীজবে। তখেল তেঙ্গোলসু কেগে মোইরাংগী লোকলৌ অচনবদা তেঙ্গোল লানথন শারে

সেনাপতি কৈবিবামনা মৈদি ঙ৲গী মনাই তখেল লম্বু কবো ঙাসবা য়েংহুনা থৌদাককই,

—কবো ঙাসবা ও! তখেল তেঙ্গোলদা চত্তুনা ৱাহংলু—তখেল লান্মী তেঙ্গোলনা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্তা লান্দারকপগী মরম কবিনো? তখেল হাযবসি মচা ইচা চারোল মৌরোম্নরকপা ঙাইশেলনি। লাল শোক্লরগদুসি হনগ্রো হায়রু। অহুগা তখেল লান্মী তেঙ্গোলগী লানজিংবশিংনা কমা কমাবো হায়বা মথক খঙলকউ।

সেনাপতিগী পৌশিবগী য়াথং ফংদুনা তখলে লম্বু কবো ঙাসবা অকি অথং লৈতনা অঙোবা ফীবাল অমা মশুক্তা পারদুনা তখেল তেঙ্গোলদা চংখরে। মাবু উবদা তখেল সেনাপতি ছত্রজিৎনাবাম্না ৱাহংলকই,

—মৈদি ঙুগী মনাই তখেল লম্বু কবো ঙাসবা ও। কয়ি ৱা লৈদুনা লাকপনো ?

—লানজি পুবেল ছত্রজিৎ অথৌবও। পোইবৈ মৈতৈ জাতিসি তখেল নখোযগী ঙাইশেলনি। তখেল লৈপাক্লা পোইবৈ মৈতৈ লৈপাক্তা লান্দাবকপসিবু কবি মরমদগীনা খঙঙুসো হায়না ঐবু মৈতৈ তেঙ্গোলগী লানজিংলেম্না থারকপনি।

—ববো ঙাসবাও! ঐখায়না মৈতৈ লৈপাক্তা লান্দারকপগী মরম হায়গে তাও। মমাঙৈদ খাবম লম্বাল (লোইহাপোং) থৌবা চংখিবা তখেল লৈপাকী মীশিংগী দোলাই লাইজ ইতুযা তুখুশ মতমপাক্তা মৈতৈনা যানথেক্তুনা থুগায়খবে। ঐ খাযগী শামু মুলহৌবে, ঐখোয়গী পুংগী পুংমায় য়ানফাংখ্রবে। অদুতসু নত্তে। তেখাও (আসাম) গা ঙাইশেল ওইনগে হোংনবা মতমদা শ্রীমদ্ভাগবত লৌবা মতমদা তখেল ঐখোয়বু লম্বীদা পোং থিম্নবা অমসুং শগোল থিম্নবা মীনায় ওইনা শিজিন্নগে হায়না মৈতৈনা থৌরাংখি। অদুসু মরম অমনি। ঐখোয়গী লৈপাক্তা লৈরম্বা সরূপানন্দ কৌবা ব্রাহ্মণ অমসুং তখেলগী পাঙন লম্বু অনীবুসু ফাদুনা পুখি। ঐদুম্বু

পুন্নমক অসি লৈবনা ভখেল নিংথৌনা মৈতৈ লৈপাক্তা লান্দারু হায়না ঐখোয়বু থারকপনি। নিংথৌগী য়াথং অতৈদি

(১) লোক্তাক্তা কুমহুনা হৈকক্ হেন্নকউ, থাংজিং পোনজেগ্না হাপু্না পুন্নকউ।

(২) ইপা ইপু হাক্তগী মোইরাং হায়বা লমদমসি ভখেল ঐখোয়গী ভাপীবা লোইরম্নি। মোইরাংদা চুং য়ান্দুনা লান্দারু, লোইচন্নম্মু।

(৩) ভখেল ঐখোয়গী লোইরম লাংথ, লাংলোং খোইরোই, খোংয়াং, কুমফি, ভোলোংনচিবা লোই চন্নম্মু।

—ভখেল লৈপাক কৌবসে মৈতৈগী ভাইশেলনি। মৈতৈ লৈপাক্তা লান্দারমদনা হনবিথরো।

—কবো ভাসবও! ঐখোয়বু লাল ভোরমদনা হনথরো হায়রবদি ঐখোয়গী লোইরম চৌংমীগী খুল ভরুক মৈতৈনা লৌশিনখিবত্ত হন্দোক্তু্না ঐখোয়দা পীয়ু হায়য়ু। মখোয়না লৌশিনখিবা লোক্তাক হন্দোরকউ হায়য়ু। বামোন সন্নপানন্দগা ভখেল লমু পাওলগা অনী হন্দোক্তু্না পীরকউ হায়য়ু। পুন্নমক অসিগী মথক্তা ভখেল নিংথৌগী দমক শগোল ১০ অহুগা ভখেল ভেজোলগী লানজিংবা ঐখোয় অহুমগী শগোল ৫ গা ভুপ্না শগোল ১৫ গা পীরকউ হায়য়ু। পুন্নমক আসি পীরবদি ঐখোয় হনগ্রগে।

কবো ভাসবা মৈতৈ ভেজোলদা হন্নক্তু্না ভখেল লানজিংলেন ছত্রজিংনারায়া হায়রকপা পাউ পুন্নমক সেনাপতি কৈবিরামদা ভরে। কবো ভাসবনা মথা তাথরকই,

—তখেল লাম্মীগী লুচিংবা অহুমনি—ছত্রজিৎনারায়ন, যশঃনরায়ন, পঞ্চমরাই। লাম্মী মশাংদি মশাং গীবা ওমদবমখৈ য়াম্মী। অহুগা লানগী থৃৎলাই কবসু মখোয়গীনা হেল্লি। মৈতৈ তেঙ্গোল চেকশিনবা তায়।

ওাসবগী য়া তারদা লানকমদা পূক্নীং ঈংবা কৈবিরামনা হায়রকই,

—কবো ওাসব ও। তোমচংনবা ওক্লেন লাবাগুম্বা লানকমদা মমায় লৈদবা অখোবা ত খল লাম্মী লানজিংলেনশিংনা লুচিংবা ওইহুনা লাম্মারক্লি, মৈতৈ তেঙ্গোল ঐখোয় চেকশিন্না লোৎনগদবনি হায়বসি পোইরৈ লাম্মী তনহন্নবা কিহন্নবা ওাওবা য়ানি। কায়দবা করিসু লৈতবা য়ানি।

ওাসবনা পুরকপা পাউ পুন্নমক মপুং কানা ইহুনা কৈবিরায়া নিংথৌ সনা চয়ণদা চিঠি অমা কৎখ্রে। চিঠি পুবা হুতনা চৎখিবদা কংলৈপুংগী ময়োল সনা কৈখেল মনাক্তা গরীবনিৱাজ নিংথৌ শগোল কাংজে শামহনা লৈরম্মী, চিঠি কংবদা নিংথৌরেল সনা য়োইকোয়ুংদা (কোমুংদা) লেংশিনখ্রে। খুদক অহুমক্তদা কংলা য়াইপুং ময়োল হাপ্পা থিন্দুনা লৈবাক প্রজা কৌখৎলে। লৈবাক প্রজা পুন্নমক তিন্নরবদা থোংনাং ময়াম্বা (গরীবনিৱাজ) না হায়রকই,

—মৈতৈ অকল অথৌ, ঐগী ইওাই ওইবা মৈতৈ কয়াইবা, নিংথৌ ঐগী ঈ—শাগৈ নাতৈ পূন্নমক তাবিয়ু। তখেল লাম্মী

তেঙ্গোক্লনা লানফমদা মৈশা কন্না ৱাৈম চাকপগুম চাকশিন্নক্লে। ঠাকুর বামোন হঞ্জবগা তখেলগী পাঙল লম্বু অনৗমকপু পীরক্তে হায়রবগী মবমদা পোঃরৈ মৈতৈ লৈপাক্তা তথেন্না য়াম্না কন্না পনথেংগে হাযদ্রুনা লান্দাবক্লে। মৈতৈ তম্পাক্তা তারক্তনা হনখ্রো হায়ববদি লাংগোই শগোল ১৫ পীবকঊ হায়নক্লি। অহুনস্থ লোইবা নত্তে। লমলেন চিবি লোকলাউপূংদা অৱা তেঙ্গোল মাপনথকপু য়েন্দেম থবাক শোইবগুম মায়থিবা পীথিবত্ অমুক হন্না মৈতৈ লৈপাক্তা লান্দা ৱক্তনাথমিং ভাইরেনয়ান য়োরক্লে হায়রবা পাঙ ফংলে। করম তৌসি হায়রগে? তখেন্দা শগোল পীত্নুনা লোই হারসি হাযববা? নত্রগা নিংথৌ ইমাশবা মাগা থাঙন খুংসেংননা য়াম্নসি হাযব'া? ঐখোয় পূমমক লাল তোযনা শোক্লবনা ৱ রে। হকচাঙদা অশোক অপন যাম্রে। লাল শে ক্লখিবগী হকচাঙগী হ'াং কংদরি, শাগৎখিবা হকচাঙগী ঈ ঈ দরি। ভাইহাক্তা পোথাবা কংদয়ি। ইমাম্নবা লৈপাক অনৌদা সনা, লুপা, শগাল পীত্নুনা লোই হারসি হায়বরা? পুক্নাং সৈতানা থন্নগা পাঙথুম্মু।

মত্তো অস্থম তৌনা নিংথৌনা ৱাহংলবদা মৈতৈ লৈপাক ভাকপা পূম্নমক্কা থুমস্ত্রিঙৈদা অহল ওইরবা রামচরণসিংহ ৱায়েনবম থম্বনা থুম্রকই,

—লাইরেল মৈদিংঙু, ইনিংথৌ ইবুংঙো তাবিয়ু। তখেলদা শগোল পীত্নুনা লোই হাসি হায়বসিবু করি ৱানো? নবুথৌ

মৈদিংঙু খাগেম্বা সনা হাক্কত্তা কাছার নিংথৌনা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্তা লাম্বাবকপবু হাওযেন য়াংগোইবু, লিকলাং তরোঙ পরেংকোন থুরোয় থিংবা কাম্দা নবুধৌনা মায়থিবা পীড়ুনা কাছারগী লাম্মী য়াম্না হাংথি। পাওল য়াওনা মশীং য়াম্বা কাছারগী লাম্মী কাহৌই। লান্দা জয ওইহৌই। কাছার নিংথৌগ তখেল নিংথৌগা অনীগী মবক্তা অহানবসিনা মপাঙ্গল কনবা হেল্লি। মপাঙ্গল শোনবা তংখংবা কযা সোই হাগৎবনো? কাছাব নিংথৌগী মমাংদা ইকাইয়ে। নবুধৌ ইবুংঙো লাইরেল শেনবি খাগেম্বগী কজবা মিংচৎ মাঙহন্নীংদে। মী অমসুং চীংমীগী খুল পীবগী বাদি লাপ্পা থম্মহুনা য়েন হাপ্পা পোল্লা অমা কাওবা পীনিংদে। ননাই ঐহাক অহল ওইরবসু ইখোঙ অনীসি লৈপাক্তা কুমহুনা তিথৌ মরা পায়হুনা তখেল মায়োক য়ানা থাঙলেন থৃৎনা ফংনা লাল শোক্লকগে। ইমাষ ওন্দুনা চেল্লোই।

নিংথৌনা পেনবিরহুনা হায়বকই।

—ইপু নহাক্কা হায়রিবা য়াসি কজখরে। অহুম্নদি ওইরগা য়াকম অসি ঐ লাইরিক ইহুনা পীথিগে। সেনাপতি কৈবিরায়চিংবা তখেলগা লানশোক্লরিবা অকল অথৌশিংনা খম্নহনা ভোরসনু।

নিংথৌগী সনা য়াথং মৈতৈ তেজোলদা য়োথিবদা অহুম্নপ লাকপনচিংবা মৈতৈ অকল অথৌশিং অমসুং লাম্মীশিং পুম্নপ কমহুনা পক্লীং চঙনা য়াত্তানখি। মৈতৈ তেজোলনা হায়নখি,

—নিংথৌ ময়াম্বনা হায়বক্লিবা ৱাসি লাম্মী তেঙ্গোল ঐখোয়না থনবা ৱাথল য়েংবনি।

কনাগুম্বনা হায়বকই,

—ভখেল লাল শোক্লসি হায়ববু ভখেল লাম্মীশিং অসি লানফমদা মৈশা কল্লি, মখোয়গা লান শোক্লবা য়াম্না লুবা থবক্নি। মবম অদুনা ভখেলদা বামোন সরূপানন্দ অমস্তুং শগোল পীদুনা লোই হাবসি হায়ববু নিংথৌনা শাউগনি। নিংথৌবু কি।

কনাগুম্বা মী খবনা হায়কই।

—মী অমস্তুং শগোল পীদুনা লোইহাবা তৌরোই। লাল তৌগনি। মৈতৈ অকল অথৌশিং পুক্লী খোয়বাঙ খোইশাউনবে। শামুবু কাটিনা থিন্দুনা, মাহুৎনা নারুমদা খোঙনা কাউদুনা কৈগী খোঙ্গুল লীনবা থৌজিনবদা শামুনা মকোক মরু হাইদুনা মতুংলোমদা হন্দুনা থাঙবা মতৌগুম্ব। তেঙ্গোলগী অকল অথৌশিংগী ৱাঙাঙ ভারবদা সেনাপতি কৈবিবামনা হায়রকই,

—ভখেল লাম্মী তেঙ্গোলগা মাযোক যানা লাল শোক্লগে, ইমায ওন্দুনা চেল্লোই। ইকোক কায়দুনা য়াইবি থৱায় থারবসু নিংথৌ ইবুংঙো ময়াম্বনা মংশক ভানবিরক্নি।

অসিগুম্বা পুক্লীং থৌগৎপা ৱাঙাঙ ভাবদা নিংথৌগী মনাই নাহাকপ লাকপা হোংঙাই সনসবনা লাম্মী তেঙ্গোল ময়ায়দা চঙদুনা মপাম্বোম ভিংদুনা ৱাশক্তুনা হায়রকই,

—ঐ অসি লাইরেল মৈদিংঙুগী মনাই হোংঙাই সনসবনি। ইপ ক্লীংনা নীংবদু থুংনবা হোৎনবদা য়োৎকুম্না কনবা নিপানি।

ঐ ইমায় ওন্দুনা চেল্লোই। থাঙলেন খূৎনা ফংনা তখেল লান্মীগা লাল য়ান্নগে। থাংজিং লাইনিংথৌনা থৌজানবিবা ওইসন্নু।

হো\ঙাই সনসবনা মতৌ অসুম তৌনা থৌদোংলবদা মৈতৈ লান্মী অথৌবা লানফমদা মমায ওন্দবশিংসু চোংথোক্তু না মপাঙ্গল মতীক যে না অমমমদা ওইনা ৱাশক্লখবে। খোঙনী লান্মী অমসুং লৌমীশিংনা চিশোক্লহুনা লোন্না লোন্না ৱা ঙাঙনখি,

—বামোন মাগী মরমদগী লৈপাক কায়বা তাবে। বামোন হঞ্জবা সরুপানন্দ অসিবু ফাহুনা তখেনশিংদা পীথোক্লসি।

লান্মীশিংনা ঙাঙনবিবা ৱাসি তাবহুনা পেনাপতি কৈবিবামনা থল্লকই,

—বামোন হঞ্জবা অসিবু মৈতৈ লান্মীশিংনা তখেলদা পিথোক খরবদি নিংথৌনা শাউগনি, অথীবা ৱাঙাঙ ঙাঙলকনি।

মতৌ অসুম্না ৱাখল খন্দুনা কৈবিবামনা সরুপানন্দ য়েংহুনা হায়রকই,

—হে গুরু ব্রাহ্মণ হঞ্জবাওঃ! ব্রাহ্মণগী মরমদা মৈতৈ ঐনা ৱা.য়েন .থো।। পীয়া ইতীক নত্তে হায়না খন্দুনা ৱারৌবা তৌবিগনু। নিংথৌ সনা কোম্বুংদা লেঙহুনা নিংথৌ ইবুংঙোগা ৱা তান্নবিক। তখেল লান্মীশিং অসি তানা পাল্লবা ওক্ৰ্ম্নে। মমায় ওন্দুনা চেন্দে। লাংবন থাদা ইকা-ঙানা লাংথোং অথূবদা য়ান্না কাৱকপগুম চঙশিল্লকপদা মৈতৈ লান্মীশিংনা

তখেলগা মায়োক য়াবা ঙমদবে। মৈতৈ লাম্মী মমায় ওন্দুনা চেনগদৌবে। লাইবেল ইবুংঙো সনা খোংলেংবিরকউ হায়না হঙৎপিরু।

ব্রাহ্মণ সরুপানন্দ নিংথৌ সনা কোন্নুংদা লাক্লে। নোংশাগুম্বা নিংথৌরেন্দি অযূক্তা সনা কৈথেল মনাক্তা লৈবা কাংজৈবুংদা শগোল কাংজৈ শান্নবম্মী। ঈশিং ঈবেনগুম্না ঈংবা তপ্পা নিংথৌনা খল্লকই,

—লানফমগী অফবা পাউ ওইবগদি সেনাপতি কৈবিরাম্না লাই-গুম্বা ব্রাহ্মণ অসিবু থারক্লোই। লানফমদা অকনবা লাল শোক্লবম্নগনি।

অসি খন্দুনা নিংথৌ সনা কোন্নুংদা] লেংশি-খবে। কম্বাললাংদা নাংথিনা কম্নগা বামোন হঞ্জববু কৌশিনখবে। বৃহস্পতিনা শোরাবেন (ইন্দ্র) গী সভাদা বেদপাঠ (বেদ থীবা) চঙবগুম ব্রাহ্মণ সরুপানন্দ নিংথৌ সনা নাক্তা চংখবে। নিংথৌনা হয়রকই,

—বামোন হঞ্জবা সরুপানন্দ পণ্ডিত, শগোলশেল শুকগুম্বা ও লানফমদা শোক্লরিবা লাল অচু করম তৌরিবাগ?

—লাইরেল মৈদিংঙু কংলৈপাক্কী মবুংঙো। তখেল লাম্মী মমায় ওন্দুনা চেন্দে। মৈতৈ লাম্মী তেঙ্গোলনা? ব্রাহ্মণ ঐবু কাহ্নুনা তখেলশিংদা পাঁথোক্লগে হায়না থৌবাঙ তৌরে। নিংথৌ সনা পক্লীং থঙদবনা সেনাপতি কৈবিরাম্না ঐবু সনা নাক্তা পাউপুবা মী ওইনা থাকপনি। মৈতৈ লাম্মী

তেঙ্গোল তখেল লান্মী তেঙ্গোল মমাঙদা থাঙবা ৱারে। লানগী মৈশা য়াম্না কল্লে। মৈতৈ লান্মীশিং ঈশিং ঈরৈ অকনবদা তাবগুম অৱাবা ফংলে, লাঙতক্লরে। লানজিংলেন অকোঙ হাওবমচানা পলগী খো.কৈ ওইবগুম মতোমতা চাক-চরিবা মঙায়রে। মৈখোঙ নীংখায়হনা পল কায়বগুম মৈতৈ তেঙ্গোল লান্দা মায়থীবা ফংবা তারে। নিংথৌ মনা খোঙলেংবিরে।

ব্রাহ্মণনা মপূক্লাংদা য়াম্না কিবা মতৌ উহনা নিংথৌনা হায়রকই,

—ৱাঙাঙবদা ঈংবা তপ্পা ব্রাহ্মণ অথোইবা। ঠাকুরজিদু পীখিবগী ৱাদি ল প্পা থমহন লাংবন থাগী কোক্কং অমা কাওবা তখেলদা পীরোই। হায়ু মৈতৈ লান্মী তেঙ্গোলনা লাল শোক্লবা ওয়রোই হায়রবসু নিংথৌ ঐ ইশস্তা লাল শোক্লগে। ঐ অসি নুংঙাম্না কনবা নিংথৌরেম্নে

নিংথৌগী মনা য়াথং তাবদা ব্রাহ্মণ হঙবা মপূক্লীং হরাওজ্ঞ'র। লাইরেল মৈদিংঙু গরীবনিৱাজনা কংলা য়াইপুং মরোল হাপ্তুনা থিনহন্নুনা প্রজা ময়াম কৌথংলে। প্রজা পূয়মক তিল্লরবদা নিংথৌনা হায়রকই,

—ঐগী ইঙাই ওইবা ফমদো ফম্নাইবশিং, নিংথৌ ঐগী শাগে নাতে, লাইকম থাবম পানাগী অকল অথৌশিংও। থৌনা কবা নোংমৈ তোপ কিদবা, কৈঙ্গ থৌনা ফবশিংও। তখেলগা থুংথেংননা লাল শোক্লহনা পোইরৈ মৈতৈ লৈলাক কনগে থনবা কনা কনানো চোংথোকপিয়ু।

মৈতৈ পূরমরা য়াথল তৌনরিঙৌদা মীথোই মীহেনবা (১) চেকশা চক্রপাণিনা সনা থূয়া থাদা য়া হঙংলি,

—ইনিংথৌ! তখেলগী লাল শোক্লবদা মৈতৈ লাম্মী অকল অথৌ-শিংনা ওয়রকত্রবা তুরৈ ইরৈ চন্নকপা মতমদা তুমিৎকী মঙালনা লৈচীনগী অমম্বা কোকহনবগুম ননাই ঐনা ঙানহনহ্মগনি। তখেল লাম্মী তেঙোল ময়ায়দা চোংশিন্দুনা থুগায়গে।

চক্রপাণিগী য়া তাবদা ওমথে লৈতনা পেনখিগ্রব। নিংথৌনা হায়রকই,

—ঐগী ইনাই অচানবা মীথোই মীহেনবা চেকশা চক্রপাণি! নত তসি কেগে মোইরাংগী শাংশা কাক্তাদা লৈবা মৈতৈ তেঙোলদা হায়া চংলম্মো। নিংথৌ ঐদি মৈতৈ লাম্মী তেঙোল লোয়ননা হয়েং লাকে

অসিগী মতুংদা মৈহুম মোয়োক পায়বা নিংথৌনাই শিংনা লৈবাক প্রজাদা পাউ চেন্দুনা লাউথোকুনা সনা য়াথং অমা থঙহনখ্রে।

—থাই য়াইকুলনচিংবা লৈকায় মরি অমদি নহারুপ অহনুপনচিংবা পানা মুরিদা লৈবা থবক ওমা নিপা পূরমক কেগে মোইরাং কাক্তাদা চত্তুনা লাল য়াওরক্লদবনি। ইম্ফাল লৈকায় মরিগী মীনা তসিগী অহৌং ইমুং শোয়া তৈনা তাম্লিরৈবা মনা

---

(১) চেকশা চক্রপাণিগী পূরাগী য়াত্রী অমাংশা থরা (Supplement) দা য়েংদিয়ু।

কোম্নুংদা থুংলদবা অমদি পানা মরিগী মীনা হাংচিং লোংভান-বদা থেংগে কাক্তাদা থুংলদবা য়াওরবদি অঁহুত্তুবা মীশক অহু মক্ত শিংগ্রেং থাহনা কোক্লগা তুম্নু য়াইতং ঠৈগদি অহুগা মনা নাতোন লেনগনি।

নিংথৌ সনা য়াথং ফংবদা থবক ওবা তুম্মী অমম্নুং চীংমী নিপা পূরমক কোম্নু দা শাকী লানকী শেগ্তু্না তিন্নরে।

মীথোই মীহেনবা চেকশা চক্রপাণি থাঙ তা-নচিংবা লানগী খুজু থুংলাই পাইহনা শগোল তোংখত্তু্না ময়ুমদগী যাত্রা তৌহনা সনা কোম্নুংদা লাক্রে। নিংথৌ সনা চরণদা দণ্ডবৎ শাস্ত্রাং ননা থুরুম্বদা নিংথৌনা থুংনা নানবিহনা মঙ্গল পীরগা চেকশা লানফমগী মায়কৈ তম্না থোঙশাম্লক্রে। ইম্ফালগী থাথংবদা লৈবা (১) থাঙজা কৈথেল য়ৌরকপা কালদা সনা কৈথেল লৈমা য়াইফবিনা মথোন কায়কপী অনৌবী হুজা অমা ওইনা থোরক্তু্না মথুম্বা লেমলৈ ওচিং অমদি থাউ-তঙল হঁম্বা থম্না লাকোন অমা পায়হনা হায়রকই,

—মৈদিংঙুগী মনাই অচানবা মীথোই মীহেনবা ও। তংখলগী লানফমদা নমায় পাকপা শোয়দনা ওইজৌ ও! সে, অসি লৌ।

চেকশানা মমীং উইশিম্নুবদগী অমুক পাঙথোরকপদা মুপী অহু লৈরমদ্রে, মাঙখিরক্রে। মুপী অহু রাঙম থাঙজা নিতোন-বিনি হায়বা চেকশা থঙলে। শগোলগী ফমথহনা দণ্ডবৎ শাস্ত্রাং

(১) থাঙজা কৈথেল হায়বসি কাকৈথেল ওইরম[illegible]

তানা কৈথৈল লাইরেম্বীবু হন্না হন্না খুকয়ে। শগোল তোংখত্তুনা চেকশা চংখয়ে অমম্থুং ক ক্য়া শাংশাদা মৈতৈ তেঙ্গোলদা থুংখয়ে। নিংথৌগী সনা য়াথং সেনাপতি অহল্লুপ লাকপদা তম্লুরে,

—লাইরেল মৈদিংঙু থোংনাং ময়াম্বা হয়েং মৈতৈ লাম্মী তেঙ্গোল পুম্বনা খোঙলেংলক্লনি হায়না সনা য়াথং তাকপিরকই। অহল্লুপ লাকপনা হায়রকই,

—মীথোই মীহেনবা চেকশা! তখেনগী লানকম অকনবা অসিদা নঙনা তৌরগদবা নত্তীক নগুণ ঐ খঙই।

—নিংথৌ সনা খুযাখাদা ঐন, বাশক্লয়ে—মৈতৈ লাম্মী পুম্নমক্ত। তখেনগা লানব, পাবদা মায়োক য়াবা ঙমদহনা মমায় ওন্দুনা চেন্নবদা ঐনা তখেল তেঙ্গোল ময়ায়দা শো শিন্দুন' য়েক্লবা তেঙ্গোল থুগ ইগে। ইমায় লৈহনা চেন্নোই। খোইয়ুম থাংজিং কোইরেল লাইনা থৌজ্জানবিবা ওইসনু।

মহাকী বা তাবদা পোইরৈ লাম্ম, অথৌবশিংনা হায়রকই,

—মৈদিংঙুগী মনাই তাস্তে থাঙসাবা ও! ঐখোয়সু অকনবা লানকমগী মৈশা থাঙহনা লাল শোক্লবা ঙম্মী। মৈতৈ লাম্মী শিংদগী নহাক নত্তোমদনা হেনবগুম্না কনিগী বা ঙাঙবনো? ঐখোয়সু নহাক্না তৌবগুম্না লৈবাক ঙাকপা য়াওরিবা মীনি। হৌজিক তখেলগা লাল শোক্লবদা য়েংনসি।

অসি হায়হনা মী অমমমতা ওইনা বাশক্লখয়ে। চেকশা চক্রপাণিনা ময়া য়াথক্লা মচীন চীক্তনা, মপাম্বোম গৃ গৃ তিংহনা হায়রকই,

—মৈতৈ লাশ্মী অথোবশিংও । ওসি লানশোক্লবা অসিদা থঙনসি ।

× × × × ×

মৈদিংঙু খোনাং মহাত্মা লানগী যাত্রা তৌরমদ্রাইদা মৈতৈ লৈমা মহাবাণী যেংহনা হায়বকই,

—কংলৈ মৈত্রেবাক্কী মবেম্মা খোয়োইরোল সেনবি পাক্কুম্বী ওঃ । ঐ তখেনগা থাঙলেন থূংনা কংনা য়াম্নরুগে । শানৌ মৈতৈ লৈমা নঙ তখেনগী লাল অসিদা অয় ওইনবা ননাওশিং • গা নজা ইবেম্মা নিংঙানশিংগা তুবি থম্লাংবা অমম্লুং চীংঙ হৈনাখো২নচিংবা উমংলাইশিং খুরুমজরু ।

কংলৈপাক্কী মৈতৈ লৈমনচিংবা সল্লাই • গী নিংথৌ মনাও ইবেম্মা থম্বাল লৈরিক মানবীশিংনা মমীৎ লাইজ ঈবা চেন্দুনা মপূক্লোং হুংশি হুংওম্না সনা খূয়াখাদা খুরুমহনা হজংখি,

—লাইবেল কোবৌ ইনিংথৌ । ঐখোয়বু লৈাইবা ইবুংঙো ! থবায়ুগী মবুংঙো ওইরিবও ? লাল তোযনা শোক্লবনা হকচাঙগী হমাং কংদরি, শাগৎখিবা ঈ ঈংদবি, খোয়ুম লাইনা থীনা তমগ্রবোই । অহুমদি ওইবগা সনাগী হত্র কোকথক্তা খামবা নিংথৌ ইবুংঙোগী হাক্তক্তা কোলোয় মিংচৎ অথীবা থম্নমকদে । সনা খূয়াখাদা মুমিৎ খুদৌংগী থৌগল কংজবা ঐখোয় পম্নমকপু কাউবিগনু । নজা ইবুংঙো নজা ইবেম্মশিংবু কাউবিগনু । পোইরে মৈতৈ লৈপাক্তা লৈবা অশোল অনা লাঈথুং থুবা, দুগী নহা, হনু-হুরী অমম্লুং মল ব্রাহ্মণশিংবু

সনা পুক্লীংনা কাউবা ভৌবিগনু। নিংথৌ সনা য়াথং নীংথীনা ইনজবা মৈতৈ লাম্নীশিংগী মপূক্লীং থৌগৎপিরু। ননাই ঐথোয় নুংথিলদা পোথাদনা, অহীংদা তুম্বা ভৌদনা, চেঙ চেঙকোক, ঙা য়াম্না য়াম্না, থুম, হৈ অশংবা, অমুনবা লুবাক থম্না থম্না হাপ্তুনা সনা খুয়া থাদা হুমিৎ খুদোংগী কচ্চরকে। ননাইশিং থৌনা ঈচঙ থৌবশিংদা পীনবা নিংথৌফি সাইজোনবা, শাপোৎ লানপোৎ অমম্নুং কী মরোল মবোল মশীং থীবা ভম্বদনা পীজরকে।

অসিগী মতুংদা গণক পাঞ্জীশিংনা লানগী যাত্রা ভৌনবা অকবা পূংকম ক্ষেণকম পীরে। নিংথৌরেল লানগী কীজোল শেংপা হৌরে। সনা ফিগে থোম্লে, লানকী কুয়ীং লিংলে, না অনাদা সনা য়াম্লে। খুজেংদা সনা খুজি, সনাগী লীক পরেং শিরে। উচেক নিংথৌ গরুড়বু লাম্না ভম্বা ক্ষেণকমদা নিংথৌ থোঙগাপ ভরা থাংছনা যাত্রা ভৌরে। চীংঙু তাইবংথাইবনা থৌগল লাংগলগা লোয়নননা দোলাই ভোংছনা মাঙদা লেংলে। অছুগী তুংদা তুবি লাংগোই মথনেৎ রেবু থেংবু থম্ ভেজোল চাইবা শামু য়াইসা যাত্রাসেন রাজবল্লভগী শয়াঙথক্তা সনা, হীরা মণিমুক্তানা কাম ভৌছনা লৈতেংবা সনা ভাইবোং মথক্তা নিথৌরেল লেংথংলে। চন্দ্রমণি থোংজোম্বনা সনা থাউজাউ পুরে, শ্রীদাম সোগাইজাম্বনা মরোং চুং য়াম্দুনা, শেকপিন থাম্লে। (১) নাগরা, সিঙ্গা, পেরে থোং, মোইবুং খিংগাম্বনা

(১) পঞ্জাব মমার অমা কুপ্পা ওক্তা য়াম্দুনায়ৈবা প ং জাং অমা।

খোংঙ্না, ব্রাহ্মণশিংনা আশীর্ব্বাদ তৌঙ্না, শ্রীহরিগী নাম শোন্দুনা নিংথৌরেল হয়েল লাম্লাখরে। লাম্মী অথৌবা অকনবশিংগা লোয়নন্না লেংলকপদা লম্বী মচীন খুদৌংদা য়াই তৈঙ্না, ঈশিং চোম্না হাপ্পা চকু খিন্দুনা, লকু চু য়ুংঙ্না, থাউনৈ থান্দুনা, খুপ থাঙ্না নিংথৌবু প্রজানা লমওক্লম্মী নিংথৌনা লাল লেংবা কুমৈ য়েংলম্বী মথোল কায়কপী সুজা লৈমানবীশিংগী ময়ক্তা লেপ্তুনা অহল ওইরূপ তৌবী সুপীশিংনা পাওমেল্লকই,

—লাইরেল মৈদিংগু য়াইফ থোইবা নিংথৌ ইবুংঙো তাও ঙঃ! তথেল লাম্মীগী লানফম মৈশা কপ্লে হায়বা পাউ তারে। ননাই ঐথোইদি অহল ওইরকপনা চংপদা খুদি তৌয়না থীরে, লাল করম্না চেনশিবনো? লাল শোক্লবদা মায় লৈদনা শোয়দনা জয় ওইবিরকউ। চীংগু তাইবংথাইবনা লংগুবিবা ওইসনো।

লমজাও লমজীন খুদৌংদা থৌদোংলকই মথৌ অসুম্না অহল ওইরবী সুপীশিংনা

লাইরেল মৈদিংগু বৈষ্ণব ময়াম্বা শোয়ায়েনগুম্বা নিংথৌনা তাকপিরম্মী,

—(১) পলেম পীথাইশকপী মৈতৈ সুজা অহল ওইরবীশিং, তেংনা মানবী সুজা লৈমানবীশিং ও! তাও-ও। পওকি কিবা তৌগনো। সনা কৈথেল কাঙ্না হয়াউ তয়াম্না লৈরম্মু।

(১) পয়েল ইমা শকপী

নিংথৌ ঐম্না পাল্লিবৈদা তাখল মাগুম্বদি হায়রুদু চীংঙ্ লাইগী নিংথৌ শোবারেনমক্কম্ চঙলকপা ওম্মোই। নথরায রাবা তোৌগনো।

নিংথৌবেম্না শামুথরুগী মতৌ অম্মুম্না পুকমেন পাউমন্দুনা মৈত্তে হুজাশিপী মপূক্কীং থোগৎপীরম্মী। নিংথৌনা লাল্লোই হনেম পূং লান্দুনা রাকচীং মৈথুবারম মতুং ইম্না চত্তনা, রাইশেল লান্দুনা লোয়ারম চীংথোঙদা চত্তুনা কৈনোদা অহীং অঙ্ রারেকখরে। লানগী থোঙশান্দুনা চৎপদা নংদবা নিপাশিংগী মকোক শিংগ্রেংনা কোক্তুনা গুম্ব য়াইঙং তৈথবে, মনা নাত্তোন ককখবে।

নিংথৌনা অহীং নোংয়াযদা মীকপ থোনকপদা অরিন্দম মথত্তা থাঙ ছুরি অমা পায়ন্থনা খুগারোমদা লাপতক্না লেপ্তুনা লৈরম্মী। নিংথৌনা মুংশিবা মীৎয়েংনা য়েংন্থনা রাহংলকই,

—ইবেম্মা অরিন্দম নঙবু অসাই মথৈ তুমত্রিবরা?

—তুমজ্রি, অহীং অসি নোংঙাশ্রিবা ফাওবা তুমজরোই। মী-থিনা মুংঙাইনা চেপ্লিয়ু ইনিংথৌ ইবুংঙো! ননাই ঐ মীশেঙ থান্থনা থোগল তৌজরি।

নিংথৌ তুমথুন হন্না চেপখরে। নোংঙানগদবা বুথক অময়োম রাৎলিবৈদা নিপা অমা মথত্তা থাঙ ছুরি অমা পায়ন্থনা নিংথৌনা হীপ্লীবা কা অহুদা তবি তবি শোৎপেৎ লাউদনা চঙলরে। অরিন্দমম্ লেপ্পা রায়ন্থনা ওইহক তুমহরুবী মরীং

হাইক্কেং উইশিনখিবা খঙহৌত্রমালে। মশীং পাঙথোয়কপদা নিপচ অহু চঙলকপা উবদা খংলাউ লাউবদা নিপা অহু নিংথৌ তম্না চেনশিল্লক্লে। থাঙনা থিনগে মথৎ থাজংলকপদা অরিল্লমনা মথৎ অহু ফারে। লাক্লবদা অরিল্লমগী মথৎ থীনা শোক্লে। নিংথৌ ফমুংদগী ভন্ চোংথৈ। অতুগা লোয়ননা নিংথৌ শেনবশিং চেনশিল্লক্কুনা নিপা অহু ফারে। মপাঙ্গল কনবা তখেল নিপা অমা ওইরম্লে। তখেল নিপাসি মতুংগী হুমিং নীনী কোনবদা নিংথৌনা লানশোক্লফম কাক্তাদা থুংবদা তখেলনা ময়াম্না নোংথী-না উরা অরাংবা উ অমগী মশাদা মঙহল্লা থোক্নি কোয়োয় থুম্লা য়ানখি।

\+ \+ \+ \+ \+ \+

অসোমদা লানশোক্লফম শীংজা কাক্তাদা লানজিংলেন কৈবিরামনা করো ঙাসবৃবু অমুক হন্না তখেল লানজিংবা ছত্র-জিৎনারানগী মকমদা থাখয়ে। ঙাসকনা হায়রুই;

—তখেল তেঙ্গোলগী নূচিংকা! মৈতৈ লামজিংলেন্না হায়রকই—
নখোয় লাল শোক্লবা তোক্লো। নখরায় মাঙখিদুনা নরৈ-পাক্তা হনখরো, নখোয়না নরৈপাক্তা হল্লো হায়বসি য়াত্রবদি নখোয়গী মী অমা ফাওবা নরৈপাক্তা হনহল্লোইদবনি।

লন্বু ঙাসবগী বা তাবদা লানজিংলেন ছত্রজিৎনারান, যশঃ নরায়ন অমসুং পকমরাইনা শাউনা থুমকই,

—তখেল ঐখোয়সে মোহ্ চুক্তা শমলাং ওইদা লৈহনা পুনবি চুপী নতে। লাল ওমহনা মৈতৈগী যুমদা চঙত্রিবা ফাওবা ঐখোয় হল্লোই। তখেল ঐখোয়বু মীনি হায়না খল্লবরা?

ঙাসবা মৈতৈ ভেঙ্গোলদা হল্লক্তুনা অখেল লানজিংলেন শিংবা হায়রকপা মখোনা উৎপা য়োংকুম্বা ৱাহু কৈবিরামদা অল্লরে। কৈবিরামনা লাম্মী লূচিংবশিং কৌহুনা হায়রকই,

—ঐনা অখেল মরৈপাক্তা শঙলেন লানুপ কাহুনা নিংথৌ থল্লিহৈদা অখেনগী ময়মচং মখোয়াঙ উয়কপদগী থঙবদি—হয়েংসি অখেম্না শোয়দনা লান্দায়কনি। ঐখোয় করম তৌসিগে?

ৱা থরা থময়বা মতুংদা কৈবিরামনা লাহোং শিল্লক্লে,

—ঐ অহল্লুপ পানাগী লাম্মী ভেঙ্গোল পুহনা চৌংঙ্‌ থাংজিংগী লাইগারমদা অখেল লাম্মীগা মায়োক য়াহুনা শোক্লগে। নহাক্লুপ লাকপা হোংঙাই সনসবনা নহাক্লপকী ভেঙ্গোল পুহনা অথৌবশিংগা লোয়ননা কবুই ইংথি চৌংগারমদা অখেল লাম্বা পাবিয়ু। থুনবা মরান থোঙগী থোঙলেল ৱাংথৈ ল্লপলাকপা অপোঙ সরোংথাইবনা ঙাইত্তে লৌকোয়ুং পনমক্লদা থুনবা পুল্লমকা লোয়ননা অখেলগা লানশোক্লবিয়ু।

॥ অরাছমদোই ॥

অহৌং অহুদা মতৌ অসুম তৌনা লাম্হোঙ শিনছনা লোইরগা নোংঙাল্লবদা মৈতৈ তেঙ্গোলগী লাম্মী অখোৌবশিং মখুম মরাঙ হৌনা লাংগোই শগোল খুনেৎ কাওছনা, চুঙ্গোয় নমদা পো, নাকল্দা থাঙশাঙ য়ান, খুত্তা তা পায়, খোৌনা ঈচঙ খোৌনা লাল চঙখরে। মৈতৈ লাম্মী মাঙখাবশিংনা মরোৌ তৌনা হেংখিববু তখেনদি মৈতৈ তেঙ্গোল থুগায়গে হায়ছনা চীংঙু থাংজিং লাইকায়দা মৈতৈ তেঙ্গোলগী পম্নোৌংদা লাল শোক্লগে হোৎনরক্লে। তখেলগী লানখন মী নৈতনা হাওছনা নৈরক্লে। লান-জাবশিংনা পাউ অসি তম্লবদা পোইরৈ তেঙ্গোল থাংজিং চীংজাওগী চীংথক্তা লাল শোক্লবা কাখৎখরে।

তখেনগা মৈতৈগা অকিবা মশক ফংনা খূৎকা খূৎকা খেংননা লাল য়ামরে। অয়াবাই মৈকাপ্নোঙ্মা শঙাইশেনগী শমু তমছনা অতিয়াদা পাইরে। তোপ নোংমৈগী মরুনা খোইরেল পাইবগুম অমদি লোক্তাতা উচেক পাইবগুম মৈতৈ তেঙ্গোল মখুম মরাঙ হৌনা লাল শোক্লরে। তখেনগী তোপ নোংমৈ অমম্লুং য়ামজদ্রৌ মরুনা লোক্তাক্তা উচেক পাইবগুম মৈতৈ তেঙ্গোলদা তায়রে। নোংজু থাদা নোং থাকপা খোংবগুম্রে।

মৈথুনা নোংমদোন শরো শিনখয়ে, জুমিৎকী মঙাল থুমখরে। মায়কৈ অপূবা মমখয়ে। মায়কৈ অনীদগী কাপ্পরকপা তেমা কুংমনখিবনা জুংশিং নাকোয়ন্না শিংপগুম তোখরে। অহৌংদা মঙাল্লবগী লাল কয়া শোক্লখরে।

লানফিংবেন্, কৈমিয়ান্ খুমমুপ লাকপন্না মৈথৈ তেক্কোলগী পম্মৌথো কৈরুনা মুখু ত্তা প্লায়বা খুংখ্যাম্না, মেক্লবগী মাথৌ পিংখ্রা। লান্নুরুপগী থাবো মৈথা লাংনা ল্যাহোঙ শিনুখ্রু অখেক ল্যাম্বৌনা লনৈ চাকুপগুম থাম্বৌ মৈথা কৃয়া ভকুশিন্নকপদা মৈতৈ তেক্কোল তেক্লেনগা মায়োক য়াবা [illegible]রে। মৈথৈ তেক্কোল্ মাং ওন্নুনা চেন্নুবা [illegible]রে। [illegible]চেন্নুবগী খুরম য়ায়া কত্তরা মকুম ওইরগে। মৈথৈ তেক্কোল্ মেক্লবনা য়ুয়া হংখিবা য়াকা মঙ্গ ওইরগে। অকুপা [illegible] অসিদা মকুম ইমক [illegible]না মায়কৈ অপূবা নোং-থানা মংবা অমাবস্যাগী অহ্লাংগুম্বা মনখয়ে। মৈথৈ তেক্কোল্ লাম্বীশিংনা হায়নখি—চৌংথ থাংজিং কোইরেল লাইনা ফুবিবনি। মফিরেগ্দা মৈথৈ লাম্বী [illegible] চৌংথ খুরম কত্তনা মকুম লাক্লোক্লগে। মৈচিনু হাংদোক্লকপদা চেকন্না চক্লপাদি থাক থাক্লপা, [illegible] চৌরোমচাগা, [illegible] [illegible] [illegible] থাদিং চৌংথ লোত্তা শগোল [illegible]না। [illegible] [illegible] হংখা খুবম কত্তবা [illegible]রে। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]রে। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

শগোল চিংখৎলে। চেকশা তনবা মিখল খায়না (মীখোই মীহেনবনা) হায়রকুই

— ব্রজসিং চিরোমচাও। লানকমদা পঙ্গ্লীং ঈংবও! শগোল মপাঙ্গল শোনবনা তৌবরা শগোল চিংখৎপৰো ? তু চুংহনা কিবা ভৌগনু। চেকশা মিখলখায় ঐ লৈরি। তখেল মায়োক য়ানা খাওখিসে।

অসি হায়রগনা চেকশা মাগী শগোল কনাবিবু শাৰে তোয়না খাহনা থৃনৈৎ নাকথং কাউহনা মথৃংগু তানা নুংদা শৌহনা ককরী চী জুম তাবা নুংগায খুবম কত্তবা মকম লানখোকখরে। তময়া লোকমায়দা উচোল হৌবা লমদা কুমখখরে। মাবু উবদা গম্ভীরসিং খোম্মা চোংখামচাগা খোওলেন রাংখৈ রূপলাকপা অপোং সরোংখাইবগা অনীনা লাউরকই,

— চেকশা তনবা খাওসবাও! কেগে শাংবা কাক্তাদা মীয়াম তিনবা মমাওদা তখেনগা লাল শোরুবদা খোয়মা ইমায় লৈরোই হায়না রাশকখিবা নত্তবরা ? লানজিংলেন কৈখিরামদি মৈতৈ তেক্তোলশী পম্নীংদা লৈহৌরহনা তখেমা কোয়শিনহৌরে। মৈতৈ তেক্তোলশী পম্নীংদা লৈহনা মৈতৈ লাম্মী মখরায় কনগে নীংবা ঐখোয়দি লাল চেনবদা মাওখায়রক্রে। নিপা ওইবা পোকপা ঐখোয়দি লানকমদা শকখিবা রাশক কায়নকদে। তখেল অমুক হন্না মায়োক য়াবদা চেনগনুসি। লাইরেল মৈদিংগুনু অহৌং য়ারেককম কৈনৌদশী লেংলক্রে হায়বা পাউ তারে, কন্নি তৌরবনো য়োরকতরে।

মখোয় অহুম চেম্রগম্ৎসি হায়না অমুক হন্না হাশক্লরে। চেকশানা হায়রকই,

—খোম্মা চোংথামচা নঙনা চিংহুনা মৈতৈ লাম্মী পূম্নমক্তা লোয়ননা হয়েল লাল ঙাকলম্মু।

অসি হায়রম্লগা লানফম থাম্বী মৈশা কল্লিঙৈদা শগোল মথক্কী কুমথহুনা ককয়ী চৌংজুম তাবা পুনৈ হোৎবা লমদা শগোল চুংদা চিংহুনা তখেল লাম্মীনা: উবা লমদা চেকশা চঙথরে। তখেল লাম্মী তেঙ্গোল ময়ায় য়োৎবদা শগোল নাকথং কাউংহুনা শাজ্জৈ নমথা থাহুনা মথুত্তা থাঙ থুহুম চেৎনা পারহনা মনাৎ কোরী চেম্মুনা, নিপাগী পকচেল মত্তোল লোয়। চেকশা তখেল লাম্মী তেঙ্গোল মরক্তা ফুজিনখরে। মহাক্না লাউরকই,

—ঐ অসে বৈষ্ণব থোংনাং ময়াম্বগী মনাই চেকশ, মাথল থায়রে। লানজিংলেন অহন্নুপ লাকপা ও! তু চুংহুনা কিবা তোঙি-গনো। ঐ লাক্লে।

লানজিংলেন কৈবিরামদি মাইচৌ শাক্লংবা, ক্যাম্বা মংশা লম্বুগা অনীগা লোয়ননা তখেল লাম্মী মরক্তা লৈরম্লে। তখেল লাম্মী অনীনা অহন্নুপ লাকপবু অমনা তানা থিনগে তৌরম্লে, অতোম্না অমনা থাঙনা য়ানগে তৌরম্লে। চেকশা থিথল থায়না নিপা অনৗহুগী মরক্তগী অমবু তানা থিনথুহুনা তাগী মচৌন লৈপাক থুন্না য়ৈশিনখরে। মাইচৌ শাক্লংবনা অতোম্না নিপাহু তাথোক থন্না তানা থিনথুরে।

তখেল লাম্মীশিংনা মমীংমনা ঈথক থক্লা, মপ্রক্লীংদা শক-পনা থম খেংগ্রহনা হায়খরকই

—নোংশাগী মতো মানবা চেকশা মিখল থায়সি চীং অরাংবদগীসু কুমলক্তে, তেংঙাল মায়োক ধানা চঙলকপসু উহৌদে। লৈপাক মমুংদগী কাওগংলকপরা? আত্তয়াদগীবু কুমলকপরা?

তখেল লাম্মীশিং মমীংমনা ঈথক থক পুমডক শক্লা রাখল ভৌনরিৱেদা চেকশানা অহল্লুপ লাকপবু তখেল তেঙ্গোল মবক্তগী পুখোরক্লে। অহুতসু নত্তনা তুংদা লৈহোবা মৈতৈ লাম্মী পুম্নমক পুখোবক্লে। মৈতৈ তেঙ্গোল য়োরবদা লানজিং-লেন কৈকিবিরামনা হায়রকই,

—মৈদি ভুগী মনাই অচানবা চেকশা তনবা মিখলথায়, পাম্মা কৈজে'লা'গুম ও। নঙনা ঙসি ঐবু অমুক হন্না পোকপিরে। নঙ ঙসি ঐগী ইপাগুমনি। মতুংদা হৌরকপা মীরোম্না নঙগী নগুণ শক্লবগনি, কাউরোইয়ে।

✓মতৌ অসুম্না রা ঙাওনরিৱেদা খোঙমী লাম্মী চুং ময়াম পুহনা চুং য়েনবা কুত্তি থুইং থুংবা উয়াম লৌরেম্বা কোবা নিপা অমনা লানজেনবা ঙমজবদা লাউরকই,

—নিংখৌরেনগী মনাই য়াম্মাশিংও! ননাই ঐদি খোঙ থাংহনা লানজেনবা ঙমদরে। ঐগী কোক অসি থাঙনা ককথংপিরগা ঐগী দুখীগী মতম্বক্তা হান্নীক।

উয়াম লৌরেম্বগী রা তাহনা মৈতৈ অকল অখোশিংগী মরক্তগী অমনা লৌরেম্বগী শয়াং পাখোম পায়হনা চিংখৎলুববু

তখেল লাম্মীনা নোংমৈ কাপ্লকু্না চিংখৎলুবা নিপাছগী মথৃত্তা পায়ে, পুখোরকপা ওমদছুনা হল্লক্লে। উয়াম লৌরেম্বদি মমায় ওন্দনা তখেল মায়োক য়াছনা শিঠোরে।

অপীকপা তুরেলগী ঈচেনবু চকপী তুরেলনা নমথেক্কু্না চেনবগুম, তখেল লাম্মীশিংনা তোপ নোংমৈ কাপ্তু্না, তেম্মা নোংচুবগুম কাপ্তু্না, মথৃত্তা থাও থৃদুম চেৎনা পায়ছুনা, দোলাই নোংথাং কুপ্লগুম থোছনা তকশিল্লক্লে। মৈতৈ লাম্মী মাওথানা লাল চেম্নথিবশিংদি কেগে নোংথোথোং মোইরাং ফুবানরা য়োখিবসু য়াওরে। তখেলনগা মংয়োক য়ানা চেন্দনা লাল শোক্লরিবা মৈতৈ লাম্মীশিং অমদি চুং হন্নিবশিংনা সায়বা তিংখংদা মকো শেপায়ছনা য়ান্দুনা নৈংহৌরবদা অমসুং তিংখংনা তোয়না যুরবদা লাউরকই,

—নিংথৌরেনগী মনাই য়াম্মাশিংও! তখেনগা শোক্লবা অকনবা লানকম অসিদা ঐখোয় চেনবা ওমদয়ে। লান্দা থৌবা নখোয়না ঐখোয়গী থম্মায় কনবিদছনা তখেনগী মথৃবাত্তা কয়া শিয়সিগে? লাল শোক্লরিবা নখোয় নমায় ওন্দুনা চেনবিগদ্র। লাইয়েল মৈদিংগু্না নথৌনা মপাজলগী দমক নখোয়দা পীবা মনা—চীংদাই শাবা নাদা য়ানবা লংল্রিক লংবা সনাচ্চ তাংখুল দুপীগী মনাদা য়ানবা সনা ওইরবরা? সনানা শাবা শনরীক লীকতোম শিরিবা অহুম চীংজিন শয়েং লীক ওইরবরা? পান্দা কৈজেংলাংনা হাঙো

মতু ইন্নত্না তান্নবগুম্র। ককপী চীংজম তাবদা অমদি ঈশিং অনৈবদা শগোল পুংশ্বা তোংখ্ৰবনা নিংথৌ কী সাই-জোনবা লিংলিবা ফুরিত্তু লৈখোম লৈনাঙ তৈরে মচু মচুরে। ইকাইবা খঙদনা নতুশিংগী মবক্তা কয়া চঙলুগে হায়রিবনো? তথেন্না লাল ঙমঙ্গবদি নতুনচা পূম্নমক খোমত্না পুথ্রগনি। নয়ুম নকৈ মৈ থাদোক্লম্লগনি। নখোয়বুস্ত নথুং ভুংবুম্না পুম্নূনা তথেল মরৈপাক্তা খোমত্না পুথিগনি। নরাইবক ফয়গা থাঙনা নঙক্তু ককথত্তুনা অয়াবা কোকথিগনি। নরাইবক থীরগা তথেল লৈপাক্তা মীনায়গী পূন্সি ··

অয়াকপা অথীবা অত্থয়দি ওইরগা অচুম্বা মীচৈখোল অসি তাবদা অহানবমক্তদা খোম্মা চোংথামচানা শগোল শমায় ওনশিল্লক্তুনা খোনজেল য়াংনা লাউরকই,

—পোইরৈ মৈতৈগী অকল অথৌশিংও। তাবিয়ু হৌজিক শোক্ল-রিবা লানফম অসিনা অয়োয়বনি। মায় ওনশিনবিরো। তথেল মায়োক য়াথিরো।

অকনবা খোল্লাউ অসি তাবদা মৈতৈ লাম্মী অপুম্বা মথন্নায় চুংম্নুক কয়া মমায় ওনশিল্লক্রে। চক্রপাণি চেকশা তনবা মিথল থায়না লাউরকই,

—অপোও সয়োংথাইবা, খোম্মা চোংথামচাও! তথেল লাম্মী অথোবা মাও থায়ক্লিবা অসি ইথুত্তা পায়রিবা তা অসিনা লৈপাক তুনা থিনথুক্লগে। য়েংবিয়ু।

অসি হায়রবগা চেকশা তখেনগী তোপ নোংমৈ লোক্তাক্তা উচেক পাইবগুম্বা অমম্ভং তেম্না নোংচুবগুম্বা পুম্নমকপু কিবা ত্তোদনা শগোল থুনেং কাওহনা শাজৈ নমথা থাহনা। শয়ং পাম্বোম ত্তিংহনা তা লংখরে। তখেল মাঙথাবা নিপা অমা থিনথুরে। অহুদগী শগোল থোদোক্লে।

মহাকী মত্তো তমহনা! বজ্রসিংহ ওম্বা চিরোমচানা মপুক্নীং কপী কনজাওননা ময়া ক্রক্ ক্রক্ চৌত্তুনা শগোল কয়া থৌজিন-খরে। তখেল তেঙ্গোল তানা তা লংববু য়োবা তমদহনা হল্লক্লে। অহু উবদা চেকশা চক্রপানিনা হায়রকই,

—ওম্বা চিরোমচাও! নহুনা শগোল থৌজিনবা থয়া য়াংপননি। তখেল মথৈ কংনা লাল শোক্করুগে, য়েংবিয়ু।

অসি হায়রবগা শগোল নাকথং কয়া কাউহনা শাজৈ নমথা থাহনা লাংদোন শম্বা ওক্লাবগুম্না কুজিনখরে। মাঙথাবা মায়োক য়ানা লাল শোক্লবম্বা অথোবা তখেল লম্বী অমবু নৈপাকহনা তানা থিনথুরে। অহুগী মতুংদা থুহু থরকগুম্না শগোল থৌদোয়রক্লে। অহু উবদা অপোক্ত সয়োংখাইবগী ওম্বা চিরোমচাগা মথোয় অনীমু কন্নকপগা লোয়ননা থোয়দো শাউসত্তুনা শগোল থৌজিন্দুনা তা হনবদা তখেল তেঙ্গোল য়োবা তমদহনা হল্লক্লে। অপোক্ত সয়োংখাইবনা হায়রকই,

—চেকশা তনবা মিথল থায় ও। মহাক্তি বাশক কায়দে। অমুক হন্না তখেল লাম্বী মায়োক্লবদা চেন্নসুনি। তখেল লাম্বী তানা পান্নবা

ওকখ্রা অসিবু কিবা তৌররোইএ। মৈতৈ লাম্মী পুন্নমক্না খঙহৌরসম্বু।

অসি হায়রম্নগা শগোল কন্না থৌজিনখিছনা তখেল লাম্মী ভেকোল মাঙখানা লৈরম্বা লাম্মী অমবু তানা থিনখুরে। মতম অসিদা তখেল লানজিংলেন ছত্রজিৎনারায়ন্না ভেঙ্গোল পন্নীংদা লৈছনা লাম্মীশিং থৌজিন্নরক্লে অমসুং তোপ নোংবৈ কাপ্তুনা তকশিন্নরক্লে। মতম অসিদা তেল কাপ্পা লাম্মীশিংগী লুচিংবা হোঙবা কাইরেম্বা, কেনরেম তখেম্বা কৌবা মোইরাংগী অখোবা নিপা অনীনা হায়রকই,

—মৈতৈগী অকল অপৌ মংপোক মীহীংবা ওম্বশিংও। তাও ও। লানকম অসিদা মৈতৈ লাম্মীশিং তখেল লাম্মীশিংগী মমাঙদা খাঙবা ওমদছনা কন্না চাকপা মৈদা অকংবা মীং ছনজিনবদা মৈচাক কনবা হেনগৎপগুম তখেন্না তকশিন্নরক্লে। মোইরাংদা লৈবা ঐখোয়দি কাক্তা মীংজাগী লমদম অসি নীংথীনা খঙই। চৌম্মী চীংখোঙ শগোল খোবদা খুদোংচাবা তম্পাক অসিদা তখেনগী লাল শোক্নসি। অছু নত্রবদি মৈতৈগী তেকোল লানবন অসি তখেন্না খুত্থম চনখিবা তারে।

রাসি তাবদা মৈতৈ তেকোল চীংদা খোইরেল পাইবঙ্গা উচোল হোৎবা তম্পাকী লমদা চঙশিনখরে। লানকমদা পুন্নীং তন্না ওন্না চিরোমচানা হায়রকই,

—শগোল তোংবা ঐখোয় পুন্নমক পুন্না কুপ্পিন্নবস্থু তখেল মযায় ওদে। মী অমমমক্তা ওইনা কুপ্পিরবস্থু অহ্নমঙাই কান্নদে।

অচুনদি ভখেল লাম্মী ভেঙ্গোলগী মচীন থংবা অথৌবা অমমমগা ঐখোয়গী মী অমমমগা লানবা পারসি। পুম্না চঙনরসি।

রাসি ভাবদা খোম্মা চোংথামচা অমসুং অপোঙ সয়োং থাইবনা হায়রকই,

—ভখেল ভেঙ্গোলগী লুচিংবা মাঙদা থাবকপা অনীগা ঐখোয় অনীগা লানবা পারগে।

অসি হায়দুনা মথৎ থৎদোনবি থিন্দুনা ভখেল লুচিংবা অনী থল্লে। অসিগী মতুংদা শগোল ভোংবা ৈমতৈ অথৌবশিং ক্যাম্বা শাংপমচা, পূকচাও অয়েকপা, খোবি ঙাওবমচা, লমদা চুইরোংবা, শোলবা য়েলাংবা, লুরাং খুমম্বা, নালকৌ য়েনকোকপা, ওম্মা চিরোমচা, হোঙবা কাইরেম্বা অমসুং কেনরেম ভখেম্বা অসিনচিংবনা মথৎনা থিন থিন্দুনা ভখেল অথৌবা লাম্মী অমমম লানবা পাগে হায়না রাশক্লে। চেকশা ভনবা মিথল থায়না হায়রকই,

—ভখেল লাম্মী ময়ক্তা মচীন ওইনা লাল শোক্লরিবা লানজিংবা যশঃনারায়ন অসিগা ঐগা লানবা পারগে।

—ওম্মা চিরোমচানা হায়রকই,

—মতম চারে, শগোল থৌজিল্লসি।

চেকশা চক্রপাণিনা লাউরকই,

—থৈতৈ অথৌবশিংও! লানকমদা চঙগনবা মতম রাংলিয়ে। মতৌ অম্তমা হায়শিন্নরক্লগা শগোল শাকৈ নমথা থাদুনা

মত্তোমত্তা হান্না ফুঙ্জিনখ্রে। মৈতৈ অখোৌবশিংসু শগোল শাজৈ ত্তোয়না ফুহনা শগোল লম'জল তমহনা, হরিগী মীংলেন শোন্দুনা ফুজিন্নখরে।

চেকশা তান্তে মিখল থ্যাযনা তখেনগী লাম্ম দুচিংবা যশংনাবানবু লফু থিনথুবগুম তানা থিনখ্রে। মনাক্তা লেপ্লম্বা তখেল লাম্মী অমবু কপাক থাঙনা যানখুনম্রে। অহুগী মতুংদা তখেল লাম্মী তেঙ্গোলগী মযায় খায়না শগোল খৌজিনখিহনা পল্লাং যৌথরে। মতম অসিদা মাগী মখুত্তা পাযবা থাঙ লৈপাক্তা তাগ্রহনা তখেল লাম্মী অমা চঙনা ফাহনা পুগে খন্দুনা মাগী হামুনচুড়া পায়হনা কল্লা চিংলে। নিপা অসি তখেনগী অকল অথৌ নিপা অমা ওইবমন্নহনা মখোঙ লৈপাক্তা কল্লা নেত্তুনা মখুৎ অনীনা চেকশানা তোংলিবা শগোলগী শাবল কল্লা পাযহনা ময়ানা চেকশাগী মখোঙ খুকউ কল্লা চীকখরে। চেকশানা নিপা অহুবু মখোঙনা লৈপাক্তা কাওথুরে। মাগী মখুত্তা পাযরম্ব তা মুন্দুনা লৈপাক্তা নমথুহনা খিনগে তৌববু তা মপা শোয়হনা পানম্রে। তখেল অথৌবনা মখুত্তা পায়বা থাঙনা চেকশাগী মঙক ককে তৌববু থাঙয়ান শোয়রে। চেকশাগী লীনা লোনবা শগোল শাজৈ অহু য়েন্দেম থয়াক শোইবগুম ককথৎখরে। মতম অসিদা মৈতৈ লাম্মী খুৎলায় য়েনবা চুংপুবা ক্যাম্বা লৈমানাইচানা তখেল তেঙ্গোল ময়ায়দা চেনশিল্লক্তনা চেংশাদা থাঙ অমা শীন্নরে। চেকশানা তখেল

লাম্মী অথৌবা অচুগী মঙক কক্তনা পুবল্লে। মৈতৈ ভেঙ্গোলদা থুংলরগা অককপা মী মকোক অচু চীংঙদা কৎলে।

ওম্মা চিরোমচামু তখেল অথৌবা অমগা লানবা পাচুনা হাংলল্লগা তখেল ভোঙ্গাল ময়ায় খায়না ফুজিনখরে। অসাই চেকশাগী মখুৎও তা লৈপাক্তা তাখিবচু শগোলদগী কুমথচুনা লোখৎলগা চেকশাগী মখুত্তা পীরে। মতৈ অথৌবশিবু মপা মপা হুকথেংননা থিল্লরে, থাঙনা য়াল্লরে। তখেল লাম্মী অথৌবশিংনা তানা পাল্লবা শাগুম তকশিল্লে। মৈতৈ লাম্মী চেল্লদা, তখেলমু মমায় ওল্লদা লাল কল্লা শোল্লবদি ঈশিং ঈচেল অকনববু পল খোংকৈনা চুপ মুংচুনা ঙাকপগী পান্দম ওইরে। মীয়োং লাইরেল্লদুনা, খুবম ফত্তবা য়েংনচুনা, মমীৎ কোয়ী চেন্দুনা, পাম্বোম ককথৎনরে, শয়েং য়ানখৎনরে। হকচাঙদগী তায়রুপা হুমাংনা ঈশিং মরী চেম্বগুম্লে। শগোল কল্লা খৌনবদা উকুল য়াংনা কায়রক্তনা শক উনদরে। তা তোয়না লংনবনা মীৎ পুমঙক ঙকখরে, তেল তোয়না খিংগাপ্পবনা লাংবল খোইরেল পাইবগুম্লে। নোংমৈ তোপ কাপ্পবনা কুমগী নোং খোংবগুম্লে। মৈখুনা অতিয়াদা কাখত্তনা মায়কৈ অপুম্বা মমলে। নোংঙানবদগী মুমিৎ তাবা কাওবা লাল শোল্লববু তখেলমু ঙমদবে, মৈতৈমু চেন্দরে। মুমিৎ তায়রবদা মৈতৈ লাম্মীশিংনা হায়রকই,
—তখেল লাম্মীশা! মুমিৎ তারে। ওসিগী লাল শোল্লবা অসি লোয়রসি। হয়েং নোংঙাল্লগা অমুক শোল্লসি নমায় ওন্দুনা চেনগনু!

তখেল লাম্মীশিংনা খুম্নকই,

—তখেল ঐখোয় ইমায় ওল্লোই। পোইরৈ ননিংখোগী সনা কোম্নুংদা চত্তুনা নিখোগী শঙ্গায় মম্নু চঙ্ড্রবা ফাওবা তখেল ঐখোয় ইরৈপাত্তা হল্লোই।

ৱাহু তাবদা চেকশা মিখলখায পাম্মা কৈজেংলাংগুম্বনা তখেলবু উশিং খোওইদনা হায়বকই,

—চেকশা মিখল খায় ঐ নৈরিবসি উত্রা? হয়ে ত'খল লাম্মী পূম্নমক ঐগী ইখূৎপাক্তা লোইনা শিন্নগদবনি। তখেল লাম্মী অমা ফাওবা নরৈপাক্তা হনহল্লোইদবনি। নকোক নকোক অহু চেংজা ফুংগোয়বীদা চন্নবা কোম্নুং তানা পুগনি।

লাম্মী তেজোল অনীমক মাগী মাগী লানবন্দা হজিন্নখরে।

অসোমদা লাইরেল মৈদিংগু গরীবনিৱাজ কৈনৌদগী খোঙ-শান্নুনা লানকম তানা লেংলকপদা কেগে নিংখোখোং মোইৱাং ফুবালৱাদা মৈতৈ লাম্মী লাল চেন্নকপশিংগা ওক্নরে। মৈদিংগুনা হায়ৱকই,

—তম্নম নখোয়দি করি মরমদগী লাল চেন্নকপনো? মৈতৈ তেজোলগী লাম্মী অপুম্বা লানজিংলেন কৈবিৱামনা লুচিংজনা তখেলগা লাল কন্না শোক্লবা লোইদরি। লানকমদগী চেন্নকপা করিগীনো?

অচেনবা লাম্মীশিং পুম্বনা নিংখোম্ন কেগে শীংজা কাক্তাদা থুংলরে। লিংখোনা থুংলবা মতমসি লাম্মী তেজোল অনী মাগী মাগী লানবন্দা চত্তবিবদা শত্তায়রম্মি। পুমক অহানবা কৈনৌবা

য়ারেক্লিদৈন্দা নিংথৌ হাংকে চঙলকপা তখেল নিপাছ তখেল লান্থৈনা নীংথানা উগা অবাংবা উ অনগী মশাদা মড়ক্কা থোবা কোঙ্গোয থুত্তনা থৌনী যাল্লে। অছু উবদা তখেল লান্মী অপূম্বা মখোযগী মুদশা অছুগুম্বা থোকক্রা হাযনা মিপাইনথবে। অয়ুক মুথিলদা লাল শোক্লকবা মৈতৈ অকল অথৌ পুন্নমক চঙলক্কনা নিংথৌ সনা খুযাথাদা থুকম্লব। মৈতৈ তেঙ্গোলগী লানজ্জিংলেন কৈরিবাম্না লানগী ৱা অপুম্বা নিংথৌ সনা খযাথাদ হঙ্গংলে। লানগী লানবাউ তাবগা নিংথৌনা খোয়ৱাং খোয়শাওনা হায়ৱকই,

—তম্মুম অচানবা নখোয় পুন্নমক য়াম্না বানা লাল শোক্লরম্রে। অৱাবা পোথাবো। হযেং অসি ঐ লাল চঙগে। ছত্ৰজিৎ-নারান মাগুম্বদি করিমু নৈতবনি। মনি থৌ ধর্ম্মমাণিক্য য়াওবম্ব-বদি ফুংভাইগদবনি। ইথুত্তা পাযনা থাওলেন খুংগুনা মঙক অছু ককথংকে নীংলাবা নিংথৌ ঐনি। মায় ওন্দুনা চেক্লোই।

নিংথৌ সনা য়াথং তাবদা অহৈংদা ঊন থাওত্তনা, অয়ুক ফুংথিলদা লানফম মৈশা অকনবা থাওত্না লাল শোক্লরম্বা মৈতৈ অথৌবশিংনা হাযরকই,

—লাইরেল কোরৌ ইনিংথৌ। তাইবং শোয়ায়েনগুম্বও। ননাই ঐখোয় ৱাদরি। তখেল লাম্মীগা থাওলেন খুংনা ফংনা য়ামগনি। খোয়মা ইমায় ওন্দুনা চেক্লোই। নিংথৌ সনা খৌগল ফংজগনি।

অহৌ· অহু লেপ্লে। নোংঙানবদা চাবা থকপা পূন্নমক লোইন্নবদা নিংথৌ লানফি ৱামকক ফুরিৎ থোল্লে, থাঙশাঙ ৱাল্লে, চু'ঙ্গায় নমদা পোবে, খূত্তা তা পাযরে। মৈতৈ অকল অথৌ শিংসু শাফী লানফী শেংলে। নিংথৌরেল দোলাই লেংজাউ ংক্তা লেঙখৎলে। নি·থৌ খূনেংশা ৱাজবল্লভ শাপোৎ লানপোৎ শেমহুনা, পেরে-সিঙ্গা মোইবুং খোংহুনা লাল চঙলক্লে। মৈতৈ অথৌবশিংনা লাউরকই,

—মৈতৈ নিংথৌনা লাল্দা মায়পাক্লে। তখেল লাম্মী তুম্না হাংলু। তখেল লাম্মী নঙক ককথংলু।

হরিগী মিংলেন শোল্দুনা মৈতৈ লাম্মী তেঙ্গোল পূমনিল নীম্না লাল চঙলক্লে। মৈতৈ নিংগৌ লাল চঙলক্লে হায়বা পাউ তখেল তেঙ্গোলদা য়ৌবদা মতু চুংহুনা মথৱায় ৱানা তখেল লানজিংবশিং ৱা তানখি,

—পোইরৈ মৈতৈ লাম্মীগা লাল শোক্লবদা লানগী মৈশা লাংনা তখেল লাম্মী অথৌবশিং মৈতৈগী মথ্ৱাক্তা মথৱায় থারে। অসিগী মথক্তা মৈতৈ নিংথৌসু লাল চঙলক্লে। তখেল লাম্মী ঐথোয়বু তুম্না হাংখিবা তারে। লাইবক থীরগা উঁগী উশাদা থৌৱী য়ানবসু য়াওবা য়ায়। তখেল লাম্মী ঐথোয়দি লাল শোক্লবগী ৱাবনা লেপ্তুনা নৈবা ওন্নহুরে, তুমদোরে। অহুনদি ঐথোয় থৱায় পুহুনা লাল চেন্নসি।

লানজিংলেন হত্রজিৎনায়ানগা মতৌ অনুম্না ৱা তানৱগা তখেল তেঙ্গোল লাল চেন্নে। তখেল লাম্মীশিং মকি ফুরীৎ খাঙনপকি

ছন্দোক্লগ্নে। মকোক্তা যেৎপা কোযেৎ শায়বা তিংখংদা পন্দুনা যান্দুনা লৈহৌবে। লমদা শজিংদু ংৈ পান থাদা লৈবাং নাওই-তোংনা মপাল ভাঙনা শাৎপগুম ঊগী ঊশা মতোন থুদিংমক মথল মচু যাম্বা ফি না লৈতেংলে।

মতম অসিদা ইখঙ খঙহৌদনা মাযকৈ অপুম্বা নোং থানা মংবা অমাবস্যাগী শুক্লা মম্বা অহী গুম পূম্ম মমখবে। খুৎশম্ননা চৎমিন্নবা মীগী মশক ঊনদবে। মৈতৈ তেঙ্গোলগী লাম্মীশিংনা হায়নখি—কেগে থা জিং লাইমরু মোইরাং কসারেন্না মৈতৈ লাম্মী তেঙ্গোলবু কুবিবনি। তখেল লাম্মী ২০০ লম্বী চৎফম খঙদহনা লোক্লংদা লৈবগ্নে। মৈতৈ লাম্মী তেঙ্গোম্না থেংনকহুনা শুক যেন তান্নবগুম তান্নহনা ভুম্না হাংলে। মীশা চাবা যোগিনী মীশা য়াম্না চামন্দুনা চাক মৌবে, চানীংদবে। মমাংগী হুমিস্তা চেকশা চক্রপাণিনা রাশকুনা হায়খিবা রাচু ক খ ময়েক অগতা চিথদনা থবক পাঙথোকখরে।

লান্দা হাৎখিবা, ফাহৌবা অমসুং খোমহৌবা মী অমসুং পোৎকী মমীং :—

খেন্দ্রা খাং নম্বা, সমাপী কুগুল নাইন য়ানবা, তখেল পঞ্চমরাইবু ওমহৌরে। ভায়তে লৌকোম্নংদা রামজি অহনগা লোয়ননা নোংবৈ ১০০০ খোমহৌরে। খুয়োন খাওলৌদা তখেল লানজিংবা মশ'নারান হাৎলে। রাংখদা তখেলগী

মথ্ৎত্ত থাঙদোন কোনবা সনানা হাজংয়বা কবাক থাঙ মপুন মপুন মুনহোবে। কেগে লৌবায় লৌত্তাওখাংদা বীরভীমনারান অথৌববু ফাহৌরে। লাইকাদা তা মপুন তবা খোমহৌরে। কবুই নিংথি শরেংচীংদা ওক্লেন তোমচৎনবগম্বা লক্ষ্মীপ্রসাদ নাবানবু মঙক কক্তুনা হাংলে। খোইয়োন খুনপিপোক মোইরাং খুনথৈরেম্দা সুচাং ঙাল্মচিংববু হাংহৌরে। খুনবিপোক সৌল্লায়াম্দা অলিযা অথৌববু ফাহোবে। মোইরাগী মীশিংনা চীদা কাহুনা চৎনবা লম্বীদা তথেনগী লৌকং ১০০০ খোমহৌরে। মোইরাং লৌবেম্বগী কেগে মোইবাং লৌদা কীর্ত্তিনাবান তেনহৈববু ফাহৌরে। শীজ কাকতাদা বীর্যাসাহেব অথৌববু ঙমহোবে। য়োংমু শারমচীংদা তথেনগী দোলাই ১৫ খোমহৌরে। কেগে মসেমরোক্তা মোইবাং হাবম লুচিংববু ঙমহৌরে। কেগে তুবেল্লুদা পুং ১৫ লোকহোবে। যেংযাম লোক্তা লাংথা পুংয়ৈববু ফাহৌরে। থুন্নু মাইবেম্বা ময়ুমকমদা লোইবি তাযান লানজিংববু ফাহৌরে। কাংভোই চীংগারমদা নোংমৈকাপ্পা মমিংচৎপা চাংকা রাইবু হাংহোবে। তাকপ খানি লোনবা চাংদা লোইপি থংগা চেপচা অথৌববু ফাহৌরে। নিংশোং মাওবিরোক্তা তথেনগী খেত্রা খাংনপ কী করাংজি কি মপুল মপুল খোমহৌরে। উত্রালোক্তা নামৈদা রেপ্পা থাঙ হুরি ১০০০ খোমহৌরে। পুরুম তাইবিরোক্তা তথেন মমীং চৎপা মাল্লাসিংহবু হাংহৌরে। রাবা খেকরায় পুংদা তথেন লোলাই তোংবা হুয়েন বলরাই অথৌববু ঙমহৌরে।

লান লোইরবদা পোইরৈ মৈত্তে লাম্মীশিংনা গরীবনিৱাজ মনা থ য়াথাদা হকথলি,

—হয়েন পঞ্চমরাই ফাবাও! হে লিকলাই ও! হলক্কী ভখেলগা শোক্লবা লানফম অসিদা শিহোদবা ভখেল লাম্মীশিংনা হায়রি—ভখেল মরৈপাক্তা হনখিসি হায়বস্তু ভখেল নিংথৌবু কি, মৈতৈ লাম্মীগা লাল শোক্লসি হাযবস্তু মথল্লায় মাঙগ নৈ থন্দুনা লাইরেল মৈদিংঙুবু কি। লোক্তা তায়দা চাবা ফংদহনা য়াম্না ৱানা লৈরে। চাদবনা শিবস্তু কোঙ্গায় ওইবে। মবৈপাক যৌনা চেনখিবা ভখেল লাম্মীগী মশীংদি য়ামগ্রে। চেনখ্রিবা লাম্মীশিং অসি তায়হনা ভখেল লৈপাক্তা লান্দাক্লসি।

ৱাসি তাবদা বামোন হঙবা সন্নাপানন্দনা নিংথৌগী মফমদা হঙংলি।

—লাইরেল মৈদিংঙু পঞ্চমরাই ফাবও! ভখেল লাম্মী মমায় ওন্দুনা চেনথ্রবশিং অসি তায়রুরগনো। লানফমদগী চেনথ্রবা, মখ্ত্তা পায়বা থুৎলাই থারবা, উদা কাহ্নদা থাঙলবা, মঙক্তা ফি য়েন্তুনা চঙজরবা, মফি শেন্তবরা, মপৃক্লীংদা অকিবা পোক্লবা—লাম্মীশিংবু হাংপা হৌনদে হায়না পুরাণদা ইরি।

সন্নাপানন্দগী ৱা তাবদা নিংথৌনা মৈতৈ লাম্মীশিং থামহনা হায়রকই,

—ভয়ুৱ অচানবশিংও। হৌজিক মতম চাদরি। নথোয়গী নপৃক্লীংদা লম্মন থুক্লীংবগী ৱাথল দৈরিবহ ঐ থঙলে। নথোয়না নীংবা থুর্নৈবা ঐনা মতুংদা শিনগনি। অহুপা অপোঙ সরোৎথাইবা নহাক্তি অচৌ অচৌবা লানফমদা য়াওরক্লবনি। মৈতৈ ভেলোজ

ঐগা লোয়ননা ইম্ফালদা হনখ্রগা নহাক্কি মতম খরদং কাক্তা অসিদা লৈহৌখ্রে। তখেল্লা মতুং অসিদা করি তৌরকপা যেংহুনা লৈব্রু। তাখল লাম্মা চীংদা, তমদা, লোক-তারদা লোম্বুনা লৈবা চকা ফ ঢ্রশিংদা চাক পীজো, মফি য়াওত্রব-শিংদা মফি পীয়ু অদুগা মবৈপাক্তা হনহলখো। তখেল লৈপাক কোৱসে ঐখোয়গী ড়াইশেলনি।

সনা যাথং অসি পীনখ্রগা নোংশাগুম্বা লাইরে মৈদিংগু মৈতৈ অকল অথৌশিংগা লোয়ননা ক লৈবংদা হল্লক্লে। অদা অমসুং তখেলগী লানফম অনীমক ৬ৱ্র ক্রহাংবাপাউ তাবদা মৈতৈগী অহল্লমন অশোল অনা, হুপী নহ পম্নমক মাগী মাগী খরায় খোঙাম্বা লক্ষু চু য়ুংহুনা, ধুপ থাউ্ম খাদুনা নিংথৌরেব্রু ওক্লম্মী। মৈতৈ লৈমা খোয়োয়রোল শেনাব পাঙ্কঙবীনচিংবা নিংথৌগী মনাও ইবেম্মাশিং, মজা ইবেম্মাশিং পানা-গ্রা, তাউজিং হৈরাঙ নৌংথীবা পুথুনা ময়ায়রম লমশেন মোইরাংখোম পুংদা নিংথৌ লোংলকপা ঙাইহুনা লৈরম্মী। চিপি লোকলাওবুংদা মতত্রা কেওহ ওম্বরু ওম্বা, ঙাইতে লোকোম্বদা ছত্রজিৎনারানবু ওম্বা লাইরেল মৈদিংগু শ্রীশ্রীযুক্ত গোপালসিংহ বৈষ্ণব খোংনাং ময়াম্বা সনরাপ্পা দোলাইদগী কুমথহুনা চরৈ কাওৌ হোংদোক্লে। মৈতৈ লৈমনা পুরকপা হৈরা গ্রানচিংবা হারে। অতগী মতুংদা অখেল লাম্মী-শিংগী লাম্বু (অককপা মকোক) মাওদা থাদা পুহুনা, রানজরী-অহাম্মচিংবা নোংমৈ ১০০০, থাওশাও, চুজোয়, লীরুং তেম্পোং,

শেমদুং, বারি থুজাই চিনখুবমচিংবা পুহুনা, সনহাম্বা দোল ই লেখাই থোংহুনা, খুদোং হিদ ক কান্দুনা, গ্বা-য়াচু শায়হুনা সিংথো মনা য়োয়কোম্ংদা (কে গুন্দা) লেংশিনখরে । য়োইরেন্ অতেম্ লৌখাম্বা কৈঃরাং লানগৌবনা কায়াং লানৃহোই চৈঃ (চৈ জাং অমা) পায়হুনা চেংজা ভুংগোয়বিদা লাম্নু ময়াম চল্লে (লাইদা কংলে)

\+ + + + + +

ভুমিং থাবান অকবা য়েংহুনা রাজ্যোয়গী মকাইকমদা লৈবা চৌংগু-তাইবংখাইবগী কিয়োংদা পাকথন চাউনা থম্নুনা অরা অমসুং তথেনগী লানকমদা রাজখিবা, মৈতৈ লৈপাক অমদি মৈতৈ জাতি মাওতাকুগদবদগী কনবা য়াংখিবা থোনা ঈচম থোবা মৈতৈ অকল অথৌশিংদা চৌংগু লাইনিংথৌ তাইবংখাই-বনা মনা-মথিন পীবিখি । লৈপাক প্রজা মী লৌশাং কয়ামুক কুম্মৈ য়েংবা পাল্লে । ব্রাহ্মণ, বৈষ্ণব, কমদো ৬৪, ক্যাইবা মচাশিং মাগী মাগী কমকম অচৌ অপিশক থায়না মকোক মথং লাইনা কয়ে । মৈতৈ লৈমা শেনবি পাজওয়ী, মজা ইবেম্মশিং অমদি ক্যাইবশিংগী মতু মচানুপীশিং মাগী মাগী কমকমদা কয়ে ।

নিংথৌরেল গন্ধীবনিরাজ মনা 'কবোম্নাংদগী লেংথকপা' কুম-থরে'। থৌগলপাই পাঁকোং ভাংবমচানা মথাজা হাজতরেবা থাউথোক পানবা খাইশাং অমা মকোখোপা লোল্হুনা থৌগল তৌহুনা নিংথৌরেল চৌংগু তাইবংখাইবগী কিয়োং থাকিদগী

তম্না তপ্না তপ্না চঙশিন্নরক্লে। মরাইবক কত্তুনা মাঙোম্দা কাংগা চাওগী মকমদা খুবাং চংজো তম্না লোম্নবা খুক্রমহনা লৈশি লৈথোম্দুনা হাম্নজরকই।

—ইবুধৌ ইবুংঙো পোইরৈ মৈকৈগী যুম খুদোংগী নিংথৌ ওই-বিরিবা—ও! হন্দক শোক্লখিবা অম্না অমস্তুং তখেনগী লানকমদা মথৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা কম্না লান য়াম্নখিবা অকল-অথৌশিংদা মিংনপ মিংলেন অমস্তুং মনা মথিন পীনবিয়ু।

চাংওগী য়োইবু য়োইহৈবী অহনবীনা মখুত্তা ঈশিং হাপ্না চকু কুদোয়মচা অমা পায়হনা তাইরেল মনানা নিংথৌগী কোক্তা ঈশিং থিকুনা হায়রকই,

—নিংথৌবেল মৈদিংগু গরীবনিৱাজ--তখেল পঞ্চমরাই ফাবাও।

নিংথৌ লাইমাওদগী থোরক্তুনা সনা কম্বাম্নাংগী মনাক্তা লেংলক্তুনা অনেম্বা ফাল অমদা লেপ্লে। খোগলপাউনা মখুত্তা পায়বা থাঙশাং নিংথৌদা পীরে। অতুগী মতুংদা মিংনপ-মিংলেন অমস্তুং মনা ফংগদবা মীশিং কৌশিনবা হোরে।

—হাওবম অকোংগী মচা অহন্নপ লাকপা লানজিংপুরেন কৈবিরাম।

লানজিংলেন কৈবিরাম সনা মাওদা চওশিন্নক্তুনা মৈদিংগুবু লৈপাক্তা শাম্নাংনবা খুরুম্নগা মথোত রেং খুক উ মূল শাহনা মথোত ওইখবা মতুং লোমদা তিংথোক্তুনা মরু খুকখহনা মথুং অমী লোমহনা লৈরে। নিংথৌনা থাংশাংগী থাংদোন কৈবিরামগী মকোক্তা থম্নবা থোপলপাউনা অরাংবা থোক্লেননা লাউরকই,

—অহন্নুপ লাকপা লানজিংলেন কৈবিরাম হাওবমচা

তখেল লানজিংলেন ছত্রজিৎনারান ওঝা—ও।

অসিগী মথংদা অমমম্ত ওইনা থোগলপাউনা কৌশিন্দুনা নিংথৌনা মকোক মকোক্তা থা দোন থমদুনা থোগলপাউনা লাউরকই, চেকশা চক্রপাণি তানাংত থাংসবা তখেল লানজিংবা

যশঃনারান ফাবা—ও

—ক্যাম্বা শাৎপহচা	বীরভীম নারান ফাবা—ও।
—পৃকচাও অয়েকপা	কন্দর্প্রস দ নারান ফ বা—ও।
—খোম্বা চোংথামচা	সুচাং ভালর্মচি বা ফাবা—ও।
—লমদা হুইরোংবা	কলিয়া আথোবা ফাবা—ও।
—শকথী নাওবোইবা	কীর্ত্তিনারান ফাবা—ও।
—লুরাং খুমম্বেম্বা	বীর্য্যসাহেব ফাবা—ও।
—নালকৌ এনকোকপা	তায়োন লানজিংবা ফাবা—ও।
—ওম্বা চিবোমচা	থা গা চেংচা ফাবা—ও।
—হোওবা ফাইরেম্বা	মাল্লাসিংহ ফাবা—ও।
—কেনরেম তখেম্বা	হুয়েল বলরাই ফাবা—ও।

মিংনপ—মিংলেন পীবগা লোয়ননা কৈবিরাম অমসুং চেকশা চক্রপাণি তাংবন্নোই ফংজরে। অঠানবসিনা (১) মতম শাংদোক্লবা থ্বজিন শিন্দুনা অরাগী লান্দা রারুবা ম্মতৈ লাম্নীশিংদা পোথাবশী মতম পীবা অমসুং লাহোঙ ফজনা শিনবগীনি। অকোনবসিনা

(১ Delaying tactics

তখেল লাম্মী তেঙ্গোল মায়থীবা পীবদা খ্বাইদগী হেন্না চাউবা শরুক লৌথিবগীনি। অতুতসু নত্তনা চেকশা নোংথনবা ওইরে। মখোয় অনীসু মিংনপ-মিংলেন ফংলিবা মৈতৈ অথৌবশিংসু মাগী মাগী মতীকচাবা য়েংহুনা দোম্বাই লে জাউ, খামেন চৎপা কৈজোম, ফয়াংফি ফিদা, নি থৌফি শাইজোনব', রেশম ফুরিৎ, সনা খুজি তান, পজে ফিবাম্নচি বা ফংজবে। মখোঙ খুষী' থুংহুনা কন্না লানজেনবা ঙমখিদবা লানফমদা মমায গুন্দনা শিখিবা উয়াম লৌবেম্বগী মতু কৌশত্তুনা নিংথৌনা মনা থন্না পীবীখরে। তখেল লাম্মী তেঙ্গোলগী মমাঙদা খাঙবা ঙমদহুনা চেল্লবদা শগোল তোংবা মৈতৈ আথৌবশি বু অযাকপা কবেন্নবা অতুম্নদি ওইরগা য়াম্না চুম্বা ৱাডাঙ তৌহুনা ইকাইহন্দুনা অমুক হন্না লাল শোক্ল-হনখিবা খোঙমী লাম্মী ৱাকোং অমোমচা খামেনচৎপা কৈজোম ফংজরে। পজিবা লমথোক হাওবমচাদি মমা শিবগী দশাহ মঙ্গং থোক্নুনা তখেল লাল যাওহৌদরে।

নিংথৌগী থন্নায কনখিবগী দমক নিংথৌনা অরিন্দমনা তাংবল্লোই পীগে হাববদা অরিন্দমনা যাম্না নোম্লুকনা য়াখিদবে। মহাক্না মথুং অনী লোম্নহুনা খুক খুদক যলশানা খুকমহুনা নিংথৌ সনা খ্যুম্না খাদা হঙ্গৎখি,

—লাইয়িংথৌ ইবুংঙো তাইবং শোয়ারেনগুম্বও। ননাইমা পামজবা মনাদি লাইয়িংথৌগী সনা নাক্তা লৈজবা, লংকৈদা শাকম লানকমদা লেংবা মতমদা নিংথৌ সনা থৌগল কংজবা

অসিদনি অসি নত্তবা তাইবংপান অসিদা লৈবা করিগুম্বা পোৎ অমতা ননাই ঐ পামকদে।

নিংথৌনা পেনবিশ্রহনা অরিন্দমবু নিংথৌগী মনাউ ইবেম্মা অমগুম্মা লুনা চান্না থম্বিখরে। নিংথৌ মনাউ ইবেম্মা অমগী মতৌক চাবা যুম-কৈ, মনাই-মশল থৌগল-লাংগল, ফিজেৎ ফিজাম তুনা অমতা য়াত্তনা পীবীখরে।

মনা পীবা লোইরবদা জগোয় হোরে। চীংঙ্গী মাঙদা, নহা ওইরিবী মাইবি নহা মরুকী খাইদগী হেন্না শক কজবা শাগৈ-জাৎ কবা থম্মুনা লাইনিংথৌগী মনাই শুপী ওইথিবী য়োইবু য়োইহৈ মরি—চীনফু তথোম্বী, য়াংঙম মৈতৈ চম্ম তোম্ম সাইথুবী, তাম্বোং অহোঙবা চম্ম চাউবী তেবুয়া, শুংপাল লুয়াং চম্ম হোঙবী থোগ্নাউ অঙকপা কংনা কজব। শাওঙ শাথেকা লোয়ননা জগোয় শারে।

মুন্নী খুদোং অঙোবা ফীনা য়োম্বা, মথক্তা অঙাঙবা কীজঙ থনবা পাক চাউশ্রবা পাখন মহুংদা নোংখাঙ লৈমা পাইরে, নোংজাবী থোক্রে। মথল মচু য়ামশ্রবা নীংথম শমজিন কজেং লৈনা কুমৈ য়েংবা মীগী মমীৎ থকহন্নি। নিংথৌগা মৈতৈ লৈমগা জগোয়গী খুৎতেক হাপ্নুনা জগোয় শারে। অহুগী মথংদা নিংথৌনা অরিন্দমগা জগোয় শাবা হোরে। ব্রাহ্মণ অথোইবা অদগী মফমদা অরিন্দম লাইমীং লৌহনা গৌড়ধর্ম্মদা দীক্ষা কংখিবা মতম কনা কুইরবনি। Holiwood কী মমীং চংগী star ওন্না কজবা অরিন্দমগী শাওঙ-শাদা, হুচু-হুমেন, তীংবা

ওন্তদা, ভূংয়ান ফিয়াল, হকচাংগী কায়াৎ অমতং য়েংখিবদা মীৎকম হোংবা য়াদবনি। গোপী চন্দ্রা সিংডি নাইনা ফজনা লাইবক মতা ফজবা অত্থদা থিল্লে। নৈনুংদগী চিংখোৱকপদা মণ্ডায়রিবা ফদোংলবা সনা মচু মানবা, পাযশিল্লগা খুদাপ কাদবা শন্দোক্লগা শরা শনবা তগুপ তগুপ্পা, তমোন তমোনবা শমলাং নীংথাবত্থ নীংজান মথা হেম্বনা চোংম্থরে। হায়বা ইন্দবা মনীং তম্বা শমজোয়শিংবু ফাজিনবা সনা হীরা-মণিনা হাজন্ড য়ৈহ্না শাবা কজেংলৈ-লৈত্রে অত্থগী মথক্তা ত্থমিদাংরাইরমগী ঙাণ্ডানবা অশাং অশাংবা ত্থমিংকী মশেক্লা য়ৈবদা নোংথাঙ লৈমা পাযহ্না কূমৈ য়েংবা মীগী মমীৎ থকহল্লি। রাশি চহুম চহুম য়াম্বা, থম্বাল ১০৮গী মনা মানবা মিংসনা থম্বাল অনীত্থ য়েংবদা মীৎ ঈংই। তুম্রপ তৌবা আর্য্যজাতিগী নাতোন অত্থদা হমাং লৈরীক কাবত্থ উবদা মী ওইবগী মপূক্লীং খোয়রাংহল্লি। না অনীদা য়ানবা সনাগী নাইন অনীত্থ শকহেনবী অহ্না শামুগী শাথেক্তা চংপা মত্তমদা মথজাই অনীদা থেংজবা কংবত্থ মপোক কয়ামুক্তা পুণ্যকর্ম্ম তৌরক্নুনা ফংজবনি থল্লমগত্রা? অতোংবা অৱাংবা মথবাক্তা সনাবুম ঙাজোয় পরেং, লীকথাঙ নাইনা শিবত্থ ফজমন-খিহ্না অয়েংবী লৈশাবী লৈমানবীশিংগী থম্মোয়দা মিহৌচাউবা পূকচেল পোকহল্লি। লৈপুংদগী চিংখোৱকপদা ঙায়রিবা থম্বো হেরা মানবা পাম্বোম অনীত্থদা সনা হীরানা কাম তৌবা তান, খুজেংদা পাথংবা পাকন ময়েক শুবা সনা খুজি শিরিবা অত্থ ল্যাংথবাল লৈহাউ লৈয়েন মানবা মথুং খুংশাশিং অহ্না মরক

মবক্তা শেম্বত্থ উবদা অউবা মীগী মমিং থকহল্লি। যেশম কুবিং কাম তৌবা লিংলে। চেংথ্রবা খাংদা নিংথৌ মনাউ ইবেম্মশিং-দনা শেংপা যাবা গোলাম মচুগী ফনেক মপান নাইবা শেংলে। লম-থাং খুলক অপাবা খাংদা পুল্লে। থেক্কা থেক, নৌগা নৌ, মীওইবগী মপূক্কীং পেলহনবা শুমহৎপা শকফম্নি। জগোয উবদা সুংঙাই-মনত্থনা কুম্মে য়েংবা মীশিং মযা কায়ে। কাথৎপা ময়াদা হয়িং পাইশিনবা খঙনদবে। সুংশিং শিংপা চপ লেপথিবগুম তৌবে। মালেম লৈকোযপুং অসি শুমহৎহৈনা শুমহৎলবা হেলোয়গী লৈপাক, মঙগী লমদমগুমথবে। জগোয লোইবদা লাইরৈপাক শোবাবেম্মা ফমত্থনা কুম্মে য়েংলম্বা মীশিং খঙহৌদনা মালেম-লৈদা হাযথবক্লে।

অসিগী মতু দা ফমদৌ ৬৪ মাগী মাগী তালোযশিংগা লোয়ননা ৫।৫, ৭।৭ থোক্তুনা জগোয় শাবে। সুমিদাংবাইরম সুমিংনা চীংয়া থাংবা কাল, চীংয়া থেম্পৌ লাংবা মতম, তগয়া কোবি চেনবা পূ গোয়দা কবোহনবনা সনাগী থাঙহুপ মখোঙদা পোম্বাবগে হায়ত্থনা শাথৌবা অকণদা ইঙ্গিং তৌরকপা মতমদা জগোয়গী খোঙচং লেপথরে।

অত্থগী মতুং নোংমা কোনবদা পাখং পাঙ্গনবশিং—চেনজোং, মাঙজোং, ফৌফুল অহাবী, খোঙকাংজৈ, শগোল কাংজৈ, মুক্তা, লমজেল, খৌশাবা, থাঙ হাইনবা, অয়াম্বাই. তেলকাপ্পা মঙঙ মঙঙ শাম্নয়ে। তেলগী ওবা তেলহৈবা রুপকী তেলকাপ কুম্মে

উবদা মী পুন্নমক ঙরুখরে। মচানিপা পাথং অমা মরেপ হেন্না ব্রাংবা অপাকপা উপাক অমগী মমাঙদা উপাক্তা মনঙ্গন্না ঙাহ্না লেংদনা লেপহল্লে। রূপক্তা লম মরি লাপ্পা মফমদা লেপ্তুনা তেল কাপ্পা হোবে। অহানবা তেল মচানিপাগী মনা য়েং-থংবদগী খুদোল মঙা লাপ্পা কন্না কাপশিন্দুনা উপাক্তা য়ুংহ্না থমখবে। অনীশুবা তেল মচানিপাগী ওইথংবা মনাগী মপাদা খুদোল ঙা লাপ্পা য়ুংখবে। অহুগী মতুংদা মথং মথং মপাম্বোম অনীগী ম পা ম-পাদা তেল অনী য়ুংখবে। মতুংদা মথাং মপা-দা তেল অনী, মথোঙ খুকউ মপা-দা তেল অনী য়ুংখবে।

কুম্মৈ লোইবদা নিংথৌনা মকোক ওইবশিংদা মনা-মথীন মতীক চানা পীবাখবে। রূপক দোলাই লেংজাউ, পে অঙাঙবা ফংজরে।

কোকথক্তা হুংজাও অচৌবা অমা পীকপ্রবা থৌরী অমনা য়াম্বহ্না মথাদা ফমহ্না চাক চাবগুম লৈরম্বা মৈতৈ জাতি অরাবা ত্রিপাপ দশাগী ফত্তবা লাংফম কোকপদা হরাউ তয়াম্বনা চাগনি থক্কনি কাউবে। হুংঙাইবগী ঈনোং কারে, হরাওবগী জুরার হোরে। হনুমানৈ চল্লবা নিপা মুপীশিংনা মখুৎ ব্রাংনা থাক্তুনা থৌনা ঈচঙ থৌবা, লৈপাক্নী অরাবা কোকপিবা, মতমগী চপ চানবা নিংথৌরেনগী মগুণ শকখরে।

॥ তৱা মরি ॥

অৱা অমসুং তখেলগী লানকমদা মায় পাক্ত্না গরীবনিৱাজ নিংথৌ সনা কম্বাল্লাংদা প্রজাবু ঙাকপি শেনবিছনা চঠী অমা সুংঙাইনা পাল্লে। য়েরুবগী মফমদা নোংশাগুম্মা থৌনা-ইচঙ উৎপা ঙম্বা, লৌশিং য়াম্না শিংবা, লান্দা চেম্লবা মায়থীবা ফংলবা য়েরুববু থৌজাল ঙাকপিহৈবা, লৈত-লাইরবা তোন্ল-তারবশিংদা ফৌ, চেঙ, কি, শেল থুম য়েন্দুনা পীবী হায়বগীদমক প্রজানা "লাইরবগী মবুংঙো" হায়বা মিংনপ-মিংলেন পীখীবা, অৱা লৈপাকী মীনা ১৮ শুবা শতাব্দী হৌরকপা মত ।দা কিনখিবা, মৈতৈ প্রজাগী মপী-মপা গরীবনিৱাজনা পালবা মতমদ' লৈবাক সুংঙাইরে, হয়াও তয়াল্লে। কত্তবা মীবু কম্না লাকশিন্দুনা, ধর্ম লৈবা অক্রবা মীবু য়োকথৎপিছনা লৈবাক মরা তথা সুংঙাইনা পাল্লে। অৱাগা তখেলগা লোক্লনহনা লান্দারকপদা মৈতৈ প্রজানা মথয়ায় রানথিবফুগী লম্বন থুমীংবা অমদি মীরৈপাক্লগী লল-থুম থোমহনা পুরক্লগা সুংঙাইনাইক য়ুবাল কংনাইরা মৈতৈ অকল অথৌশিংনা মপূরুইংবা, অতঃ-অমমলৈতবা-থারিবা রাথল অহু শেংনা উবা-থতবা নিংথৌনা তখেল অমসুং অৱা লৈপাক্তা লান্দাগে হায়না লেপথরে। কংলাদা কানশাং থুংনা কম্বা কমলৌশিংগী মফমদা নিংথৌনা রাকম অসি কৌদোকপদা মৈতৈ

অথৌবশিংনা য়াম্না হরাওবা অপাম্বগা লোয়ননা লৈপাক্কী অনীদা লান্দাসি হায়না য়ানখরে।

মতম অসিদা বর্ম্মা লৈপাক্তা ওইরম্বা (১) রাজনৈতিক অবস্থা য়েংশি।

খৃষ্টাব্দগী শতাব্দী ১৬ শুবা হৌরকপা মতমদা বর্ম্মা দেশদা (২) তোঙ্গু কৌবা রাজবংশগী নিংথৌশিংনা পেগুদা কোঙ্গুং শেমজুনা পাল্লম্মী। মতম অসিদা বর্ম্মাদেশ নিংথৌ অমতগী মথা পোনবা লৈপাক ওইরমদে। অৱাং বর্ম্মাদা বর্ম্মীজ, খা-বর্ম্মাদা (৩) টেলেংস নত্রগা মোনস কৌবা জাতি অনী লৈরম্মী। টেলেংস হায়বসি ভারতবর্ষগী টলিংগানা কৌবা মফমদগী অৱা লৈপাক্তা থুন্দাখিবা য়াম্না চাউখৎপা জাতিনি। জাতি অনীসি য়াম্না য়েংথিনৈ অমসুং তোয়না তোয়না লাল শোক্লুনা বর্ম্মা লৈপাক্তা মকোক ওইনবা হোৎনরম্মী। তোঙ্গু রাজবংগী ইকোন কোনবা নিংথৌ অনী—টানিনগানউই অমসুং দিবৌটি কেবা মৌবা য়াম্না পাম্বা থুপী দগা লোয়রজুনা লৈবা, মপাঙ্গল য়াম্না শোনবা, নিংথৌ ওইবদা মতীক চাদবনি। পৃথিবীগী মফম অতৈদা, মতম অতৈদা পানখিবা অচৌ অচৌবা রাজবংশ মুৎথিবগী মরু ওইবা মরম ওইবা মপাঙ্গল য়াম্না শোনবা নিংথৌশিংগুবনি। নিংথৌ অনীসি গরীবনিৱাজগী মতমগী মীনি।

---

(১) Political condtion (২) Toongoo,
(৩) Talaings or Mons

১৭১৭ এ° ডি°দা গরীবনিৱাজনা শমশোক লোই চল্লবদা বর্ম্মাগী নিংথৌ টানিনগানউইনা অৱা ভেঙ্গোল অমা মণিপুর লৈপাক্তা লান্দানবা থাবকই। অদুবু গরীবনিৱাজনা অৱা ভেঙ্গোল অদু মায়থীবা পীখবে। অদুগী মতুংদা মহাক্না তথেল লৈপাক্তা লোতুনহুনা ১৭২৩ এ° ডি°দা মৈতৈ লৈপাক্তা লান্দারকপগী ৱাবী মথক্তা হাযখরে। মচলমুপী লোবা মশেল নিপা টানিনগানউইনা অনীৱক মণিপুরদা লান্দাবকপা অমসুং মচল মুপীবু বর্ম্মাদেশগী মহারাণী পদবীদগী থৈথবা অমসুং মপাবুং তুবি চয়াইবোংবগী মকমদা মচল মুপীদা ইকাইবা পীবগী মতীক চাবা লম্মন থুমগনি হায়না ৱাশকখিবা অসিনচিংবা মরমদগী গরীবনিৱাজনা চহী তরেৎ অৱা লৈপাক্তা লান্দাগনি হায়না কংলাদা অতম অশৌ-শিংগা লোয়ননা লেপ্পখিবগী ৱাবী মথক্তা হায়খরে। মতম অদুদা থৌনা ফবা নি থৌনা ৱাশকখিবদু তারগা মহু চাউবা, অকি অথং লৈতব।, লাকন ফানবা য়াদবা মৈতৈ আথৌবশিং পেন্নখি, হয়াওনখি।

ৱাশক অসিগী মতুং ইন্না ১৭২৪ দা গরীবনিৱাজনা বর্ম্মাদা অহানবা লান্দাহুনা অচৌবা অৱা লাম্মী ভেঙ্গোল অমা মায়থীবা পীখরে। ১৭২৫ দা অৱা নি°থৌনা অচৌবা অৱা ভেঙ্গোল অমা থারক্কুনা মণিপুরদা লান্দারে। অদুবু গরীবনিৱাজনা অৱা ভেঙ্গোল অদু মায়থীবা পীহুনা অৱা ভেঙ্গোল অপুম্বা মমুৎ হুলহুলখিদরে। অয়াম্বনা হাৎখরে, অরেম্বনা ফাহুনা মৈতৈ লৈপাক্তা থমখরে।

১৭২৭ তা সেনাপতি অহল্লুপ লাকপা কৈবিরাম্না মৈতৈ তেঙ্গোল পুদুনা তখেল লৈপাক্তা লান্দাখিবদা তখেল তেঙ্গোল মায়থীবা ফংখবে। তখেল নিংথৌনা গরীবনিৱাজগী মকমদা লোই হাজগে, চহী খুদীংগী কর কাজগে হায়জরবদা মৈতৈ নিংথৌনা য়াবিদুনা তখেল নিংথৌগী মকম লোথোকপিখিদে। চহী খরা লোইহাপোৎ পীরম্নগা পীবা লেপপ্রবদা ১৭৩৪ দা গরাবনিরাজ নিংথৌ তখেল লৈপাক্তা লান্দাখি। তখেল লান্মী তেঙ্গোলগা অকনবা লাল শোক্লরবা মতুংদা তখেল তেঙ্গোল মায়থীবা ফংলে। হাযনখিবা য়ানখিবা রা ভাক্তবা, থাজবা হাংপা তখেল নিংথৌ চীংসুং মাসুংদা লোৎখিদুনা মথৱায় হিংহৌরেদি হায়ববু তখেল লৈপাক তুরে। মৈ থাদুনা, মৈথায় থিনগায়দুনা উজারশানা মাঙতাকখরে। শগোল, শামু, তোপ, নোংমৈ, মরল মথুম, পুম্নমক মুন্দুনা লৌরে। তখেল সেনাপতি ছত্রজিৎনারান ফাদুনা মৈতৈ লৈপাক্তা বন্দী ওইনা পুরক্লে। লৈপাক মরু কংনা মাঙ-তাকপা তারবদা তখেল লৈপাকী অঙম অথৌ অমসুং প্রজাশিং মীয়াম থোরক্নুনা অথেমপোৎ পুরক্নুনা গরীবনিৱাজ সনা খুয়া খাদা নোনজররে অমসুং তখেল প্রজাগী মথৱায় কনবিয়ু হায়জররে। চঙজরবা তোল্ল-তারবা মীগী মকমদা ভাকপিহৈবা গরীবনিৱাজ নিংথৌনা তখেল নিংথৌগী দোযনা তখেল প্রজা অরাবা কংবনি থনবিদুনা তখেল লৈপাক তুয়া মাঙ তাক্লগদবদগী কনবিরে। তখেল নিপা তুপী লৌশীং অমরোম থোমদুনা নিংথৌরেল হল্লক্লে।

১৭৩৫ দা গরীবনিরাজনা অরা লৈপাক্তা লান্দাখি। নিংথি তুরেল লান্দুনা নিংপি তুরেল মপান্দা থুন্দাবা (১) মেতু কৌবা লমদা অরা তেঙ্গোলগা অকলনবা লাল শোক্লখি। লানকমদা অরা লানজিংলেনবু মায়থীবা পীহুনা কারে। অরা নিপা মুপী য়াম্না খোমহুনা মৈতৈ লৈপাক্তা হল্লক্লে। শামু, সনা, পোহাল নচিংবা মুন্দুনা পুরকখি। মৈ থাহুনা মৈহু উৎ ওইখরে।

মতম অসিদা টানিনগানউইনা শিরবদা মচানিপা দিবৌটিনা অরা লৈপাক্তা নিংথৌ ওইববনি। টানিনগানউইনা শিরমদাইদা চরুপা মথাউ ওইনা পোকপা মচানিপা মঙত্রা। কেঙহু ওবদা নিংথৌ থুরম পীরমদনা মঙত্রানা চহী হনবা মনাউ দিবৌটিদা পীরক্লগী মরম অহুম শুবা পন্দুপ্ত হায়খরে।

১৭৩৬ অমসুং ১৭৩৭ এ. ডিঃদা গরীবনিরাজনা অরা লৈপাক্তা অনীরক লান্দাখি। লানকম অনীমক্তা অরা তেঙ্গোল মায়থীবা কংখি। সনা লুপা পোহালনচিংবা খোমহুনা পুরকখি। অরা লৈপাকী থুজং কয়ামুক মৈ থাহুনা উৎ ওইখরে। অরা নিপা মুপী য়াম্না খোমহুনা পুরকখি। লানকম অনীসিগী মতুংদা অরা নিংথৌ দিবৌটিনা পেগুদগী আত্তাদা কোম্ভুং হোংলকখি।

১৭৩৮ এঃ ডিঃদা গরীবনিরাজনা অনীরক অরা লৈপাক্তা লান্দুখি। লান্দাবা অহানবদা অকিবা মশক কংনা লাল শোক্লরে। অচৌবা অরা তেঙ্গোল মায়থিবা কংলে। সহর কয়ামুক মৈ-

(১) Myedoo

থাহনা আঙ্গোয় ওইখরে, থুম্বাক লানশিখ্যে ভুগা মাঙতাকখরে। লানজেনবা অৱা লাম্মী আম তারহনা তুন্না হাৎলে। মমীং য়ামথ্রবা শাম্ন, শগোল অমস্তং নোংথৈনচি বা মুন্দুনা পুরক্লম্মী। মমীংচৎপা সহর কয়ামুক হৌগৎপা ভমদনা মক ফংনা মাঙ আক-খরে। চহী অসিগী অনীশুবা লাদাবদা গরীবনিৱাজ নিংথৌরেল সনা লুপা হীরা মণি য়াম্না মরাং কায়না ফংবা অৱা লৈপাক্কী মমীং চৎপা লমদম (১) সাগা দা লাম্দাখি। সাগাং হায়রসি ইরাবতী অমস্তং নিংথি তুরেল অনাগী মরক্তা লৈবা, মু তুরেলনা ময়ায়দা চেনবা লমদমি। ইরাবতীনা নোংপোক অমস্তং খা অমস্তং নিংথিনা নো চুপকী ভমথৈ ওইবনি। ইরাবতী তুরেল লাল্লগা মথা থংবদা আভা কোন্নং লৈরে। মণিপুর নিংথৌনা সাগাংদা লমম্দারকদৌবি হায়বা পাউ অরোম্নায়শিংনা তমহনা অৱা নিংথৌ দিবৌটিনা সাগাং সহরসি উজাউনচিংবা কোয়না য়ুংহনা য়েক্লবনা থুগায়বা ভম্মবোইদবা মওঙদা লানবন শাহনা থমগ্রবনি। মমীং চৎপা কোংমুদো পেগোডা লৈবা মফম অহুম মতৌ অস্তুম্না লানবন শাহনা ভাক্তুনা থমগ্রবনি। হিন্দু মণিপুরী লাম্দাবাশিংনা বৌদ্ধ ধর্ম্মরু য়াম্না য়েংথি অমস্তং পেগোডা (বৌদ্ধ মন্দির) কয়ামুক থুগায়খবে অমস্তং শ্রীভগবান বুদ্ধদেবগী মূর্ত্তি পুক্লনা চৎখে হায়বা পাউ তাবদা মতম অসিদা অৱা লৈপাক্কী মী থক থক নীকপা মথৈ কিনরক্রে। মরম অসিদগী অৱা

---

(১) Sagaing—মৈতৈনা চেয়াই, নত্রগা চেকং কৌই।

নিংথৌজা গরীবনিৱাজকু থিংনবা, ওম্লগা মায়থীবা পীনবা খোঙমী লাম্মী ১0,000, শগোল লাম্মী 8,000, শাম্ ৪০ না শেম্বা অচৌবা ভেঙ্গোল অমা সাগাংদা ভাইহন্দুনা থনৱে। গরীবনিৱাজনা চহী ৭ অৱা লৈপাক্তা লান্দাবদা অসুপ চাউবা অৱা ভেঙ্গোল অমত্তা শংনখিদৱি। গরীবনিৱাজনা মৈতৈ খোঙমী লাম্মী ২০,০০০, শগোল লাম্মী ১000, পুহনা লান শোরুফমদা থুংলৱে।

সাগাং সহরগী মনাক্তা অকনবা লান শোরুৱে। ডকথোক ডকশিন ভৌনহনা নোংমা হুমিং চুপ্পা অমা য়ান্নৱকপনা হুমিদাং হাইৱম যৌৱক্লবদা অৱা লানজিংলেন মঙত্ৰা কেওচ ওম্বনা মৈতৈ ভেঙ্গোলগী অৱাং মায়কৈদা লানজিংবা ক্যাম্বা নাহারুপ লাকপবু তানা থিন্থহনা হাংগ্রে। অহূ উবদা মৈতৈ ভেঙ্গোল মহাক্তী মমাঙদা থাঙবা ওমদহনা শমজি থাইহনা চেন্নে। কায়হনা চেন্নৱবদা মৱা লাম্মীশিংনা মৈতৈ লাম্মী লানজেনবশিং তাম তামহনা হাংপা হৌৱে। মৈতৈ খোঙমী লাম্মী থৱা চেন্নক্তুনা পলিবা লমথোক্তা পাউ তম্লৱে।

—নিংথৌনাই অথৌব—ও। লানজিংবা ক্যাম্বা নাহারুপ লাকপবু লৈশাবী মানবা অৱা পাথং অমনা তানা থিনথুহনা হাংখৱে। লানজিংবনা শিৱবদা মাগী মমাঙদা থাঙবা ওমদহনা মৈতৈ ভেঙ্গোল কায়হনা চেন্নৱে। উবিৱবৱা আদা তৌৱিবসে!

পলিবা লমথোক মঙত্ৰা কেওচ্ ওবা তম্লা শগোল কুৱা থৌহনা কুজিনখৱে। মঙত্ৰানা হুৱকপা তানা পলিবাদা পান্দন্না

মহাক্না ভোংলিবা শগোল্দা পাম্লুনা শগোল ভুথখরে। লৈপাক্তা ভাছনা পলিবা মুংশিংমুক য়াংনা হোৎচিনখিছনা মঙত্রানা ভোংলিবা শগোলগী মমায়দা থাঙনা য়াম্লে। শগোল ভুরে। পলিবগা মঙত্রাগা থাঙগী লাল হোরে। মতম খরা য়ান্নরবা মতুংদা পলিবনা মঙত্রাগী ওইথংবা মথুৎ পাম্বোম মরুদা ককথৎলে। মঙত্রা লোংনা লৈপাক্তা ভুথখরে। মঙক করুগে হায়রছনা পলিবনা চোংশিনখিবদা মঙত্রা'না হায়রকই,

—মুংশিবা খঙদবা নিপা! ঐগী ইপা ··পলিবা ··লমথোক ··
·না · লম্ব ন থুম ·

—ইঃ করি য়ানো? নঙ কনানো?

থাঙ থাদছনা পলিবা চঙশিল্লক্তুনা মঙত্রাগী মমায়দা নোম্বরক্তুনা য়াহংলকই,

—নঙ কনানো?

—ঐ চকপা মথাউ ঙম্বী গী মচা · নিপা ··মঙত্রা ·কেঙছ ···
ঙম ইমা···না হায় · ঐগী ইপা · গী মমীং পলিবা···লম-
থোক···হাঙবম · চা কৌই ··

—ইঃ করি বানো ইবুংঙো? পলিবা লমথোক হায়বছ ঐনি। ইপাদি নঙগী নশক খঙদে। নমীংদি ভোয়না ভোয়না তাথি।

পলিবা লমথোক্না মঙত্রাগী মকোক মতম্বাক্তা পমছনা মাগী ওইথংবা মথুৎ ককথিবদগী তায়কপা ঈ মকোক্তা য়েংলিবা কোয়েং লোথোক্তুনা থাঙথুন য়েন্দুনা হোৎনববু [illegible]

ঙমখিত্রে। তাইহক লৈরগা মমীৎ পাংথোরক্তুনা মঙত্রানা লৈয়েং ফাইত্তনা হায়রকই।

—পম্বো অ·· অ পো পা ই ই ই মা রা না না
লৈ - ই ই মা — লৌ — শি—শি — বি — ব—ব —

অরোয়বা রাগা লোয়ননা মঙত্রাগী য়াইবি থরায় মঙা হকচাঙদগী থোকখিত্না নোংমদোন শরৌদা মালংদা তিনখরে। ঊ য়াম্না থোকমনখিবনা মঙত্রাগী কূচু তাইকেৎ তাইখরে। মমীৎ অমা চেংশুপ শিরক্রে। অমং য়াইথোং কুম্বগী মমি মম৷য়দা তারে। মাবু হাংপা মপাগী মতম্বাক্তা (১) সন৷ কৈরাক কারে। মথরায় য়াওত্রবা হকচাঙ অপোকপা মপাগী মতম্বাক্তা তাত্না লৈহৌরে।

পলিবা লমথোক অঙাওবগী পান্দম ওইরে। ফুক হৌগৎলি। নাকন্দা য়ানবা থাঙ ছুরি শৎ শৎলি। (২) ইমু ফীরাক থায়না থজিন্দা থিনজিনখরে। মথরায় য়াওত্রবা মচাগী মশা মথক্তা উপ্না হাইখরক্রে। মপা মচা অনীগী মথরায় মঙা মঙাহ্ মপান নাইত্রবা, হৌফম লোইকম খঙত্রবা, কোরৌ নোংমদোন অহাঙবদা উনরমগত্রা? জগৎ সংসারগী জীবনা অমুক্তা য়োক্ল-ত্রিবা, চৎপ্রবদা হন্নকপা নাইত্রবা, মকম অমা তানা শিগুম লম্বীদা চৎপদা চৎমিন্নরমগত্রা? মীরমলেন্দা মপাগী সুংশিবা প্রেম কং-জখিত্রবা মঙত্রাগী মথরায় মঙাহ্ লাইরমলেন্দা মপাগী প্রেম মরীক অমত্তং কংজরমগত্রা? থমোয় কায়বা অমদা য়ানি।

(১) শিরে। (২) থাঙনা থিনখরে।

চেকশা তনবা মীখলখায়, অকোং হাওবমচা কৈবিরাম, অপোং সরোংখাইবা, কোপেংনচি বা মমীং চৎপা লান্দা থৌবশিংনা কম্না লাল শোক্লহনা মৈতৈ তেঙ্গোলনা লান্দা মায়পাক্লে। অম্না তেঙ্গোল কায়হনা চেন্নখিহনা লানবন মনুংদা চগুশিনখরে। লানবনগী থোঙজাউ থিংজিনখরে।

হুমিৎ তারক্লে। অহীংগী অমম্বনা মালেম লৈমায় খরা খরা কুপশিল্লক্লনা মপা মচা শিম্মিন্নবগী অম্নাবা থমোয় কায়বা শকক্ষম অহু মীওইবগী মীৎয়েংগী মরুমদা থম্নবা তৌরক্লে। অহুবু হুপী অনী নিপা অমগা লোযনহনা লান শোক্লকমদা থাউমৈ পায়হনা চৎলম্মী। অশিবা মশা পুম্নমক মশক য়েং য়েংহনা চৎলকপনা মমৈথংদা পলিবা, মগুম্রা কেগুহু গুম্বা অনীগী অশিবা মশা তাহনা লৈবা মক্ষম অহু য়্যৌরক্লে। মগুম্রাগী মথক্তা পলিবা উপ্পা তাহনা লৈরম্মী। চকপা মথাউ গুম্বী মপুরোইবা, মচা নিপা অনীগী মশক চিংনা ঙাইহক যেংলগা য়াম্বহনা পলিবগী মথোঙ মথক্তা তুখখরে। অ্যান তারকপদা চহী কুমজা য়াম্না অম্নাবা মৈগাক্লা চাকথেক্লনা লৈরক্লবা থমোয়গী লকাম্লুংদা মতম কুইনা থিংহনা থনম্বা হুংশি প্রেমগী ঈকুৎ অহু থমোয়গী থোঙ নমথায়হনা মীৎ অনীগী থোঙদা ফীঃ কাম্মী। নিংথৌগী মচানুপী ওইনদি পোক্লগা মুম্বানবা পুজিদা হুংঙাইবা মরীক অমা কংজরকত্রবী ময়াইবক থীবী চকপা মথাউ গুম্বী মনুংথা অমা থবেৎ থবেৎ হোম্দুনা তেংথা নাওইনবা হায়মকই,

(১) ইশাবি খংলেন মানজ ইবুংঙো! নচা মশক খণ্ডদনা নপারি হাংলবোইয়ে কো। লাইবক থীবী ঐশু হৈনা নত্তুং ইনজরকে। নপারিগা লোয়নবা ল-মথাংদা ডাইবিরমখো।

মথাঙ কীরৈদা য়েপ্তুনা লৈবা থাঙ ছুরি শং শংলি। থাঙ য়াংনা থাঙ্গৎলে। খজিন্দা কয়া থিনখরে। মপুরোইবগী মথয়ায় য়াওদ্রবা হকচাং মথক্তা মকোক্তা মখোঙ নন্দুনা ভুথখরে। মীওইনা পানবা পৃথীগী লীলাদা অয়োয়বা ফীজঙ হাইথখরে। মীওইবগী য়ুম্বানবা পুথীদা পুম্না তিম্না লৈগিম্নবা কংজাখিদ্রবা মপা মমা মচানিপা অহুমহু অমং য়াইথোংকুম্বদা মীওইবগী বুদ্ধি লৌশিংগী য়াংমদা অচৌবা য়ুখল অমনা থনজিন্দুনা থমপ্রবা লমদম অমদা লৈমিম্নবা কংলমগদরা? হিমালয়গী পাস্তগী পোকপী ইরাবতী তুরেল মশক খণ্ডদনা মপানা মচানিপা হাংপগী অয়াবা মপাউ পুন্থনা পৃথিবীনা নহা ওইরিঙৈদগী হোৌনা চংলক্লবা প্রলয়গী মতম কাওবা চত্তুনা লৈপ্রগদবা লম্বীদা সমুদ্র তম্না চেনখখরে।

ইমুং শোয়া তৈনা ভাম্নবদা গরীবনিবাজ নিংথৌনা মৈতৈ অথৌবশিংগা য়া তানদুনা সাগাংগী লানবন হন্দোক্লমহনা কোংমুদো পেগোজাগী লানবন তম্না ফুজিনখরে। অকনবা থোঙজাও থুদেক্তুনা লানবন মনুং চঙখরে। মনুংদা লৈরম্বা অয়া লাম্না তেজোন ছুয়া হাংলে। য়ুমকৈ মৈ থাদুনা উংপুং ওইখরে। সনা, লুপা হীয়া মণি থাঙ, তা, শেনুং, পোহাল, কীয়োল অয়া

(১) ইপুরোইবা

অহেন মুন্দুনা লৌরে। অরা লানজিংবনু ফারে। কোংমুদো পোংগাডাদা চঙতুনা পোংগাডাগী থোঙদা গরীবনিবাজনা থাঙনা থাঙকম কয়ামুক যান্দুনা লাক্কা মায পাকপগী খুদন থনখী। ছায়ন লানকমদা নোংশাগুম্বা থৌনা ঈচঙ থৌরা মৈদিংঙু খোংনাং মযম্বা গরীবনিবাজনা কোমুদা কুনাদ যাম্লবা থাঙগী থ শিঙু চহী শতরদী অনী হেল্লবা ফাওবা শেমজিন শাজিনবা তৌদনা লৈবে। অরা জাতিনা অমুপ কুইরবা মতম্মসি শেম-জিন্দনা থম্লিবা অসিগী এবম—অরাবু মৈতৈনা মারক্তাবা পীথিবহু অবাগী অনৌবা মীংনানা কাউদনবা অমসুং মাহুগী মতীক চাবা লম্মন থুম্লী নবা নাশী —খুদম ওইনা থম্লিকা ওইরমগদ্রা?

কেংমুদোগী লানবন থুগাযবগী পাউ তাবদা সাগাং সহরগী লানবন মঙ্গুংদা লৈবা অবা তেঙ্গোল চেনথোরক্তুনা অকি অথংগা লোযননা মাযকৈ মবিদা চেন্নখবে। মৈতৈ তেঙ্গোলনা লানবন মঙ্গুদা চঙতুনা থাঙতা নোংমৈ, তোপ, সনা, লুপা, হীরা মণি-মুক্তানচিবা মমল যামথ্রবা পোং মুন্দুনা থোমতুনা লৌরে। অতুগী মতুংদা যুমকৈ পুম্নমক মৈ থাতুনা উজাব শানা চাইথায় থবে, মাঙ তাকহনখবে। সহর অহু তুম্লে। অরা লানজিংলেন ফাতুনা হাংলে। মতম কুইনা অমুক লৈপাক থুম্লিংবা ওম্মরোইদবা মওঙদা সাগাং সহর মাঙতাকখরে। অচৌবা খুজং কয়া মৈ থাতুনা উং ওইখরে। অরাশিং অরা। অরাঙ্গা লমদমদা ইরাবতী তুরেল লান্দুনা চেন্নখরে। অরা লৈপাক্তা অপীকপা প্রলয় অমা তৌখরে।

সাগাংগী নোংচুপ পাংবদা ইৱাৱতীগী ৱাংমদা আভা কোম্নুং লৈবৱনি। লানগী পাউ ফংবদা অৱা নি থোৱেল দিবৌটি কোম্নুং থাদোক্নুনা চেনখবে। মহাক্না মহাক্কী ময়ুমথনা থাৱক্নুনা থৱায কন-বিয়ু আভা কোম্নুং থুগায়বিগনু হায়জবৈ। লাল লোইবা মতুং নোংমা কোনবদা আভা কোম্নুং থুগায়গে হায়না গরীবনিৱাজ শেমশাহনা লৈরবনি। অহুবু অহৌং অহুদা হনুমানগী মূর্ত্তি য়েকপা নিংথৌগী ফীরাল অহু অৰ্কনবা নোং-সুংশিংনা থুদেকখবে। অমঙ্গলগী খুদম্নি ইৱাৱতী তুরেল লানবা চুমদে হায়না গুরু শান্তিদাসনা নিংথৌদা পাউতাক পীখৱে। গুরু য়াথং লেংদনা লৈবে। আভা কোম্নুংদি গরীবনিৱাজ নিংথৌগী থূযা থাদা তাহনা লৈবৱনি। ইৱাৱতী তুরেল লাম্নিংদা অৱানা লাম্নাবক্রমদি অৱাবা থুদোংথীবা ফংবা য়াই হায়না গুরুনা অচুম্বা পাউতাক পীখবে। আভা কোম্নুংদা চঙলুদবে। পলিবা লমথোক, চকপা মখাও ওম্নী অমসুং মঙত্রা কেওহু ওম্না—অহুমগী হকচাক মৈদা দান তৌহনা পোৎলোযৱগা অস্থি অহুম লৌহনা গরীবনিৱাজ ক লৈ পাক্না হল্লক্লে। মখোয় অহুমগী শোৱাং শোম্লে। মী থাহনা অস্থি সমর্পণ হায়বদি গঙ্গাদা অস্থি অহুম থাদহল্লুৱে।

১৭৩১ এঃ ডিংদা অৱা নিংথৌনা মণিপুরগী নিংথৌদা লোইহাবা শমশোক নিংথৌবু গরীবনিৱাজদা লোই হাই হাযহনা য়াম্না ওং-নৈবগী পাউ ফংবদা গরীবনিৱাজনা অৱা লৈপাক্তা লাম্নাখি। সাগাং কাওবদা লৈবা অৱা লৈপাক্কী লমদম পুম্নমক মাও-তাক্না থুগায় য়ৈথায়খৱে।

১৭৪০ এ ডিদা অরা লৈপাক্কী ইপান অমসুং (১) মেতু কৌবা লৈপাক অনা তিন্নহুনা মণিপুর লৈপাক্কা লান্দাবা লাক্লে হাযবা পাউ ফংবদা গরীবনিরাজ নিংথৌনা অরা লৈপাক্কা লান্দাখি। অদুবু অরা তে ঙাল অমত্ত্ব লাল শোক্করমদনা চেন্নখি। হন্দক্কী লান্দাবা অসিনা গরীবনিবাজনা অরা লৈপাক্কা চহী কুমজা তবেং লান্দবগী অরোযবনি। অপীকপা লাল মচানি।

পীকপ্রবা মবম – কালবাত্রিগী থমথেংনা ফত্তবা পুংফম ক্ষেন-ফমদা মরু হুনখিবা পলিবা-মথাউ ঙম্বী অনীগী মচানিপা কেঙহু ঙম্বানা মপামমাগা লোয়ননা শিখিবদা চহী চামা শোক্লখিবা অরা – মৈতৈগী লানশোক অশাংবা (২) ধ্বংস-লীলাগী অহানবা অক লোইবে। অনীওবা অক্রনা মণিপুর লৈপাক ১৮১৯ ১৮২৬ চহী চরেং থুস্তাক ইত্তাকপদা লীলা অসিগী চাননা লোইরবা অরোয়বা ফীজঙ চিংখখি। অদুবু পলিবা-মথাউঙম্বী-কেঙহু ঙম্বগী দোষ নত্তে। আধিদৈবিক (লাইনা ওম্বা) অকিবা মশক ফংবা মারক (মী হাৎপা) দশানি।

গরীবনিরাজনা অবা লৈপাক্কা তরেংলক লান্দাহুনা মশীং থীবা ঙমদনা য়ামপ্রব লানগী থুজু থুংলাই, সনা, লুপা, হীবা মণিমুক্তা মুন্দুনা মণিপুবদা পুবকখি। অরা জাত্তিগী মী মশীং লাকপা ঙমদবা মথে হাংখরে। থুজং, সহব, লৈপাক কযামুক মৈ থাহুনা উজার শানা চাইখায়খরে, থুস্তাক লানশিখবে। রীবনিরাজগী মমীংদা তাবদা অরা নিপা মুপী থক্ থক্ নীকপা মথে ফিনখরে।

(১ Myedoo (২) মরু ফংনা মাঙ – তাকপগী লীলা।

॥ তরা মঙা ॥

অহ্না লৈপাক্কী তোঙ্গুবশগী ইকান কোনবা নিংথৌ অনী টানিনগানউই অমসুং দিবৌটি গরীবনিবাজগা পাঙ্গল চায়েন-নবদা লানফম খুদীংমক্তা মাথথীবা ফংখবে। মমৈথ দা দিবৌটি উপায় অতৈ লৈবকত্রবদা গরীবনিবাজগী মফমদা নোনজবক্লে। গরীবনিব্রাজগা যেংথিনববদি অবাগী অমাঙবতা ওইগনি, মহাক্কা চান্নবগা অফবা ওইগনি হায়না অবা ফম্যাইবশিনা নিংথৌদা পাউমেনখবে। মতম অসি গরীবনিবাজগী বয়স চহী ৫০ [illegible]ক্লবা মতমনি।" নহা ওইবিক্তৈগী মৈ ঈশ কনখৎলক্লবা অশঙ-অমাং পুম্নমক চাকথেক্কে হায়বা মতম লোইখ্রক্তনা চকচাঙগী ঈ ঈ-থবক্তনা পবলোক (শিরবা মতু, অমসু, অমুক হন্না পোক্লকাত্র হৈগী মরক্কা মতম) কী বাখল থনবা হোবক্লবা মতমনি। গুরু শান্তিদাসগা তত্তনা সঙ্গ তৌবা অমসু, গুরুনা ধর্ম্মগী মবমদা তাকপীবা রা তোয়না তাবা মবমদগী গরীবনিব্রাজ মীহাৎ মীপুনবগী থবক পাম্নকক্লবা মতম ওইবক্লবনি। (১৭৩৭ খ্রঃ ডিঃদা গরীবনিব্রাজ নিংথৌ মৈতৈ [illegible]চিংবা মী ৩০০ গা লোয়ননা গুরু শান্তিদাসনা শন্দোরকপা রামানন্দী ধর্ম্ম লৌখি) শ্রীরামজী প্রভুগী মন্দির অমা লিংখৎলম পুম্নি মপাঙ্গা কক্তুনা শ্রীরাম, লক্ষ্মণ, ভরত,

শত্রুঘ্ন, অমসুং সীতাদেবীগী মর্ত্তি (১) নিরুপন তৌহনা পূজা তৌবা হৌখি।

অৱা নি লৌ দিবৌটিনা মনাই নন্দশরা কৌবা নিপা অমা চিঠিগা লোয়ননা থাবত্তুনা নিংথৌগী মজা ইবেম্মা পীবিয়ু হায়জবৈ। চিঠিগী মবোল:—

—সনাগী চৌং মতোন্দা লেপ্পা পোইবৈ মৈতৈ নিংথৌও! থাযনা মমা ভৈদগী হৌনা মৈতৈ নিংথৌশিংগা অৱা নিংথৌশিংগা চারান মোরোম্নহনা লাক্লি। অহু থনবিহনা অরাপ্পা লৈপাক্তা ইচানুপী থাজরোই হাযবিগনু। নজা ইবেম্মা তঙ্কা রাংঙয়োনবু অবা নি থৌ ঐগী ইফমদা থাজবিয়ু। মৈদিংঙুসু অৱা কোম্নুংদা খেংঙলেংঙবিবকউ। অৱা নিংথৌ ঐসু লম্বীদা ওকচরমগে।

অৱা নিংথৌগী নোনজবা রাঙাঙ তাবদা, অচুম্বা রাখল থনবদা অমকপা যাওদবা, অকনবা লানফমদা অত্তিয়াদগী তারকপা নোংমৈ শীংজ গুম্বা, নিংথৌ মহাক্কী মফমদা নোনজরবা মীদা মচাওয়া কোনশিনবিবা, থৌগ্রানবিবদা অৱাংপা অহেনবা নাইদবা, গবীবনিরাজ নিংথৌরেম্না রাখল তৌখি,

—অৱা-হুংশি নংলবা, মাঙ-তাক্লবা, কাং-খোং চাইরবা অৱা লৈপাক্কী মংত্র নিংথৌনা হায়জবা নোনজবা রাহেনা ঙাইশেল ওইসি হায়রকপসি রাখল তৌহনা য়েংবা চুংম্মী। অৱা মংত্র

(১) লাইগী মূর্ত্তি শাহনা পূজা তৌববু মৈতৈনা নিরুপন তৌবা কৌই।

নিংথৌনা মবুক শেংদনা নুংমুক কন্দুনা লৈরম্লবদি লাম্লা মায়থীবা পীত্নুনা আভা কোন্নুং থুগায়বমগনি। অত্থুগা মবুক শেংনা কিবা ওইত্নুনা অশেংবা রা হায়বা ওইরম্লবদি ইমোম ভম্বা রাংঙম্রোন সত্যমালাবু লুহোং খোংদোংত্নুনা থাজবিরমগে।

ৱাখল অসি থন্দুনা, নিংথৌনা পোকপা মচা ইবেম্মাশিং কাছাড় নিংথৌ মচানচিংবদা থাজখিত্নুনা লুহোংত্রিবা মচা ইবেম্মা অমত্তা লৈত্রবা মরম্লা, মনাও ইবুংঙো ৱাংথৈরাকপনা পোকপা মচা ইবেম্মা সত্যমালাবু পুত্নুনা মৈতৈ অকল অথৌ ভোংঙোলগা লোয়ননা গরীবনিৱাজ আভা কোন্নুং ভয়া লাক্লে। সনকম্মা দোলাইনচিংবা পুত্নুনা অরা নিংথৌ দিবৌটি লম্বীদা ওক্লম্মী। ইরাবতী তুরেল লান্দুনা আভা কোন্নুংদা চত্থারে। কোন্নুং অৌরবা মতুংদা অরা অমসুং মৈতৈ নিংথৌ অনী সনাগী ফম্বাল্লাংদা ফম্লীমরে। অত্থুগী মতুংদা অকবা তিখি, হুমিং, পুকম কোনকম য়েংত্নুনা মচা ইবেম্মা সত্যমালাবু অরা নিংথৌদা লুহোংবিরে। অত্থুগী মতুংদা গরীবনিৱাজ নিংথৌ সনা পুক্রীং ঈংনা পোইরে তমদা লেংলক্লে।

\+ + + + +

গরীবনিৱাজনা মচা ইবুংঙো শ্যাহল জিংখাই পোকপী মচা ইবেম্মা পাইখু লাম্ববী লৌবা মতমদা মমানা নিংথৌগী মকমদা বরা অনী নিখি—অহাম্বনা মহাক্কী গর্ভদা পোকপা মচানিপা অহম্মা যুবরাজ ওইবা, অনীশুবনা গরীবনিৱাজনা অহল ওইরক্লবা

মতমদা যুবরাজ ওইবা মচা ইবুংঙো অসিদা নিংথৌ খুবম পীবীবা। গরীবনিৱাজনা বর অনীমক পীগনি হায়না ৱাশকখি। নিংথৌরেল্লা চহী কুমজা ৪০ সনা কম্বাল্লাংদা লৈতেংহুনা লৈরবা, নিংথৌ মশাগী বরস চহীনা ৬১ শুবা মতমদা মনাও ইবেম্মা অসিনা মমা-কৈদা পীগনি হায়খিবা বর অনীহু পীবীরো হায়জরে।" মতম অসি যৌবদা, নিংথৌরেল্লা গুরু শান্তিদাসকী কৃপা ফংহুনা ৱামানন্দী ধর্ম্ম পূকনীং হকচাঙ-ৱাহৈ ৱাওনা কম্মা পোইরৈ তম-দা শন্দোরকপা ফনা কুইরবনি। ভারতবর্ষগী সম্রাট অশোকনা কলিঙ্গ (উড়িষ্যা) গী লানফমদা মী ৱাম্মা হাৎখিবদা নিংথৌরেনগী পূক্লীংদা নীংঙম্রক্কবা, মথরায় লুংঙাইতবা পোকখিব-শুম, গরীবনিৱাজসু অরা জাতিদা অরাবা ৱাম্না কা হেল্লা পীখীবগী দমক নিংথৌগী পূক্লীংদা সংসারগী মায়া থাদোক্কনা বানপ্রস্থধর্ম্ম লৌরগে নীংবা হৌরক্কবা মতমনি। প্রভু শ্রীরাম চন্দ্রগী পুনসীগী ৱারী নীংশীংলক্কনা ৱাশক চেৎপা নিংথৌনা ১৭৪৮ এঃ ডিংদা নিংথৌ খুবম থাদোক্কনা বর নীবী মনাও ইবেম্মসিনা পোকপা মচানিপা অহল যুবরাজ ৱাইহল জিংশাইন্দা সনা কম্বাল্লাং পীথরে।

মপাবু ধর্ম্মনি ফগনি নীংবা শ্যামজাই খুৱাইলাকপা গরীবনিৱাজ নিংথৌগী মচানিপা অহল্লি। অচুম্বা Primogeniture (মচা নিপা অহল্লা নিংথৌ খুবম ফংবগী আইন) মতুং ইন্না শ্যামশাইনা নিংথৌ ওইফম থোকপনি। মহাক্কা মপাক্কা মরোশিংনা নিংথৌ ওইরবদি ৱাশক কায়বা মরম্না মবা ইবুংঙো

শিবগা নবক যেংবা তায় হায়বা রাখলসি মহারাজা কম্না থনখি। অসিগুম্বা পিতৃভক্তি (মপা নীংবা) অসিদি জগৎ সংসাব অসিদা অতাঙবনি। ত্রেতাযুগ ...ক শ্রীবামচন্দ্রনা অমসুং দ্বাপর যুগতা দেবব্রত (ভীষ্ম) না অসিগুম্বা অঙকপা ফংনা রা খ্রবা পিতৃভক্তি উৎখি।

নিংথৌ খুবম পাদোক্তুনা বানপ্রস্থধর্ম্ম ... গৌবদদা গরীবনিৱাজ মৈতৈলমা থোযোইবোল (খুগ-চন্থু) প ঙ্গডবী অমসুং অ বন্দমবচিংবগা ... যাযনবা বা।গা।না (...ক ম্বা শ্রিবোল চা।ত্থুম) দা লৈখবে। প্রজানা ম্বু শিবা ধর্ম্ম লৈবা নিংথৌনিনা ব্রাহ্মণ, বৈষ্ণব, প্রজা অমম্বা ত্তোযনা নিংথৌ সনানাক্তা তিনবা উবদা স্নাহল জিংশাই নিংথৌগী মপুক্রীদা মপাবুংনা লাল হৌগদৌবে হাযনা চিংলরে। মতম খবা মক্ষম অক্তদা লৈববা মতু দা নিংথৌনা তাম্বোক্তুনা রামনগর (নোং পোক ইংখোল) দা গর্বীবনিৱাজ লৈবরে। রামনগবদা মতম খৱা লৈরবা মতুংদা নিংথৌনা তাম্বোক্তুনা অঙোম যুম্ফম (Veterinary hospital, Churachand H school, অঙোমগী ফুঙ্গাদগী হৌগৎলকপা পুরৈলোম্বা খোংনাংনচিংবা মক্ষম) দা লৈররে। মক্ষম অক্তদা মতম খৱা লৈরবা মতু দা নিংথৌনা অমুক তাম্বোক্তুনা গরীবনিৱাজ হযিং খোংবান্দা চত্তুনা তাইবংখাইবা থুরুম্নগা অৱা লৈপাক তম্না লেংখরে। লমলেন ৱাংজিং য়েৌবদা অৱিন্দম পুকচত্তুনা শিবে। পোৎলোইৱম্নগা

কুমথবকপদা খোংজোম যোৗব। "খোংজোম ঈশিং কাম্বগে থিবদ ফংজ্রগ চিঙদগী য়েংবদ নাপী মরক্ত চেনবা ভুরেল উবদ—'নঙগি মপামদ কনাগুম্বন তেঙ্গোল শারবদি তেঙ্গোল তুম্মু হায়ন শাপ তৌবমঈ'। অদুগ ককচিঙ নিপা অমম মহারাজবু উৎদ হৎনব পোং যাওদবদগি নিংথৌ উরবদি পোং কৎপ হৌনৈ হ যত্নন হুপ মতোল কৎলুবদগি নিপা অদুবু ককচিঙ নিংথৌ শে ম্বগ বুদ্ধিরাজ' উপাধি পীরমঈ হায়।"—শ্রীলোইরাংথেম চন্দ্র সিংহ পণ্ডিত অচৌবা সাহিত্যভূষণ।

আঙা কোয়ু যোৗবদা মমাক ইবুংঙো অরা নিংথৌবেল দিবৌটিগী মনাক্তা গুরু শান্তিদাস শ্যামশাই অমসুং মনাইশিং অতৈগা লোয়ননা পৈথরব। চহী অমবোম আঙা কোয়ুংদা লৈরবা মতুং দা টেলেশিংনা আঙা কোয়ু মৈ থাথবে অমসুং দিবৌটিবু ফাত্তুনা পুখবে। লৈফম লৈবকত্রবদা গম্ভীরসিংহ মণিপুরদা অমুক হল্লগে হায়দুনা খোঙশাল্লক্নে। গম্ভীরসিংহ থোরক্লে হায়বা পাউ অসি থিনবা তৌদনা নিংথৌ জিংশাইগী মফমদা অবোম্নায হঞ্জবনা থঞ্জনখরে।

× × × × ×

নিংথৌ সনা কোয়ুংগী অরম্বা রা তানকম কাদা নিংথৌ জিংশাই, মনাই ইবুংঙো অহক—মবুজাটিশাই, জনক শাই, গন্ধর্বশাই অমসুং মমা ইবেম্মা মহারাণী পাইখুজাম্বী অচেৎপা রা

তানরম্মী। পা-মা তিম্নবা ভরতপাই অমসুং অনন্তশাই অৱোনবা মীটিন অসিদা য়াওরম্মদে। মীটিন অসিগী থা মরি মঙাগী মতুংদা খোকখিবা থৌদোক্লামখোয় অনী য়াওদবগী মরম থত্তনখি। মাহাকপম শায়োই, কৈক্রনবা হিদং, অয়াংহনবম হোংবা, ইরোম শানচিংবনচিংবা মৈতৈ নিপা ৪০ মুকসু তুমিন তুমিন কমথুনা মীকম অসিদা য়াওরম্মী। ভিল্লি নপাশিং য়েংথুনা সব্যস চী শাইনা হায়রকই,

—নিংথৌবু লুনা ভক্তিব্যবহার তৌবা মৈতৈ অকল অথৌশিং ও! নিংথৌগী মনা য়াথং নথোয়দা হায়গে তাও। য়াম্নুংহন শ্যামজাইনা খৌগল তৌথুনা পাবুং আভা কোম্নুংদগী লেং-খোৎক্লে, মণিপুর য়োৎরগা শ্যামজাইদা নিংথৌ থুবম পীগদৌরি হায়বা থাজবা য়াবা অৱোনবা পাউ ফংলে। মণিপুর য়োৎক্লবদি মৈতৈ প্রজা পুৰমক পাবুংগী পক্কা লেপখিগনি। করি করম্বা উপায় তৌরগা পাবুং মণিপুর য়োৎকহন্নথা য়াগদগে থম্লসি। কমদৌসি হায়বগে?

নিংথেম পোকপী পাইথুলাম্বীনা হায়রকই,

—মব্য নত য়াকোই ভাক্তা ভাতথুনা লৈরে। মচি মরুমদা য়া ভাতবা করিগীনো? হায়নীংবা য়াম্ব ঠং ঠং হেক্তা হায়-রোকই। খিনবা য়াবা থবক মত্তে ইচাপা।

শক্রম্নশাই তোলেনতোম্বনা শাউরবা হায়রকই,

—অমম্বা য়া ঐ হায়গে তাউ অমুন অচানবগা! মণিপুর

য়োরকত্রিতৈদা পাবুংগা শ্যামজাইগা অনীগী য়াইহি থরায় লৌবা তারে। অদু ঙমগদবা নিপা মরিদা চোংথোকউ।

মীটিন্দা য়াওবম্বা মী পুন্নমক ত্তুমিন ত্তুমিন য়া ঙাঙদনা মরু লুকথছনা লৈনরম্মী। কৈক্রেনবা হিদংনা হায়রকই,

—নিংথৌ সনা য়াথং কোকথক্তা হাপচরি। সনা য়াথং তাকপীবা মতুং ইন্না থবক ত্তৌবদা মায়ওনবা ত্তৌজরোই।

জিংশাই নিংথৌনা হায়রকই,

—ভয়ুম অচানবশা! নখোয়না ঐগী নিংথৌ থুবম অসি কায়দনা লেংদনা লৈনবা ত্তৌরবদি নখোয়দা নিংথৌ ঐনা নঙগী নঙগী মত্তীক চাবা কম, মনা মথীন পীগনি। পাবুংগা শ্যামজাইগা হাংপদা নখোয়না ত্তৌরুবা, শক্তক য়ারুবা থবকী মতুং ইন্না কম অমসুং মনা অচৌ অপিশক খায়গনি। নথরায় য়াওনা হোৎনৌ।

পাইখুল মবী মহারাণীনা জিংশাই য়েংছনা হায়রকই,

—ইবুংঙো! ইমা য়া হায়গে তাও। ননাইশিং অসিদা থাব নদি থবক মপুং কাবা য়ারোই। ননাও অহমগী মচুংদগী অমগা থাও, কনা থাগগে?

নিংথৌনা য়া ঙাঙদনা মনাউ অহমদা য়েংলকই। মনাউ অহমদু য়া ঙাঙদনা ত্তুমিন ত্তুমিন লৈনৈ। অদু উবদা পাইখুলাম্বী মহারাণীমা হায়রকই,

—করিনো ইচাশা! নখোয়না থুমদবনো? নয়াখুংবু নিংথৌ থুবমদগী

তাদ্বোকপা য়েংতুনা লৈবা ভমগনরা ? নখোয় অহুমগী মসক্তা অমা চৎলুনা।

মচীম্মনাও তকক্নী ইত্তোন তোনবা, ময় নিংথৌনসু য়াম্না চাম্না লুনা তৌবা তোলেন তোম্বা শক্রুঘ্ন শাইনা হায়রকই,

—ঐ চৎকে ইমা। ইমানা নীংবা আশা থুংনবা ঐ তৌজকগে।

—হো অহুনিদনা ইবুংঙো! নযাম্বুংনা নিংথৌ মকম তরুবদি নখোয় পূম্নমক অৱাবা ফংগনি। ইবুংঙো জিংশাই নিংথৌ। ননাও হৈত্তোন খোমদোম্দা অবামল কবি মনা পীবীগদৌরি ?

জিংশাইন ঙাইহক রু খল তৌরগা হায়রকই

—আমুং শ্যামজাইনা হৌজিক ওইরিবা থুবাইলাকপগী মকম অসি পীজগে। অহুগী মথক্তা নিংথৌগী মকম লেংদনা থম্বগী হায়বদি মথৱায ফনবগী ভাংবল্লোই পীজগে। ওক্রববা ইমা ?

—ফরে ফবে। খোঙলোয় থূনা হোংনৌ। ভম্না যাদে।

× × × × ×

(নিংথি তোনফাং হিদেম্দা কংকাম্দা কাথক্তুনা অঙোম চন্দ্রমণি, মোইরাং লনহাম্বা, নিংথৌখোংজম কামদেবনচিংবা গরীবনিৱাজ নিংথৌগী শাগোম্নবা তুচানবা মনাইশিংনা তুরেল মপাম্দা মকম অমতং কান্দোক্তুনা বরি হৈথোক্লে। বামোন বারী লীবা হঞ্জবগী মচানিপাগা ব্রজরাম, কৃষ্ণগা অমীনা ইক্রজখোক্তুনা নিংথৌগী অনীক সেবা লাংলম্মী। জিংথোক্লেন চাইথহনা কীখেঙ হোংদোক্লগা অপেংবা খাইতৌবা মকমদা

লেংশিন্দুনা মালাজপ তৌদুনা শ্রীশ্রীরামচন্দ্রজি অমসুং সীতা দেবীগী নাম শোল্লম্মী। নিংথৌগী তুংদা অঙোম চন্দ্রমণি চামর অমা পাযদুনা, লে যান ফী অমা মরেংবান্দা য়াম্দুনা ফমদুনা থৌগল তৌবম্মী। হিন্দুগী অহুমশুবা আশ্রম বানপ্রস্থ ধর্ম্ম লৌদুনা যুম থাদোক্তুনা লাক্লবনিনা ইন্দকী থোঙকায় অসিদা মণিপুর লান্দুনা চৎলগা ভারতকী গয়া, গঙ্গা, প্রভাস অমসুং পুষ্করনচিংবা তীর্থস্থানশিংদা ভ্রমণ (কোয়বা চৎপা) তৌগে হায়না নিংথৌ মনা পুক্লীংদা থমখি। শুমিৎ খুদীংগী অয়ুক্তা অমদি সায়ংসন্ধ্যাদা রামসীতাগী নাম লৌশীং অমমম শোল্লম্মী। নামসংখ্যা মশী শুনা শোনবা লোইরদুনা লেংখংলগে তৌবকপা কান্দা খডহীদনা শগোল তোংবা নিপা ৫০/৬০ রোম শগোল কয়া থৌদুনা লাক্লগা গরীবনিৱাজনা নাম শোল্লিবা মফম অতুদা শগোন্দগী কুমথবে। শক্রঘ্ন তোলেন তোম্বা, কৈক্রনবা হিদং, থবোই, লানচিংবা, হৌংবনচিংবা থাঙ তা পায়দুনা নিংথৌ তমা ফজিনখবে। তা অমা পায়শিল্লক্তুনা নিংথৌরেনগী পুক্রা পাল্লে। তা হুল্লকপগী শক্তু কনমনখিবনা নিংথৌগী থৌগল তৌদুনা তুংদা ফমদুনা লৈরম্বা চন্দ্রমণিগী মথৌরি চরমদা লেংলে। নিংথৌ মপু মনাই তুখমিন্নখ্রে।

অপীকপা অচৌবা লানফম ২২/২৩ দা জয় ওইখিবা, মপুজীগী মতুংদা অমুক্তা মায়থীবা কংখিদবা, আসাম, ত্রিপুরা অমসুং অবা-লৈপাক্তা, অরংবা, লৈচিন নোংঙ্কাইনা কুপ্তবা,

মপাঙল ময়াক কনবা হুমিংকুম মঙাল-মশেক শন্নোক্লবা, মণিপুর ৰাজবংশ পূৰ্বকী হৌৰককম (আদিপুৰুষ), অমসুং মণিপুৰী জাতিবু মতম মতম অহূগী চাংদা মশাগী অৱাংবা সভ্যতা লৈৰম্বছ ৰামানন্দী ধৰ্ম্ম লোইহন্দুনা অমুক হেন্না ৱাংবা থাক্তা থাঙৎ-পিৰম্বা, মণিপুৰদা পানখিবা নিংথৌশিংগী মৰক্তা খাই পূৰমক্তগী মপাঙল মতীক মগুণ হেনবনি হায়বদা হেঙিন্না হায়জিনবা ওইৰোইদবা গৰীবনিবাজ কৌবা নিংথৌবেন্দু ভূৰেল মপানগী লৈঙোই শেক্তা মথক্তা মীওইনা পানবা জীবলীলাগী অবোযবা সুংশাঙৰ হোনখৰে। মাযকৈ অমদা য়েংথিনবা হৌৰকপা মীৰৈপাক লোইচনবা পাম্বা, লৈপাক, থুঙং, সহৰ কয়া মৈথাহনা উজাৰশানা মাঙ-তাকহনবা/ঙম্বা অকনবা অয়াকপা পূকচেল, অতোপ্পা মাযকৈদা বৈষ্ণব ধৰ্ম্মগী হোনশা দান-ধৰ্ম্ম তৌবা, লৈত-লায়ৰ তোল্ল-তাৰবশিংদা চেং, ফৌ, ফিৰোল য়েন্দুনা পীবী হায়বগী দমক লৈপাক প্ৰজানা "লাইৰবগী মবুংঙো" হায়বা মুংশিবা মীংথোল পীথীবা, নোংল্লুকপদা—"তৃণাদপি সুনীচেন" (নাপীদগীসু হেন্না নেমথবা তোম্বা) কৌবা লমচৎ শাজৎ—অসিনচিংবা অমগা অমগা থূবাক থূনমগুন্না খেন্নবা (Contradictory) মগুণ মথল মথলনা লৈতেংবা থোংনাং মহাত্মা গৰীবনিবাজগী অঙকপা ফংনা মচু মথল ৰামপ্ৰবা পূন্—লীলাগী কম্বাক্তা অৰোয়বা ফীজঙ হাইথথৰেে। মীৰয়েন্দা শাকম লানফমদা অমদি হুংঙাইনা ঈংনা তপ্না লৈবা কালদা তংন-থানবা লৈয়কত্ৰবা নিংথৌ মপু-মনাইত্ত লাইয়ৰেন্দা—বিজ্ঞামা

চটী লক্ক অমা থঙগে হোৎনবদা লংলাঁ লংজিন কংগনি থাজত্রবা মঙ লৈপাক অমা তম্না শীগুম লম্বীদা চৎমিন্নরমগদরা ? অমম্বা পুন্নমক্তগী হেন্না মম্বা মীওইবগী বুদ্ধি লৌশিংনা লাম্বা কংত্রবা, ম..ানি থাজত্রবা রাকম্নি। মীওইবগী বুদ্ধি-লৌশিং তাং অমা থু..দ হায়নৈ। অস্রুপ পাক চাউই হায়বা থঙত্রবা সৌরজগৎ (..n planets and satellites etc of the solar system) বা..রা থাপ্না থমহনা পীকত্রবা পৃথিবীগী রা মীওইবনা লোইনা ..া থঙলবরা ?

শ্যামজাই, কিশোবশাই, কামদেব, শ্যামরাম, নাওরোইবা ..ংবা, মোইরাং লনহানবনচিংবা, (তোলেন তোম্বগী দলগা ..ঙনা কম্না যাম্নবে। অহুবু মীশীং যাম্বা হেনখিবনা অমসুং ..লাই ফবা হেনখিবনা থোগন্দা যাওবম্বা মী পুন্নমক মথন্নায় ..ব। গাস্ত উপায লৈবকত্রবা মতমদা মপাবুংবু হাৎপা মমীৎ ..না যেংনিংদবা শ্যামজাই নিংথি তুরেলদা চোংথরে। ..বঙ খোঙ্গুল মুৎথরে। মপানিংব (পিতৃভক্তি) গী, মপাগী ..ং হিক্তোক্তবগী অরোযবা অরাংবা থুদম উংখিবা পুন্যচেনবা শ্যাম-..গী ফজবা মিংচৎ হুমিৎনা থানা পাম্লিবা মখৈ ইতিহাসগী ..া সনাগী মুক্লা মন্নেক লানা ইহুনা মীওইবা জাতিগী বি..া ওইনা লৈথরগনি। ধন্যনি !

ঈ—দা লান্দুনা সনা ফম্বাল্লাংদা কাখবে।
ঈ—তাহুনা ি থি-ঈদা (১) লীলা ওইখবে॥

Wading through blood he came to the Throne
Sheding blood at Ningthi he met his rueful end
A prince—a Patricide? Not he,
But the hand of Destiny—or of a Curse

(২) "প্রাক্তন"

লোইববা

(১) স্বর্গতি (২) লাইনা ওম্বা লাইবকী ফল।

ERRATA

অঙ্ক	পেবা	লাইন	অবানবা	অচুম্বা
	৩	১	বনা	কনা
	৮	১	কৌবগে ?	কৌবনো ?
	৪	৬	লোক্তুনা	লোত্তুনা
	৬	৩	হাংদোক্তনা	হাংদোক্তুনা
Footnote		৩	হুত্তনা	হুত্তুনা
	৩	৪	ব্লাশকখি	ব্লাশকখিবা
	৯	২	তাউথবে	তাউথখবে
	৩	৪	পমক্তগী	পূম্নমক্তগী
Foot note		১	$\overset{১}{০}$	$\overset{১}{৪}$
	৫	১০	পুথম	পুথম
	৬	২	তম্লবে	তম্লুরে
	৩	১	খঙদবা	খঙনদবা
	১	৯	হুমিৎনচংবা	হুমিৎনচিংবা
	১	৪	থুরুলে	থুরুমলে
	২	১১	তম্ফ	তম্ফা
	৪	৩	ে ারক্লে	থোরক্লে
	১	৭	অসু ৷	অসুম্না
	১	৭	শাউথখে	শাউথক্লে

৫৭	১	১৭	মস্তাক	মস্ত ॥
৫৯	১	৪	হাগায়দরে	হোগায়
৫৯	২	৪	পাউে মুকই	পাওমেম্লকা
৬০	৩	৩	লাকথস্তনা	লাকথস্ত ন
৬০	৫	১	ব্রাকখিবহু	ব্রাশকখিবহু
৬১	৬	১	ভোম্ল া	ভোম্লবী
৬১	৫	১	চৌংমায়দা	চৌংথোঙদা
৬৪	৬	১	মহাকা	মহাকী
৬৫	৬	১২	মমীং	মমীৎ
৬৯	১	২	অ ণী	অমণী
৬৯	২	১	নৈ	ইন্নৈ
৭০	৩	৭	পক্কনা	পক্কু না
৭৫	২	২	চৌংনীথুল	নৈত্তৈথুল
৭৬	১	৪-৫	ফুরেলা ভাবা	ফুরেল ভম্না লৌ ণী চেনথবা হৌ
৭৯	১	৮	শিংবা	থুম্বা
১০০	১	২	মথৎ	মথুৎ
১০০	১	৬	লৌথোলুহনা	লৌথোকলুহনা
১০০	১	১	মথ	মথুৎ
১০০	২	১	লোমত্রহনা	লোমগ্রহনা
[illegible]	৩	৩	ভবী	তৈবী

	৩	লাম্মীশিং	অয়া লাম্মীশিং
	২	লৈশাবীশিংনা	লৈশাবিশিং, হন্নুবা
		হন্নুবা হন্নুবীশিং	হন্নুবীশিংনা
১	২	শ শোক	শমশোক
১	৩	খোল্ল	খোল্লে।

Foot note delet (২) চেকশাগী পুন্সীগী রারী

Supplement দা হেংবিয়ু।

১	৩	য়েং-ঐদা	য়েং-ওইদা
২	৫	চাংঙু	চীংঙু
৫	১	মথত্তা	মথুত্তা
২	১০	পাহ্না	পীহ্না
২	৬	াতকলম্মু	তাকলম্মু
৩	২	দাক্ষিনাত্যদা	দাক্ষিণাত্যদা
[illegible]	৬	বুটিমিং	বুটিসিং
[illegible]	৪	হমুং	ইমুং
২	৪	লাওনবনবা	লাউনবনা
২	৩	নূংঙোজোত্তা	নূংঙেজোত্তা
২	৩	মচা	নচা
Foot note		লনমী	লমগী
[illegible]	৫	ায়দবা	পায়দবা
[illegible]	৩	শন্দোং	শদোং
[illegible]	১	১ থক	৯ থক

পৃষ্ঠা।	[illegible]	[illegible]	অশুদ্ধ	শুদ্ধ
১৭৪	[illegible]	[illegible]	পু ২,	পুরা
১৮১	[illegible]	২	কুখে কা	কুখেলা
১৮৬	১	৭	পঙ্কীং	পুঙ্কীং
১৮৭	৩	৩	ইনঙ্কীরো	ইপুঙ্কালো
১৯০	৬	২	পেনাপতি	সেনাপতি
১৯১	৪	১	হ্রাযেনখৌ	হ্রায়েনখৌবা
৮৯১	৭	২	"হ্রায়"	খোংখোকদবনি
১৯৩	৩	৩	মখক্তেং	মখুৎনেং
১৯৮	২	৮	পং	পুং
১৯৮	Foot note		পঙ্কীং	পূঙ্কীং
২০৫	২	১	ওসি	অসি
২০৭	৪	৩	শান্ন	শাস্ত্রী
২১৩	২	১	অখোবশিংবু	অখৌরশিং
২১৪	২	৪	দোলাই	দোলাই
২২১	২	৩	ওয়াক্ত	ওয়াক্তে।
২২১	১	১	লোয়াঙ্খুনা	লোয়নঙ্খু
২৩১	৩	১২	অকনমবা	অকনবা
২৩৪	১	৩	খ ঙিাং	খাঙকম
২৪৬	১	৫	অর	অয়ামা
২৪৯	২	১০	অয়	য়াদ্রি
২৪২	৬	৬	[illegible]	ঙবীর্ঘ
২৪৩	[illegible]	৬	[illegible]	[illegible]
২৪৯	১	৫	[illegible]	খাদ্যো
[illegible]	২	[illegible]	[illegible]	Shot